# ꯃꯥꯎꯄꯁꯥꯒꯤ ꯋꯥꯔꯤ ꯃꯆꯥ ꯱꯵

# মাউপসাগী ৱারী মচা ১৫

# মাউপসাকী য়ারী মচা ১৫

হন্দোকপাঃ এস বি সিংহ

*Guy De Maupassagi Wari Macha 15*
(15 Short Stories of Guy De Maupassant)
a collection of translated Short Story in Manipuri
Written by Guy De Maupassant
Translated into Manipuri by SB Singh

সনসম বিদ্যসাগরনা লমজিং পব্লিকেসন্স, লমদিং-ৱাংজিংগী মায়কৈদগী মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকীদমক নম্বা অমসুং ফোঙদোকপা।

অহানবা ফোঙবা: ২০১৭
লাইরিক মশিং: ৫০০
মমল: লুপা ২০০/-

© 2015
হক পূন্বা হন্দোকমীগীনি।

খঙহঞ্জবা: লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ৱারীমচাশিং অসি কনাগুম্বনা মওং অমা হেক্তদা শিজিন্নবা য়াবগী নিংতম্বা পীজরি, তৌবতবু পাউ অমতং খঙহনবিরকউ।

Printed in India
Typeset and Printed at: Lamjing Publication, Lamding-Wangjing

পরিষদ মশাগী প্রসিদেন্তগী
ৱাহৈ খরদং

গাই দি মাউপাসাগী মরমদা

# ৱাহৈ খরদং

মালেমগী খোরিরোলগী খোঙচত্তা ৱারীমচানা খোঙহৌ খরা থীন্থনা লাকখি। ইপিক, দ্রমা অমসুং নোবেলনা মপূং মরৈ ফাখ্রবা তুংদা ৱারীমচা তপ্না তুং ইন্নরকখি ১৯শুবা শতাব্দীগী ময়ায় চল্লকপদা। য়ুনাইতেত ষ্টেটকী এদগর এলেন পো (১৮০৯-১৮৪৯) বু ৱারী মচাগী লময়ানবনি অমসুং ৱারীমচাগী ওইফম থোকপা কয়াৎশিং শাগৎলন্বা অইবনি হায়না য়ানৈ। ফ্রান্সতা বলজাক, মাউপাসা, য়ু এসতা ৱাশিংতোন অরভিং, হাউথোর্ন, ও হেনরী (১৮৬২-১৯১০), হেমিংৱে, ও নিল, ইংলেণ্ডদা ৱালটর স্কোত, মেরী শৈলি, রুসিয়াদা এন্তোন চেখোপ (১৮৬০-১৯০৪), পুস্কিন, তরগনেভ, গোগোল অসিনচিংবা মালেম শিন্না ফাওরবা অইবশিং অসিনা কন্না খুৎ থাদুনা খোরিরোলদা ৱারী মচা হায়না খঙনরিবা জেনর অসি শেমগৎলমখি অমসুং অৱাংবা থাক্তা পুখৎলকখি। অদুনা গাই দি মাউপাসা ৱারী মচাগী খোঙ্গুল লীরকপদা চিংথবা শুকয়ামক য়াদ্রবা ৱারী মচাগী অইবনি।

গাই দি মাউপসা (পো: অগষ্ট ৫, ১৮৫০ - শি: জুলাই ৬, ১৮৯৩) ফ্রান্সকী শক্লাইরবা, মুৎনাইদনা শক শোন্নরীবা ৱারীমচা অমসুং নোবেল ইবা অইবনি, থোইদোক্লা ফ্রেন্স লোনগী ৱারীমচা অইবশিংগী মরক্তা খ্বায়দগী অথোইবনি হায়না লৌনৈ। মতম অদুগী মমিং চৎলবা নোবেল ইবা গুস্তাপ হাউবর্দপু ওজা ওইনা লোয়নহৌবা অমসুং পরা কয়া তমজহৌবা অইবা অসিনা ৱারীমচা চহুম হেন্না, নোবেল তরুক অমসুং লমকোই ৱারেং অহুম অমসুং শৈরেং লাইরিক অমা ইরম্মী।

গাই দি মাউপসা রিএলিষ্ট (তশেংনা ওইরিবা ফিভমবু শৈথাবা) অইবনি। মহাক্লা য়েক্লিবা মীশিং (করেক্টর) অসি পুন্সিগী হিংবগী লম্বীদা হকথেংনরিবা অনিংবা অপাম্বশিং মদুবু ফংনিংবা, ফংনবা হোৎনবা মদুনা থোকহল্লকপা কল্লকপা, মীহৌবা, ফংনিংবগী খোইরাংবা অদুনা হুমদুনা পুরবশিং ওইনা য়েকই অমসুং মদুদা অৱাংবা থাক্কী পান্দম য়াওদনা নত্রগা শাথিবা মওংদা নিংবা কায়রগা লোইশিল্লি। মতাং অসিদা ফ্রেন্স খোরিরোলগী পুৱারীগী লাইরিক অমদা ইরী

“মাউপাসানা ৱারী কয়ামুক্কী ত্রেজিক পৱার অসি মাগী য়েক্লিবা মীশিং মদু লায়রবা মী নত্রগা ইনাকখুনবা বুর্জুৱা ওইরবসু আইরোনিক নেসেসিটি (ওইরিবদুগী ওন্নবদা লৈবা ফিভম্ভু পান্বা), মদুবু ফংনবগী থৌনা লৈনা থেংনরবসু অশা লৈত্রবা, লায়বক্তা তন্নমদবনা মায়থিরবা অসিদগী লৌই।” (The tragic power of many of the stories derives from the fact that Maupassant presents his characters, poor people or rich bourgeois, as the victims of ironic necessity, crushed by a fate that they have dared to defy yet still struggling against it hopelessly.)

অসিগুম্বা ফ্রেন্স লোনগী খ্বায়দগী মকোক থোংবা ৱারীমচা অইবনি হায়না ইকাইখুন্নরিবা অমসুং মালেমগী ৱারীমচাগী খোঙচৎতা চিংথবা য়াদনা মমিং পন্নরিবা অচৌবা অইবা অমগী ৱারীমচা খরা মণিপুরীদা হন্দোকলুরিবা অসি অইবা অসিগী খুৎইশিং মণিপুরী খোরিরোলগী তাইবংদা খোঙদাফম লৈহন্নীংবগী ৱাখলনা থৌইনশিন ওইদুনা তৌজখিবনি, মতিক চারে খন্দুনা পাঙথোকখিবদি নত্তে, তশেংনমক্তি অঙাংনা মৈ কিদে হায়বদুমক থোকপসু য়াই। অইবা অমনা করিগুম্বা অমা ইনবা হোৎনবদা ফাওখিবা, খনখিবা পূম্বা খুৎই অদুবু পারিবা মীনা খঙবা নত্রগা মীদুদা ফাওহনবা হায়বসি ওইথোক্তবনি। মসিগী মথক্তা লোন অমদগী অমদা হন্দোকপা হায়বসিনা অমুক্কা হেন্না খুদোংথিনিঙাই ওইরিবনি। হন্দোকপা মতমদা লোনগী ফজবা মাঙখ্রগনি। করিগুম্বদা লোন অমদগী অমদা হন্দোকপা মতমদা অইবনা থমজরিবা ৱাদুগ খরা খজিক থৈনখিবসু য়াওরোই হায়নিংঙাই লৈতে। হায়নবা লৈ- লোন অমদগী অমদা হন্দোকপা মতমদা খরা তোংই, খরা মাঙই। পুন্নমক অসি লৈদুনসু পামজরুবা অমনা লমজিং ওইদুনা লাইরিক অসি মীয়াম মাঙদা নৈনবীনবা লান্থোকচরি।

হান্নন 'ইথিল' 'ইহৌরকপা' অমসুং 'খোরি-ইহুল' হায়রিবা চেফোঙশিং অসিদা ফোঙখ্রবা ৱারীমচা অহুম মথং শিংনা 'নোঙ্গাখ্রবী অমগী অরোন অথূপ' 'শরোই ঙারোই' অমসুং 'লিকফাং' হায়রিবশিংশি লাইরিক অসিদসু খজিক খরাক শেমদোক শেমজিন তৌরগা হাপচরি।

লাইরিক অসিবু 'মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মশা, ৱাংজিং'না মসিগী মশিং ৩৯ শুবা লাইরিক ওইনা ফোঙদোকপীবগীদমক্তা ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

হন্দোকলোই

## মনূংগী লমায়শিংদ


১।  নোঙ্গাখ্রবী অমগী অরোন অথূপ -১৩
২।  শরোই ঙারোই -১৯
৩।  লিকফাং -২৯
৪।  স্ত্রিং মতৎ অমা -৪১
৫।  চাক্কোই চাবা -৫১
৬।  লমন খুন্বা -৬৫
৭।  খুৎ অদু -৭২
৮।  দেনিস -৮০
৯।  বিদায় -৮৯
১০। ৱাইটর, বোক অমা -৯৫
১১। মপাবুং -১০৪
১২। ইমুং অমা -১১৪
১৩। য়ুঙাওবা -১২১
১৪। অউনপোৎ -১২৭
১৫। মরাল য়াজবা -১৩৪
অইবা অসিগী ফোঙখ্রবা লাইরিকশিং -১৪১

# মাউপাসাগী ৱারী মচা তরামঙা

# ১-নোঙ্গাখ্রবী অমগী অরোন অথূপ

নুপী অদু অৰা-চৈনা ফংদনা তুমিন্না লৈখিদ্রে- কনাগুম্বী মপুন্সিদা লংজখিবা করিমতা লৈখিদ্রিবি অমগুম। হৌজিক মহাক মাগী ফমুংদা লোংনা য়াতারি, মমিৎ উইশিল্লি, মাগী শাওং শাদা ঈংনা চিক্লা লৈরি, মহাক্কী শাংলবা শল্লাং অদুদি নিংথিনা শেম শারবা মতৌদা লৈরি, মদু মহাক্না অরোইবা শ্বর হোন্দ্রিঙৈ মিকূপ খরগী মমাঙদা শেমজরম্বনি। থৰাই য়াওদ্রবা নুপী অদুগী তাইফেৎ তাইরবা হকচাং অদু কয়াদা পূক্লিং লৈতানা, ঈং-তপ্লা পোথাদুনা লৈরিবা, মসিদা কনাগুম্বগী পূক্লিংদা ফাওগনি হকচাং অসিদা কয়াদ নুংশিরবা থৰাই অমা লৈরল্লিবা, অহল মতম ওইরবা ফাওবা থৰাই অসিনা কয়াদ ঈংনা হিংদুনা লৈরল্লিবা, কয়াদ কোন্না অমদি পূকচেল শেংনা ইমা অসিনা শিরিবা।

ৰায়েল মপু ওইরিবা, হায়খিবা ৰা হোংদবা মচানুপা অমসুং ময়ান্না সিস্তর ইউলালি হায়না খঙনবী মাগী মচানুপী মাগুইরিতি অনীদু মাগী

ফমুংগী নাকন্দা খুউ খুদক কুন্দুনা মখোয়গী থমোইশিংদু কায়রবগুম  কপ্লি। ইমা অদুনা মখোয়বু পীশক পীক্লিঙৈদগী লিচৎ শাজৎকী চেকশিল্লবা পথাপ অমা, পূকচেল মকপা য়াওদবা লাইনিং অমসুং মথৌ পাংবদা য়াশিন্নবা (হন্দোক হঞ্জিন) য়াওদনবা তম্বীরক্লি। মচানুপাদু ৰায়েল-মপু (জর্জ্জ) অমা ওইরে অমসুং আইনবু মহাক্না অশোনবশিংবু মিনুংশি য়াওদনা য়ৈহৎপদা খুৎলাই ওইনা শিজিন্নরকখি। মচানুপী অদুদি মহাক্কী চেকশিল্লবা ইমুং অদুগী মতিক ময়াই মরক্তা চাউরকপনা মরম ওইদুনা নুপাবু হঙ্গোয়বা পোকপী চর্চ্চগী লৈশাবি-লম্বোইবি ওইখ্রে।

মখোয় অপোকপা মপাগী মরমদা মুন্না খঙদে, মখোয়না খঙবা হায়ববু অকূপ্পা মরোল অমত্তা হায়দ্রবসু মমাবু য়ান্না নুংঙাইহন্দবা মীশক অমনি হায়বসিদি খঙই।

লম্বোইবি অদুনা লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী ফমুংদা পাং তিংবগুম তিংথোরক্লিবা শামু ময়াগুম ঙৌরবা মখুৎ অদু মথোঙ খঙদনা পংচূপ্ত চূপ্পী। নাকন অমদা শাংলবা হকচাং অদুগা পরিং ওইননা মখুৎ নাম্মা লৈরি, মদুনা অরোইবা শ্বর হোনখিবগী মৈচাক খাংবদা পায়শিল্লম্বা ফি অদু হৌজিকসু পায়দুনা লৈরিবগুম উরি অমসুং মতম চুপ্পগী ওইনা লেংদনা লৈখ্রগদবা হকচাং অদুগী লাল্লমদাইগী অরোইবা মিকুপশিং অদুগী নীংশিং-খুদম ওইনা খরা খজিক কুরিবা অদুবু মোমপাক ফিদক অদুনা কায়হন্দনা থল্লি।

থোঙদা তপ্না থিল্লকপগী মখোল তাবদগী হিক হিক কপ্লিবা অনীদু মরাই কাংদুনা য়েংখৎলকই অমসুং চাকলেন চারুবদা ঙাইরিবা পাদ্রি অদু হল্লক্লে। হৌখিবা অহিং খরগী অমসুং নুমিৎশিগী অয়ুক্তগী ফংলিবা চোকথবা ঙাকথোক্লবা মশামক্না শেমজদুনা কোফীগ ব্রান্দিগ য়াশিন্নবদু মরক মরক্তা পায়শিনখিবা অদুনা মহাক্কী মায়থোঙদু তঙাংলি অমসুং নিংশা শ্বর ফুইনা হোল্লী।

মহাক অৱাবগী মতৌগুম উই অদুবু পাদ্রিশিংনা অশিবগীদমক ৰাবিবা অসিদি হাতে হাতে শুদুনা হিংলিবশিংবা তৌবগুম্বনি। মশাদা ক্রোসকী খুদম য়েকচরে অদুগা মাগী শিনফমগী হৌনবীদা চঙশিল্লক্লে: “য়ারে, য়ারে

ইচাশা। নখোয়গী অৱাবা পুংজাশিং অসি লেনবদা মতেং পাংনবা ঐ লাক্লে।” অদুবু সিষ্টর ইউলালি খঙহৌদনা হৌগৎলকই। “থাগৎচরি, ফাদর অদুবু ইবুংগ ঐগ খক্তা মাগী মনাক্তা লৈবনা হেন্না পামজরে। মসি ঐখোয়গী ওইনদি মাবু য়েংজহৌনবগী অরোইবা খুদোংচাবনি অমসুং ঐখোয়না ঐখোয় অহুমখক ঐখোয়না পীক্লিঙৈ তৌখিবা অদুগুন্না পুন্নিংই অদুগা ঐখোয়গী ইমা লাইরবি ---”

অৱাবা অমসুং পীরাংনা মাবু লেপহনখ্রে, মখা তাবা ঙমহনখিদ্রে। অমুক হন্না ইচিক চিক্লে, পাদ্রি অদু নোম্থরকই, ঙহাক্তুদা মাগী ফমুংদু নীংশিংলকই। “ইচাশা, নখোয়গী অপাম্বনি।” মহাক খুউ কুন্থরে, মশাবু ক্রোসকী খুদম শেমজরে, লাইশোন শোল্লে, হৌগৎলক্লে অমসুং তুমিন থোকখ্রে। মচিন্দা শোনখি: “মহাকসু লাইনিংবী অমা ওইরম্বনি।”

অশিবা নুপী অমসুং মচাশিং মখোয় অসিত ঙায়হৌরে। মরুম অমদা লৈরিবা ঘরিগী তিক তিক খোঞ্জেলদু ময়েক শেংনা তারি অমসুং হাংদোক্লবা থোঙনাওদা নুংশিৎনা লিরি হুন্নকপদা নাপী অমদি উমংগী নুংশিরবা মনন্না থাবলগী মেংলবা মঙালগ লোয়নননা চঙলক্লি। মফম অসিদা মরক মরক্তা হঙোয়না খোংলকপা নত্রগ অমম্বদা হৈনবা তিন কাঙশিংনা খোংবা নত্তনা করিশু তাদ্রে। অশিবা নুপী অসিবু পংখৈ লৈতনা ঈং-তপ্পা, খম থেংনা ৰাবা, পূমচিক চিকপা মতৌশিং অসিনা কোয়শিন্দুনা লৈবা অসিনা পূন্নমকসে মঙোন্দগী থোরকপগুম অমদি মহৌশা লাইরেম্বী মশামক্লা তেংথাবগুম উরি।

জর্জ্জ অদু হৌজিক ফাওবা খূউ খুদক কুল্লি, ফমুংগী ফিরোনশিংদা মমায় উপশিল্লগা অৱাবনা ওলহনখ্রবা, ফি-রোন কম্বল কয়ানা অমুক হেন্না পীকশিনহনখ্রবা খোঞ্জেন্দুনা ‘ইমা ইমা ইমা’ কৌদুনা কপ্লি। অদুগা মাগী মচল অদুসু অঙাওবীগুম মরাইবক অদু ফমুংগী উদা য়ৈশিল্লি, হাই হুমদুনা চোংদুনা অমসুং শারৈ হৌবগুম নিক্লুদুনা থেংথারি: “যিশু, যিশু, ইমা, যিশু।” অমসুং খাংঙমদ্রবা অৱাবা, চোকথবা অমসুং চনিং তাদবগী নোংলৈ অমনা মখোয় অনীবু চেন্থুরি।

সমুদ্রদ নোংলৈ নুংশিৎ শিৎখ্রবা মতুংদা ঈং-তপ্পা লৈবগুম থৌদোক অসি তপ্পা ইংথরক্লে অমসুং মখোয় তুমিন্না কপ্পা হৌরক্লে।

খরগা শাংথনা হৌখ্রবা তুংদা মখোয় মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিল্লকপগা লোয়ননা অশিবা অদুদা য়েংলকই। নীংশিং ৰারিশিং, মমাঙৈগী ৰারীশিংদো ঙরাং ফাওবদি কয়াদা নুংশিরমখ্রবা, ঙসিনা কয়াদা ওৎলরবা, কাউরুরবা পূম্বদু অমত্তা চিথ্থদনা নীংশিংলক্লে, খোয়দাজখিবা ইচম চম্বা থৌদোক কয়া অদুনা লৈখিদ্রবী মাবু অমুক হিংগৎহল্লে। মখোয় অনীনা মাগী মাগী ওইবা মওংদা অমুক হন্না ৰা ঙাঙলক্লরোইদবা মমা অদুগী মেংলবা ৰাহৈশিং, মোমোন নোকখিবা, লৈশি-লৈথোনগী খোনহেক খোন্দা নীংশিংনরি। মখোয়না মহাক্তো নুংঙাইনা অমসুং তুমিন্না পোথারিবগুম অমুকসু উরি। মহাক্না হায়খিবশিং অমসুং করিগুম্বা মরু ওইবা অমা লূন্না লৌনবা হায়নিংবা মতমদ তান থাবগুম খুৎ খজিক লেংখিবা পুম্বা মখোয়না নিংশিংলি অমসুং হান্না অমুক্তা ওইখিদ্রবা মওংদা মাবু নুংশিরকই। মখোয়গী অৰাবগী পংখৈ অদু খল্লুবদা খঙজরে মখোয় কয়াদা নাইতোম তাহৌরবা।

মখোয়গী নহা ওইরিঙৈ, পুন্সিগী খ্বায়দগী মরু ওইখ্রবা হৌখ্রবা শরূক অদুদা মখোয়গী ঙাক্লৌ, মখোয়গী লমজিং ওইরম্বীদো মাঙখরে। মখোয়গী মমা, মখোয়গী অপোকপী অসিনা মখোয়গা মখোয়গী পারি পুরিশিংগা লৈনহনবা পুন্সিগী মরি ওইরম্বনি, মদু ঙসিদগীদি মাঙলে। হৌজিক্তি মখোয় তোঙাল্লবা, নাইতোম তারবা হায়বদু ওইহৌরে, অমুক হন্না হল্লক্লরোই।

লম্বোইবী অদুনা মবুংদা হায়রকই: “নঙসু নীংশিংলিনি ইমানা মাগী অরিবা চিথিশিংদো পাদুনতা লৈবদো, মখোয়দু লোইনমক উপু অশৎপী অদুদা য়াওরিবনি। মখোয়শিংদু ঐখোয় শিন্না শিন্না পানশি, ঙসিগী অহিং অসিদা মাগী মনাকশিদা মাগী পুন্সিগী ৰারি অপূম্বশি হিংহনশি। মসিদা ইমাগী ঐখোয়না শুকখঙ খঙখিদ্রবা মমা মপা মপু মবেনশিং মহাক্না তোয়না পনখিবশিংদো চিথিশিং অদুদা য়াওরিবনি, অদুনা মসিনা লম্বী লমফাং অমা ওইদুনা মখোয়বু শক খঙনহল্লকপসু য়াই, নঙ নীংশিংলিবরা?”

উপু অশৎপী অদুদগী চেকশিন্না, নিংথীনা অমগী মথং অমা থমদুনা পুনশিনবা মঙ্গামপাল মচুগী চেগী অপীকপা ময়োম ১০ রোম লৌথোরক্লে। মমাদগী মথাং ওইনা ফংহৌরিবা পোৎশিংদু ফমুংদা থল্লে অদুগা মরক্তুদগী 'ফাদর' হায়না থাবা অমা খল্লে। মখোয়না মদু হাংদোক্তুনা পাই।

মদু ইমুং মনুং পুন্না শিজিন্নবা তেবলগী উপু অশৎপীদা থম্বা অতোপ্পা সেনচুরী অমগী মনম চেনবা অরিবা মওংগী চিথি অদুগুম্বনি। অহানবদা অশুন্না হৌরি: "ঐগী নুংশিবী" অতোপ্পা অমনা "ঐগী ফজরবি পীক্লিবি ইচানুপী" অতৈদা: "ঐগী নুংশিরবা অঙাংশিং" নত্রগা: "ঐগী নুংশিরবা ইচানুপী"। অদুদগী খঙহৌদনা লম্বোইবী অদুনা শিখ্রবা নুপী অদুগীদমক্তা মাগী পুন্সিগী ৱারী, নুংশিরবা থৌদোকশিং অপূম্বদু লাউনা পাবা হৌরকই। জর্জ্জ অদুনা খুৎকী খুনিংনা ফমুংদা শৌরগা মমিৎ অনীনা মমাগী মায়থোঙদা মিৎফম চোইদনা য়েংদুনা লৈরি। লেংদনা য়াতারিবা হকচাং অদু নুংঙাইনা লৈবগুম উরি।

সিষ্টর ইউলালিনা মথন্তা মরক থৎচদুনা হায়রকই: "মখোয়শিং অসি মঙফমদা মাগা লোয়ননা থম্বখিসি, মখোয়সিনা মাবু কাইখুম-ফি ওইনা কুপশিল্লগা ইমাদো মরকশিদা লৈজশনু।" মমিং অমত্তা থাদবা মপুন অমা অমুক মহাক্লা লৌথোরক্লে। মদুদগী অমা মহাক্লা থৱাই য়াওনা পাবা হৌরকই: "ঐনা লাৎচরিবি, ঐ নঙবু হায়ফম খঙদনা নুংশি। ঙরাংদগী নৈশিন্দুনা লৈরিবা নঙ ঐগী নীংশিং ৱারীশিংদুনা ঐবু তমথিনা ওৎলরি। নহাক্কী চিনবান্দো ঐগীদা, মিৎ অনীসু, থবাক অনীসু থেংনবগুম ফাওরি। ঐ নঙবু নুংশি, নঙবু নুংশি। নঙনা ঐবু ঙাওহল্লে। ঐগী পাম্বোমশে তিংথোক্লে, নহাকপু কোনশিন্নিংবগী ইখৌ লাংবনা চৎপদা ইশাশে চোকথরে। ঐগী থৱাই হকচাং অনীমক নঙগীদমক, নঙবু ইখৌ লাংবগীদমক কপ্পি। নঙনা চুপলম্বগী মহাউ ঐগী চিন্দা লৈরি।---"

জর্জ্জ অদু চুমদ্রিং হৌগৎলকই। লম্বোইবীদু পাবা লেপখ্রে। জর্জ্জ অদুনা মচন্দগী চিথি অদু লাক্তুনা লৌরে অদুগা খুয়েক য়াওব্রা য়েংই। কনাগীসু য়াওদে, অদুবু "নহাকপু লাৎচরিবা মীশক" হায়না থারিবদুগী

মখাদা “হেনরী” হায়না হৌরী। মখোয়গী মপাগী মিংদি রেনে কৌবনি। মরম অদুনা মসি মঙোন্দগীদি নত্তে। মচানুপা অদুনা চিথি ময়াম অদুদগী ওৎতুনা থিরগা অমা লৌথোরকই অদুগা পারকই: “ঐ নঙনা য়েংশিনবিবদু য়াওদনা হিংবা ঙম্লরোই।” চুমদ্রিং লেপ্পী, ৱারেপফম খঙদনা শকফম হনজিন্না অশিবা নুপী অদুদা মীৎফম হোংদনা শংত্রিক য়েংলকই। লম্বোইবী অদু মিতমগুম লেপ্লি, মীৎ নাকচিদা পীগী ঈরা হৌরি, মবুংবু য়েংলি, করি হায়রকপা ঙাইরি। মহাক কা অদু শন্নগা থোঙনাও ময়াদা লাক্লে অদুগা মফম অদুদা লেপ্লগা অহিংগী অমম্ববু য়েংলকই।

মহাক্না মমায় লৈশিল্লকপা মতমদা সিষ্টর ইউলালিগী মমিত্তা ঈরা চেল্লম্বা অদু কংখিরমলে, ফমুং মনাক্তা মরু লূকথদুনা লেপ্লি।

মহাক মাঙলোমদা চঙশিল্লকই, থুনা চিথিশিং অদু খোমজিল্লি অদুগ উপু অশৎপীদা মফম মরাং খঙদনা লংশিনখি। অদুদগী কাংখন অদু থাদদুনা খুমজিল্লি।

নুংশা মঙান্না তেবল মথক্তা থাল্লিবা কেন্দলগী মঙালবু নমহৎখ্রবদা মচানুপা অদু মাগী আর্মচিয়ার অদু তপ্না থাদোক্লল্লে অমসুং মহাক্না চৈরাক পীখ্রবা, মচানুপা অমসুং মচানুপীগা মহাক্কা লৈনবা মরি পূম্বা ককথৎখ্রবা মমা অদুদা অমুক হন্না য়েংলমদনা মহাক্না তপ্না হায়রকই: “ইচল, হৌজিক ঐখোয় থাদোক্লসি।”

# ২-শরোই-ঙারোই

লৌমী অমসুং দাক্তর অনীদু শিগদৌরবী নুপী অদুগী নাকন্দা ফমুংগী ৰাংমা ৰাংমদা লেপ্লি। নুপী অদু ঈংনা চীক্লা পোত্থাদুনা লৈরি, মপূক্লিং করিসু চোইবা লৈত্রি, মহাক মখোয়দা য়েংলি, মখোয়গী ৰারী-ৰাতাইদু তারি। শিনবগী লম্বীদা চৎলবনি মহাক, মদুদা য়ানিংদবা লৈত্রে, মরমদি মহাক চহী মরিফুতরানিথোই শুরে, অদুনা মহাক্কীসু মতম লাক্লে।

ইঙেনগী নুংশানা থোঙনাওদা অমসুং হাংদোক্লবা থোঙজাওদা ফাওজিল্লক্লি, মীরোন মরি হৌনা খঙদনা খোঙনেৎনরক্লবা, অকুৎ অতোং নাইরবা, ৰাওথাংনরবা লৈবাক্কী লৈমায় অদুদা শারবা নুংশাগী মৈশা হৈথরি। নুমিৎ য়ুংবগী মৈশাদা লৌবুকশিং য়াইফৌ থারি অমসুং মচিন তুপ্লবা নুংশিৎনা মদুগী মনম পুরক্লি। কৌজেং হারৌশিংনা য়াক্লা খোংলি, মখোয়গী য়াক্লবা খোঞ্জেলদুনা লৌবুক লমহাং পূন্নিল নিল্লি- হরাও কুম্মৈ মতমদা অঙাংশিংদা য়োন্নবা থম্বা উগী শান্নপোৎশিংনা থেংজিন্নদুনা লাংবা অদুগী পাংখক্লি।

দাক্তর অদু খোন ৱাংখৎলকই: “হোনোরে, নঙ নমাবু ফিভম অসিদা থনল্লগা চখোকপা য়ারোইনে। মসি মিকূপ অমদা হেক্তা শিবা য়াই।” অদুম ওইনমক লৌমী অদুনা লাংতক্লনা পাউখুম পীরকই: “অদুবু ঐ গেহু লৌশিল্লুদবা য়াদবনি, মদু কুইনা লৈমায়দা তাদুনা লৈরক্লবনি, নোংচিংগী ফিভম অসি মদু লৌশিলহৌনবগী চপ চারবা মতমনি, ইমা, নঙবু মসিদা করি হায়রিগে?” হৌজিক ফাওবা নোর্মানশিংগী মীহৌচাওবগী মতৌনা লাঙ্গোয় চল্লিবী শিগদৌরবা নুপী অদুনা মমীৎ অনীনা, লাইবক্লা ইঙ্গিৎ তৌদুনা য়াই হায়না পাউখুম পীরি অমসুং মচানুপা অদুবু মাগী গেহু অদু লৌখৎলুনবা, শিবা তারবসু মহাক মতোমত লৈহৌবদা য়ারে হায়বদু খঙহনলি।

অদুবু দাক্তর অদুদি হেন্নদুম শাউগৎলকই অমসুং মখোঙ থীল্লদুনা হায়রকই: “নঙসি য়াম্না মিনুংশি খঙদবা মীনি? অদুবু অদুম্না তৌবদু ঐনা য়াহল্লোই, খঙউ। করিগুম্বা নঙনা ঙসিসি গেহু লৌখত্তবা য়াদে হায়রবদি চৎলো রাপেৎকী নুপীদু পুরকউ অদুগা মাবু নমাসি য়েংশিলহল্লু, খঙলব্রা? অদুগা করিগুম্বা নঙ ঐনা হায়রিবসি ইন্দ্রবা, নঙ শিবগী মতম লাকখিনিদনা, মদুদা ঐনা নঙবু হুয় অমগুম শিহনগদবনি, খঙউ?”

মরেপ ৱাংবা, মশা পাবা লৌমীদু দাত্তরগী ৱাশু হিত্তোকপা ঙমদা গেহু কলহৌনিংবগী কল্লবা ইথিল অনীগী মরক্তা করি তৌশিগে তৌফম খঙদ্রদুনা নীংজিং মাঙজিংননা হিশাব তৌরকই অমসুং শোন্থাংননা শোল্লকই: “লা রাপেৎনা অনাবশিং য়েংশিনবগী মমলসিবু কয়াম লৌবা জাৎনো?” “ঐনা কমদৌনা খঙদোইনো?” দাক্তরদু লাউখৎলকই। “মদু মাবু কয়াম কুইনা য়েংশিনহনগদগে হায়বদুগী মতুং ইনগদবনি। মাগা য়ানবগী মতুং ইন্না লেপ্পরুরো। তৌবতবু ঐদি মহাক পুং অমগী মনূংদা মফমসিদা লাকপা পাম্মী, তারেকো?”

অদুদগী নুপাদু করি তৌশিগে লেপথোকই: “ঐ মাবু লৌবা চৎলগে। শাউবিরনু দাক্তর।” অদুবু দাত্তর অদুনা চৎখিবদা লাউরম্মী, “থৌশাদবা তৌনুকো, য়াম্না লুনা লৌ হায়রিসিনি, ঐদি নঙনা খঙলিবদুনি শাউরকঅদি ফাগি য়াদবনিকো।”

মখোয়খক্তা ঙায়রক্লবদা লৌমী অদু মমাদা ওনশিল্লকই অদুগা অইংবা খোঞ্জেলদা হায়রকই: “ঐ লা রাপেৎ লৌরুরগে মখোয়না হায়বগুম। ঐ হল্লক্তবগী নুংনাংবা তৌরুরনু।”

তঙাই ফদবা মতাং ওইরদুনা মহাক চৎলে।

লা রাপেৎ অহল ওইরবি ফিশু-ফিজাম তৌবিনি। মানা য়ুম্লোন কৈরোন্নবগী অশি-অনা য়েংশিনবগী থবক তৌই অমসুং মানা মাগী অমুক হন্না হৌগৎলক্লরোইবা কস্তমর অদুবু লাইনেন ফি অদুগী মনুংদা তুশিনবা লোয়খিবগা থুনা য়াংনা চৎখি অমসুং হিংলিবা অমগী লাইনেন ফি নানহলনবা মাগী কোনয়াইদু অমুক পায়খৎলি। মমাঙ চহীগী সেমগুন্না খুইরবী, য়েংথি চাওবী, কলক খন্বনবী, মপান থোক্লা মিহৌচাওবীদু লাইনেন ফিবু মাগী কোনয়াই অদুনা হঙ্গৎ হন্দা অহোংবা লৈতনা তকপদগী মখ্বাংদু তংখায় তানা তেকপা মানবা মখৈ কোন্থরী। মতৌদু উবদা কনাগুম্বনা হায়বা য়াই মহাকসি শিবগী থৌরাংশিংদুবু ময়ামগা মান্নদনা অমসুং থাজদবা মওংদা পামজবা অমা লৈরমগনি। শান্নরোই অমনা মাগী ৱারী নীংশিংবগুম, মহাক্লা য়াওরুবা মফমশিংদা মওং কয়াদা মীশিংনা শিখিবা উরুবা অদুগী ৱারী চিথা নান্থবা য়াওদনা ইমান মান্ননা লিবা অদু নত্তনা অতৈ অমগী মরমদা মহাক্লা কৈদৌঙৈদসু ৱারী তৌদে।

হোনোরে বোন্তেমনা মাগী খাংপোক অদুদা চঙলকপা মতমদা মহাক্তু খুঙ্গংগী নুপীশিংগী ঙকয়েৎ-ফিগীদমক চনাং শেম শাদুনা লৈরম্মী। মহাক চঙশিল্লকই: “খুরুমজরি, ইমা রাপেৎ য়াইফরিদনা?”

মহাক মমায় লৈথোরক্তুনা মঙোন্দা য়েংলগা হায়রকই: “মহৌশা মহৌশানিদা, অদু নঙদি?”

“অস! ঐবো, ঐদি ঐনা থোকপা হিংজরি অদুবু ইমাদি নুংঙাইত্রে।”

“নমা হায়বা?”

“হোয়, ইমাদো।”

“মহাক কৈদৌরগে?”

“কৈদৌবগে হায়ববু মহাক তাইবঙপান থাদোক্লগা চৎখিগদবগী তৌরি।”

অহল ওইরবি নুপীদু ঈশিংদগী মখুৎতু শৎকৎলকই অদুগ খঙহৌদনা ফাওরকপা মিনুংশি অমগা লোয়ননা হংলকই: "মাবু নঙনা হায়রিবা অদুমক তৌরব্রনে?"

"দাক্তরনদি হয়েং অয়ুকপু য়ৌররোই হায়রি।"

"অদুদি, মাগী ফিভমসি য়াম্না ফল্লেনে!"

হোনোরেনা মহাক্কী ৱাফম অদু হায়দ্রিঙৈগী মমাঙদা মাঙজৌনবা ৱাহৈ খরদি হায়নিংলম্মী অদুবু করিমতা কাঙথোকফম খঙদ্রদুনা খুদক্তা শেমজিন শাজিন্দুনা হায়রকই:

"মহাক্কী অরোইবা মতম ফাওবা লৈবিবদা নহাক্না কয়াম লৌগদগে? অদোম্না খঙলিবদুঙাই ঐদি ইনাকখুনবা মী নত্তে অদুনা থবক শুবীনবা নুপীমচা অমা ফাওবা থম্বা ঙমদে। মসিগী নুংনাংবা অমদি অৱাবনা ঐগী লাইরবী ইমাবু ফিভম অসি ওইহনখ্রিবনি। মহাক চহী মরিফুতরা শুরবসু তরাত ঙাইরিবগুম থবক শুরিবনি। অসিগুম্বসি অমুক হন্না ফংলরোই।"

লা রাপেৎনা থৌনা লৈনা পাউখুম পীরকই: "মমল অনী চৎনৈ। ইনাকখুনবশিংগী ওইনা অয়ুক নুংথিলগী সো নিফু অহিংগীনা ফ্রাঙ্ক অহুম অদুগা অতৈগীনা অয়ুক নুংথিলগী সো কুন অহিংগী নিফু অসিনি। নঙনা ঐঙোন্দা কুনগা নিফুগগী চাংদা পীবা তারে।"

অদুবু লৌমী অদুদি মাগী মমাদু ফিভম ফরি হায়বসি নীংশিংলি। মাগী শিন্নিংদ্রিবা, হিংনিংলিবা মতৌ, মপূক্লিং হনবা লৈতবা ফিভম অদুনা দাক্তরনা থারিবা মতম অদুগী মহুত্তা চয়োল অমা ফাওনা লৈথরবসু য়ারি, অদুনা মানা পূক্লিং চপ য়ুংনা লেপ্লদুনা হায়রকই: "নত্তে, ঐনা পাম্বদি অরোইবা মতম অদু ফাওবগী মমল অমা ককনবনি। ঐ খুদোং চাগদবদু মওং অমা নত্রগ অমা য়েংদৌরিবনি। দোক্তরনদি মহাক থুনা শিরগনি হায়রবনি। মদুমক ওইরবদি নহাক্কী য়াম্না কান্নগদৌরিবনি, ঐহাক্কীনা মাঙজবা, অদুবু মহাক্না হয়েং ফাওবা নত্রগা হেন্না লৈথরবদি ঐহাক্কীনা ফরে, নহাক্কীনা ফল্রে।"

শেন্নবী নুপী (নর্স) অদু ঙক্না নুপা অদুদা য়েংলকই, অশিববু করিগুম্বদসু অসুন্না ভাবনা শারকত্রি, অদুগা মহাকপু তোংজবা ফংগনি হায়বগী ৱাখলদা

ঙহাক খঞ্জান্নহল্লগা মঙোন্দা ত্রিক অমা শান্নবা হোৎনরিব্রা হায়বসু চিংনরম্মী। মহাক্না মখা তারকই: "ঐ নমাবু উদ্রিমখৈ করিমতা হায়বা ঙল্লোই।"

"অদুদি চৎসি, মাবু য়েংলুসি।"

মহাক মখুৎ হামদোক্লে অমসুং মখোয় খুদক্তা চৎমিন্নরে।

মখোয় লম্বীদা ৰা অমত্তা ঙাঙনদে। নুপীদু মখোঙ কূপথাং থাংদুনা হাথু হাথুনা মখোঙ শাংবা মহাক্ত্না খোঙথাং খুদিংদা খোংলম কানবগুম চাউকান কান্দুনা চৎলিবদুগী মতুং ইল্লম্মী। লৌবুক্তা কুল্লিবা নুংশাগী মৈশানা লাকহৎলবা ষনবীশিং মখোয়গী মকোক্তু থাঙ্গৎলকই অমসুং লম্বী ফাওরক্লিবা অনীদুদা অশংবা শজিক হংবগুন্না তৌরি।

মখোয়না য়ুম মনাক য়ৌরবদা হোনোরে বোন্তেমনা শোনজৈ: "লোইরম্বসু য়ারিজাৎনি।" মদু মাগী থওইনা খল্লুদবা অনিংবা অদুমক খোঞ্জেল ওইনা ফোঙদোরকপা জাৎনি।

অদুবু অহল ওইরবি নুপী অদুদি শিদ্রি। মহাক অশিবগী ফমুং অদুদা লোংনা হিপ্লি, মহাক্কী অকিবা ফংনা কংশিল্লবা, ৰাইখুগুম্বা অঙকপা জিবশিংগী খুদাংগুম কিশি ঙাক্তা ঙায়রবগুম তৌরবা, তাং চিকপগী অনাবনা তংখায় কোনশিল্লবা, চোকথরবা অমসুং সেনচুরী অমা ফানিংচিৎ থবক শুরক্লবা মখুৎ অনীদু মঙ্গ্রামচুগী কান্থ অমনা কূপশিল্লি।

লা রাপেৎ ফমুংদুদা চঙশিন্দুনা শিগদৌরবা নুপী অদুবু য়েংলম্মী, মিহুল য়েংই, থবাক্কী মিহুল মশিং থী, নিংশা শ্বর তাদুনা য়েংই অমসুং ঙাঙলকপা তানবা ৰাহং হংদুনা য়েংই অদুদগী ঙহাক য়েংলগা কাদগী থোরক্লে, হোনোরে মতুং ইল্লকই। মহাক্কী ৰাখলদা অহল ওইরবি নুপী অসি ঙসি অহিং ফাওবা হিংলরোই খল্লে।

"কমদৌরে" মহাক্না হংই।

হায়ফম খঙদ্রবী শেন্নবী নুপী অদুনা পাউখুম পীরকই: "ফরে, মহাকসি নুমিৎ নিনি ফাওবদি হিংখিবা য়ারি, হুমনি শুরকপসু য়ারি। লোইনা শুপচিল্লগা নঙ ঐঙোন্দা ফ্রাঙ্ক তরুক পীরো।"

"ফ্রাঙ্ক তরুক! ফ্রাঙ্ক তরুক।" মহাক্না খঙলাউ লাউরকই। "নঙবু ঙাওরব্রো?

ঐনা নঙোন্দা মহাকসি পুং মঙা তরুক্তগী হেন্না হিংলরোই হায়রগা।"

অদুদগী মখোয় ঙহাক্তি মরৈ তৌনদুনা লৈরে অদুবু শেন্নবী অদুনা মাদি থবক লোইরগা ময়ুম চৎকদৌবনি, অদুবু মহাক্কী গেহ্ন অদুদি মথন্তা য়ুমদা লাকওই হায়বদগী মমৈদা নুপী অদুনা হায়বা ৱাফম অদুদা মহাক য়াবা তারে।

"য়ান্না ফরে, অদুদি খুদিংমক য়াওরগা অশিবসি লৌথোকত্রিবা ফাওবগী ফ্রাঙ্ক তরুক্তা লেপ্পরে।"

অদুদগী মহাক লাওরবা খোঙথাংদা মহৈ মরোং মুলহল্লিবা শারবা নুংশাগী মখাদা লৈমায়দা তাদুনা লৈরক্লবা গেহ্নগী মনাক্তা চৎখ্রে, মতম অসিদা চোকথরবী শেন্নবী অদু য়ুম অদুদা অমুক হন্না লাক্লে। মহাক্লা করিগুম্বদনা মহাক মশাগী, করিগুম্বদনা খুৎশুমলদগী হেন্না পীদুনা শিন্নরিবা ইমুং মনুংগী শেখায় তুগায় ফোৎপগী থবক অদুদগী খরা শুননবা পুদুনা লাকই, মদুনা মাবু অশিবা অমসুং শিগদৌরবশিংগী মনাক্তা থবক লেপহল্লমদে। খঙহৌদনা মহাক্লা হংলকই: "নঙবু অরোইবগী লাইমিং লৌখ্রবরা, ইমা বোন্তেম?"

অহল ওইরবী লৌমী নুপী অদু মকোক হাইরন্মী অমসুং মশা খিংনা লা রাপেৎ থুনা হৌগৎলকই। "হে ঈশ্বর অসুন্নবু তৌনবরনে? ঐ চৎলগ পাদ্রি কৌরুগে।" মহাক পাদ্রিগী য়ুমদা থুনা য়াংনা চেনখ্রে মদুদি মহাক্লা চেনবদু উবদা লম্বীদা লৈরম্বা লমহেন তুহেনবা অঙাংশিংনা করিগুম্বা খুদোংথিবা খরা থোক্লবগুম খন্নখ্রে।

পাদ্রি অদু খুদক্তা মাগী জোনজোন লাউবা ফুরিৎগা লোয়ননা মহাক লাকপবু খঙহন্দুনা কাংসি খিংলগা চৎলিবা চর্চকী অঙাং অদুনা মাঙদা থারদুনা নুংশাগী মৈশানা চাকথেক্লবা অমসুং ইচিক চিকপা লমহাং অদু ফাওদুনা লাক্লে। অনকপদা থবক শুরম্বা মী খরা মখোয়গী অচৌবা তুপীশিং লৌথোক্লগা অঙৌবা মচুগী ফিজোল শেৎপদুনা লৌবুক্তা লৈবা য়ুমশিংগী মরুমদা চঙখিদ্রিবা ফাওবা লেংদনা লেপ্তুনা ইকাই খুন্নরি, লৌবুক্তা মহৈ মরোং তাশিল্লম্বা নুপীশিং ক্রোসকী খুদম শেন্নবা লেপখৎনরি, কিরবা ব্লেক হেন্না (অপিকপা জিবা অমা) কোংকুৎ পরিংদা মহাক্লা হান্না খঙলবা মখূল

মদুদা চঙলগ খুদক্তা মাংখ্রি, মতম অসিদা পাদ্রিগী ফিজোন উবদা লবুক্তা পুল্লম্বা শগোল মচানা কিরদুনা কোয়না কোয়না খুরূপ থাদুনা চেনখৎলকলি অমসুং মরক মরক্তসু কাউরি। থৌগল্লাই অদুনা ফীজোন অঙাংবা শেৎতুনা থুনা চৎলি অমসুং পাদ্রিদু মঙক অদু লেংজুম নাম্মদা ঙামথদুনা অমসুং চিথেক নাইবা তুপী অদুনা মকোক্তা উপলদুনা মচিন্দা লাইশোন শোল্লা শোল্লদুনা মতুংদা ইন্নরি, পূন্নমক্কী মতুংদা লা রাপেৎনা চর্চ্চতা তৌবগুন্না মখুৎ লোন্নরদুনা মশাদু খূরুল্লিবনি খঞ্জদুনা কোন্থরগা চৎলি।

হোনোরেনা মখোয়দু লাপ্না উরে অমসুং হংলকই: ঐখোয়গী পাদ্রি অসি কদায়দা চৎলিবা জাৎনো?” মাগা শুমিন্নরিবা মঙোন্দগী হেন্না লৌশিং লৈবদুনা খুমলকই: “মহাক অসি নঙগী ইমাগী লাইমিং লৌনবা চৎপা শোয়দনা ওইরমগনি।”

লৌমীদুদা ঙক্না থোক্তে, হায়রকই: “হোয় ওইবা য়াই”। অদুদগীদি মাগী থবক্তুদা মায় ওনশিনখ্রে।

ইমা বোন্তেমদু মরাল য়াজখ্রে, মরাল কোকপীখ্রে অমসুং ঈশ্বরগা অমত্তা ওইখ্রে, অদুদগী পাদ্রি অদু শ্বর ফুল্লবা কা অদুদা নুপী অনীদু থনল্লগ চৎখ্রে, মতম অসিদা লা রাপেৎনা শিগদৌরবা নুপী অদুদা য়েংবা হৌরকই অমসুং মতোমতা মসি কুইররোইদা শোঞ্জে।

নুমীৎ তাশিল্লক্লে, মফম খঙনা অইংবা নুংশিৎ শিৎপা হৌরক্লে, মদুনা ফক্লাংদা পিন অনীনা ফাজিল্লিবা, থোঙনাওদা থুংবোই থূংদবোই তৌরিবা পর্দা হান্ননা ঙৌরম্ববদু হৌজিক্তি হঙ্গামপান মচু ওল্লবা, মফুৎ মফুৎ ঙাক্তা ঙায়রবা, অহন ওইবী নুপী অদুগী থৱাইনা তৌবগুম খঙহৌনা চৎখিগদবগুম উরবা অদুনা ফরা ফরা পাইবদুনা ইপিনালগী (লম অমগী মমিং) শক্তম অমা উহল্লি।

মহাক লেংদনা তারদুনা মমিৎতু পাংলগা নক্লদি লৈরবা অদুবু ঙহাক য়ৈথোক্তুনা লৈরিবা অশিববু থৌশাদনা ঙাইরি। মাগী চেংশিল্লবা খৌনাওদা শ্বর থবেৎ থবেৎ হোনবদু মখোল থোক্লি। শ্বর অসি থুনা খংলেপ লেপখ্রগনি, মালেম অসিদগী নুপী অমা হনখ্রগনি অদুবু মাগীদমক তেংথাবীনবা কনামতসু

লৈরোইদৌরী।

য়াচংবদা হোনোরে হল্লক্লে, ফমুংদা চঙসিন্দুনা য়েংবদা উরে মমাদু হৌজিক ফাওবা হিংলি, মদু উবদা নুপী অদুনা নাবা হৌরকপদগী হেক হেক তৌবা অদুগুন্না হংলকই: "মসিবু কমদৌরি জাৎনো?" অদুদগী মহাক্না লা রাপেৎপু "হয়েং অয়ুক পুং মঙা, শোয়নদবী।" হায়রগা থাদোকখরে। নুপীদুনা খুমলম্মী: "হয়েং অয়ুক্কী পুং মঙা?"

মহাক নোংঙানবগা থুংলরে, হোনোরেনা থবক শুবা চন্দ্রিঙৈদা মশানা শেমজবা শুপ থক্লিবদু থেংনরে। চোকথরবা শেন্নবী নুপী অদুনা হংলকই: "নমাসি কমদৌরি, শিদ্রিবরা?"
"শিবদি লাইরদনা হেন্নদুম কনখৎলক্কুব্রা কৈনো।" মহাক্না ৱাসি হায়রগা মরৌ লৈনা পৈরপ য়েংলম্লগা থবক শুবা চৎখ্রে।

লা রাপেৎ লাংতক্নরে, হান্না হান্নগুম, উইথদুনা, করিমতা ফাওদ্রবগুম, মমিৎতি পাংলগ, মখুৎনা মোমপাক ফিদক পায়শিল্লদুনা লৈরিবি শিগদৌরবী অদুগী মনাক্তা চঙশিল্লি। শেন্নবী নুপী অদুনা অনাব অসি নুমিৎ নিনি, মরিনি, নিপান্নি হেন্না ফাওবা হিংখিগদ্রা খঞ্জিল্লক্লে অমসুং মাগী মিহৌ চাউরবা পুক্নিং অদুনা মরৌ চাওরবা নুপাদুনা মঙোন্দা চলাক তৌরিবা অদুগা হনুবী অদুনা শিদনা লৈবা অসিদা শাউনিংবনা মশাদু কুপখ্রে।

অদুম ওইদুনসু মহাক মতম ঙাইনা ঙাইনা থবক হৌরকই, ইমা বোন্তেমগী মশুপ মশুপ্পবা মায়থোঙদুদা য়েংনিংনা য়েংই। হোনোরে চারা ৱান্নবা হল্লকপদা মহাক মশাদু পেঞ্জবগুম্বা অমসুং নুপী অদুদা লংনবগুম্বা মতৌ অমা উরম্মী। মহাক্না লেপ্পমক মাগী গেহুশিং অদু য়ান্না খুদোংচারবা ফিভম অমদা লৌশিল্লবনি খঞ্জরি।

লা রাপেৎ অশাউবনা থূমহৎখরে, হৌজিক মিকূপ অমা হায়বসি শাংখিবনা ঙাইঙমদ্রে, মদুনা মঙোন্দা শেন মাংহনবগুম লৌরক্লে। অহল ওইরবী মঙক কল্লবী হনুবী অপঙ, ফৎখিদ্রবী নিংঙাইচাওবী অসি লোইশিন্নিংবগী, মাগী শেন অমসুং মতম হুরাল্লিবা থবেৎ থবেৎ হোল্লিবা শ্বর অদু মখৌরিদুদা মেৎশিল্লগা লেপহন্নিংবগী অঙাওবা অপান্বা অমা মফম

মরাং খঙদনা মঙোন্দা ফাওরক্লি। অদুবু মদু তৌরুবদা লাক্কদবা খুদোংথিবদু নীংশিংলকই অমসুং মাগী কোক্তা অতোপ্পা ৰাখল অমা লাক্লে, অদুনা ফমুং মনাক্তা চঙশিল্লগা হংলকই: "ইমা বোন্তেম নহাক শরোই ঙারোই উখ্রবরা?" ইমা বোন্তেম মুরুম মুরুম শোল্লকই: "উদ্রি।"

অদুদগীদি শেন্নবী নুপী অদুনা রারী শাবা হৌরকই অমসুং শিগদৌরবা নুপী অদুগী শোল্লবা পুক্লিং অদুবু হেক্তা কিহনগদবা ৰারী লীশিল্লি: "কনাগুম্বা অমনা অশিবগী চৈনা চৈথেং ফংলবা শিগদৌরবা মিকুপ খরতা ঙাইরবা মতমদা শরোই ঙারোই হায়বসি উরকই। মহাক্তুগী মখুত্তা শুমজিৎ অমা পায়, মকোক্তা খাং অমা পুই অদুগা খেক্না খেক্না নোকই। মাবু হেক উরুবা মী অদু অদুম লোইরে, মহাক্তু হিংগে হায়না হিংলবদা মিকুপ খরত মঙাই।" অদুদগীদি চহী অদুগী মনূংদা শরোই ঙারোই উখিবা মীশিংগী মমিং থারকই: "জোসেফিনে লোইসেল, ইউলালি রাতিয়র, সোফি পাদাকনু, সেরাফিনে গ্রোসপিদ।"

ইমা বোন্তেম অদু মমৈদা মপুক্লিং অদু খোইরাংলক্লে, লেংনবা হোৎনরক্লে, মখুৎ অদু লৈখৎলক্লে, মকোক অদু কাগী অরোইবা মায়কৈদা মীৎয়েং থমগদবগী লেংনবা হোৎনরক্লে। খঙহৌদনা লা রাপেৎ ফমুং মনাক অদুদগী মাঙখরে। মহাক্না উপুদগী ফি অমা লৌথোরক্লে অমসুং মশাদু য়োমশিল্লে, য়োৎকি খাং অদু মকোক্তা থল্লে, মদুনা মদুগী মনাশিং অদুনা মচীগুন্না উরে অমসুং মখুৎ য়েৎত্তা শুমজিৎ অমা পায়রে অমসুং মখুৎ ওইদা তিন অমা পায়রে, মদুনা খঙহৌদনা লংবা মতমদা লৈমায়দা অহৌবা মখোল অমা থোকহনগনি। মদু থাদবা মতমদা তশেংনা অহৌবা খোঞ্জেল অমা থোকখ্রে। অদুদগী চৌক্রি মথক্তা কাখৎলে, ফমুংগী মতাইদা য়ান্থরিবা কাংখল অদু হাইগৎলে অমসুং মশামক উহল্লে, শিগদৌরবা লৌমী হনুবী অদু শুমজিৎতুগা লোয়ননা কিহন্দুনা মমায়দা উপশিল্লিবা খাং অদুদা মমিৎ মনা লাওথোক, শঙদোক শংজিন তৌদুনা খেকথরক্লে।

মায়থোঙদা তৌফম খঙদবা মতৌ ফোঙদোক্লিবী কিরবা শিগদৌরবা নুপী অহল অদুনা হৌগৎনবা অমসুং নান্থোকখিনবা হোৎনবদু উরক্লে, মাগী

মরেংজুম অমসুং মথবাক অদু ফমুংগী মপান্দা তারে, অদুদগী শ্বর মপী অমগা লোয়ননা পদ্রাক তাখ্রে। পুন্নমক লোইখরে অমসুং লা রাপেৎ ঈং তপ্না খুদিংমক্তু মফম মফমদা থল্লুরে, শুমজিৎতুনা কাচিন্দা, ফিদু উপুদা, খাংদু লৈরংদা, তিন্দু লৈমায়দা অমসুং চৌত্রিদু ফক্লাং ময়াদা থল্লুরে।

অদুদগীদি মাগী শিনফমগী হৌনবী শিরবা নুপী অদুগী লাওরবা মমিৎ অদু খুমজিনবিরে, ফমুংদা প্লেত অমা থমদুনা মদুদা ঈসিং অশেংবা খরা হৈরে, মদুদা দ্রৱারদা নপ্লিবা বোকসৱুদ (পান্বী মখল অমা) অদুগী মশা অমা থল্লে অমসুং খুউ কুন্থরে, মথৌ ওইবদগী চিনফা পুরবা অশিবগী লাইশোন অদু হন্না হন্না থিরক্লে।

হোনোরেনা নুমিদাংৱাই ময়ুমদা হল্লকপদা নুপীদুনা লাইশোন শোল্লম্বদু থেংনরে অমসুং খুদক্তা হিশাব তৌরকই -মঙোন্দগী নুপী অদুনা সো[১] কুন শেন্দোং তানখ্রে মরমদি মহাক্না নুমীৎ হুন্নি অমসুং অহিং অমখক লেনখ্রি, মদুগী মমল ফ্রাঙ্ক মঙা খক্তা তাগদবনি, হৌজিক মহাক্না মঙোন্দা পীগদৌরিবসি ফ্রাঙ্ক তরুক্নি।

[১]-সেন্তিম ১০০ না ফ্রাঙ্ক অমনি, সেন্তিম ৫গী শেনয়েকপু সো কৌই।

## ৩- লিকফাং

মহাক মপোক্কীদি য়ান্না চঙখোনবী অমসুং শুমহৎপী লৈশাবীশিংগী মরক্তা অমনি অদুম ওইনমক খুৎহৈবগী ইমুং অমদা পোকলুবনা মরায়বক থিরে। মাগীদমক অউনপোৎ পীবিনবা লৈতে, আশা তৌনিংঙাই করিসু লৈতে, মরল মথুম পায়বা, মশক নাইবা নূপানা শকখঙ-মায়খঙবীরক্লবা, খঙবীনবা, নুংশিবীনবা অমসুং লুহোংবীরক্লবগী লন্বী অমত্তা লৈতে অদুনা মিনিস্ত্রি ওফ ইদুকেশন্দা অপিকপা কেরানি ওইবা অমদা লুহোংলে। মহাক্না অসুন্না তৌরিবসি অতোপ্পা অমা মানা হোৎনরুবা ঙমদবদগীনি অদুবু মঙোন্দগী হন্থবা অমদা লুহোংলেকো খল্লুরগা মহাক নুংঙায়রমদে, মরমদি নুপীগীদি শাগৈ জাৎ নম্রগ কাংলুপকী মখা পোন্দে, মখোয়গী ফজবা, চীংলেন্বা অমসুং শুমহৎপনা পোকফমগী নম্রগা ইমুং মনুংগী মহুৎ শিনলি, মখোয়গী মহৌশাগী থোৎচা নৌজবা, মখোয়গী পুক্নিং ঈহুলগী নিংথিজবা, মখোয়গী পাইরক্কী লৌশিং লৈবা অসিনা মখোয়গী থাক লেপ্পবগী মচাক্নি অমসুং স্লমদা পোকপী

নুপীমচা অমসু লৈবাক্কী খ্বায়দগী ৰাংবা থাক ফংজে।

মহাক মশামক অথোৎ অমেং অমদি অকে অমৌগীদমক পোক্লকপনি খঞ্জরুবনা মহাকপু লোইনাইদবা অৰাবা অমনা ওৎলরি। মহাক যুমশিগী লায়রবা মতৌ, অকিবগী মশক ওইরবা ফক্লাং, তেক্লবা চৌকী অমসুং থিরবা পর্দাশিং অসিগী মৈচাক খাংলি। অসিগুম্বা মাগা মান্নবা থাক্কী অতৈ নুপীশিংনদি উখিদ্রবা পোৎশিং অসিনা মাবু ওৎলি অমসুং ইকায়বা পীরি। মাগী পীক্লবা যুম অদুদা থবক শুবা লাকপা পীক্লিবা ব্রিতোন নুপীমচা অদু উবদা মাগী পুক্নিংদা থমোই কায়না চৈনা ফাওরি অমসুং কান্দ্রবা মঙলান কয়া মঙহল্লি। মহাক্না চঙনফম ওইবা অচিকপা কা মচা, নোংপোকলোমগী লৈরোংশিং হৎপা, শেঞ্জেংনা মখোঙ পানবা অচৌবা মৈরাশিং থানবা, মরেপ ৰাংবা, খুউ য়ৌবী খোঙগ্রাউ শেৎপা মীনাই নুপা অনী চাউরবা অর্মচিয়ারশিংদা মৈফুগী লুম্বু লুম্বু শাবদুদা মুন্থরদুনা তুল্লিবা কয়া ভাবনা শাগৎলি। মহাক্না অরিবা মতমগী সিঙ্কনা য়াম্থবা মীয়াম ফমফম অচৌবা কা, মদুদা খ্বায়দগী হেল্লবা ফর্নিচরনা মমল নাইদ্রবা ওর্নামেন্তবু মথোই কাহল্লিবা অমসুং পীক্তকপা, পূক্নিং হুরবা, মনম নুংশিহল্লবা কা, মদুদা য়ান্না নকশিন্নবা অফাওবা অমসুং মীয়ান্না পান্নরবা মরুপ মপাং খরতগা লোয়ননা ফম্বা, মখোয়না নুপী ওইবীগী মীহৌচাওবী পুক্নিংনা ইখৌ লাংজবা ইকাইখুন্নবা উৎপীবা কয়া ভাবনা শাগৎলি।

মহাক্না চাকলেন চানবা নুমিৎ হুন্নি শিল্লকত্রবা ফিদানা কূপ্লিবা তেবল অকোয়বীগী মনাক্তা ফমথবা মতমদা মায়োক্লনা লৈরিবা মপুরোইনা সুপকী মখুম হাংলগা পেল্লদুনা “আহ! স্কোসকী চমফুৎ! সি নত্রবদি লৈত্রবরা?” হায়রকপা মতমদুদা মহাক্না হাউরবা চাকলেন, হৌখ্রবা মতমগী পোৎশিং অমসুং ভাবনা শাবা উমংগী অঙকপা উচেকশিংগী লাইনা ময়েক থোকহন্দুনা লৈতেংলবা ইরং লংলবা লুপাগী পাত্র, হাওরবা মথেলগী চাকলেন নিংথীজরবা পূখম তেঙ্গোৎতা পুথোরকপা, নুংশিনা মুরুম মুরুম শোন্নবিবা, মদুবু কনাগুম্বা অমনা শরেং খোইবীগী ঙাংলৈবা মতুম নত্রগা তাওথোক্লবা য়েনবু থওইদনা তৌবগুম মরৌ লৈনা নোক্লগা ৰা ওইনা তারুদবনচিংবা কয়া ৰাখলদা শাগৎচৈ।

মহাক্কী ফিজোন লৈতে, লীক-কোন লৈতে, করিসূ লৈতে। অদুবু মখোয়শিং অসিনি মহাক্না হেক পামজবা, মহাকসে মখোয়গীদমক লৈরিবনি খঞ্জরিবনি। মহাকসি শুমহৎপী, মীনা তান্নবী, গ্যান ঙাওবা মখৈ মীবু চিংশিনবী অমসুং কোয়তান তান্নরকপী ওইনিংবগী ঈখৌ লাংবগী চৈনা খাংলি।

মহাক্না স্কুল তম্মীন্নরকপা অরিবা মরুপ ইনাকখুনবা অমা লৈ, মহাক্কীদা মহাক নোংমতা কোয়থোকলুদে মরমদি মদুদগী হল্লক্লগা মহাক য়ান্না খোইরাংই। মহাক নুমিৎ চূপ্পা অৱাবা, নিংঙমদবা, নিংবা কায়বা অমসুং তৌফম খঙদনা কপ্পুনা লেল্লি।

***

নোংমা নুমিদাংৱাই অমা মাগী মপুরোইবদু মখুত্তা ইনভেলভ অমা মখুত্তা পায়রদুনা মায়পাক্লপগী মতৌ অমগা লোয়ননা হল্লক্লম্মী।

“নঙগীদমক করিগুম্বা খরা লৈরে।”

মহাক্না থুনা য়াংনা চেখাওদু শেগায়রে অদুগা মখাগী ৱাহৈশিংসি ইবা অনম্বা কার্দ অমা মনুংদগী লৌথোরক্লে: মিনিষ্টর ওফ ইদুকেসন অমসুং মেদাম রামপোন্নীঅউনা মোনসিয়ার অমসুং মেদাম লোইশেলবু জানুৱারী ১৮ দা মিনিষ্ট্রীদা হরাও তয়ান্না পুনমিন্ননবা হঙ্গৎচরি।

মহাক্কী মপুরোইবনা আশা তৌবগুম হরাওব-নুংঙায়বা ফোঙদোরকপগী মহুত্তা মহাক্না ফি ফি কাল্লদুনা বার্ত্তোন চে অদু তেবল লান্না লংথোকখ্রে, অদুগা মুরুম মুরুম শোল্লকই: “মসিগা লোয়ননা নঙনা ঐবু করি তৌহন্নিংগে?”

“করিনো, ইবেন্মা, ঐদি নঙ হরাউগদ্রা খল্লুবনি। নঙ চথোকপা ইফং ফংজদে অদুগা মসিদি অচৌবা থৌরম অমনি। ঐনা বাতোর্ন অসি ফংনবা হোৎনবদা য়ান্না ৱাখ্রবা জাৎনি। মীপূম খুদিংনা অমমম পান্নবনি, অদুবু মসিদি য়ান্না খনগৎলগা তৌবনি অদুগা কেরানিদি খরা খত্তনি। মফমদুদা অচৌ-অশাং মী কয়া তশেংনা উবা ফংগদৌরিবনি।”

মহাক্না মঙোন্দা য়ান্না শাউনা য়েংলকই অমসুং খাংঙমদনা হায়রকই:

"অসিগুম্বা থৌরম অসিদা ঐবু করি শেৎলগা চৎলু হায়রিনো?"

মসিগী মরমদা মহাক্তি খম্থরুদে, লৎ লৎ তৌনা হায়রকই: "করিনো, থিয়েতর চৎপদা শেৎপা অদু মঙাইনা। মদু ঐনা উবদদি য়াম্না ফজরিদা।"

মাগী নুপীনা কপ্পা হৌরকপা উবদা মহাক লেপ্লে, পূমঙক ঙকখ্রে অমসুং গ্যান পূম্মাং মাঙখ্রে। চাউরবা পীগী ঈচেল অনিনা মাগী মিৎলু অনীদগী চিনবান নাকচি অনী তম্না চেন্থরি।

"কৈদৌরগে? হায়য়ু কৈদৌরগে?" মহাক্না চিংননা হংই।

য়াম্না ৱানা মাগী অৱাবদু ফাজিনজরে অমসুং মাগী চোৎলবা খজাই অনীদু তৈথোক্লদুনা ইংনা পাউখুম পীরকই, "কৈশু নত্তে। ঐগী ফিজোন অমখক লৈজরিবা অসি শেৎলগা পার্তি অসিদা ঐ চৎপা ঙল্লোই। নঙগী বার্তোন্দু কনাগুম্বা নমান্নবা মাগী নুপীনা ঐঙোন্দগী হেন্না হরাওনা য়ারক্কদবা অমদা পীবিখো।"

মহাক থমোই শোকখ্রে। মহাক্না তকশিল্লকই, "সে সোমদা য়েংলকউ মাথিলদে, মতিক চাবা ফিজোন অতৈ থৌরমশিংদসু সিজিন্নবা য়াবা য়াম্না চম্বদা কয়াম পীবগে?"

নুপীদু মীকূপ খরা তুমিন খল্লম্মী, মমলশিং হিসাব তৌরম্মী অমসুং মহাক্না কয়া য়ামখ্রবা শেনফম অমা লিকশিন্দুনতা লৈরবা কেরানি অদুদগী খুদক্তা য়ানিংদবা অমসুং অকিবগী খোল্লাউ ফংদনবা হায়গদৌরিবদু খল্লুবদা মথন্তা ঙকচরম্মী। মমৈথংদা মহাক্না চিংনরপ খুন্মকই, "ঐ চপ চানদি খঙদ্রে, অদুবু অসুম খনবদা মসি ফ্রাঙ্ক চামরিগুম্বনা শিনবা ঙমগদ্র খল্লি।"

মহাক শকফম হঞ্জিল্লি, শেনফম মসিমক্তি মরুপ মপাংশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লার্ক কাপ্পা হেক হেক চৎনবা নান্তেরেগী তপ্পাক্তা লাক্কদবা ওলাংথাদা উচেক কাপ্পা চৎনবা নোংমৈ অমা লৈজগে হায়দনা মহাক্না তুংশিল্লিবা শেনফম অদুগা চপ মান্নে। অদুম্মক ওইদুনসু মহাক্না হায়রকই "য়াম্না ফরে। ঐনা নঙোন্দা ফ্রাঙ্ক চামরি পীগনি। অদুবু শেনফম অদুনা তশেংনা ফজরবা ফিজোন অমা লৈনবা হোৎনরো।"

পার্তিগী নুমিৎ নকশিল্লক্লে অদুবু মেদাম লোইশেল অৰাবা, নুংনাংবা অমসুং খোইরাংবসু হেনগৎলকই। অদুম ওইনমক মাগী ফিজোনদি শেম শারে। নোংমগী নুমিদাংৱাইদা মাগী মপুরোইবনা মঙোন্দা হায়রকই, "করি অমুক তৌরবগে? হৌখিবা নুমিৎ হুন্নিসি নহাক য়াম্না হৈনিংদনা উরিসিবো?"

"লিক্কোন করিমতা লৈতবগী শাথিরবা অৰাবা অমা লৈরি, শিনবা খুদোপ অমফাওবা লৈতে। ঐসি করিমত্তা পক্লোইদৌরি। ফিভম অসিদদি ঐ পার্তি চত্তবনা হেন্না ফগদৌরি।"

"লৈ চিল্লুদনা। মসি চহী অমগী মনুংদা অসিগুম্বা মতম অসিদদি য়াম্না ফজবনি। ফ্রাঙ্ক তরানা মীৎ থক্লিংঙাই ওইবা অনী অহুম ফংগনি।" মহাক্না হায়রকই।

নুপীদুদি লৌশিনবা ঙমদ্রে।

"নত্তেদা--- মদু ইনাকখুনবা নুপী ময়াম মরক্তুদা লায়রবী ওইনা উনবনি, মদুদগী হেন্না ইকায়বা অতৈ অমা লৈররোই।"

"নঙশি পংইহে।" মাগী মপুরোইবনা হরাউনা লাউরকই, "চৎলু মেদাম ফোরস্তিয়ার উনরুরো, সনা লুপা খরা ৱায়জগে হায়রুচো। নঙনা খঙলিবদুনি মাগীদি মতিক চানা লৈবনি।

মহাক হরাউ নুংঙাইবনা থুমহত্তুনা হায়রকই, "মদু চুম্মীনে। ঐদি খনবু খল্লুদে।"

মথংগী অয়ুক্তা মহাক্না মহাক্কী মরুপ্তু উনরে অদুগা মাগী অৰাবদু লিরে। মেদাম ফোরেস্তিয়ারনা মাগী দ্রেশিং তেবল মনাক্তা চঙশিনখ্রে অদুগা অচৌবা উপু অমা পুথোরক্লগা মেদাম লোইশেলগী মনাক্তা পুরক্লগা হাংদোক্লে অদুগা হায়রকই, "অপাম্বা খল্লোশে।"

অহানবদা মহাক্না পাম্বোম ফাবী খরা উরে, অদুদগী মুক্তা থাম্বা লিক অমা, অদুদগী খুৎ চঙনা নিংথীনা শেল্লবা সনা অমসুং মমল য়াম্বা নূংনা শাবা ভেনেতিয়ান ক্রোস অমা থেংনরে। লিক কোনশিংদু শিরগা মিংশেনদা কমদৌবগে য়েংলে, ইপেন পেন্দে, মপূক্লিং  পেলহনবা ঙমদবনা পূন্নমক্তু

থল্লে, পীশিনখরে। মহাক্না মখা তারকই,“অতৈ অতোপ্পা লৈরিব্রা?”

“লৈরি। অপাম্বা য়েংউ। নঙোন্দা করিনা চানগদগে হায়বদু ঐনদি খঙবা ঙমদ্রে।”

খঙহৌদনা রেসম ফিগী অমুবা খাও অমদা পূন্নমক্তগী পূমহেল হেল্লবা দাইমনগী লিকফাং অমা থেংনরে, মদু পাম্বনা মাগী মিহুন্দু তপথবা ঙমদ্রে। মদু মহাক্না থাঙ্গৎপা মতমদা মখুত্তু নীক্লম্মী। মদু মহাক্না মাগী ফিজোনদুগী মথক্তা মাগী ঙকশমদা শিজিল্লে অদুগা মশাবু উজবদা হরাও মথোয় কাখিদুনা ঙহাক লৈরে।

অদুদগী মহাক্না নিংজিং মাংজিংননা অৰাবা খোঞ্জেলদা হংলকই, “নঙনা মসিখক্তং শান্দোকপীবা ঙমগদ্রা।”

“হোয়দা। করিগী ঙল্লোইদগে?”

মহাক্না মাগী মরুপকী মফমদা চোংশিন্দুনা অঙাওবীগুম কোল্লম্মী অমসুং লিকফাংদু পুদুনা লাক্লে। পার্তি তৌগদবা নুমিৎ অদু য়ৌরক্লে। মেদাম লোইশেল মায় পাক্লে। মহাক্না লাক্লিবা নুপীশিংদগী খ্বায়দগী নুংশিবী, তরুবী, চীংলেম্বী, মোমোন নোকপী ওইরে অমসুং মশামক নুংঙাইবদা লূপখ্রে। মী পূন্নমক মঙোন্দা য়েংনরক্লে, মমিং হংলরে অমসুং মঙোন্দা শক তাকচগে পাহোন্নরে। লৈঙাক্কী অন্দর-সেক্রেতরীশিং পূম্বা মাগা পাদুনা জুরা শাবা অরৈবী জগোয় শানিংলম্মী। মীনিষ্টরনা মাবু শক খঙবীরম্মী।

মহাক্না করিগুম্বা অমত্তা খন্থরুদনা, মহাক্কী ফজববু খঙবীবদুদা, মাগী মায় পাকপদুদা চাওথোকচরদুনা, মীয়াম্না ইকাই খুন্নবীবা অমসুং থাগৎপীবা অদুদগী ফংবা নুংঙাইবগী হরাও নুংঙাইবগী নুংশিৎ মরক্তা, মহাক্না পোকহনবা খোইরাংবা অদুদা, মাগী নুপী ওইবীগী থমোইনা খ্বায়দগী পামজবা মায় পাকপা অদুনা মপূং ফাবদুদা মথোং খঙদনা, হরাউ মথোই কানা জগোয় শারে, নুংঙাইথোক্তুনা য়ু থক্লে।

মহাক্না অয়ুক্কী পুং মরি তাবদা হন্নবা তৌরক্লে। অহিং নোংয়াইদুদা মাগী মপুরোইবদু নুংঙাইবদা শরুক য়ারিবা মখোয় মখোয়গী নুপীশিংবু ঙায়রিবা

অতোপ্পা নুপা অহুমগা লোয়ননা লৈকংলাগুল্লবা অপীকপা কা অদুদা উইরল্লি। মহাক্না মাগী নুপীগী মরেংজুমদা য়ুম চৎপদা শিজিন্নবা পুরকপা ফিজোন অদুনা কুপশিল্লম্মী। মদু য়ুমদা নুমিৎ খুদিংগী শিজিন্নবা অচম্বা মখলনি, মদুগী লৈত-লায়রাগী মতৌদু জগোয় শারুবগী ফিজোল অদুগদি তায়ওন্নরি। মসি মেদাম লোইশেলনা খঙই অদুনা থুনা চৎনিংবনা খোইরাংলে, মরমদি মদুম তৌরবদি অতৈ মমল য়াম্বা শামতুগী ফি ইনবিশিং অদুনা মহাকপু খঙহৌররোই।

লোইশেলনা মাবু খাল্লম্মী, "ঙহাক্তং ঙাইখো। মপান্দা য়ান্না ইংগনি। ঐ গারি পুরক্কে।"

অদুবু মহাক্না হায়জবদু তাবীরমদ্রে, শিরিদা থুনা য়াংনা কুমথখ্রে। মখোয়না সরক্তা থোরকপদা গারি অমত্তা ফংবা ঙমদ্রে, অমতং ফংনবা থিরকপদা অরাপ্পদা লাকপা গারি ফাওবা হৌনা কৌরম্মী। অকি অখংদি য়াওদনা অমসুং ইংবনা থক থক নীক্তুনা সৈইনগী মায়কৈ তন্না মখোঙনা চৎলম্মী। মমৈথংদা, অয়ুক নুংথিল মতমদা মখোয়না মখোয়গী ফিজোন অদুগী ইকাইবগুম অহিংদতা শিজিন্নবা, পেরিসতা মল্লবা মতমদতা উবা পোৎ হোন্নবা গারি অমা থেংনরে। গারিদুনা মখোয়বু রুই দেস মাটিয়রসতা মখোয়গী থোঙজিন মক্তদা থম্বীরল্লে অমসুং মখোয়না য়ান্না ৰানা মখোয়গী য়ুমদা কাখৎলে। নুপী অদুগীদি মসিনা  অরোইবনি। নুপা অদুদি মহাক অয়ুক পুং তরাদা ওফিস কাগদবনি হায়না খল্লম্মী।

মিংশেন মমাঙদা মাগী ফজবা-নিংথিবা উজবা ফংনবা মহাক্কী লেংজুমদা য়োল্লম্বা ফিদু লৌথোকই। অদুবু খঙহৌদনা খঙলাউ লাউরকই!

"কৈদৌরগে নঙবু?" হান্ননা ফি হোংবা তংখায় চল্লবা মপুরোইবনা হংলকই।

মহাক খ্বায়দগী অৰাবা শকফমদা মঙোন্দা য়েংলকই, "ঐ ঐ ঐ মেদাম ফোরেস্তিয়রগী লিকফাংদু য়াওরমদ্রে।" মহাক্না ঙক্না হায়রকই।
"করি! মদু ওইথোকপা য়ারোইদা।"

মখোয়না মাগী ফিথূপ মরক্তা, কোতকী ফিথূপ্তা, ফুরিৎখাওদা, খুদিংমক্তা

য়েংলে। ফংবা কৌবা লৈত্রে।

"নঙনা জগোয়দগী থোরক্লবা মতুংদা মসি য়াওরি হায়বসি শোইদ্রেকো?" মহাক্না হংই।

"শোইদ্রে। ঐনা মিনিষ্ট্রিগী হোলদা লৈরিঙৈদা শোক্তুনা য়েংলিবনি।"

"অদুদি মসি লম্বীদা মাঙবা ওইরবদি তাবগী মখোন তানিদা।"

"হোয়। মদুসু ওইবা য়াই। ঐখোয়না তোংলকপা গারিগী নম্বর লৌহৌব্রা?"

"লৌহৌদে। নঙদি খঙবা ঙমদব্রা, ঙমব্রনে?"

"খঙদে।" মখোয় অনী য়েংনৈ, মকোক ঙাওখিবনা মরোল থোক্লদ্রে। মমৈদা লোইশেল মফি অমুক শেৎচিল্লে।

"ঐ ঐখোয়না লাকখিবা লম্বী পূন্বা থিরুগে। অদুবু য়েংউ মসি ফংবা ঙমদ্রবদি---!"

অদুদগী মহাক চৎখরে। মেদামদি ফি হোংনি কাউখ্রে, ফমুং তান্না চৎনবগী পাঙ্গলসু লৈখিদ্রে, চৌক্রীদা মথোং খঙদনা অনিংবা অপাম্বা নম্রগ খন্থবগী মতৌ অমত্তা লৈত্রবগুম তাদুনা লৈরে।

মাগী মপুরোইবদু পুং তরেৎতা হল্লকই অদুবু করিসু ফংলকত্রে। মহাক্না পুলিস স্তেসন্দা, পাউ-চেদা, গারি চলায়রিবা কাংবুদা, অশা খজিক্তং তৌনিংঙাই লৈবা মফম খুদিংমক্তা চৎলুরে, মনা পীগে হায়রুরে।

মাথিলদেদি নুমিৎ চুপ্পা অকিবগী মশক ওইরবা অৱাবা ফিভম অদুদা পেং চোইরবীগী মতৌদা মপুরোইবা হল্লকপা ঙাইদুনা লৈ। লোইশেল অথেংবা অহিংদা হল্লকই, মাগী মমায়দু ময়ি নাইরে, তাইফেৎ তাইরে, অদুবু করিশু পুরক্তে। মহাক্না হায়, "নঙগী মরুপ্তুদা মাগী লিকফাংগী কোচি অদু তেকখ্রে অদুনা মদু শাবা তারে হায়না চিথি ইখো। মদুনা ঐখোয়দা থিনবগী মতম খরদি ফংগনি।"

মহাক্না হায়বা মরোলদুদা চিথি ইখ্রে।

***

চয়োল অমগী মতুংদদি ফংগনি হায়বগী আশা পূন্বা মাঙখ্রে। চহি মঙা লিশন্না উরবা লোইশেলনা হায়রকই,

"হৌজিক্তি ঐখোয় দাইমনশিংদো মহুৎ অমা শিংনবগী খন্নবা য়ারে।"

মথংগী নুমিত্তা মখোয়না লিকফাং অদু হাপলকপা উপু মচাদু পুরে অদুগা মনুংদা ইরন্বা লিক-কোন য়োনফম অদুদা চৎলে। মহাক্তুনা মাগী ইশিন্দুনা থল্লিবদুদা য়েংলগা হায়রকই,

"মসিগী লিকফাং অসি য়োনখিবা মী অদু ঐ নত্তে মেদাম। ঐদি হাপফম অসি সপ্লাই তৌখিবতনি।"

অদুদগী মখোয়না কোনশং অমদগী অমদা মান্নবা লিকফাং থিবা চৎলন্মী, অনুতাপ অমদি পুক্লিংগী চৈনাখোলনা নারবা মখোয় অনীনা মাংখ্রবদুগী মওং মতৌদু নিংশীংবা হোৎনরন্মী। পেলেস-রোয়েলগী দুকান অমদা দাইমনগী লিক অমা মখোয়না থিরিবা অদুগা মান্নরে খল্লবা অমা থেংনরে। মমলদি ফ্রাঙ্ক লিশিং নিফুনি। মখোয়গী ওইনা লীশিং কুন্থ্রাতরুক্তা লৈবদা য়ান্নরে।

মখোয়না কোনশং মপু অদুদা নুমিৎ হুন্নিদং য়োন্দনা থন্বীরন্নবা হায়জরে। অমসুং মখোয়না ফেব্রুৱারী অরোইবা ফাওবদা মাঙখিবা অমদু ফংবা তারবদি ফ্রাঙ্ক লীশিং কুন্থ্রা মরিদা অমুক হন্দোকপা হায়নসু য়ান্নরে।

লোইশেলগী মাগী পাবুংনা থন্বীরন্বা ফ্রাঙ্ক লীসিং তরানিপাল লৈ। মহাক্না অৱাৎপশিংদো পুরগে হায়না লেপ্লে। মহাক্না মী অমদগী ফ্রাঙ্ক লীশিং অমা, অতোপ্পা অমদগী চামঙা, মফম অমদগী লুইস মঙা, মফম অমদগী লুইস অহুম অসুম তৌনা পুরে। মহাক্না হেন নোত কয়া পীখ্রে, মাং তাক্লিংঙাই ওইবা য়ান্না ৱারোলশিং ইনরে, শেন শানবশিং অমসুং শেন্দোয় চাবগী কাংবু পূন্বগা থবক তৌমিন্নরে। মাগী পুন্সিগী লেমহৌরিবা শরুক পূন্বা বন্ধান থমদোক্লে, মহাক্না ঙাকপা ঙমগদ্র ঙল্লোইদ্র খঙদনা খুয়েক কয়া পীথোকখ্রে অমসুং লাক্কদবা মতমগী অৱাবগী মশক, তারগদৌরিবা শাথিরবা অৱা-অনা, ফংলকপা য়াবা হকচাংগী চৈনা, লমচৎ লৈখা তারকপা য়াবা পূন্বা অদুদা অকীবা পোক্লবসু অনৌবা লিকফাং অদু ফংনবা হোৎনরে অমসুং

লিক-কোন য়োনফমগী কাউন্তরদা ফ্রাঙ্ক লীসিং কুন্থ্রাতরুক থম্লুরে।

মেদাম লোইশেলনা লিকফাং অদু হল্লকপা মতমদা মেদাম ফোরেস্তীয়ারনা হৈনিংদবা মওংদা হায়রকই, "নঙনা খরা থুনা থিল্লক্লুম্বা য়াবনি, ঐ মসি মথৌ তারবনি।"

মহাক্না মাগী মরুপ অদুবু কিবদগী কেশ অদু হাংদোক্লমদে। মহাক্না করিগুম্বা মহুৎ শিল্লকপনি হায়বদু খঙখ্রবদি মহাক করি খনখিনি? মহাক্না করি হায়রক্কনি? মহাক্না মাবু হুরানবী অমা ওইনা লৌখিরোইদ্রা?

***

মেদাম লোইশেলদু লায়রবগী অকিবা ফংলবা তোল্লবা পুন্সি অদু খঙলক্লম্মী। হেক অহৌবদগী মহাক্না মাগী তৌগদবশিংদু থৌনা লৈনা শরুক য়ারম্মী। শাথিখ্রবা শেন্দোন অসি শিংদোকপা তাই। শিংদোক্তবা য়াদবনি। মীনাই থবক তোকহনখ্রে। মখোয় মমল য়াম্বা ফ্লেত থাদোক্লে, য়ুমথক্কা তাইনবা মথক্কী কা অমা ৱাইরে।

মহাক্না ইমুং মনুংগী থবক, পামখিদ্রবা চাক্কুমগী থবক্তো কয়াদা চাওখ্রবা হৌজিক্তা খঙলকই। মহাক্না প্লেতশিং ফেংই, পাত্রদা নপশিনবা অমসুং খাংগী মনিংদা মাগী তঙাংলবা খুজিন্না খোৎলি। মহাক্না অথাব মোৎলবা ফিরোন, ফুরিৎশিং অমসুং পুখম তেঙ্গোৎ তৈথোক্লবা ফদি শুরম্মী অমসুং তারা তিংলগা ফৌরম্মী, অয়ুক খুদিং সোরোক্তা অমোৎ অকায়গী পাত্র পুথৈ অমসুং ঈশিং হোনগৎলি, থবক অমা লোইবা খুদিং শ্বর হোন্দোক্লবা লেপ্পী। অদুগা লায়রবীগী ফিজোন শেৎলদুনা হৈ য়োনফম, চেং-চাক য়োনফম, শা য়োনফমদা মখুত্তা পোলাং অমা পায়দুনা অহোং অচাও থিবা চৎলম্মী, ইকায়বা খাংলদুনা, শেন পেনি তংখায় অমগীদমক মন্তিক্লুরম্মী।

থা খুদিংগী অঙম্বা মখৈ শিংদোকই, লেমহৌরিবা শেনফন্না মতম অমুক থানৈ। মহাক্কী মপুরোইদু নুমিদাংৱাইদা ললোনবা মী অমগী হিসাব মওং তাহন্নবা শুবী অমসুং অহিংদা তোয়না লমায় অমদা পেনি অনী মখায় ফংদুনা শিন্দোকপগী থবক তৌই।

অসুম তৌনা চহী তরা হৌখরে। চহী তরাগী অরোইবদা খুদিংমক শিংদোকপা লোইরে,  শেন্দোয়, শেন্দোয়গী শেন্দোয় ঙন্না শিংবা লোইরে।

মেদাম লোইশেল হৌজিক্তি অহল ওইনা উরে। মহাক লায়রবা ইমুং মনুংগী পাঙ্গল কনবী, নোম্বা কনবী, লু-নান্দবী নুপীশিং অদুগা করিশু খেনদ্রে। মশম মনা নিংথিনা তৌবিদ্রে, শেৎলিবা ফিজোনসু মল্লে, মখুৎশিং তঙাংলে। মহাক ৰা ঙাঙবদা খোঞ্জেন য়াক্না ঙাঙলে অমসুং ৰাই তৈবদা লৈমায় শিন থূংনা ঈশিং হৈদোক্লগা তৈরে। অদুবু করিগুম্বদা মাগী মপুরোইবনা ওফিসতা লৈরিঙৈদা মহাক্না থোঙনাও ময়াদা ফম্মী অদুগা হৌখ্রবা কুইরবা নুমিদাংৱাই অমদা শাখিবা জগোয়দো কয়াদা ফজখিবা, কয়াদা থাগৎনখিবা মদু নীংশিংলুই।

মহাক্না করিগুম্বা লিক-কোন অদু মাঙলমদ্রবদি করি থোক্লমগনি। কনানা খঙনি। কনানবু খঙবা ঙমগনি? পুন্সি অসি কয়াদা লেপ্পাইদ্রিবা! করিশু নত্তবদা লৈখা তাবা নত্রগ য়াইফবা থোক্নি!

নোংমাইজিং অমদা কেন্সস-ইলিসিস পরিংদা চয়োল অমা শু-নোম্লবগী মতুংদা মশা তেকখৎনবা হৱা চাবা চৎপদা মহাক্না খঙহৌদনা নুপী অমনা অঙাং অমা হৱা চাবা চৎনবা পুথোরকপা উরুরে। মহাক মেদাম ফোরেস্তীয়ারনি, নহা ওইরি, ফজরি, পূক্নিং হুরি। মেদাম লোইশেল মথুম মরাং হৌই। মহাক মঙোন্দা কৌশিরা? হোয় কৌগদবনি। অদুগা হৌজিক্তি মহাক্না পীখ্রে, মদু পূন্নমক্তু হায়গদবনি। করিগী হায়দনি। মহাক্না মনাক্তা চঙশিল্লে।

“নুংঙাইরিকো, জেনি।”

অতোপ্পা অমদুনদি মাবু মশক খঙলমদ্রে অমসুং লায়রবী নুপী অমনা য়ান্না খঙনা কৌরকপদুদা ঙকখ্রে।

“অদুদা মেদাম” মহাক লৎ লৎ তৌরম্মী। “ঐদি নঙবু খঙদে--- নঙ শকমান্নবদগী শোয়-ঙামদুনা  তৌবা ওইরমগনি।”

“নত্তে, ঐ মাথিলদে লোইশেলনি।”

মহাক্কী মরুপ্তু খংদুনা লাউরকই, “ওহ! ঐগী মাথিলদে, নঙদি কমদৌনা

হোংখিবনো---?"

"হোয়, ইকোন কোন্না নঙগা উরম্বা অদুগী মতুংদগী ঐ মতম খরা ৰাৰুরে, অৰাবা কয়ানিদা --- অদুবু পুন্নমক্তু নঙগীদমক্তনি।"

"ঐগীদমক্তা! করন্ননো?"

"নঙগী দাইমনগী লিকফাংদো ঐনা মিনিষ্ট্রিদা জগোয় শাবগীদা ৰাইদনা?"

"হোয়। নীংশিংলিনে, কৈদৌরবা?"

"কৈদৌরবা হায়ববু মদু মাঙখ্রবনি।"

"করম হায়না তৌরিনো? করন্না মদু নঙনা থিল্লকখিবনো?"

"ঐনা অতোপ্পা মান্নবা অমা পুরকপনি। হৌখিবা চহী তরা অসি মদুগী মমল পীবদা হৌখ্রবনি। নঙনা খঙইবদুনি ঐখোয়দা মদু অরাইবা ওইখিদে, ঐখোয়দি শেন পায়দবনি। ফরে, মদুগী শেন শিংবা লোইখ্রে অদুনা ঐ নুংঙাইরে।"

মেদাম ফোরেস্তীয়ার চপ লেপ্পী।

"নঙনা হায়রিবসি ঐগীদুগী মহুৎ শিন্নবা নঙনা দাইমনগী লিকফাং অমা লৈরুরে শিরা?"

"হোয়। নঙ মদু খঙদ্রিবরা? অনীদো য়াম্না মান্নবনি।" অদুদগী মহাক চাউথোকচনা অমসুং পূক্লিং নুংঙাইনা নোকচৈ। মেদাম ফোরেস্তিয়ার থমোইদা পানখ্রে, মখুৎ অনীদু পায়শিল্লি।

"ওহ! ওন্থোকইদা মথিলদে! ঐগীদুদি অরুপ্পনি। মদুনা পীগে হায়না পীরবদা ফ্রাঙ্ক চামঙা মঙাই!"

# ৪- স্লিং মতৎ অমা

গোদরভিলেগী অকোয়বদা লৈরিবা লম্বীশিংদা লৌমীশিং অমসুং মখোয়গী লোয়নবীশিং কৈথেল মায়কৈ তন্না লাক্লি মরমদি ঙসি কৈথেল নুমিৎনি। নুপাশিং অতপ্পা খোঙথাংদা চৎলি, ফিভম কায়রবা অশাংবা মখোঙনা থাঙবা খূদিং মশা পুম্বদু মাঙলোদা ঙামথরি। থবক কন্না শুবা, খুনিংনা খুউদা শৌদুনা অরুম্বা পীসিনবা অদুনা মখোঙবু ফিভম কায়হনবতা নত্তনা ওইথংবা মরেংজুম অদুসু ৱাংখৎলে। গেহু লোকপদা খোঙফম চেৎনবা হায়দুনা মখুউ ফাক্তোকপা অমসুং চৈনাখোল খাংদুনা শুবা কুইনা চঙবা অমসুং ৱারবা খুঙ্গংগী থবকশিং অদুনা হকচাংগী ফিভম কায়হল্লে। মখোয়গী থবক শুবগী ফুরিৎ শংবান্নরে, ঙকশমদা অমসুং খুদাংদা চনাং থাবগুম লিংখৎলিবা অদু থাও তৈবগুম ইরং লংলে, মদু খরা মখৈ লোনবা খোৎপা তৌদুনা লৈতেংবগুম উরি, মখোয়গী শরু কাপফৎলবা হকচাংদা ফুরিৎ চগোম চগোম লিৎপদু বেলুন পুদুনা চৎপদুম মাল্লি, মখোয় খুদিংগী হকচাংদগী ফুত অনীদি পোংথোরকই।

খরনা ষনবী নত্রগা ষন্নাও থৌরী থুদুনা চিংলি অমসুং মখোয়গী নুপিশিংনা শাশিংগী তুংদা উশা অমনা যাংনা চৎনবা নাকথংদা কন কন্দুনা চৎল্লি। মখোয়গী মখুৎতা অচৌবা থুম্মোকশিং মদুদা য়েন্নাওশিং কনাগুম্বগীনা ঙানুশিং মচিনশিং থিন্দোক্তুনা পুরী। মখোয়না অথুবা খোঙথাংদা মখোয়গী নুপাশিংদগী হেন্না ইচং থৌনা চৎলি। মখোয়গী শোকচিনদ্রিবা চুমদ্রিংনা ফিরেপ চুন্না লৈরিবা হকচাংদু ইন্নফি মচা অমনা ফল্লবা থবাক মথক্তা য়াম্থু রক্তুনা থুংবোই থুংদবোই কুপ্লি অমসুং মখোয়গী মশমগা ফাজিন্নরবা ফি অঙৌব অমনা কুপশিল্লবা মকোক্তুদা তুপী অমমুক উপশিল্লি।

পোৎ পুবা শগোল গারি অমা থোক থোক নোমদুনা তপ্লি তপ্লি অপিকপা শগোলনা চিংলদুনা অঙকপা ফংনা নিকপা মখৈ লাকলি, মদুদা নুপা অনীখক নাকন নাকন্দ অদুগা নুপী অমনা গারি অদুগী ফম্বাক্তা তোংলি- মখুৎনা নাকন্দা য়ান্দুনা খংনোম নোম্বা খংচোং চোংবদু খাংলি।

গোদরভিলেগী মীয়াম তীনফমদা মী ময়াম অমা মী অমদি শাশিং য়ান্ননা কৃক কৃক ইনবমখৈ তিল্লরে। শা-ষনশিংগী মচীশিং, ইনাকখুনবা লৌমীশিংগী অৱাংবা তুপীশিংগী মতুং চোম্বা ফিনাশিং অমসুং লৌমী নুপীশিংগী কোকশেৎশিং তিল্লিবা অদুদগী ৱাংখৎনা উরি। নিল খোংবা, অয়াকপা খোঞ্জেল, লাউ খোংবা লেপ্তুনা অমসুং শাথিবা মওংদা চথরি মদুবু মরক মরক্তা খুঙ্গংগী লৌমীশিংগী অহৌবা খোঙ্গেলনা নত্রগা য়ুম অমগী ফক্লাং ময়াদা পুন্দুনা থল্লিবা ষনশিংনা খোংবগী মখোলনা নমহৎলি। শা-ষনশিং, শঙ্গোম, মাখন ঘী অমসুং অমোৎপা মপৈ, শজিক অমসুং হুমাং ময়াম অসিগী য়ানশিন্নরবা মী অমসুং শাশিংগী ওইবা অপুনবা মনম, থোইদোক্লা লৌবুক্কী মীশিংদদি হৈনদ্রবা অমা পীথোরকলি।

ব্রীঅউতেগী মাইত্রে হার্উচীকমী গোদরভিলেদা থুংলরে অমসুং লৈমায়দা স্ত্রিং মতৎ অমা তাদুনা লৈরিবদু উরুবদগী মাগী খোঙথাংদু মীয়াম তীনফম অদোমদা চিংশিনখ্রে। মাইত্রে হার্উচীকমী অশেংবা নোর্মান অমগুম লিকচৈ, মরম অদুনা কান্নরকপা য়াবা খুদিং খুজিনগদবনি খঞ্জে। মহাক শরু তাং চিকপগী অনাবা লৈবনা য়ান্না ৱানা নোন্থরে অদুগা লৈমায়দগী তেল্লবা মরী

মতৎ অমা খুনগৎলি, মহাক্না তৌরিবদু শউনগী থবক শুবা মাইত্রে মালানদাইন্না মাগী থোঙজিন্দা লেপ্লগা য়েংদুনা লৈরিবদু হেক উরুবদা মহাক্না স্ত্রিং মদুবু চেকশিন্না কোনশিল্লি।

মখোয় শউনগী শাবন শেন্স্বগী ললোন ইতিক্তা পুল্লন্বনি অদুবু য়ানখিদ্রে, অমনা অমবু তুক্কচনরে। মাইত্রে হাউচীকমীদু মাগা য়েংথিনবা মী অমনা মানা অমোৎপা মরক্তগী স্ত্রিং মতৎ অমা খুনগৎপা উখিবদুদা ইকায়বা ফাউরন্মী। মহাক্না থুনা খুল্লিবা পোৎতু মাগী ফিজোল মরক্তা লোৎশিল্লে অদুদগী লোন্না ফিগাওদা হাপচিনখ্রে অদুগা লৈমায়দা ফংদ্রিবা পোৎ থিবা শাদুনা য়েংদুনা ঙহাক লৈরে, অদুদগী মহাক কৈথেলগী মায়কৈদা অনাবনা মরম ওইদুনা মশাদু মাঙলোমদা হেন্না ঙামথরদুনা চৎখ্রে।

মহাক লোইবা খন্বা নাইদনা শেন হুন্নবগী চরাংনরিবা অমসুং লেংলি শারী তৌরিবা মীয়াম মরক্তা থুনা মাঙখ্রে। লৌমীশিং শেন তোংনবা হোৎনরি, হন্দোক হঞ্জিল তৌরী, চয়েৎ খোয়েৎনরি, মতম চুপ্পদা মিনন্বীখিগদ্রা কীজৈ, করিগুম্বা অমা হেক্তা লেপথোকপা ঙমদে, য়োল্লিবা মীগী মিৎয়েংদুনা করি ত্রিক তৌরিবগে অমসুং শাশিংদা করি অশোয়বা লৈবগে খঙনবা হোৎনরি। নুপীশিংনা মখোয়গী অচৌবা থুমোকশিং অদু মখোয়গী খুয়াদা থমদুনা য়েন্নাওশিং লৌথোক্লগা লৈমায়দা থল্লি। য়েন্নাওশিং মখোঙদা পূল্লপ পূনশিল্লি, মমিৎনা কিথি-কিরুম য়েংলি অমসুং মতোক্তি ঙাংশঙ ঙাংলি। লৈগে হুল্লকপা মমল তারি, মখোয়গী য়োন্নিংবা মমল হৈনিংদনা অমসুং ইং তপ্পা মায়থোংগা লোয়ননা হায়রি নত্রগা করিগুম্বদা মমল তাও হায়রকপা অদুদা খঙহৌদনা ৰারেপ লৌই, তপ্পা চৎখিগদবা লৈবা লাক্লিবা অদুদা লাউশিল্লি: “য়াম ফরে, মাইত্রে অথিরনি, ঐ মমলদুদা নঙোন্দা পীরগেহে।”

অশুম অশুম মীয়াম তিনফম অদু হাঙলক্লে অমসুং এঞ্জেলসকী (লোইশংগী মতম তাকপা কাংশি) নুমিৎ য়ুংবগী খিংলক্লে, কুইনা লৈরক্লবশিং মখোয় মখোয়গী দুকান্দা চাইথোক্লখ্রে।

জোর্দাইনগী অচৌবা কা অদু চারা চাবা মীনা পীক থল্লি, অসিগুন্না অচৌবা শুমাং অদু মখল মথেলগী গারিশিং ষনগারী, শগোল গারী, পোৎ

পুনবা গারী, অমোৎ অকায় হোন্নবা গারী, অমোৎপনা মচু ওল্লবা, ফোৎলবা অমসুং ইঁতৈ তৈরবশিং মখোয়গী জুৱান অদু অতিয়াদা খুৎ অনীগুম থিনগৎলদুনা নত্রগা মখোয়গী জুৱান অদুনা লৈমায়দা লৈরগা মনিং অদুনা নুংশিত্তা থাঙ্গৎলগা লৈরি।

তেবলদা ফল্লিবা অয়ুক্কী চরা চারিবশিংগী মায়োক্লবদা লৈরিবা অচৌবা মৈ হৌফম অদু লংলবা মৈরিগা লোয়ননা চাক্লি, মদুনা য়েৎথংবদা লৈরিবা পরেংদা মতুংদগী মৈশা পীরি। ঙারেংজৈ অহুম য়েন খুনু অমসুং হমেং মখোঙ য়াইরি অমসুং অয়াইবা ষনশাগী অমসুং মকু নিংথিনা ৱাওথাংনরক্লিবা অদুদগী মহি লৈরংদা তারকপা অদুনা অরাম খৌরাংবা পোকহনবা মনম অমা থোকহন্দুনা হেন্না মথূম মরাং হৌহল্লি অমসুং মীপূম খুদিংবু তিন চুমহল্লি। অচৌ-অশাং পূন্বা- মাইত্রে জোরদাইনগী মীথূংশঙ পানবা অমসুং শগোল ললোনবা, মীফত্তশিং শেন পায়বশিং পূন্বা মফম অসিদা চারা চাবা লাকই।

চাকলুকশিং পীখ্রে অমসুং চাবা লোয়নখ্রে লোয়ননা শেমগী হঙ্গামপাল মচুগী য়ু জগশিংসু থকপা লোয়নখ্রে। মীপুম খুদিংনা মাগী মাগী ওইবা লৈবগী য়োনবগী ৱাফমশিং ঙাঙনরি-শক্নরি। মখোয়না মহৈমরোংগী মরমদসু খন্নরি। ঈশিং-নুংশিৎকী ফিভম অসি অশং-অমান মনা মশিংগীদি ফরে অদুবু গেহ্গী ওইনদি ফত্রে হায়না ফোঙদোক্লরি।

খঙহৌদনা য়ুম অদুগী মমাঙদা লৈরিবা কোর্তকী দ্রম অদু থিল্লকখি। থওই ৱাওইদবা মী খরা নত্তনা মীপুম খুদিং হৌগৎনরকই অমসুং থোঙদা নত্রগা থোঙনাওদা চেনশিন্নৈ তাহৌনবা, মখোয়গী চীনশিং হৌজিকসু চীঞ্জাক্লা থল্লি, মখুত্তা রুমাল পায়নরি।

মীয়ামদা পাউ লাউথোকপা মী অদুনা মাগী দ্রম থিনবা অদু লেপখ্রবা মতুংদা অনেম অৱাং নাইনা অমসুং চাং নাইদবা মওংদা ৱা ঙাঙথরকই:

“গোদরভিলেগী মীয়াম পুন্বা, অদুগা থোইদোক্লা কৈথেন অসিদা পুল্লরিবা মীপূম খুদিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ঙসি অয়ুক্তা অমুবা শউনগী পোকেৎবুক অমা ফ্রাঙ্ক ৫০০ অমসুং ললোন ইতিক্কী চে-চাং খরগা য়াওনা মাঙহৌবগী

থৌদোক অমা বেঞ্জেভিলেগী লম্বীদা পুং মাপলদগী তরা ফাওবগী মনূংদা থোকখ্রে। খুল্লিবা মহাক অদুনা মেয়োরগী ওফিসতা নম্রগা মানেভিলেগী মাইত্রে ফোরচুন হৌলব্রেকতা য়ারিমখৈ থুনা খুৎশিন্নবীয়ু হায়জরি, মদুগীদমক মনা ওইনা ফ্রাঙ্ক ২০ পীজগনি।"

লাউবদু লোইরদুনা মী অদু চৎখ্রে। দ্রমগী অরুম্বা মখোল অমসুং লাউথোক-মীগী খোঞ্জেল অরাপ্পা মফমদগী অমুক তারকই।

অদুদগী থৌদোক অদুগী মতাংদা নৈনদুনা মাইত্রে ফোরচুন হৌলব্রেক অসি মাগী পোকেৎবুক অদু ফংগদ্রা ফংলোইদ্রা হায়না খন্না নৈনবদুনা ময়ামগী ৰারী ওইরক্লে।

চাকলেন চানবা লোইশিল্লক্লে। মখোয়না কোফি লোইশিন্নবা হোৎনরিঙৈদা চঙলকফম থোঙদা পুলিসকী অচৌবা অমা লেপ্লবা উরে। মহাক্না হংলকই:

"মসিদা ব্রীঅউতেগী মাইত্রে হাউচেকোম য়াওরিব্রা?"

তেবলগী অতোপ্পা নাকনগী অরোইবদা ফল্লিবা মাইত্রে হাউচেকোম না খুল্লকই:

"ঐনি, সিদা লৈজরে।"

পুলিসকী অচৌবা অদুনা মখা তারকই: "মাইত্রে হাউচেকোম নহাক মেয়োরগী ওফিসতা ঐগা লোয়ননা চৎপনা ফগনি। মেয়োরনা নহাক্কা ৰারী শান্নবা পাম্মী।"

লৌমী অদু অঙকপা অমসুং লাংতক্লবগা লোয়ননা মাগী ব্রান্দিগী অপিকপা গ্লাস অদুমা অমুক্তদা য়োৎশিল্লগা হৌগৎলক্লে অমসুং অয়ুক্তগী লাকপা অদুদগী হেন্না কোন্থরদুনা পোথারুরবা মতুংগী অহানবা খোঙকাপ অদু ৰানা থাংদোরক্তুনা হন্না হন্না হায়রকই: "ঐ সিদা লৈজরে, সিদা লৈজরে।"

মেয়োর অদু আর্মচিতার অমদা ফম্লদুনা মাবু ঙায়দুনা লৈরম্মী। মহাক লমদম অসিগী নোতারীনি (দলিলবু চুম্মী হায়না তাকপা ঙম্বা অঙম্বা),

কীগন্দবা, লুনা লৌবা ৰা চাওনা ঙাঙগনবা মীনি।

"মাইত্রে হাউচেকোম ঙসি অয়ুক বেঞ্জেভিল্লে লম্বীদা মানেভিলেগী মাইত্রে হৌলব্রেককী মাঙখিবা পোকেত-বুক অদু নহাক্না খুনখি হায়বসি উহৌবা য়াওরে।"

লৌমী অদু থুক্কৎলদুনা মেয়োরদা য়েংলকই, করিগীনো খঙদনা মাগী মথক্তা চিংনবা শোয়দনা লৈরগনি হায়বগী অকীবা হান্ননা লৈখ্রবনি।

"ঐবো? ঐনা? পোকেতবুক অদু ঐনা খুনখ্রে!"

"হোয়। নঙ নশামক্ননি।"

"ঈজৎকী য়েংদুনা হায়জরী ঐদি মসি কৈদৌঙৈদসু তৌখিদে।"

"অদুবু নহাকপু উহৌবা মী লৈ।"

"ঐবু উহৌবা? কনানো ঐবু উহৌই হায়রিবদু?"

"শাবল শাবা মোনসিয়ার মালানদাইননি।"

অহল অদো নীংশিংলক্লে, খঙলে অমসুং শাউগৎলকই।

"মানা ঐবু উরবা? হৌনা-খঙদবা লৱায়মচা মানা ঐনা স্ত্রিং মতৎ অসি মফমসিদা খুনবা উখিবনি। মোনসিয়ার মেয়োর।" অদুগা মহাক্না মাগী ফিগাওদা কোয়মা মারগা অপীকপা স্ত্রিং মতৎ অদু পুথোরক্লে। অদুবু মেয়োর অদু থাজবা ঙমদনা মঙক হাইরম্মী।

"মাইত্রে হাউচেকোম নহাক্কী ৱাদুনা ঐবু থাজহনবা ঙমদে মরমদি য়াম্না থাজনিংঙাই ওইরবা মোনসিয়র মালানদাইননা স্ত্রিং অসিবু পোকেতবুক ওইনা লান্না লৌরমগনি হায়বসি থাজবা ঙমদে।"

লৌমীদু হেন্না শাউগৎলকই, মাগী ইকাইখুন্নবদু ঙাক্নবা ৱাশক্তুনা, নাকল অমদা নুংশিদনা মতিন শিৎলদুনা মখা তারকই: "মদু কৈদৌঙৈদসু ঈশ্বরগী অশেংবা, অচুম্বা অদু নত্তে মোন্সিয়ার মেয়োর। মসি ঐনা থৱাই হকচাং য়াওনা অমসুং ঐগী ধর্মা য়েংদুনা হায়জরিবসিনি।"

মেয়োর অদুনা মখা তারকই: "নহাক্না পোৎশক অদু খুল্লবা মতুংদা

উরোক্কুন্না লেপ্পগা ফনা কুইনা লৈখোম মরক অদুদা শেঞ্জোয় চিখ-নান্থ হৌরিব্রা হায়দনা নঙনা য়েংখিদনা।”

চন্নবা অহল অদু তাথিনা শাউনিংবা অমদি অকিবনা ফুনগৎলে।

“কনানা কমদৌনা হায়বা ঙল্লীবা- পুকচেল ফজরবা মীশক অমগী মিংচৎ মাংহন্নবা অসিগুম্বা মীনম্বা ৰাশিবু! কানানা করম্না হায়বা ঙল্লীবা---।”

মহাক্না শিরক্লিবা মরাল অদুবু য়ানিংদবা ফনা ফোঙদোকচরবসু করিসু কান্নদ্রে, কনামতনা মাবু থাজদ্রে। মহাক্না মোনসিয়ার মালানদাইনগা ৰাফংনরে, মদুদা মহাক্না অমুকসু হন্না হায়রে, মাগী ৰাফম অদু অচুম্বনি হায়না থল্লে। মখোয় অনী অমনা অমবু পুং অমা অওক অথোম তৌনরে। মশানা হায়জবদগী মাইত্রে হাউচেকোমপু মশাদা করি করি য়াওরিবা য়েংলে, করিসু ফংদ্রে।

মমৈথংদা মেয়োর অদু য়ান্না চয়েৎ খোয়েৎনরদুনা মাবু মীয়ামগী ৰায়েন লোয়শঙদা লাক্কদবনি অমসুং মখা তাবা য়াথং হংলগদবনি হায়না চেকশিন-ৰা হায়রগা থাদোরক্লে।

পাউ অদু য়াঙনা শন্দোকখরে। মহাক্না মেয়োরগী ওফিসতগী হেক থোরকপগা ময়ান্না কোয়শিনলরে অমসুং লুনা লৌরিব্রা নত্রগ ফাগি জুগায় ওইনা খঙনীংলিব্রা ৰাহং কয়া হংলরি, মদুদা তাথিনা শাউনিংবদি পোকলুদ্রে। মহাক্না স্ত্রিং মতৎ অদুগী ৰারী লীজৈ। অদুবু কনামতনা মাবু থাজবীদ্রে। মখোয়না মঙোন্দদুম নোকশিনবিরকই।

মহাক্না অশুম লাকপদা মাগী খঙনা চানবশিংবু খান্মী, লোইবা খন্বা লৈতনা মানা হায়খিবা ৰা অমসুং য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী ৰা পূম্বা তমজৈ, মাগী ফিগাও অদু করিমতা য়াওদে উৎনবা মথক মখা ওন্থোকই। অদুবু মখোয়না হায়রকই: “খঙজরে অহল, চৎখ্রো চৎলো।”

তৌইগুম্বসুং মাবু থাজবীদবা অদুনা মাবু হেন্না শাউনিংহল্লে, লুতোন শাৎহল্লে, মৈ হৌরে অমসুং শাথিনা নুংঙাইহনদ্রে, করি তৌশিগে খঙখিদ্রে অমসুং তৌরিবা খরদু হঞ্জিন হঞ্জিন তৌদুনা লৈরে।

অহিং ওইরক্লে। মহাক চৎপা তারে। মহাক মাগী য়ুমলোন্নবা অহুমগা লোয়ননা হল্লক্লে, মখোয়দা মহাক্না স্ত্রিং মতৎ অমা খুনখিবা মফমদু তাকলম্মী অমসুং লন্বী লমশাংদু মাগী থৌদোক অদুগী ৱারী লীজৈ।

মথংগী নুংথিলদা মহাক্না ব্রীঅউতে খূঙ্গংগী মফম খুদিংমক্তা ৱারী লীনবা চথোকলুই। অদুবু মহাক্না থেংনরুবশিংদু মাবু থাজবীদবা ঙাক্তা ওইখ্রে। মদুনা অহিংদা মহাক অনাবা হায়বদু ওইরে।

মথংগী নুমিত্তা নুংথিল পুং অমরোম তাবদা য়মেনভিলেগী লৌউবা মাইত্রে বৃতোনগীদা থবক য়াওবা মারিউস পাউমেল্লেনা পোকেতবুক অমসুং মদুদা য়াওবশিং মানেভিলেগী মাইত্রে ফোরচুন হৌলব্রেকতা খুৎশিন্নররে।

নুপা অসিনা পোৎশক অদু লন্বীদগী খুনবনি অদুবু মদুবু পাবা হৈতবদগী ময়ুমদা পুরগা মাগী থবক শুফমগী মপুদা পীশিনবনি তল্লম্মী।

পাউ অদু য়ুমলোন কৈরোন্নবশিংদা শন্দোরক্তুনা মাইত্রে হাউচেকোমদসু তল্লরে। মহাক্না খুদক্তা কোয়না চৎলে, মাগী ৱারীদু নুংঙাইবনা পোলোই ওইরে হায়বদু পাউদল্লুরে। মহাক মায় পাক্লুগনি।

“ঐবু য়ান্না ৱাহল্লিবদি ৱাফম অসি মীনম্বনি হায়বীবদুদা নত্তে। খাঙফম খঙদনা ইকাইরিবসি মীনম্বা ৱা ঙাঙবনি হায়বগী অমম্বা লৈচিল অমনা কূপ্পুনা লৈবা অসিনি।”

মহাক্না নুমিৎ চুপ্পা মাগী থৌদোকশিং অদুগী ৱারী লমজাও সরক্তা লাকপা মীশিংদা, য়ু য়োনফমদা য়ু থক্তুনা লৈরিবশিংদা, নোংমাইজিং নুমিৎকী চর্চতগী থোরকপা মীশিংদা লীজৈ। লল্লানবা কনাবুসু ৱারী লীগদবগী ফারুই। মহাক হৌজিক্তি শাউরম্বদু ইংথরে, অদুবু মশামক চপ চানা করিনো হায়বা খঙদবা অমনা মাবু চরাংনহল্লি। মীয়ান্না মাগী ৱারীদু তাবা মতমদা ফাগি ওইনা লৌবগুম্বা মতৌ অমা উই। মখোয়দু মাবু থাজবা মাল্লমদে। অদুনা মাগী তুংদা ঙাঙনহৌবা য়াবা ৱাশিং অদুনা মাবু নুংঙাইহন্দবগুম তৌরি।

মাগী ৱাফম অসি মীয়ামদা শেংদোকপা মথৌ তাই হায়বগী ৱাখল অমনা থৌইনশিন ওইদুনা মথংগী চয়োলদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মহাক

গোদরভিলেগী কৈথেন্দা চৎলি। মাগী য়েক্লবা মালানদাইননা মাগী থোঙদা লেপ্লদুনা মা লাকপা উবদা নোকশিল্লকখি। করিগীনো? মথন্তা হংজৈ। মহাক্না ক্রেকিউতোৎতগী লৌমী অমদা চঙশিন্দুনা মাগী ৱারীদু লীরুবদা মরক থৎলগা লৌমী অদুনা মাগী মবুক্তা পোপ লাউনা থারগা হায়রকই: "নঙসি শাথিখ্রবা মীফম্তা অমনি।" অদুদগী মহাক মমায় লৈথোকখ্রগা মতুং ওনশিল্লক্লে। মাইত্রে হাউচেকোম চমন্নরে- করিগী মাবু শাথিখ্রবা মীফম্তনি হায়রিবনো?

মহাক্না জৌরদাইনগী মীথূংশঙদা তেবল অমদা ফমদুনা মাগী থৌদোক অদুবু শন্দোক্না তাক্লবা হোৎনরুবদা মোনভিলীয়ারদগী শগোল ললোনবা অমনা মঙোন্দা হারকই: "খঙঙে খঙঙে লৌনম চাউবা, মদু মল্লবা চলাক্নি, ঐ নঙগী স্ত্রিং মতৎকী ৱারী পূম্বা খঙলে।"

ৱা অদু তাবদা হাউচেকোমনা লৎ লৎ তৌনা হায়রকই: "অদু পোকেতবুক অদুদি ফংলেদনা।" অদুবু অমদুনা থুনা খুল্লকই: "তোকও খঙলে, বাজি। অমনা খূল্লগা অতোপ্পা অমনা ফংলে হায়দুনা পীশিনবগী লিলানি। ওইনীংবা ওইজসনু, অদুবু ৱারীদুদি অদোম্না ইতোৎ-তোৎশিন্নখ্রে।"

লৌমী অদু ফুনগস্তুনা তুমিন লৈরে। মহাক ভাব তারে। মখোয়না মাবু পোকেতবুক অদু তিন্নবা মরুপ, থবক্তুদা য়াওমিন্নবা অমদা খুৎশিন্নহনবগী মরাল শিরি। মহাক্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লবা হোৎনৈ অদুবু ফন্মীবা ময়ান্না নোকশিল্লকই। মহাক মাগী চাকলেন অদু লোইবা ঙমখিদ্রে অমসুং নোক্লবা ময়াম অদুগী মরক্তগী হৌগস্তুনা থোরক্লে।

মহাক শাথিনা ইকায়বা অমদি শাউনিংবনা য়োন্নদুনা ময়ুমদা চৎলে, অশাউবা অমসুং মদুবু ফোঙদোকফম খঙদবনা শ্বর ফুল্লে। মরূপ মপাং ওইবগী মতৌদা মখোয়না মঙোন্দা শিরিবা মরাল অমসুং মদুবু নাপল তৌনা ঙাঙ-শক্লিবা অদুনা নোর্মান অমা ওইবগী বুধিগা লোয়ননা হিংলিবা মাগী মফমদা কল্লবা চৈথেং ওইররে, খাঙবা ঙম্বগী পংখৈ ৱাংমা লান্না নীংবা কায়হল্লে। মহাক্না মাগী হায়ফম খঙদনা চমজরিবা পূকচেল অদু উৎথোকপা ওইথোকত্রে হায়বা খঙলে অমসুং মাগী থমোই চিংনবিবগী অরানবা থৌওংদুনা

মচেৎ তানা থুগায়ৱিখ্রে।

অদুদগী মহাক্না থোকখিবশিংদু হন্না নীংশিংই, নুমীৎ খুদিংগী মাগী ৱারী শাংদোকহল্লি, লীবা খুদিং অনৌবা মরমশিং হাপচিল্লি অদুবু হেন্না থৌনা লৈনা য়ানিংদবা ফোঙদোরকই। নাইতোম চীক্না লৈবা মতমদা মহাক্না ৱাখলনা শাগৎতুনা অমসুং শেম শাদুনা হেন্না লূম্বা ৱাশক কয়া হাপচিল্লি, মাগী পুক্নিং ৱাখল স্ত্রিংগী ৱারীদা লূপশিন্দুনা লৈখ্রে। মহাক্কী মশা ঙাকথোক্লবা হোৎনবসি হেন্না হেন্না লুশিনখরে অমসুং মাগী মরৈ অসি হান্নদগী হেন্না অরুবা ফিভমদা লৈরে হায়বসি মহাক থাজরে। মীশিংনা 'ৱারীসিং অসি মরাল ঙাকথোক্লবা মিনম্বা ঙাঙলিবনি' হায়না মাগী তুংদা ঙাঙনহৌবদু মহাকসু তারে। মসিনা মাগী থমোইদা অকনবা চৈথেং অমা পীবগা লোয়ননা মাগী থমোইবু মপূং ফানা খুদুম চনশিন্দুনা লৈররে অমসুং করিমতা কান্নবা ফংখিদ্রবা মশা ঙাকথোক্লবা হোৎনবা অদুদা মাগী-পাঙ্গল থৌনা মতম তেংনা শিজিন্নখ্রে। মখোয়গী মীৎমাং মক্তদা মশাবু মাঙহঞ্জরে। হৌজিক ফাগি পুবা মীশিংনা মাবু কনাগুম্বা লাম্মী অমনা মানা শোক্লরুবা-লানফমগী ৱারী লীবা অদুগুন্না মাসু ময়াম নোক্লবা স্ত্রিংগী ৱারী লীবা মী তাহল্লে। মাগী পূক্নিং খম থেংনা নুংঙাইখিদ্রে, শোন্থবা হৌরক্লে। দিসেম্বর লোইশিল্লকপদা মা ফমুংদা য়াতাখ্রে।

মায়থিরবা মহাক জানুৱারীগী অহানবা নুমীত্তা তাইবঙপান থাদোকতুনা চৎখ্রে অদুবু মাগী শিরমদাই লান্থেংদা লোনবা চোইরোলদা মাগী চমজরবা পূকচেল অদুবু কন্না পুখৎলম্মী, হঞ্জিল হঞ্জিল শোল্লম্মী: "স্ত্রিং মতৎ অমা, স্ত্রিং মতৎ অমা, মসিনি য়েংউ, মোনসিয়ার মেয়োর।"

# ৫- চাক্কোই চাবা

জেক্স রান্দেল কোয়না চৎলগা উ শুবা, থবক ফবা অমসুং মখুৎ য়াঙবগী মমিং চৎপা মীশক অমনি। মহাক চহী কুনতরেৎত মশুরি অদুবু ময়ামগী ওইনা থবক ফংনদবগী অৱাবা ফিভম অমা লাকপদগী মচা খ্বায়দগী অহল ওইরুবনা থা অনীসি ইমুং থাকপগী পোৎলুম অদু মহাক্না পুবা তারি। মহাক থবক থিবা থা অমরোমসি চৎখৎলক্লি অমসুং মাগী মরমদম লা মানচেগী মনুংদা লৈবা সহর ভিল্লে-অভারী থাদোক্লল্লে মরমদি মফমদুদা মহাক্না তৌনিংঙাই করিমতা ফংদ্রে অমসুং ইমুং অদুদা খ্বায়দগী মপাঙ্গল কনবশি মহাক্না ওইবনা মাগী ইমুং মনুংবু চানবা চিঞ্জাক ফংদনা লৈরিবদু কোকহনবা হায়বসি মাগী থৌদাং ওইরে। মাগী মচল অনী লৈবদু শেন খরদি থোকই, অদুবু মখোয়দি ইমুং মনুংগী নুতিগী থবক শুবি- কোন ফেংবা, ৱাইশিৎ ৱাশেংবা, ফিজু ফিজাম তৌবনিনা শেন য়াম্না ফংদে। মহাক্না তাউন হোলদা চৎলে অদুগা হংলুরে মদুদা মেয়োরগী সেক্রেতরীনা

লেবর এজেন্সিদা চৎলবদি থবক ফংগনি তাকপীরে। মরম অসিদগী মহাক্না চে-চাং অমসুং সার্তিফিকেত পুদুনা অমসুং অতোপ্পা খোংউপ জুরা অমা, খোঙগ্রাউ জুরা অমা অমসুং ফুরিৎ অমা শংবান্নবা রুমাল অমনা য়োল্লগা মাগী চৈ মতোন্দা য়ানশিল্লগা পুরদুনা খোঙ শান্দোরক্লে।

অদুদগী মহাক শুকলেপ লেপ্তুনা চৎলে, অয়ুক নুংথিল নুমিদাং খঙদবা মখৈ শাংলবা সোরোক্তা নোংজু নুংশাদা মরক্তা, য়ৌনাইদনা থবক শুজনীংবা মীশিংনা শুনবা থবক ফংজবা ঙন্বা অঙকপা লমদমদুদা। অহানবদা মহাক উশুবা অমা ওইনা খক্তমক থবক শুগে হায়বগী অচেৎপা ৱাখল অদুদা লৈরকখিবনি অদুবু মহাক্না য়াওগে হোৎনরুবা উ-শুবা দুকান খুদিংমক্না মী হেনবদগী থবক লৌথোকখিবতা ঙায়রি হায়রকখি অমসুং মহাক্না হৈজরিবা খঙজরিবা অদুগী অরোইবা মতম অমা লাক্লে হায়বা মহাক খঙজরে, অদুনা থিবদা ফংলকপা থবক অমা হেক্তা শুরগে হায়না মপূক্লিংদা লেপ্লে। অদুদগী মথং মথং ওইনা লম্বী খোং তেংবা, শগোলশঙ শেন্নবা, নুং থুগায়বা, শিং খায়বা, উষা শান্থবা, গুহা তৌবা, কোলাস তোৎপা, শীংবুন শেন্বা, চীংদা য়াওশেনবা অসিনচিংবা অফংবা থবক হেক্তা পায়রুরে, অদুবু খুদিংমক্তু য়ামখিদ্রবা শেনফম খরতগীনি। মহাক্না নুমিৎ নিনি নম্রগা হুমনিগী থবক্তু থবক পীবিরিবা মীশক নম্রগা লৌমী অদুনা য়াবীনবা হায়দুনা ইকাইনিংঙাই ওইনা য়ামখিদ্রবা শেনফমদা শুরুই।

অদুবু চয়োল অমসি করিমতা ফঙবা ঙমদ্রে অমসুং শেনসু অমত্তা লৈত্রে, চানবসু লৈত্রে, অদুবু সোরোক ময়াদা লৈবা য়ুমগী নুপীশিংদগী নিরুবদা পীরকপা তল মচেৎ খরা অদুনা খাঙনরি। মন্বা হৌরক্লে অমসুং জেক্স রান্দেল চোকথরে, মখোঙ থাংবা থোকচিল্লকত্রে, চাকখাও ইহাং হাংলে অমসুং মাগী থমোইদা নীংবা কায়বগা লোয়ননা সোরোক মতাইগী নাপী মরক্তা খোঙউপ তোংদনা চৎলে মরমদি মাগী খোংউপ জুরা অমা হান্ননা শেগায়খ্রে অদুনা লৈরিবা অমদু কনবা পাল্লে। শরৎ রিতু লোইরমদাইগী থাংজা অমদনি। লূমথরবা লৈচিলনা অতিয়দা য়াঙনা পাইরি উরক ৱারক্তা খোঞ্জেল থোক্না খংশিৎ শিৎলক্লিবা নুংশিৎনা হুমদুনা অমসুং ঙহাক্কী তুংদা

নোং তারক্লগনি হায়বা খঙনরে। লাক্কদবা নোংমাইজিং অদুগা মরী লৈননা শেম শানখিবনা লন্বী লমজাউ পূন্বা মী ইতাক তাক্লে। লৌবুক্কী মফম কয়াদা গেহ্ মখোক্কী মপৈ কয়া লৈরি, য়েংবদা হঙ্গামপাল মচুগী অচৌবা চেংগুম শৌবগুন্না উরি অমসুং মথং লৌরোক্কী মরু হুন্নখ্রবনা লৌবুকশিং ইহাং হাংলি।

রান্দেল লাক্লে, লমলক্কী শাশিংনা মবুক লান্মন্দুনা মী শোক্লকই হায়বা খুৎলাম অদুমক্নি। চোকথরে অমসুং চোকথবদুনা মশা শোন্থরদুনা খোঙথাংদু মখা তানা থাংবা ঙল্লরোইদবগুম তৌনা খোঙকাপ লাওনা থাংলে। মহাক মকোক লুপ্লে, মরাইবক শাগৎলে, মমিৎ ঙাঙলে, মচীনবান কংলে অদুবু চৈ অদুদি খুৎপায় চেৎনা পায়রি, ময়ুমদা চাকলেন চাবা চৎপা কনাগুন্বা থেংনরবদি হেক্তা কন্থরগে হায়বগী মওংনি।

মহাক্না লন্বীগী নাক য়েপ্তা মাগী মিৎমাঙমক্তা আলু তান্থোক্লগা লৈমায়দা পৈদুনকা লৈ-লাকইদ্রা, করিগুন্বা ফংবা তারবদি মহাক্না উ অকংবা খোমজিনগনি, খোংবালদা মৈ হৌগনি অমসুং লুমবু লুমবু শাবা মতুম তারবা আলু মদুনা মাগী ইংলবা মখুৎপু শাগৎহল্লবা মতুংদা আলুগী অচৌবা চাকলেন অমা ফংবা য়াগনি হায়না ৱাখলদা শাগৎলদুনা য়েংলম্মী। অদুবু হৌজিক্তি চহী লোইরমদাইনি, মতমসিদা লৌবুক্তগী ফংবা য়াবা হায়বসি অতেকপা বিতরুত মঙায়, মদু মমাঙগী নুমিত্তা তৌখিবগুন্না শায়বা তাবনি।

হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসি মাগী ৱাখলনা লমজিংদুনা মাগী খোঙথাং অদু য়াংখৎহল্লে হায়না মশা মতোমতা হায়জৈ। মহাক্না মাগী পূক্নিং ৱাখল পূন্বা মাগী খুৎশা-হৈবগী থবক অদুদা লুপসিন্দুনা লৈরুরে হায়বসি কৈদৌঙৈদা খল্লুদে। তৌইগুন্বসুং হৌজিক্তি য়ানিংদবা অমসুং পীনিংদবমক্তনা ফংবা কৌবা লৈহন্দ্রবা থবক্তু থিবদা চোকথরে, নিংবা কায়রে, অহিং কয়া লমহাংদা নাপী মথক্তা লেল্লে, কুইনা চারা হেল্লে, ময়ুম লিংদুনা লৈরিবশিংনা অমসুং মঙোন্দা "নঙনা করিগী নয়ুমদা লৈত্রিবনো" হায়বা ৱাহং অসি লেপ্তনা হংলিবসিংনা মাবূ চাক্কোই চাবনি হায়না য়ানিংদ্রে খঙলে অমসুং পাঙ্গল মতিক চানা লৈরি হায়না ফাওরিবা মাগী কল্লবা পান্থোমগী পাঙ্গল অদু শিজিন্নবা ঙমদবগী নত্তে মহাক্না নিংবা

কায়রিবা, মাগী য়ুম মদুসু পেনি অমা ফাওবা লৈরম্নরোইদবা অদুদা মহাক্না পিরম্বা থাজবা কয়াদু নীংশিংলুরগনি। মশাশি নুমিৎ খুদিং, পুংজা খুদিং, মিনিট খুদিং অশুম অশুম হেনগৎলক্লিবা অশাউবনা য়োমখরে অমসুং মশা খণ্ডদনা মাগী চিনবান্দগী অতেনবা অমসুং অশাউবগী ৱাহৈশিং কয়া খণ্ডহৌদনা ঙাঙথোরকই।

করিমতা তোংদ্রবা মখোঙনা চৎপদা নুঙদা খুদি থিজিল্লুবদা মহাক্না মুরুম মুরুম শোল্লকই: "কয়াদ তোল্লবনো! কয়াদা অৱাবগী মশক ওইরবা! ওক্কী মচাশিং! মী অমবু, উশুবা অমবু চরা হেন্দুনা শিহনবা, ওক্কী মচাশিং সো অনীসু চঙলোইদবা-সো অনী তিংগদবসু নত্তবা অদুগা হৌজিক্না নোং অমুক তারক্লে ওক্কী মচাশিং!"

মরায়বক্তা তন্নিবা চুমদবা মতৌদুদা মহাক শাথিনা শাউনিংবা পোক্লে অমসুং মদুগী মরাল পূম্বা মীশিংদা, মী অপূম্বদা শিজিল্লে মরমদি মতিক চাউবী, মীত্তাংবী মহৌশা লাইরেম্বীদি অচুম্বা তৌদে, মীনুংশি হৈতে, থাজনীংঙাই লৈতে। অদুদগী চীকশিল্লবা য়ারক্তা ঙঙলদুনা অমুক হন্না হায়রকই: "ওক্কী মচাশিং" মসিগা লোয়ননা য়ুমথক অমদা কারক্লিবা ঙৌরুনবা মৈখু অদুদা য়েংলকই-হৌজিক চাকলেন চানবা মতম ওইরে। পোৎ মুনবা অমসুং য়ৈখায় থিনগায় তৌবা হায়বসি মীওইবগী লিচৎকী ৱাংমদা লৈবা অরানবা থবক্নি হায়বগী ৱাখল কাউরক্তুনা য়ুম অমদা চঙলগা মদুদা লৈরম্বা মীশিং হাৎতোক্লগে অদুগা মখোয়গী মহুত্তা চাকলেন চানবা তেবীলদা ফম্লুরগে হায়বফাও খল্লক্লে।

"মখোয়না ঐবু চারা হেন্দুনা শিহনগদৌরবনিনা ঐগী হিংনবগী হক লৈত্রে অদুবু ঐদি থবক পীবিয়ু শুজগে হায়জবনি, ওক্কী মচাশিং।" মতোমতা শোঞ্জে। অদুবু মখোঙ মখুত্তা ফংলিবা চৈনা অমদি মথমোইদা চাক্লিবা মৈচাক অদুনা কল্লবা নিশা ওইনা মকোক্তা কাখৎলক্লে অমসুং ৱাখল অসিমুক খল্লক্লে: "ঐ শ্বর হোল্লিবনা ঐগী হিংবগী হক লৈরি, মরমদি নুংশিৎ হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী ওইবা অপূনবা লন্নি। মরম অদুনা কনা অমত্তদা ঐবু চারা হেলহন্দুনা থন্নবগী হক লৈতে।"

উন মহিগুম ইংলবা নোং অমা ফজনা ফুদিৎ ফুনা চুরক্লে অমসুং মহাক লেপ্লে অদুগা মুরুম মুরুম শোল্লকই: "কয়াদা অৱাবগী মশক্লো, ঐ য়ুম য়ৌননবা

অতোপ্পা থা অমগা খোঙনা চৎপা তারিবা।" মহাক তশেংনা ময়ুমদা হল্লক্লবনি মাগী পোক্লফম লমফমদনা হেন্না লাইনা থবক ফংবা ঙস্মী খঙবদগী, মরমদি মফমদুদি মাবু মশক খঙবী, মহাক কৈদৌখি হায়বগী থোইদোক্তে, শহরদদি মীপুম খূদিংমক্লা মাবু চিংনবা মীৎয়েংনা য়েংই। উ শুবগী শিনফম অদুনা শেন তানবা য়ারকত্রবদা চেকয়ুম শাবগী জুগালি ওইদুনা, লৈবাক তৌদুনা, লম্বীদা নুঙ থুগায়দুনা মহাক নোংমগী অফংবা থবক শুবা মী ওন্থোরকখি। করিগুম্বা মহাক্লা নোংমদা ফ্রাঙ্ক অমা ফংবা ঙল্লবদি মদুনা অমবু ওইরো অমবু ওইরো চাননবা খরদি লৈনগদবনি।

মহাক্লা মাগী লেমহৌরিবা রুমাল অদুনা মাগী ঙকশমদা অইংবা নোংনা মনঙ্গল অমসুং মথবাক্তা চেন্থরকপা থিংনবা কিশিল্লি অদুবু মহাক্লা খঙলে মাগী অপাবা ফি অদু ফাওদুনা ঈশিং চঙশিল্লক্লি। মশাবু তোল্লবা মীৎয়েং অমনা য়েংথজে, মহাক্কী মশা অদু কদায়দা লোৎকনি, মহাক্কী মকোক কদায় থমদুনা পোথাগনি খঙদ্রবা, মালেমগী মফম অমত্তদা চঙজফম মচি অমা ফংদ্রবা মী অমগী মীৎয়েংনি।

অহিং ওইরক্লে, তাইবঙপান অমম্বনা কুপশিনখরে অদুবু অরাপ্পা লৌবুক্তা নাপী মথক্তা মহাক্লা অমুবা পোৎশক অমা উরকই, মদু ষনবী অমনি অমসুং মরম অসিদগী মহাক্লা সোরোক নাকন্দা লৈরিবা লাংখোঙ অদু কাম্থোক্লে অদুগা মানা তৌরিবদু করিনো হায়বা অশেংবা খঙদনা মদুগী মনাক্তা তান্না চঙশিল্লে। মহাক্লা মনাক য়ৌবদা ষনবীদু মাগী অচৌবা মকোক অদু থাঙ্গৎলকই, মদুদা মহাক্লা খল্লকই: "করিগুম্বা পাত্র অমত্তং য়াওরল্লবদি শঙ্গোম খরদং ওইরবসু ফংবা ঙল্লমগদবনি।" মহাক্লা ষনবী অদুদা য়েংই, ষনবী অদুনসু মঙোন্দা য়েংলকই, অদুদগী খঙহৌদনা মহাক্লা নাকন্দা কাউরগা হায়রকই: "হৌগৎলুহে।"

ষনবী অদু তপ্না হৌগৎলক্লে, চাউরবা মখোম অনীদু য়ান্থরি। অদুদগী মহাক শা অদুগী মখোঙ অনীগী কারক্তা পাকথরে অদুগা কুইনা থকতুনা লৈরে, মাগী ফোঙ ফোঙ শারবা খুইজিল্লবা খোমজিন্দু মখুৎ অনীনা ষন্নাওনা তৌবগুম নৈরম্মী অমসুং মহাক্লা শঙ্গোম থোক্লিবা মখৈ থক্লম্মী। অদুবু অইংবা নোং অমুক হেন্না তাবা হৌরক্লে অমসুং মহাক্লা লমহাং অদুদা চঙজফম অমত্তা উবা ফংদ্রে। মহাক ইঙশিল্লক্লে অমসুং কনাগুম্বগী য়ুমগী থোঙনাওদা লিৎথোরক্তুনা উরক্তা মৈঙালকা উদ্রা য়েংলকই।

ষনবী অদু অমুক হন্না কুন্থখরে অমসুং মহাক্না মাগী নাকন্দা ফমথরে অদুগা মকোকতা নান্থবিদুনা মহাক্না মঙোন্দা পীবিরিবা চীঙাক অদুগীদমক তৌবীমল উৎলম্মী। শা অদুগী মনাতোন অনীদগী জেৎ অনী কামথোরকপগুম কল্লবা, কুংলবা নিংশা শ্বর অদু হোন্দোরকপদা নীপা অদুগী মমায়দা পাল্লরে মদুদা মহাক্না হায়রকই: "নহাক্কী মনুংশিদা লৈরবদি ইংলরোইদনা।" মহাক্না মাগী মখুৎ অদু ষনবী অদুগী মথাদা, চাকখাও মপাদা অশাবা খরা ফংনবা মারম্মী অদুদগী মহাক চাওরবা অমসুং লুম্বু লুম্বু শারবা শা অদুগী মনাক্তা অহিং অসি লেনবা য়াগনি হায়বা ৱাখলসি ফাওরক্লে। অদুনা মহাক্না নুংঙাইগদবা মফম অমা খল্লে, অদুদগীদি চোকথবনা লোইরবা মহাক খুদক্তা তুমথখ্রে।

অদুম ওইনমক, মহাক ষনবী অদুগা তাইনবা নাকন অদু শারবসু তাইনদবা নাকন মবুক নত্রগা মনঙ্গল অমা চিংশিনবা মখৈ ইংবদগী কয়ারক হন্না মীকপ থোকই। অদুদগী মহাক্না শারবা অমসুং কংলবা হকচাংগী শরুক অদু অহিংগী অইংবা নুংশিৎ য়ৈরিবা অদুগা ওন্থোক্নৈ অদুদগী থুনা য়াংনা অমুক হন্না তুমথখি। য়েনবা অমনা খোঙলকপদগী মহাক মীকপ থোরক্লে, নোং ঙাল্লক্কদৌরে, নোং মখা তানা চুরকখিদ্রে অতিয়া ইশেং শেংলে। মহাক্না লৈমায়দা মচিন অমসুং মনাতোন থল্লগা পোথারিবা ষনবী অদু তন্না মখুৎনা শৌরগা নোন্থরে অদুগা পাক্লবা, চোৎ চোৎ পাউবা মনাতোন অদু চুপলম্মী। অদুগা হায়রকই: "কায়নরসি থৌজান হৈবী, অমুক হন্না থেংনদ্রিফাওবগী। নহাক য়ান্না পুকফবী শা অমনী। কায়নরসি।" অদুদগীদি মহাক খোঙউপ তোংশিল্লে অদুগা খোঙ শান্দোরক্লে। লম্বী অদুগী মতুং ইন্না পুং অনী মাঙলোমদা চুমদ্রিং চৎখৎলে। অদুদগীদি চোকথরক্লদুনা মহাক নাপী মথক্তা ফমথরে। অয়ুক্কী থেংজিল্লক্লবা মতমনি। চর্চকী কাংশি খিংলকপগা লোয়ননা, নিপাশিংনা শংবান্নবা অচোনবা ফিজোল নূপীশিংনা অঙৌবা তুপী উপ্তুনা থংনবা খূঙ্গংদা মরূপ মপাং নত্রগা মরি মতাগীদা কোইথোক্লুনবা খরনা খোঙনা, খরনা গাড়িনা সোরোক্তা চৎপা হৌনরক্লে।

মশা নোয়থোক্লবা লৌমী অমা হুয় অমগী মতেং লৌদুনা কিহল্লবা খোং খোংলদুনা চৎলিবা হমেং শঙ্গু অমা হোইদুনা লাকপা উরে। রান্দেল হৌগৎলক্লগা তুপী অদু লৌথোক্লে অদুগা হায়রকই: "চারা হেন্দুনা শিগদৌরবা মী অমনা তৌবা য়াবা থবক অমত্তসু নহাক্কী নফমদা লৈররোইদ্রা?" অদুবু অতোপ্পা অমদুদি চাকোইচাবা অদুদা শাউনা য়েংলগা খুমলকই: "লম্বী লমজাওদা থেংনবা মী

অমগীদমক্তদি ঐঙোন্দ থবক অমত্তা লৈতে।”

অদুদগীদি উশুবদু হান্নগী মফমদুদা অমুক হঞ্জিন্দুনা লাংখোং মনাক অদুদা ফমদুনা লৈরে। খুঙ্গংগী চৎলিবা মীশিং অদুবু য়েংদুনা ফনা কুইনা লৈরে, মহাক্কী হায়জগদবদু তাবীগদবা থৌজাল হৈবা, নুংশি হৈবা মায়থোঙ অমতং ঙাইদুনা। মমৈথংদা অচোনবা-কোট লিৎপা, মবুক্তা সনাগী মরিনা লৈতেংবা মী অমা লাকপদু মহাক্কী ৱা তাবীগনি খল্লদুনা হায়জৈ: “হৌখিবা থা অনীসি ঐ থবক থিরক্লি অদুবু অমত্তা ফংবা লৈত্রে অদুনা হৌজিক ঐগী ফুরিৎখাওদা সৌস অমা ফাওবা য়াওদ্রে।”

তৌইগুম্বসুং ইকাইখুন্নবা য়াবা মীশক্নি খল্লদুনা হায়জরুবা মীদুনা খুল্লকই: “খুঙ্গংগী চঙকফমদা থেৎলিবা খঙহঞ্জবা ‘খুঙ্গং অসিগী লমখৈ মনুংদা চাকনিবা হায়বসি থিংই’ হায়বদু নহাক পারকত্রা। ঐনা নঙোন্দা খঙহন্নিংবদি ঐ মেয়োরনি অদুনা করিগুম্বা নঙনা মফম অসি থাদোক্তুনা চৎখিদ্রবদি ঐনা নঙবু ফারগনি।”

রান্দেল শাউরদুনা খুন্মকই: “নঙনা পান্মবদি ঐবু ফাও, ঐ মদুনা হেন্না পান্লে, মদুনা ঐবু চারা হেন্দুনা শিহল্লরোইদনা।” অদুদগী মহাক লাংখোংগী মনাক্তা অমুক চৎখিদুনা ফমথখ্রে অদুবু মিনিত তরামঙারোমগী মতুংদা লম্বীদা পুলিস অনী লাকপা উরে। মখোয় অনী নাকল নাকল চঙশিল্লক্লি, মখোয়গী অরাংবা তুপী, খাগী মচুগী ফিজোন অমসুং ধাতুনা শাবা কুদামশিং অদু নুংশাদা ইরং লংলদুনা অরাপ্পদগী অরানবা তৌবশিংবু কিহল্লগে অমসুং মায়থিবা পীরগে মতাগুম চঙশিল্লক্লি। মহাক্না খঙলে মখোয়দু মাবু তান্নরক্লিবনি অদুবু মহাক মচি লেংদে, মহাক্না মশাবু মখোয়দা ফাহল্লগা শীংননীংবা অমসুং মাগী লমন কোন্না খুমগে হায়বগী অপাম্বা অমা খুদক্তা লাক্লে।

মখোয় মাবু উরে হায়বদু খঙহন্দবগী মওংদা লাক্লি, লুন্না থাংবা সিফাইগী খোঙথাংদা, ফিভম শেল্লা শেল্লদুনা কাংঙাগী খোঙচৎতা অমসুং মাগী মপা য়ৌবগা খঙহৌদনা মাবু উরকপগুম তৌনা লেপ্পী অমসুং মঙোন্দা শাউনা অমসুং অকিবা পোকহন্নবা মওংদা য়েংলকই অদুগা বিগ্রেদিয়ার অদুনা মনাক্তা চঙশিল্লগা হায়রকই: ‘নঙ মসিদা কৈদৌরিবনো?”

“ঐ পোথারিবনি।” নুপাদুনা মোং হাদনা খুল্লকই।

"নঙ কদায়দগী লাকপনো?"

"ঐনা লাকখিবা মফমশিংদু লোইনা হায়বা তারবদি পুং অমা হেন্না চঙগনি।"

"নঙ কদায়দা চৎলিবনো?"

"ভিল্লে-অভারিদা"

"মদুদি কদায়দা লৈ?"

"লা মানচিগী মনুং চন্না লৈবনি।"

"করিগী নঙনা মফমদু থাদোক্লম্মীবা?"

"থবক থীবদা।"

ব্রীগেদিয়ার অদুনা তোয়না থেংনরবা ত্রিকনা খোইশাউনহল্লবা মী অমগুম মাগী সিফাইশিং অদুদা ওনশিন্দুনা শাউনা হায়রকই: "মীফম্তশিংনা হায়বা অদুমক্লিনে, চপ মান্নে। ঐনা খঙলপোৎনি।" অদুদগী মহাক্না মখা চত্থরকই: "চে চাং করি য়াওরি?"

"য়াওজরি।"

"পীরকউ, য়েংগে।"

রান্দেলনা মাগী চেশিং ফিখাওদগী পুথোরকই, মাগী ফিভম শোক্লবা সার্তিফিকেট, শেগায়রবা, মোৎলবা মচেৎ তারবা চেশিংদু লৌথোরকই অমসুং সিফাইশিংদা পী, মখোয়না মদু মা মাদু বনান তৌদুনা য়েংই, খৌদেন্মী অমসুং মখোয়দু চুল্লে হায়বা উরদুনা রান্দেলদা অমুক পীরক্লে অদুবু মঙোন্দগী হেন্না শিংবা মী অমনা ত্রিক তৌখ্রে হায়বগী পেন্দবা মীয়েং অমনা য়েংলকই। মিকুপ খরগী তুংদা নিংশিংলকপা ওইনা মখা তানা হংলকই: "নঙ শেন য়াওরিব্রা?"

"য়াওদে।"

"সো অমফাও য়াওদবা?"

"সো অমফাও য়াওদে।"

"অদুদি নঙদি করম্না হিংলিবা?"

"মীশিংনা পীরম্বা অদুনা হিংলিবনি।"

"অদুদি নঙ ভিক্ষা নিরে?"

রান্দেলনা মপূক্লিংদা লেপ্লদুনা হায়রকই: “হোয় ঐনা ঙন্বা তাঞ্জাদা তৌই।”

অদুদগীদি সিফাই অদুনা হায়রকই: “শেন্থোক লৈতনা নত্রগ শিন অমত্তা পায়দনা লমজাওদা কোয়চৎ চৎপা অমদি ভিক্ষা নিবগী ঐনা নঙবু ফারবনি। নঙ ঐগা লোয়ননা চৎশি।” উশুবদু হৌগৎলকই অদুগা হায়রকই: “য়ারে অদোন্নবু পাল্লবদি।” মখোয়না হায়রকফাৎত্রিঙৈনা সিফাই অনীদুগী মরক্তা চঙশিল্লে অদুগা মখা তারকই: “য়ান্না ফরে, ঐবু লো-অপতা থন্বীরো, মদুনা নোং চুরকপদা চোৎপমক্তি চোৎলরোইদনা।”

অদুদগী মখোয় অঙাঙবা তুপি অদু মনা পান্দ্রবা উ মরক ফাওনা উরদুনা খুঙ্গংলোমদা মাইল অমরোম লাক্লে। খুঙ্গং অদু ফাওরকপা মতমদা লাইশোন থৌরম হৌগদৌরল্লে। স্কার অদু মীনা পীক থল্লল্লে, মখোয় লাকপদা মরাল লৈরবা মীশক অদু লাকপা উনবা পরেং অনী থোক্লা লেংখ্রি। মহাক্কী মতুংদা অঙাং ময়াম অমা লাউখোংদুনা ইন্নরক্লি। লৌমী নুপা নুপীশিংনা সিফাই অনীগী মরক্তা লৈরিবা ফাদোক অদুদা তুক্কচনা য়েংলি অমসুং মখোয়গী মরক্তা ফাদোক অদুবু  নূংনা থানিংবা, খুজিন্না মউন্দু খোৎতোক্লিংবা, খোঙপাক্লা নেৎথৎনীংবা মীওই কয়া য়াওরি। মখোয় মশেল মহাক্লা তৌরল্লিবসি মীহাৎ মীপুল্লা নত্রগ হুরান চিন্থীরা হংনরি। হান্না শগোল তোংবা লাম্মী ওইরম্বা শায়োনবদুনা মহাক অসি লাম্মীদগী চেন্থোরকপা মীচেন্নি লাউথোকই। চুরূট য়োনবনা মহাক অসি খঙবগুম তৌই, অয়ুক অদুদা শেগায়রবা ফ্রাঙ্ক তংখায় অমা মঙোন্দা পীরম্বা মীদুনি খল্লি, য়োৎকী পোৎ য়োনবদুনা মহাক অসি লুখ্রাবী মালেট হাৎপা মীহাৎপা পুলিস্তনা থা তরুক থিরক্লিবা অদুনি হায়।

ম্যুনিসিপাল কোন্তা মাবু শেন্নরিবশিং অদুনা পুবদগী মহাক মেয়োরগা অমুক উনরে। মেয়োরদু ৰায়েল মপুগী ফমফমদা ফল্লি, মাগী নাকন্দা স্কুল মাষ্টরসু ফল্লি। ৰায়েল মপুনা হায়রকই: “হা হা নঙ মফমসিদা অমুকসু উনররে। ঐনা নঙোন্দা হায়খরে ঐনা নঙবু লোক-অপতা থমগনি। ফরে, ব্রীগেদিয়ার মহাক করি মরাল মায়োক্নরবা?”

“মোন্সিয়ার লে মাইরে, মহাক্লা হায়বগী মতুংইন্না মহাক অসি চাক্কোই চাবানি ময়ুম মকৈ লৈত্রবা, শেন্থোক লৈত্রবা, শেন য়াওদ্রবা, অদুনা মহাক ভিক্ষা নিরম্বগী ফাবনি। অদুবু মাগী তেস্তিমোনিএলসিদি ফৈ, চে চাং পুন্বা চুন্না য়াওরি।”

“চেসিংদু য়েংগে।” মেয়র অদুনা হায়রকই। মহাক্লা চেশিংদু লৌরে, পারে,

অমুকসু হন্না পারে, অমুক পীথোরক্লে অদুগা হায়রকই: “মশাদা করি য়াওবগে য়েংউ।” অদুদগী মখোয়না মাবু করি য়াওবগে য়েংলে, করিসু ফংদ্রে অমসুং মেয়োর অদু তৌফম খঙদবা মাল্লে অদুনা হংলকই: “ঙসি অয়ুক্তা লম্বীদা নহাক করি তৌই?”

“ঐ থবক থিবনি।”

“থবক থিবা! লম্বী লমজাওদা থবক থিরিবা?”

“ঐনা উমংদা লোৎতুনা লৈরগা থবক অমা হেক্তা ফংগনি হায়না করন্না খনবীরিবনো?”

মখোয় অনী কাংলুপ তোঙান্নবা য়েংথীনবা অঙাওবা শা অনীগুম অমগা অমগা তাথীনা য়েঙনৈ অমসুং ব্রায়েল মপুদুনা চথরকই: “ঐনা নঙবু ননিংতন্না চৎখিনবা থাদোক্লগনি অদুবু ঐগী মাঙদা অমুক হন্না পুরকহনগনু।”

মদুদা উশুবা অদুনা পাউখুম পীরকই: “নঙনা ঐবু লোক-অপ্তা থন্বা অদুনা হেন্না পান্মী। ঐ লৈবাক শিনবা থুংনা চৎপা ওকচরে।”

“তুমিন লৈয়ু।” ব্রায়েল মপু অদুনা চেৎশিন্না হায়রকই। অদুদগী পুলিস অনীদুদা মখা তারকই: “নখোয়না মসিগী মীসি খুঙ্গং অসিগী লমখৈদগী গজ চনী লাপ্না থিন্দোকলু। অদুদগী মাগী খোঙচৎ মখা চথহনখো।”

“অমবু ওইরো অমবু ওইরো ঐঙোন্দা চানবা করিনো খরদি পীয়ু।” উশুবদুনা হায়জৈ, অদুবু অতৈশিংদুদি তাথিবগা লোয়ননা শাউরকই: “ঐখোয়গী নঙনা তৌনিংঙাই করিশু লৈতে, অদুগা নঙবু পীজবা? হা হা হা মদুদি নঙসু হায়মল্লেহে।”

অদুবু রান্দেলনা মখা তারকই: “নখোয়না ঐবু চরা হেন্দুনা শিগদৌবগী ফিভমদা তাহল্লবদি নখোয়না ঐবু অরানবা থবক অমা নমদুনা তৌহল্লগনি অদুগা মদুনা নুংঙায়না লৈরিবা নখোয়গী হেন্না ফত্তবা ওইগনি।”

মেয়োর অদু হৌগৎলক্লে অদুগা অমুক হন্না হায়রকই: “মাবু খুদক্তা পুথোকখ্রো, নত্রবদি অশাউবসি খাঙবা ঙল্লকওইদৌরে।”

পুলিস অনীনা উশুবদু মখুদাংদা পায়রে অদুগা চিংদুনা পুথোকখরে। মখোয়না অদুন্না তৌবদু অথিংবা করিশু পীরুদ্রে, অমুক খুঙ্গং অদু লাম্হোরক্তুনা লম্বী লমজাওদা অমুক থুংলরে। মাগা লোয়নরকপা মীশিংদুগা পুন্না খুঙ্গং অদুদগী গজ য়াঙ্খ্রে লাপ্না চখোরকপগা ব্রিগেদিয়ার অদুনা হায়রকই: “হৌজিক্তি নঙবু

থাদোক্লবনি অদুগা নঙবু অমুক ঐবু ফাহল্লনু, করিগুম্বা ফারবদি নঙ ইতিক খঙহনগনি।”

রান্দেল পাউখুম পীরমদে, কদায় চৎকনিসু খঙদনা মফমদু থাদোক্লম্মে। মহাক মীনিত তরামঙা কুন গুম্বা চৎলে,অদুদগীদি মহাক পুমপং পংথরে, মখা তানা করিমতা খনবা ঙমখিদ্রে। অদুবু মহাক থোঙনাও তংখায় হাংদোকপা অপীকপা য়ুম অমগী মপা ফাওরকপা মতমদা খঙহৌদনা সুপ অমদি শা ফুৎপগী মনম ফংলকপদা খঙলেপ লেপ্পী অমসুং খাংঙমদ্রবা অরাম্বা, তীন চুম্বমখৈ চানিংবা, লাম্বনা ঙাওরবা মতৌদুনা মাবু লাকশিনখ্রে অমসুং য়ুম অদুগী ফক্লাংদা লমলক্কী শাগুম লূমলুরে।

মহাক্লা হৌরপ্পা মুরুম মুরুম শোনবগী খোন্থোক্তা হায়রকই: “ঈশ্বরগী মীংদা, হন্দক্তি মখোয়না ঐঙোন্দা করিগুম্বা খরদি পীবা য়াইনা।” অদুদগী মহাক্লা থৱাই য়াওনা মাগী চৈদুনা থোঙদা থীল্লুরে অদুবু কনাসু থোরকতে, হেন্না কন্না থীল্লি অদুগা কৌরকই: “হো মী লৈবরো, থোঙ অমুক্তা হাংদোকপীও।” অদুবু পাউখুম অমত্তা লাক্তবদগী মহাক্লা থোঙনাওদা চৎলে, মদুবু মখুৎনা লাউনা হাংদোক্লে মদুদা থিংজিন্দুনা লৈরুরবা চাকখুমগী লুম্বু শাবা নুংশিৎ, অশাবা সুপ, শা অমসুং কোবীগী মনমনা হারবা অদু মপানগী অইংবা নুংশিৎলোমদা হেক পাইথোরকই অদুগদি খঙহৌদে অমুক্কী খুৎচোংদা উশুবদু য়ুম মনুং য়ৌখ্রে। তেবীল মথক্তা চাফম অনী শেম-শারল্লি অমসুং চর্চতা চৎখ্রিবা য়ুম মপু অদুনা মখোয়গী চাকলেন, নোংমাইজিংগী হাওরবা মথেল ষনশা অমসুং মনা মশিংগী সুপ অদু মৈথক্তা থল্লম্মী, লৈরংগী মথক্কী শগায়দা থল্লিবগুম তৌবা লিক্লি অনীগী মরক্তা তল মতুম অনৌবা অমা লৈরি।

রান্দেলনা ইহান অহানবদা তল অদু পায়খৎলে, মদু মীগী চরম মেৎপগুম শেগায়রে, কারাম চাওনা চাবা হৌরক্লে, য়াউম অথনবা অমা য়োৎশিল্লে। অদুবু শাগী মনম অদুনা মাবু লৈরং তন্না চিংসিনখ্রে অমসুং খাংদু মখুম হাংদোক্লুরে, ফোক অমা থিংজিল্লে অদুগা শদুম অচৌবা অমা লৌথরে। অদুদগী মাগী প্লেত অদু থন্দ্রিবা ফাওবা কোবী, কারোত তিলহৌ লৌথরে অদুগা তেবীলদা থল্লগা ফমথরে। শদুম অদু মরী থোক্লা ককথৎলে অদুগা ময়ুমদা তৌবগুন্না নুংথিলগী চাকলেন চাখৎলক্লে। শদুম অদু মনা মশিংগা লোয়ননা লোইনিংচিৎ চারক্লবদা খৌরাংলক্লে অমসুং শগাই (লব) দগী লিক্লি অমা লৌরে। তাংনা ফংবা ওইনা

মহাক্না য়ু অদু মাগী গ্লাসতা হৈরকপদা উরে মদু ব্রান্দিনি। য়াম্না ফবা ফংলে, মসি শাবুং শাবুং তৌরি অমসুং মাগী শিংলি নাউরিদা মৈশা পীসিনবা ঙমলগনি, য়াম্না ইংলুরবা মতুংদা মদু য়াম্না শাফরগনি অমসুং মহাক খরা হৈরগা থক্লে। মমাঙদা হৈনবী ওইরকত্রবসু মদুনা মওং খরদা মাবু নুংঙাইহল্লে অদুনা অতোপ্পা গ্লাস অথনবা অমগা হৈরে, মদু খুৎচিং অনীরক্তা থকথোক্লে। অদুদগীদি য়ুগী নিশা কাখৎলক্তুনা খুদক্তা অৰাব পূম্বা কাউখ্রে অমসুং থৰাই ৰারম্বা তোকখরে, করিগুম্বা নুংঙাইরবা খরনা মাগী থমোই থনবগুম তৌখরে।

চাবদু মহাক মখা তানা চত্থরি অদুবু তপথরে অমসুং তল অদু সুপ্তা লূপ্লি। মশাদু শাগৎলক্লে, থোইদোক্না মিহুন কয়া হুল্লিবা লাইবক্তু মৈ হৌরে। অদুবু খঙহৌদনা চর্চকী কাংসি খিংবা হৌরক্লে। মীয়ামগী লাইশোন লোইখ্রে অমসুং অকিবতা নত্তনা পূক্লিং ইথিল হায়বা জিবশিংবু লমজিংলিবা অমসুং তুংদা লাক্কদৌবা খুদোংথিববু নাখৈ শেংনা উহল্লিবা অদুনা চিংদুনা উশুবদু হৌগৎহল্লে। মহাক্না অরেম্বা তলদু ফিখাও অমদা হাপচিল্লে অদুগা ব্রান্দি লিক্লি অদুনা অমদা হাপ্লে অমসুং লোন্না থুপ্না থোঙনাও ময়াদা চঙসিন্দুনা লম্বীদা য়েংলক্লে। হৌজিক লম্বীদু ইতাক তাক্লি, মরম অদুনা মহাক থোঙনাওদা চোংথোরক্লে অদুগা চৎপা হৌরক্লে অদুবু লম্বীদা চুন্না চৎপগী মহুত্তা মহাক্না উমং তন্না চৎপা লম্বী মচা অমা উরিবদু তান্না লৌবুক শমদুনা চেল্লে।

মহাক হৌজিক মীৎ-না শিংলে, পাঙ্গল কল্লে, করিসু ৰাবিদ্রে, মহাক্না পাঙথোকখিবশিং অদুদা নুংঙাইবা ফাওজে অমসুং মশা অশুক্কী মতিক খিংলে মদুদি লৌবুক্কী খাজিল্লিবা শম্বল অদু অমুক্কী খুৎচোংদা চোংদুনা লান্থোক্লে অমসুং উখা অমা য়ৌবগা মাগী ফিগাওদগী লিক্লি অদু লৌথোরক্লে অমসুং অমুক থকপা হৌরক্লে। ইৰা ৰাদনা লোইনা থক্তোখরে অদুদগী মাগী ৰাখল অদু অমুক চমন্নবা হৌখরে, মমিৎ মমি শামি উরে, মখোঙদু স্লিংগুম কোন্থোক কোনশিন য়ারে অমসুং য়াম্না শক্লবা ঈশৈ অমা শক্কৎলক্লে:

“ও! কয়াদা নুংঙায়রবা, কয়াদা নুংঙাইরবা
অথূম্বা লমলক্কী হৈজামপেৎ চাবা।”

হৌজিক মহাক অথাবা, চোৎ চোৎ লাওবা, অইংবা নাপী মথক্তা চৎলি অমসুং মহাক্কী মখোঙ মখাদা থেংনরিবা মোল্লবা কার্পেট অদুনা মন ওনবা পামহল্লে অঙাং ওইরিঙৈদা তৌখিবগুন্না, অদুনা মহাক চেল্লে অদুগা মন হুল্লে

হৌগৎলকই অমসুং অমুক হৌরকই। অনীগী শরক্তা ঈশৈ শকপা হৌরকই:
"ও! কয়াদা নুংঙায়রবা, কয়াদা নুংঙাইরবা
অথূম্বা, লমলক্কী হৈজামপেৎ চাবা।"

খঙহৌদনা মহাক অকুৎপা লম্বী অমগী লৈপল মথক্তা লৈরল্লে অমসুং লম্বীদা খুঙ্গং তন্না শঙ্গোমগী পাত্র অনী পুদুনা হল্লকপী মীনাই নুপীমচা মরেপ ৰাংবী অমা উরে। মহাক্না মুন্না য়েংই, মখাদা নোম্থরকই অমসুং মমিৎতু উরেম্বীগী মনম ফংখ্রবা হুয়গী মমিৎকুম লংলে, নুপী অদুনা মাবু উবদা মমায়দু হাইগৎলকই অদুগা হায়রকই: "ঙশাইদগী ঈশৈ শক্লিবদু নঙলা?" অদুবু মহাক পাউখুম পীদে, অদুগী মহুৎ ফুত তরুক ৰাংলবা মফমদুদগী লম্বীদা চোংথরকতুনা নুপীদুগী মাঙদা খঙহৌদনা লেপ্লরে, নুপীদুনা খঙলাউ লাউরকই: "এ! নঙনা ঐবু কয়াদা কিহল্লবা!" তৌইগুম্বসুং মহাক্তী মাগী ৰাদু তাদে, মহাক য়ু থক্লে, ঙাওরে, চাক লাম্বদগী হেন্না শাফু কনবা অতোপ্পা ইখৌ লাংবা, য়ুদগী হেন্না ঙাওহনবা থা অনী ফাজিন্দুনা থন্নুরবা নুপা ওইগী থিংঙমদ্রবা ঈহুল অদুনা মাবু ময়াই কাহল্লে অদুগা মহাক নহানি, য়ু ঙাওরে, মদুনা মহৌশা লাইরেম্বীনা হাপ্পীরকপা নুপা ওইবগী কল্লবা শাদোংদা খৌরাংবনা মৈ হৌহল্লে।

নুপীমচা অদু মহাক্কুগী মমায়, মমিৎ, খজিক্তং কারিবা মচিন, তিংথোরক্লিবা মখুৎ অনী উবদা কীরদুনা তুং হল্লি, অদুবু মহাক্কুনা খঙহৌদনা মাবু লেংজুমদা পায়দুনা ফারে অদুগা ৰাহৈ অমত্তা হায়দনা লম্বীদা ইন্থুরে। নুপীমচাদু মাগী পাত্র অনীদু থাদখরে, মখোয়দু মখোল হৌনা তারদুনা ওনখরে, শঙ্গোম পুম্বা হৈদোকখ্রে। অদুদগী মহাক্না কনবীনবা লাউর্জে অদুবু অচিকপা মফম ওইবনা কানাখিদ্রে।

নূপীদু মাগী মথক মখা ওনখ্রবা পাত্রশিং অদুগী ৰাখল খল্লুবদা অশাউবনা লাকহৎখরে অমসুং নুপা অদুনা মাগী শঙ্গোমগী শেন পীদ্রবদি মহাক্কী মকোক্তু লংদুনা থুগায়রগে হায়বগী মতৌদা মাগী উগী খোংউপতু নাম্মা লৌথোরক্লে। খঙহৌদনা খুৎ থাগদবগী তৌরক্লিবা মতৌ অদুগী মরমদু লান্না লৌদুনা নুপাদু পাখৎলে অমসুং মহাক্না তৌখিবা থবক অদুগী অকিবা পোক্লক্তুনা মহাক্না হেক ঙম্বমখৈ য়াংনা চেনখ্রে, নুপীদুনা মতুংদা নুংনা থারকই, কয়া অমা মনঙ্গলদা পাল্লি।

মহাক্না মহৌশাগা মান্নদনা হেন্না চোকথবা ফাওদ্রিবা ফাওবা কুইনা,

শাংনা চেল্লে। মাগী মখোঙ অসি অশুক্কী মতিক শোন্থরকখ্রে, মশাবু পুবদা য়ান্না ৰারে, ৰাখল পুরা মমখ্রে, মহাক করিমতা নীংশিংবা ঙমদ্রে, মখা তানা করিমতা খনবা ঙমখিদ্রে অদুনা মহাক উ অমগী মখোঙদা ফমথরে অদুদগী য়ান্না থুনা তুমথখ্রে। অদুবু মশাদা কন্না নোল্লকপদগী মহাক থুনা মিকপ থোরকই, য়েন মতু থেৎপা অরংবা শউনগী তুপী অনী মঙোন্দা নোন্থরি, মখোয়দু অয়ুক্তা উখিবশিংদুনি। মখোয়না মাবু ফারে অমসুং মখুৎ পুল্লে।

"ঐনা নঙসে অমুক হন্না ফারনি হায়বসে ঐ হান্ননা খঙখ্রবনি।" ব্রীগেদিয়ার অদুনা করেন্নদুনা হায়রকই। রান্দেল পাউখুম পীদনা হৌগৎলকই। মী অনীদুনা মহাক্লা করিগুম্বা খোঙথাং অমা লৌরক্লবদি থীনা তৌরগে হায়না শেম শাদুনা মাবু চীংখৎলি, মরমদি হৌজিক মহাক মখোয়গী লাংদা থুরবা শানি। মহাক হৌজিক অরানবা তৌবশিংবু ফানবা থীরিবা শদানবশিংনা ফারবা অমুক হন্না থাদোক্লরোইদবা জেল তোয়না চঙলবা মীশক অমা ওইরে।

"চৎলসি" ব্রিগেদিয়ার অদুনা হায়রকই অদুদগীদি মখোয় লাকমীন্নরে।

নুমিদাংৰাই ওইরক্লে অদুবু শরৎ রিতু ওইবনা পুম্মমদি মমদ্রি, অসিগুম্বা তাঞ্জাদা পুংখায় অমগী মনুংদা মখোয় খুঙ্গংদা থুংলরে। করি থোকখ্রবগে হায়বসি খুঙ্গংগী মীয়ামদু হান্ননা তানরল্লে অদুনা য়ুমগী থোঙ পুম্বা হাংদুনা থোরক্লগা লৈনরল্লে। লৌমীশিং, লৌমীগী নুপীশিং অমসুং নুপীমচাশিং খোয়রাং-খোয়শাউনরি, নুপা খুদিংমক্লা মখোয়বু লুত তৌবীখ্রবগুম অমসুং নুপী খুদিংনা মশা শোকপীখ্রবগুম ঈ কারদুনা মীফম্ভদু পুরকপা য়েংলি। মখোয়না মীফম্ভা অদুবু অথীবা মীচৈ কয়ানা মায়থীবা পীনীংলি। লাক্লিবা কাংবু অদুনা খুনগী মচীন্দা লৈবা অহানবা য়ুম অদুগী মপা য়ৌরকপদগী হোতেল দি ভীল্লে য়ৌবা ফাওবগী লম্বীদা মীয়াম অমনা লাউশিল খোংজিল্লকখি। মেয়োরনা চাকোয় চাবা নুপা অসিগী মথক্তা মশামক লমন খূন্নবা হোতেল দি ভীল্লেদা ঙায়রি অমসুং মহাক্তুনা হেক চঙশিল্লকপগা মহাক্লা লাউরকই: "হে নুপা, নঙ ঐগা অমুক উনররে।"

অদুদগী মহাক্লা মখুৎ অদু হান্নদগী হেন্না পেন্না নোয়রদুনা চথরকই: "ঐনা হায়খ্রে, ঐনা নঙোন্দা হায়খ্রে সরক্তা নঙবু উবা মীকুপ্তুদা।"

অদুদগী হেন্না পেল্লদুনা: "হে মীনাই মচা! মীফম্ভা মীনাই মচা। নঙগী ফাদোক চহী কুন ফংবা তারে, অফাওবা?"

# ৬- লমন খুম্বা

পাউলো সাভেরিন্তগী লুখ্রাবী অদু মচানুপাগা লোয়ননা বোনাসিওগী লৈতোং মথক্তা অপিকপা য়ুম অমদা লৈরম্মী। সহর মচা অদু চীংগী নাপোমদা শেমগৎপনি অদুনা মদুদগী য়েংবদা সমুদ্রনা মখাদা য়ান্দুনা লৈবগুম লৈরিবা অমসুং ঈপাক লান্না য়েংখিবদা সারদিনিয়াগী অনেম্বা তোর্বালদা ঈশিংনা কংফানগা লান্থেংনরিবা অদু ময়েক শেংনা উবা ফংই। মসিগী মখোঙ, অতোপ্পা নাকল অমসুং মসিগী অকোয়বা অসি চীংমায়দা ককথরদুনা শেন্বা থোঙজাওগুন্না লৈরিবা চেনেল অসিগী হিথাংফম ওইনা শিজিন্নৈ। চেনেল অসিদা ফক্লাংগুন্না ঙল্লবা চীংমায় অনীগী কারক্তা তনিক তনিকপা ফিভমদা শাংনা চৎলবা মতুংদা ইতালিয়ান নব্রগ সারদিনিয়ান ঙাফাবশিংগী অপীকপা য়ুম লৈরিবসিং অদুগী থোঙ্গালদা থুংলুই। থাখায় খুদিংগী অরিবা স্তিমবোত অদু অজাসসিওদগী মফম অসি ফাওবা হঙ্গৎ হন্দা চৎলি।

অঙৌবা চীংগী মথক্তা ঙান্থোইরিবা য়ুমশিংদু হেন্না ঙৌরবা মচেৎ

মচেৎ তৈশিনবগুন্না উরি। মখোয়দু লমলক্কী উচেক কয়াগী য়ারেকফম মকোনশিং মাল্লদুনা খুদোংথিনিংঙাই ওইবনা জহাজশিংনা তোয়না লাকত্রবা অকিবগী মশক ওইরবা চেনেল অদুবু খুদুম চনশিন্দুনা রোক মথক্তুদা লৈবা মাল্লি। লেপ্পাইদনা শিৎলিবা শহুম কল্লবা নুংশিৎনা সমুদ্রবু ওৎ-নৈরি, ঈথক ইপোম হৌহল্লি, নাপীনা চরন চরন কূপ্লিবা অহাঙবা তোর্বানবু চাথৎলি, অমুকসু চেনশিল্লি অরুবা লোকচপ তন্না, ঈচেলগী ওই-য়েত্তা লৈরিবা ফক্লাংগুল্লবা চীংমায়দা য়ৈখায় থিঙ্গায় তৌরি। মরি মরি ইন্নরি অঙৌবা কোঙ্গোলনা থৌরীগুম, ঈমায়গী মফম কয়াদা চাইনা তাদুনা লৈরিবা মশিং লাকশিনবা ঙমদ্রবা অমুবা মচুগী রোকশিং কোঙ্গোলগী লৈপরেংনা লৈতেংবগুন্না উরি, মদুদা ঈথক্লা য়ৌশিল্লক্তুনা নোম নোম তৌরকপদা ঈশিংগী ঈমায়দুদা লংবৌগী ফিমন কয়ানা কোয়না তাউবগুন্না উহল্লি।

লুখ্রাবী সাভেরিনিগী য়ুমদু মখোয়গী নুংশিরবা পুন্সি অদুগীদমক অঙন্বা চীংচেপ অদুদা লৈরি, থোঙনাউ অহুম পাল্লি, মদুদগী হেক য়েংখিবদা মঙাও থীরবা ঈপাক অমসুং খুন্তাক লানশিরবা দৃশময়েক লানা উই।

লুখ্রাবী অসি মচানুপা তোমথিন এন্তোইন অমদি চাউদম-শাংদমলবা, ময়াং কংলনা শাংলবা, মতু অখোয়বা হৌবা, য়াওশেন হুয়গী চাদা নাওদা সেমিলান্তে কৌবদুগা নাইতোম ওইনা লৈমিন্নে। হুয় অদুবু নহাদুনা শা তানবদা শিজিন্নে।

নোংমা নুমিদাংৱাই অমদা খৎন-চৈনবা অমা থোকখি, অদুগী মতুং খরা লৈরগা এন্তোইন সাভেরিনিবু নিকোলাই রাভোলতিনা থাঙ অমনা থিন্দুনা লৌনম চাওবা মতৌদা তমথীনা হাৎপীখি অদুগা অহিং অদুমক্তদা সারদিনিয়াদা চেনখি, মফমদুদা লোত্তুনা লৈখি।

অহল মতম ওইরবী পাঙ্গল শোল্লবী মমাদু মচানুপা এন্তোইনগী থৱাই য়াওদ্রবা হকচাংদু থেংনহৌবা মীশিংনা ময়ুমদা পুরকপা মতমদা কুইনা কপ্পুনা লৈখিদে, মচাদুদা শংত্রিক য়েং লেংদনা তুমিন লৈখি, ঙাইহাক পুংগোয় লৈরগা খুইরবা খুৎ তিংথোরকখি, ইংলবা হকচাং অদুদা নুংশিনা নাল্লি হন্না হন্না, অদুগা শরি ৱাশকখি তমথরিবা মীহাৎ অদুগী শোয়দনা লমন খূমগনি।

মহাক্কীনি হায়বা অতৈ কনাসু লৈতে অদুনা মশামক অমদি, শিথ শিথনা খোংলিবা মপু নীংলবা হুয় অদুতগা লোয়ননা থৱাই য়াওদ্রবা হকচাংদু শঙদুনা লৈবা তারে। থৌদোকশি খঙলবা হুয়দু ফমুংগী খুয়াদা লেপ্লি মকোকতুদি মপুরোমদা থিংজিল্লি, মমৈদুদি চেৎনা লোৎলি মখোঙ অনী কারক্তা অদুগা খোংলি লেপ্পা লৈতনা তেংথাদুনা মৈচাক খাংলি। মচাগী হকচাং অদুদা নকশিল্লগা শঙত্রিক্লা মমিৎ কুপ্তনা য়েংলিবা, নীংঙমদনা পীরাং শিন্থনা খোঞ্জেল থোক্তনা কপলিবা উপায় লৈত্রবী মমাদুগুম মহাকসু লেংদনা লেপ্লি। নহাদু লোংনা য়াতারী, থাঙনা থিনখিবগী শেখায়রবা শামতুগী কোত লিৎলি, য়েংবদদি তূল্লিবা মাল্লি অদুবু হকচাংগী মফম খুদিং-খুদক্তা অশোকপদা পুন্নবগী শেগায়খ্রবা মাগী ফুরিৎ, মাগী ৱেসকোত, মাগী খোঙ্গ্রাও, মমায়, মখুৎ ঈনা পূমতৈ তৈরি। মাগী মকোয় মশম মুশল্লবা ঈ নপ্লি।

শোল্লবী মমা অদুনা ৱা হায়বা হৌরকই তুমিন হিপ্লিবা মচাদা। মাগী খোঞ্জেল তাবদা তুমিন লৈখ্রে হুয়দু।

“নঙগীদমক লমন খুমগনি। নুপামচা, নুংশিরবা, ঐগী মরায়বক থীরবা। তুম্মো তুম্মো, ঐ নঙগীদমক লমন খুমগনি! অদুগা নমা ঐদি, নঙসু খঙলিবদুনি মতম লৈবা খিবিক্তা ঙাঙথোকখিবা ৱা ঙাকপনি।” অহল ওইরবীদু নোন্থরকই মচাগী মায়থোঙ তন্না অদুগা থেংলুরি মাগী ইংলবা চিনবান্না শিরবা মচাগী মচিন্দা।

অদুদগীদি অমুক মপু কায়নরবা সেমিলান্তে হৌনা হৌনা খোঙলক্লে। শাংনা শাংনা চিংথনা, হোংবা নাইদবা খোন্থোক্তা থমোই কায়রে খঙহন্না অকিবা ফংনা খোংলি। অহল ওইরবী নুপী, ময়াং কংলবা হুয় শুপ্নগী মখোয় অনীত মফমদুদা চিক্লা লেল্লে মথংগী অয়ুক ফাওবা।

মথংগী নুমিত্তা ফুমখ্রে এন্তোইন সাভেরিনিগী হকচাং লোয়না লোয়ননা মাগী ৱারীসু ৱাখোংশু, তপ্না অশুম কাউনখ্রে বোনিফানিও লমদমদগী।

লৈখিদ্রবা মাগী তুংদা মচীন মনাও মশেন মবাই লেপ্লিনবা কনাস্থ লৈহৌদে। মাগীদমক লমন খুন্বীনবা মতিক চাবা কনাসু লৈতে। শুপ্নতগী

শোল্লবী মমা, অহল ওইরবী হনুবী মাগী মথন্তা তাররে।

অহল মতম ওইরবী পাঙ্গল য়াওদ্রবী নুপীদুনা নোং হেক ঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবা চেনেল অসিগী ৰাংমদা সমুদ্র মপানগী চীংমায়দা তৈশিনবগুন্না উরিবা অঙৌবা মচেৎ অদুদা অশুম য়েংদুনা লৈ। মিৎয়েংফমদা লৈরিবসি লোঙোসারদোগী মনুং চনবা পীক্লবা খুঙ্গং সার্দিনিয়ানি, ফাগদবগী তান্নরবা কোরসিকা মচা মীফম্তশিংগী চঙজফম লৌবা মফমনি। মীফম্ত মীরোৎশিং অসিনা মরৈবাক্কী সমুদ্র ঈপাক্কী ৰাংমদা খুন্দাদুনা লৈরিবা লৈকায় মচা অসিগী অয়াম্বা মীশিং ওইরি, ময়ুম লমদম কোরসিয়াদা অমুক হন্না চৎনবগী মতাং মতম ঙায়দুনা লোন্না থূপ্না লৈনৈ। মমাদুনা শেংনা খঙই মীহাৎপা নিকোলাই রাভোলতি উরিবা খূঙ্গং অসিমক্তা চঙজফম লৌদুনা লৈরি।

মথন্তা ফম্মী থোঙনাও ময়াদা, য়েংই নুমিৎ চুপ্পা মফম অদুদা, খল্লি করন্না লমন খুমশিগে। মহাক্তি পাঙ্গল শোল্লে, শিরমদাই মতম য়ৌশিল্লক্লে, অতোপ্পগী মতেং য়াওদনা করন্না পাঙথোকপা ঙমগনি? অদুবু ৰাশকখ্রে মহাক্তি, মশা পায়দুনা ৰাশকখিবনি। মহাক কাউবা ঙমদে, ঙায়থদুনা লৈবসু ঙমদ্রে। করি করম তৌগনি? অহিং তুমথৌ য়াখিদ্রে, চাবা তুম্বা অনীমক্তা খন্দুনা অসুম লৈরে, ফংবা কৌবদি লৈতনা লম্বী থিবা হোৎনরি।

হুয় অদুনা তুল্লি মাগী মখোঙ ময়াদা অদুগা করিগুম্বদা থাঙ্গৎলদুনা মকোক তেংথানা খোংই অহাঙবদা। মহাক্কী মপু অদুনা চৎখ্রবা মতুং অসিদা মাগী মপুবু কৌবগুম খোংই তোয়না অস্থম। শাগী থৰাই ওইরসু ফাজিনজবা ঙমদনা, হায়ফম খঙদা মতৌদা নুংশিরবা মপু অদুবু কাওঙমদবগী মওংনি।

নোংমগী থেংলবা অহিংদা, সেমিলান্তে নুংহিক্লা তেংথারকখি, মদু তারুবা মিকুপ্পুদা লংজিন থিরিবা কোক্তুদা ৰাখল অমা পাইশিল্লকখি, মহৌশাগী ওইবা মওংদা হিংচা য়াইতম্বগী শক্তমদা লমন খুন্নবগী লম্বীনি। অহিংদুদগী অয়ুক ফাওবা লংজিন ফংলবা লম্বীদুতা চপ য়ুংনা খনখ্রে। নোংঙানবগা য়াহৌরে, চর্চ তান্না চৎলে। লৈমায়দা খূউ লৈতানা তাইবঙ মপুগী মফমদা থমোই শেংনা খুরুমজৈ, মনুং মতম চাদনা পুন্সি লোমখ্রবা মচাগীদমক

লমন খুন্নবা ঙমজনবা মন্থরবা মাগী হকচাংদুদা পাঙ্গল থৌনা পীনবীয়ু থৰাই শোক্লা নিজরে।

অদুদগী ময়ুমদা হল্লক্লগা শুমাংদা মমায় ফাৎথোক্লবা অমনবা বেরেল অমা নোংগী ঈশিং য়ানবদু মথক মখা ওন্থোক্লে, হাংহল্লবা বেরেলদু উচুক, নুংদুমগী মতেংনা লৈমায়দা লেংদনবা ফাজিল্লে, সেমিলান্তেবু মনুংদা পুনশিল্লে অদুগা ইমুংদা চঙখ্রে।

অদুদগীদি মহাক পোথাদে কাদুদা হঙ্গৎ হন্দা চৎলি, মমিৎ অনি অদুদি সারদিনিয়াগী মায়কৈদা য়েংদুনা অসুম লৈরে। মচা হাৎপা মীহাৎপা মফমদুদা থৈরগা লৈ।

নুমিৎ চুপ্পা অয়ুক, নুংথিল, নুমিদাং হুয়দু খোংদুনা লৈ। মথং নুমিৎকী অয়ুক্তা অহল ওইরবী নুপীদুনা ঈশিং খরা পীথকই, অতৈ করিসু পীজদ্রে।

নুমিৎ অমগা হৌখ্রবদা সেমিলান্তে চোকথরে নীংঙাইবা লৈতনা তুমথখ্রে। মথংগী অয়ুক য়েন্দাদা মমিৎ অমুক পাংলক্লে, মহাক মতু চুংলে, নীংবা কায়বগা লোয়ননা চেনদু চিংদুনা য়েংই।

অমুকসু, অহল ওইরবী নুপীদুনা মাবু করিশু পীজদ্রে। হুয়দু লাম্বনা ঙাওরে, মখোন য়াক্লা খোংলক্লে। অহিং অমগমুক হৌখরে।

নোংঙাল্লবদা, মমা সাভেরিনিনা য়ুমথংনবগীদা চৎতুনা চরু মপুন অনীত পীবিনবা হায়জরুরে। মাগী নুপানা শেৎলম্বা অমনবা ফিশিং পুথোরক্লে চরু অদুগা লোয়ননা চরুগী-মী অমা শারে।

সেমিলান্তেগী মকোন অদুগা মায়োকননা লৈমায়দা উচুক অমা য়ুংশিল্লে, মিতমদু মদুদা পুনশিল্লে, মদুনা লেপ্তুনা লৈবা মানহল্লে। অদুদগী অরিবা লাইনেন ফি মতুন্না মকোক মান্নবা হাপ্লে।

হুয় অদু ঙকই, চরুগী মীদুদা য়েংই, তুমিন অদুম লৈ অদুম ওইনমক অরাম খৌরাংবগী মৈচাক্তী খাঙঙমদনা খাঙলি।

অদুদগী নুপী অদুনা ওক ককফমদা চৎলগা অশাংবা শদুম মচেৎ অমা লৈরুদুনা পুরক্লে। ময়ুমদা হল্লক্লগা মাগী শুমাং মচিদা হুয় মকোনদুগী ময়াদা শীং থাদুনা মৈ হৌগৎলে, শা মতুমদু য়াইরক্লে। সেমিলান্তে চানিংবনা

ঙাওরে, চোংই ফল্লি, মচিন্দা কোঙ্গোল কারদুনা হাংলবা মাগী চাকখাওদা নুংশিবা মনম চঙহল্লক্লিবা অচাপোৎ অদুদা মমিৎতু শংত্রিক য়েংলি।

অদুদগীদি নুপীদুনা মনিল ফোং ফোং কারিবা অয়াইবা শদুম মচেৎতু চরুগী মীদুগী ঙকশমদা কোয়না ফজনা হাপচিল্লে। ঙকশমদা নিংথিনা নপখিনবা মতম চংনা হোৎনরে। মদু লোইরবা মতুংদা হুয় অদু থাদোক্লে।

মবুক লাল্লবা হুয়দুনা অকিবা ফংনা চোংশিনখিদুনা মিতমদুগী মখৌরিদা লাক্লে, খুমাংগী মখোঙ অনীনা মিতমগী লেংজুমদা থল্লগা খৌরি শেগায়বা হৌরকই। শদূম মচেৎ অমা উল্লগা লৈমায়দা তারকই, অদুদগী অমুকসু চোংশিল্লি। পুল্লিবদু চীকথৎলি, অচাপোৎ শেৎলগা তারকই অমুকসু চোংখৎলি। চীঙ্গাক ফংনবা লাম্ভোংদা হুয়দুনা কন্না চিকখায়বদগী মমায়দু পূমশে-শেগায়রে, ঙকশমগী শরুক পূম্বসু মচেৎ তানা শেগায়রে।

অহল ওইরবী মমাদু লেংদনা তুমিন য়েংলি, উরক্লে মমিত্তা মঙাল অমা। অদুদগীদি অমুক হন্না পুনশিল্লে হুয়দু, নুমিৎ নিনী চারা হেলহল্লে হুমনি সুবা নুমিত্তা অঙকপা থৌওং অদু অমুক হন্না পাঙথোক্লে।

অসুন্না থা অহুম চূপ্পা ময়ানা মচিঞ্জাক থিবা নমদুনা শেৎতুনা লৌবগী লাম্থেং অদু তম্বীরে, নীংথিনা হৈরক্লে। মখা তানা পুনখিদ্রে হুয় অদুবু মহাক্না অদুবু মচিঞ্জাক অদুদি মিতম অদুদা চোংশিন্নবা ইঙ্গিৎ অমা উৎলবা, চোংশিন্দুনা শেগায়রবা মতুংদতা মনা ওইনা পীজৈ।

মহাক্না হুয় অদুবু মিতম অদুগী মখৌরিদা চিঞ্জাক লোৎতবীদা মদুবু শেগায়বা, মাঙ তাকহনবা নীংথিনা তম্বীরে। অদু লোয়রগা মহাক্না মনা ওইনা খুদোন তৌই মাগীদমক শেম্বীবা শদুম।

মী অদু হেক উবগা সেমিলান্তে মশাদু নিক্লক্কনি, মপুনা হুই খোংবগুন্না 'লোইশিল্লো' হায়রগা খুদোনবী থাঙ্গৎপদু উনবা মমিৎনা মপুদা য়েংলক্কনি।

থবক পাঙথোক্লবগী মতম য়ৌরে হায়না লৌরদুনা নোংমাইজিংগী অয়ুক অমদা ইমা সাভেরিনিদু কনফেসন তৌবা চৎলে অদুগা হরাও তয়ান্না লাইখুরুম্বদা শরুক য়ারুরে। অদুদগী নুপাগী ফিজোন শেৎচিল্লে, শাথিনা তুহৎপীরবা চাকনিবা অমা শারে। সারদিনিয়ান ঙা ফাব অমদা ঙাঙনবদগী

মহাক্তুনা মাবু ঈপাক অদুগী ৱাংমাদুদা হুয়দুগা লোয়ননা পুবীরে।

মাগী লংবৌগী খাউদুদা শদুমগী চাওরবা মচেৎ অমা সেমিলান্তেগীদমক পুরি। সেমিলান্তে হৌখিবা নুমিৎ নিনি করি অমতা চারকত্রি। অহল ওইরবী নুপীদুনা অহাউবা চিঞ্জাক্তুগী মনম মীকুপ খুদিংগী তাহন্দুনা হুয়দুগী অরান্বা হেনগৎহল্লি।

মখোয় লোঙোসারদোদা লাক্লে। মখোঙ নাম্মা শেক্লগা কোরসিকান নুপীদু চৎলি। অচাপোৎ হৌফমদা চঙলগা নিকোলাস রাভোলতিগী য়ুম হংলগা খঙদোক্লে। মীহাৎপা মহাকতু মাগী অরিবা শিনফমদা অমুক হঞ্জি ল্লদুনা উশুবা অমা ওইরম্লে। মাগী দুকানগী মনিংদা মহাক মথন্তা থবক শুরি।

অহল ওইরবী নুপীদুনা থোঙ নমদুনা হাংদোকই অদুগা মাবু কৌরকই। “হো নিকোলাস।”

মহাক্তুনা মমায় লৈথোরকপগা মাগী হুয়দু থাদোক্লগা নুপী অদুনা লাউরকই- “লোইশিল্লো, মাবু চিকও, চিকও।”

লাম্বনা ঙাওরবা হুয়দু খঙহৌদনা চোংশিনখ্রে, মখৌরিদা লাকলুরে। উপায় লৈত্রবা নুপাদু মখুৎতৈ খুৎলায় থাদোক্লগা হুয়দুগা কোন্নরে, লৈমায়দা তুথরে। নামনখিদুনা মীকুপ খরদি কোনসিন্দুা খাঙই, মখোঙনা লৈমায় তক্লদুনা অদুদগী হুয় অদুনা মখৌরিদা মচিন ইনশিন্দুনা মরী মরাং থোক্না শেগায়রকপা মতমদুদি মহাক লেংদনা তাদুনা লৈখ্রে।

অহল ওইরবা নুপা অমনা মাগী ময়াং কংলবা হুয়, মপুনা পীজবা অচাপোৎ ৱাউরুনবা মচেৎ অমা চানা চানা থোরকপদু মশাগী থোঙজিন্দা ফল্লিবা য়ুমলোন্নবা অনীনা উই, অদুবু ইচম চম্না লৌহৌই।

নুমিদাংৱাইগী মতমদা অহল ওইরবী নুপীদু ময়ুমদা তন্না হল্লকই। অহিং অদুদগীদি মহাক নীংথিনা তুমখুন তানখ্রে।

## ৭- খুৎ অদু

পূন্নমক্না ৱায়েল মপু এম বরমুতিয়রবু কোয়শিল্লন্মী- মহাক্না সেন্ত-ক্লাউদকী অঙকপা থৌদোক্কী মতাংদা মাগী মোত পীগদৌরী। থা অমসি পাউখোঙ ফোঙবগুম তাকপা তারিবা ৱাথোক অসি পেরিসকী ৱারী ওইদুনা লাক্লি। কনা অমতনা মসিগী লংলা লংজিল পুথোকপা ঙমদ্রি।

এম বরমুতিয়র মৈ হৌফমদা তুং ওনশিল্লদুনা লেপ্পী, খুদম কয়া পুথোক্তুনা ঙাঙলি, মখল কয়াগী থিওরি খন্নরি অদুবু ৱারোইশিন অমদা লাকপদি ঙমদ্রি।

নুপী খরা মহাক্কী মনাক হেন্না নকশিন্নবা হৌগৎনরকই অমসুং মখোয়গী মিৎয়েং অদু অরুবা ৱা ঙাংলিবা ৱায়েল মপু অদুগী কোয় নান্না ফান্দোক্লবা মায়থোঙদা য়েংলদুনা লেপ্লি। অকিবা অমদি খঙনিংবনা মখোয়বু চরাংনহল্লি অমসুং নুপী খূদিংগী থমোইদা তন্নরিবা অকিবা অদুগী মরমদা খঙনিংবনা ঙাইঙমদবা অদুনা লৈতাহহন্দ্রে। ঙহাক ঙাংবা লেপ্লিঔে তাঞ্জাদা অতৈদগী হেন্না তাইফেৎ তাইরবী অমনা হায়রকই: “মসি অকিবগী মশক্লি। মসি

লাইতিনগী ওইবা থৌওংবু মাল্লি। অসিগী অচুম্বা কৈদৌঙৈদা খঙবা ঙল্লরোই।”

জর্জ অদুনা মঙোন্দা ওনশিল্লি: “মেদাম অশেংবনি, মসিগী অশেংবা অচুম্বা অদু কৈদৌনুংদা পুথোকপা ঙমগদবা মান্দে। অদুগা নহাক্না হৌজিক শিজিন্নখিবা লাইতিনগী হায়বা অদুদি ৱাথোক অসিগদি করিসু মরি লৈনদে। ঐখোয়না থেংনরিবা অসিদি য়াম্না হৈশিংনা খল্লগা শেম্বা অমসুং পাঙথোকখিবা মীহাৎনি, মদুনা মরম ওইদুনা মসিবু লৈরিবা অকোয়গী ফিভম অসিদগী খঙদোকপা ঙমদনা খুদিংমক অঙকপনা কুপশিল্লগা লৈরিবনি। অদুবু অথূপ্পা খঙঙমদবা মতৌ অমা লোয়নরিবা থবক অসি ঐনা পায়রুরে। তশেংনমক কেশ অসি অশুব্বী মতিক চমন্নে অদুবু মসিগী মতাংসি লাওথোক্লগনি।”
নুপী কয়ানা লাউরকই: “ও! ঐখোয়দা মসিগী অচুম্বদু হায়বীরো।”

বরমুতিয়র য়াম্না চীংলেন্না জর্জ অমা ওইবগী মওংদা নোক্লকই অদুগা চথরকই: “অদুম ওইনমক, ঐনা খুদিংমক অসিবু সুপরনেচরেল লোমদা পুশিনগনি হায়নদি খনগনু। ঐদি হৌনশাগী ওইবা মরমশিংদা থাজে। অদুনা করিগুম্বা ঐখোয়না খঙদবা অমবু ‘সুপরনেচরেল’ হায়বা ৱাহৈ অসি শিজিন্নবগী মহুত্তা ‘মুন্না খঙদ্রিবা’ হায়বা ৱাহৈ অসি শিজিন্নবনা ফৈ। অমবু ওইরে অমবু ওইরে ঐনা নখোয়দা হায়গদৌরিবা ৱাফম অসিগী মতাংদা ঐগী পুক্নিং চিংশিনখিবদি মসিগী অকোয়দা ওইখিবা ফিভম অমসুং মাংজৌননা লৈখিবা মওং মতৌশিং অদুনি।
“মতম অদুদা ঐহাক সমুদ্র মপান্দা তাবা, অৱাংবা চীংশাংনা কোয়শিনবা সহর অজাসীওদা জর্জ অমা ওইরম্মী।
“ঐঙোন্দা লাকপা কেশ অয়াম্বা লমন খুম্বগা মরি লৈনৈ। মখোয়গী মনুংদা খরদি য়াম্না পূক্নিং চিংশিন্নিংঙাই ওই, খরনা দ্রমাতিক ওই, য়াম্না তমথিবা, য়াম্না থৌনা ফবগী মতৌ ওইবসু য়াওই। ঐখোয়না লমন খুন্নবগী মতাংদা খ্বায়দগী ফজরবা মরমশিং কনাগুম্বা অমনা ভাবনা শাবদা ফংবদা মওং খুদিংমক অদু ফংই। চহী চা কয়া য়েংথিনদুনা অসুম লৈ, মদু মতম খরা তুমিন লৈনরুরবসু কৈদৌঙৈদা থাদোক্লদে, শাথিবা মওংদা য়েক্লবদা লৌনম তৌনৈ, মী হাৎনবদু মথং মথং চথনদুবা পাক্তক হাৎনবা ওল্লকই অদুবু

পূন্নমক্তু ইজৎকীদমক মীংচৎকীদমক তৌদবা য়াদবনি খন্নে। হৌখিবা চহী অনীসি ঐনা কোর্সিয়ানশিংগী কিনীংঙাই ওইরবা প্রিজুদিচ (হান্না লেপথোক্লবা তৌদবা য়াদে লৌনবা) ঈগী লমন খূন্বা, মদুনা মরাল লংজরিবা অদুগী মথক্তা, মাগী চাদা নাওদাশিংদা, নত্রগা মরী মতাশিংদা শোয়দনা লমন খুমদবা য়াদবা, মদু তৌদবগী ইকায়বা নংবগী ৱারী তাদুনা লাক্লি। ঐনা অহলশিং অঙাংশিং মশেল মবাইশিং হাৎনবা উখ্রে, ঐগী কোকশি অসিগুম্বা ৱারীনা থল্লবনি।

"ইংলিসমেন অমনা তোর্বান অসিগী অরোইবা শরুক্তা অপিকপা য়ুম ভিলা অমা চহী কয়ামুক্কী চে ইনদুনা ৱায়রে হায়বসি ঐনা নোংমা খঙলম্মী। মহাক্না ফ্রেন্স মচা অমা মীনাই ওইনা মাগা লোয়ননা পুরক্লম্মী, মদু মহাক্না মার্সেলিসকী লম্বীদা লাকপদা হায়নদুনা পুরকখিবনি।

"ইকুই কুইদনা মতোমতা লৈবা, শা তানবা অমসুং ঙা ফাবতখক্তদা মপান্দা চথোকপা মসিগী অখন্নবা মীওই অসিবু য়ান্না খঙনীংবগী ইথিল অমা পোকহল্লকখি। মহাক কনাগসু ৱারী শান্নদে, কৈদৌঙৈদা সহরদা চত্তে অমসুং অয়ুক খুদিংগী পুং অমা নত্রগা হেন্না মাগী রিভোলবর অমসুং রাইফল ঔরাইদুনা লৈ।

"ৱারী কয়ামরুম মাগী মরমদা শাগৎনরম্মী। মহাক অসি অচৌবা মীনি, রাজনিতিগী ওইবা মরমদগী মরৈবাক থাদোক্তুনা চেল্লকপনি, অদুনা অমবু ওইরে অমবু ওইরে মসিমদি চুল্লে হায়না লৌরে মদুদি য়ান্না তমথিবা ক্রাইম অমা তৌবগী মরাল লংজরুবদগী মহাক লোৎলিবনি। তোপ তোপ্পা অকিবা ফংলবা ফিভম খরসু পন্নরম্মী।

"ঐনা ৱায়েল মপু অমা ওইরুবা অসিনা মসিগী মী অসিগী মরমদা ই পাউ খরা খঙবা মথৌ তাই হায়না ঐনা খল্লম্মী অদুবু করিমতা খঙবা ঙল্লমদে। মহাক্না মশাবু সার জোনহ রোৱেলনি হায়জে। মরম অসিদগী ঐনা হেক ঙম্বমখৈ মী অসিবু কুপ্পা য়েংশিল্লম্মী অদুবু মাগী থবকশিংদা করিগুম্বা চিংননিংঙাই ওইবা মওং অমত্তা উরমদে।

"অদুমওইনমক, মাগী মরমদা তোকঙা কয়া শন্দোরকখি, অদুদগী ঐনা ঐ ইশামক মীতোপ অসিবু য়েংশিল্লগে হায়না লেপখি অমসুং ঐনা মাগী

লৈফমগী নক্লবা মফমশিংদা চাং নাইনা শা তানবা চৎলম্মী।
“ফনা কুইনা খুদোংচাবা ইফং ফংদনা হৌখিরম্মী। মমৈদা ইংলিসমেন অদুগী মমাঙদা ঐনা কাপথবা অমসুং হাৎলবা উরেম্বী অমদগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। ঐগী হুয়না মদুবু ঐঙোন্দা পুরকখি, অদুবু উচেক অদু পুদুনা সার জোন রোৱেলগী মনাক্তা চৎলম্মী অমসুং ঙাকপিয়ু হায়জবগা লোয়ননা উচেক অদু লৌবীনবা হায়জরম্মী।
“মহাক মীজাওনি, মশম অমসুং মকোয় ঙাঙই, য়াম্না ৱাংই, মঙাল লৈ, চীং লেম্বা অমসুং নোল্লুকপদা হারকুলিসকী মতৌ লৈবা মী অমনি। মঙোন্দা বৃটিশ মচাশিংগী শক্কন মায়কনবগী মতৌদু য়াওদে অমসুং ইংলিসকী ময়াম্না খঙনবা খোন্থোক্তা ঐনা পুক্নিং চঙবিরকপা অদুগীদমক থাগৎপীরম্মী। থা অদুগী অরোইবা ফাওবদা মঙা তরুকলক্তি ৱারী ৱাতাই শাম্নখি।
“মমৈথঙদা, নুমিদাংৱাই অমা, ঐনা মাগী থোঙ মপা ফাওদুনা চৎপদা মহাক লৈকোন্দা চৌক্রীদা মখোঙ ফাক্না ফম্লগা চূরূট থক্তুনা লৈবদু উরম্মী। ঐনা মঙোন্দা খুরুম্লম্মী অমসুং মহাক্না ঐবু চঙলক্লবা অমসুং বিয়র গ্লাস অমা থক্লনবা বার্তন তৌরক্লম্মী। ঐ নিংঙাই তৌদুনা লৈনবগী তাঞ্জা নৎলমদে।
“মহাক্না ঐবু ইংলিসকী হৌনা লিচৎকী খ্বায়দগী ফজবা মওংদা ব্যবহার উৎতুনা ওক্লম্মী, ফ্রান্স অমসুং কোরসিয়াবু থাগত্তুনা ঈশৈ শক্লম্মী অমসুং মহাক্না লৈবাক অসিবু নুংশিজৈ হায়নাসু ফোঙদোক্লম্মী।
“অদুদগী, য়াম্না চেকশিন্না অমসুং য়াম্না খঙনিংবা শাদুনা ঐনা মঙোন্দা ৱাহং খরা মাগী পুন্সি অমসুং মাগী পায়খৎকদবা থৌরাংশিংগী মতাংদা হংলম্মী। মহাক্না কোচী করিমতা থাংদনা পাউখুম পীদুনা হায়রকখি মহাক আফ্রিকাদা, ইন্দিজদা, অমেরিকাদা পাক শন্না কোয়রুরে। মহাক নোক্লদুনা মখা তারকই: ‘ঐগী এদভেনচর কয়ামুক লৈ।’
“অদুদগী ঐনা ৱারী ৱাতাই অদু শা তানবরোমদা ওন্থোক্লম্মী অমসুং মহাক্না হিপ্পোত্যামশ, কৈ, শামু গোরিলা ফাওবা শা তানবগী মরমদা খ্বায়দগী কুপ্পবা ৱারোল কয়া তাক্লম্মী।
“ঐনা হায়রম্মী: ‘শা পূম্নমকশি খুদোংথিনিংঙাই ওইব্রা?’ মহাক ইংলিমেনশিংনা পেন্না হৌনা নোকপা খুনোক্তুদা নোক্লম্মী: ‘নত্তে, খ্বায়দগী

শাথিবদি মীনি। ঐনা শা তানবদা তন্তনা মীসু য়াওনা তাল্লকখি।’

“অদুদগী মহাক্লা খুৎলাইগী মতাংদা ৰারী তৌরম্মী অমসুং মহাক্লা ঐবু চঙলক্লবা অদুগা নোংমৈ মখল কয়া য়েংলনবা খঙহল্লম্মী।

“মহাক্কী মী উনফম কা অদু ফি অমুবনা লৈতেংলম্মী, মদু অমুবা সিঙ্ককী ফিদা সনা মচুনা হকপনি। চাউরবা হঙ্গামপাল মচুগী লৈরোংশিং অদুনা অমুবা মচু অদুদগী মৈরিগুম কাপথোরক্লি। মহাক্লা হায়রকই: ‘মসি জপানদগী মচাকশিংনা শাবনি।’

“অদুবু পাক্লবা পেনেল অদুগী ময়ায়দা লৈবা অঙকপা পোৎশক অমনা ঐগী পূক্লিং চিংশিল্লম্মী। অঙাঙবা ভেলবেদকী স্কার অদুদা অমুবা পোৎশক অমা লৈরি। ঐ মদুদা চঙশিল্লম্মী, মদু খুৎ অমনি, মীগী খুৎ। তরু তনাল্লবা শরুগী নত্তে, কংলবা অমুবা খুৎনি, হঙ্গামপাল মচুগী খুজিন, শদোংশিং য়াওরি অমসুং শরুশিংদা অকংবা ঈ পকলি, মসিনা পান্থোমগী ময়াইৰাইদা শিংজং অমনা ককথরকপগুন্না উরি।

“চমোৎনরবা পোৎশক অসিবু খুদাংদা য়োৎকী চাওরবা চেন অমনা হুই থাদুনা অমসুং চেৎশিন্না পুল্লগা মদুবু ফক্লাংদা রিং অমনা য়াল্লি শউনগী থৌরীনা শামু অমা মতিক চানা পুনবগী মতৌ অদুমক্লি।

“ঐ হংই: ‘মসিদি করিনো?’

“ইংলিসমেন অদুনা তপ্না খুন্মকখি: “ঐগী খ্বায়দগী শাথিবা য়েক্লবা অদুনি। মসি অমেরিকাদগীনি। শরুসিং অসি থাংশাংনা ককপনি অমসুং উনশাশিং অসিনা মচিন থৌবা নূংশিংনা খোৎপনি অদুগা নুংশাদা চয়োল অমা ফৌরবনি।”

“ঐনা মীজাও অমগী ওইগদবা লেমহৌখাক পোৎশিং অদু পায়দুনা য়েংলম্মী। তাংনা উবা শাংলবা খূৎশানি, মদু মফম কয়াদা উনশা মচেৎ মচেৎনা য়াল্লবা শদোংগী মরি মরাং কয়াগা লোয়ননা হৌজিকসু য়াম্থরি। খুৎ অদু উবদা অকিবগী মশক ওইরি, মসিনা মী অমদা শাথিরবা লমন খুম্বগী থৌদোক অমা থোকখ্রবরা খলহল্লি।

“ঐনা হায়রম্মী: ‘মী অসি মপাঙ্গল য়াম্না কল্লমগনি।’ ইংলিসমেন অদুনা তপ্না খুমলকই: ‘হোয়, অদুবু ঐনা মঙোন্দগী হেন্না কল্লি। ঐনা মাবু ফাজিন্নবা চেন্না পুল্লিবসিনি।’

“ঐদি মহাক ফাগি তৌরিবনি খনখি। ঐনা হায়খি: ‘মসিগী চেন অসি হৌজিক্তি কানদ্রে, খুৎ অসি চেল্লরোই।’

“সার জোন্স রোৱেলনা য়াম্না লুনা খুন্মকই: ‘মসি চৎখিগদবগীদা হোৎনদুনা লৈ। অদুনা চেন অসি মথৌ তারিবনি।’

“ঐনা মঙোন্দা থুনা য়েংলম্মী, মায়থোঙ অদুদা ৱাহং কয়া হংলম্মী। অমসুং ইশাদা হংজরম্মী: ‘মসিবু ঙাওরব্রা নত্রগা ফাগি তৌরিবরা।’

“অদুবু মাগী মায়থোঙ অদুদি করিমতা খঙবা ঙমদবা মওংদা, ইংনা অমসুং মরুপ মপাং ওইবগী মওংদা লৈরি। ঐনা অতোপ্পা হিরমদা ৱারী হোংদোকলম্মী অমসুং মাগী রাইফল অদুবু থাগৎলম্মী।

“অদুমওইনমক, কা অদুদা মরু থন্না হাপ্লবা রিবোলভর অহুম মীনা এতেক তৌরক্কনি হায়বগী ৱাখলদা থন্নী হায়বসি ঐ খঙলম্মী।

“ঐ মঙোন্দা ফোন কয়ারক তৌখি। অদুদগীদি ঐ মখা তানা অমুক চৎলুদ্রে। মীয়াম্না মহাক লৈরবদু হৈনরে, থোইনা মরু ওইনা লৌনখিদ্রে।

“চহী অমা হৌখরে। নভেম্বর লোইরমদাইগী অয়ুক অমদা ঐগী মীনাইনা ঐবু হৌদোক্লকখি অমসুং সার জোহন রোৱেল অহিংদা মীহাৎ থীনা হাৎলল্লে হায়না খঙহল্লকখি।

“পুংখায় অমগী মতুংদা ঐনা ইংলিসমেন অদুগী য়ুমদা পুলিস কমিশন্নর, পুলিসকী অচৌবগা লোইননা চঙলম্মী। মীনাই অদুদি তৌফম খঙদনা অমসুং নীংবা কায়না থোঙজিন্দা কপ্তুনা লৈরম্মী। অহানবদা ঐ মাবু চিংনরম্মী অদুবু মহাক করিসু চেন্নরমদে।

“মরাল লৈরবা কাংবু অদু কৈদৌঙৈদা ফংবা ঙমখিদে।

“সার জোহনগী কাদা চঙলকপদা ঐনা হকচাং অদু লোংনা তাদুনা কাগী ময়ায়দা লৈবদু উরম্মী।

“মাগী ফুরিৎ অদু শেগায়রল্লে, জেকেৎকী খুদাং অদুসু চিংথৎলল্লে, খুদিংমক অদুনা শাথিবা মওংদা লাক্লা ফানা তৌখ্রে তাক্লি।

“ইংলিস মচা অদু চরম মেত্তুনা হাৎলল্লে। মমায় অদু মুশিল্লে, ইপোম পোমখৎলে অমসুং থিজিল্লিবা অদুনা শাথিবা অকিবা অমা মায়োক্লখ্রে হায়বা উৎখোক্লি। মাগী ময়াদা করিনো অমা চিক্লম্মী অদুগা মাগী মঙকশমদা

য়োৎকী খুৎলায় অমনা শোকহল্লম্বা মানবা মখুল মঙা তরুক ঈ তৈরদুনা লৈরম্মী।
"দাক্তর অমসু য়াওরখি। মহাক্না ঙকশমদা তারিবা খুৎ মমিশিং অদু কুইনা য়েংশিনখি অদুগা অঙকপা মওংদা হায়রকখি: "মসি খল্লুবদা শরূগী মিতম অমনা চপখিবা মাল্লি।"
"ঐঙোন্দা ৱাখল অমা ফাওরকপগুম তৌদুনা ঐনা কীনিংঙাই ওইরবা খুৎ অদুনা লৈবা হান্ননা উখিবা মফমদুদা য়েংলম্মী। মদু মফমদুদা লৈরমদ্রে। চেন অদু তৎলদুনা য়ান্থদুনা লৈরম্মী।
"ঐনা অশিবা অদুগী মথক্তা নোম্থদুনা য়েংলম্মী অমসুং মাগী চিকশিল্লিবা ময়াদা মাঙখ্রবা খুৎ অদুগী খুৎশা অমা কক্লিব্রা নত্রগ অনীশুবা তাং য়ৌনা য়ানা চিকথৎলিব্রা তৌদুনা ফংলম্মী।
"থিজিনবা হৌখি। করি অমত্তা ফংবা লৈখিদে। থোঙ থোঙনাউ নত্রগ পোৎ চৈ করিমতা য়ৈখায় থিঙ্গায় থোকপা উদে। শঙলিবা হূয় অনীদুসু-তূম্বা কায়রমদে।
"মতাং মসিদা ৱাহৈ খরদা মীনাই অদুগী জবান পীখি।
"থা অমরোমসি মাগী মপু অদু খোরাং খোইশাওননা উরকখি। মহাক চিথি কয়া ফংখি অদুবু খুদক্তা মদু মৈ থাদোকখি।
"তোয়না, ঙাওরক্কদবা মানবা মওংদা খাংঙমদনা চৈনা অমনা ফক্লাংদা য়োৎপী য়ৈশিন্দুনা থম্মীবা অকংবা খুৎ অদুদা মথোং খঙদনা ফুবা উখি। অদুবু খুৎ অদুদি থৌদোক থোকপা মতমদুদদি লৈরমদ্রে, কমদৌননো কনামত্তা খঙদে।
"মহাক থেঙনা থেঙনা তুম্মী অমসুং মশামক্না চেকশিন্না পুনা থাজিনজৈ। মতম পূম্বদা খুৎলায়শিং লাম্বা ফংবা মফমশিংদা থম্মী। তত্তনা অহিংদা মহাক কনাগুম্বা অমগা খৎনবগুম খোঞ্জেল ৱাংনা ঙাঙনা শক্লবা তাখি।
"অহিং অদুদি কমদৌননো মহাক লাঙবা তাখিদে অমসুং মীনাই অদুনা সার জোনহ হাৎলমলে হায়না খঙনবসি থোঙনাও অদু হাংদোক্লবা মতুংদতনি। মহাক্না ওইরমগনি খনবা চিংনবা কনাসু লৈখিদে।
"শিরিবা অসিগী মতাংদা ঐনা খঙবা মখৈদি ৱায়েল মপুদা অমদি

মীয়ামগী অচৌবশিংদা খঙহনখ্রে। ইথৎ অসি শিন থুংনা কূপ্পা থিজিন হুমজিল্লে। করিগুম্বা অমত্তা ফংবা লৈতে।

"থৌদোকশি থোকখ্রবা মতুং থা অহুমগী মতুংদা নোংমগী অহিংদা অকি অখংগী থৌদোক্কী মঙ অমা মঙলম্মী। অকিবগী মশক ওইরবা খুৎ অদু ঐগী কাখলগী মথক্তা অমদি ফক্লাংদা চাওরবা স্কোরপিয়োন নত্রগা মি অমগুম চৎপা উরম্মী। অহুমলক মিকপ থোকলম্মী, অহুমলক তুমথনবা হোৎনরম্মী, অহুমলক চেকশিন্না লোত্তুনা থল্লিবা পোৎশক অদুনা ঐগী কা থুংনা চেল্লম্মী অমসুং মসিগী খুৎশাশিংদুনা মখোঙগুন্না চৎলম্মী।

"মথংগী নুমিত্তা খুৎ অদু মাগীনি হায়বা ইমুং মনুংগী মী অমত্তা থিবা ফংদ্রদুনা সিমেত্রিদা ফুমখ্রবা সার জোনহ রোৱেলগী মঙদগী ফংই হায়দুনা পুরকখি। মদুদা খুৎনাওবী অদুদি য়াওরমদ্রে।

"ইমা ইবেনশিং, ঐগী ৱারীদু মসিনি। মসিদগী হেন্না অতৈদি খঙদ্রে।"

তাইফেৎ তাইরবা অমসুং কীবনা নীক্লিবা নুপীশিংদুদা তশেংনা অহোংবা অমদি লাকহল্লে। মখোয়গী মরক্তগী অমনা হায়রকই: "মদুদি ৱারীদুগী পোলোই নত্রগা মদুগী মরি মখোং খঙহনবা ৱারোল নত্তেদা! থোক্লিবা অসিদা নহাক্কী মোত করিনো হায়বসি ঐখোয়দা খঙহন্দ্রিবা মখৈদি ঐখোয় তুম্বা ঙল্লরোই।"

ৱায়েল মপু অদুনা নোক্লগা চেকশিন্না হায়রকই:

"ও ইমা ইবেনশিং, ঐনা নখোয়গী অকিবগী মশক ওইরবা মঙগুম্বা ৱাখলশিং অদু মাঙহল্লগনি। ঐনা খল্লি তশেংনা খুৎ অদুগী অশেংবা মপু অদু শিখিদ্রি, অদুনা মহাক্না লৈহৌরিবা মখুৎ নাম্মা অদুগা লোয়ননা মসিবু লৌবা লাকপনি। অদুবু কমদৌননো হায়বদি ঐ খঙদে। মসি লমন খুম্বগী থৌদোক অমনি।"

নুপী অমনা মরুম মুরুম শোল্লকই:

"নত্তে, মদু ওইথোকওইদা।"

অদুবু য়ায়েল মপু অদুদি হৌজিকসু নোক্লি, হায়রকই: "ঐগী ৱাফম অসিনা নখোয়বু পেলহলবা ঙমদ্রি হায়বদি ঐদি হায়নিংদে?"

# ৮- দেনিস

“লিওন চাপ্রোনগী মফমদা”
মারামবোতনা মাগী মীনাই দেনীসনা পীরকইবা চিথিদু হাংদোকই অমসুং নোকই।

যুম অসিদা চহী কুন দেনিস মীনাই ওইরক্লি। মহাক মথিক নেন্মী, নোয় পেল্লি, হরাও তয়ামগল্লি, খুঙ্গং অসিদা মাবু মতৌ তমজনফম ওইবা মীনাইনি হায়না মমিং চৎলি। মহাক্না হংলকই:
“খুরা ইবুংঙো চানবীদুনা খঙহনবিয়ু নুংঙাইবা পাউ ফংবরা?”

মারাম্বোত ইনাক খুনবা মী অমদি নত্তে। মহাক খুঙ্গংগী অহল ওইরবা অহানবা লায়েংগী হিদাক য়োনবা অমনি, পাখংনি, লৌমীশিংদা হিদাক য়োল্লগা ফংবা শেনফম অদুনা ৱানা হিংজবা মীনি। মহাক্না খুল্লকই:
“হোয়, নুপামচা। অহল ওইরবা মালোইসতু ঐনা মঙোন্দা কেস তৌরনি হায়বদুদা মহাক কীরে। ঐগী শেন হয়েং ফংলগনি। ফ্রাঙ্ক লিশিং মঙা হায়বসিনা অহল ওইশিল্লবা পাখং অমগী শেন থুমগী ফিভমদা

শোকহল্লোইদা।”

মারাম্বোত পেল্লদুনা মখুৎ নোয়রম্মী। মহাক পুকচেল তপ্পা, নুংঙাইবদগী হেন্না ৰাগনবা, কুইনা হোৎনবা ঙমদবা, শেন থুম তানবগী থবক্তা কয়া খোয়জংদবা মীতানি।

মহাক অঙকপা ফংনা শেন তানবগী খূদোংচাবা মাগী মরুপ মপাংশিং হেন্না মরু ওইবা মফমদা ফম্বশিং লৈখিদবা অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা মখোয়গী মহুৎ শিন্দুনা অমসুং মখোয়গী থবক অদু মখা চত্থদুনা তানবা য়াই হায়বসিদা চিংননিংঙাই লৈতে। অদুবু মফম হোংবগী খুদোংথিবা অমসুং শেম শাগদবা কয়া খল্লুবদা ৰাখলনা মাবু হেক লেপহল্লি। নুমিৎ খরনি মদু খল্লন্মগা মানা পেন্থোক্লদুনা হায়: “ফরেদা, ঐ মথংগী খুদোংচাবা লাকপদা শোয়দনা তৌরগে। থেংখিবদুনা ঐঙোন্দা করিমতা মাঙল্লোই। মসিদগী হেন্না ফবা তাঞ্জা লাকপসু য়াই।”

মসিগী ওন্না তৈনবদা দেনীসতী মাগী মপুদা মতম চুপ্পদা অনৌবা ইন্তরপ্রাইজ তৌনবা ফোঙদোকই। মথৌনা মরিংজেন লৈবা মতৌদা মহাক্না হায়: “ওহ! করিগুম্বা ঐনা হৌদোকশেল লৈরবা ঐ শোয়দনা মায়পাক্কনি। ফ্রাঙ্ক লিশিং অমনা ফাওবনা পাঙথোকপা ঙমগনি।”

মারাম্বোত পাউখুম পীদে, নোকই অদুগা মাগী অপীকপা লৈকোন অদুদা থোকই, মদুদা মখুৎ তুংবুন্নরদুনা তুংগী মঙ শাগৎতুনা হঙ্গৎ হন্দা চৎলি।

নুমিৎ চুপ্পা, দেনিসনা দিষ্ট্রিক অদুদা শক্লবা খুন্নুং ঈশৈশিং হরাওনা শকই। মহাক্না মহৌশা তৌদবা মতৌ খরসু উৎথোকই, য়ুম অদুগী থোঙনাও পূম্বা শেংদোকই, হৈনীংনা মিংশেনশিং শেংদোকই অমসুং মাগী খোঞ্জেল অরোইবী থাদুনা ঈশৈ শক্কৎলকই।

মারাম্বোত মাগী হৈনিংবা মতৌ অদুদা ঙকই, কয়ারক মঙোন্দা নোক্লদুনা হায়: “নুপামচা, নঙনা অদুন্না শেংদোক্লবদি হয়েংগী লৈহৌররোইনে।”

মথংগী নুমিত্তা চিথি থিনবা মীনা দেনিসতা মাগী মপুগীদমক য়াম্না থাবা অমা য়াওনা চিথি মরী পীরম্লে। খুদক্তা মারাম্বোতনা মাগী কাদা থোঙ লোনশিন্দুনা নুমিদাংৱাই ফাওবা লৈখ্রে। অদুদগী মাগী মনাইদা চিথি মরী থাখিনবা শিন্নরে। মদুগী মনুংদা অমদি মালোইসতা থাব অমা য়াওরি মদু শোয়দনা শেন ফংবগী রিসিপ ওইগনি হায়না দেনিসনা খনখ্রে।

দেনিস মাগী মপুদা ৱাহং অমত্তা হংদে, নুমিৎ অদুদা মহাক অৱাবা শকলোন অমদি নুংশুক নুংজান্ননা উরি, মমাঙগী নুমিত্তা হরাও তয়াম্বা মাল্লম্বদুগা য়েংনবদা খেন্নরে। অহিং ওইরক্লে। মারাম্বোত হান্না হান্নাগুম ফমুং চঙখ্রে অমসুং তুমথখ্রে। মহাকপু অঙকপা খোঞ্জেল অমনা মীকপ থোকহল্লে। মহাক হৌগৎলগা ফমুংদা ফম্লে অদুগা তুমিন তারম্মী। খঙহৌদনা থোঙ অদু হাঙদোরক্লম্মী দেনীসনা মখুৎ অমদা মোমবর্ত্তি অমদনা শারেন-থাঙ অমা পায়, মমিৎতু লাউথোক্তুনা শঙত্রিক য়েং, মমায় অদুনা কল্লবা ঈহুল খরনা শুগৎহল্লদুনা, ভুৎকুম তাইফেৎ তাইরদুনা চঙলক্লে। মারাম্বোত ঙকখ্রে, মহাকতু মমঙদা চৎলিবা জাৎলা খল্লম্মী অমসুং ফমুংদগী কুমথগে অদুগা মাবু মতেং পাংগে তৌরুবদা মীনাই অদুনা মৈ অদু মুথৎখ্রে অমসুং ফমুংদা চেনশিল্লক্লে। মপুদুনা চেনশিল্লক্লিবা অদু ফানবা মখুৎ তিংথোক্তুনা মতুংলোমদগী ইন্থুরে অদুগা মীনাই অদুগী মখুৎ অদু ফানবা হোৎনরম্মী মরমদি মহাক্তু গ্যান তাদ্রে অদুনা মঙোন্দা পান্দম ওইদুনা চথরকপা য়াবা এতেক্তগী ঙাকথোক্লবা হোৎনরম্মী।

মহাক থাঙনা শোক্লে অহানবদা লেংজুমদা, মথংদা লায়বক্তা অমসুং অহুমশুবদা থবাক্তা। দেনিসতু মথোং খঙদনা লাম্হেংনবগুম তৌরি, মখুৎশিং অদু অমম্বদা হাইরি, মখোং কাউরি অমসুং কপলি।

“দেনিস দেনিস নঙবু ঙাওরব্রো, ঙাইখোনে তাখোনে দেনিস।”

অদুবু মহাক অদুদি শ্বর থবেৎ থবেৎ হোল্লদুনা অমুক তমথিনা খুৎ থাবা হৌরক্লে, মতম চুপ্পদা চৈথেং পীনবা, মশা ঙাকথোক্লবা হোৎনরি, করিগুম্বদনা কাউরি, অমুকসু থীল্লি অমসুং অমুকসু মাঙদা ঙাওনা চেনশিল্লি।

মরামবোত শরুক অনী হেন্না শোক্লে, অমুকসু মখোঙদা অমা পুক্তা অমুক অনীরক শোক্লে। তৌইগুম্বসুং খঙহৌদনা মহাক্কী পুক্নিংদা ৱাখল অমা ফাওজিল্লক্লে অদুদগী লাওরকই: "লেপখো দেনিস, ঙায়খো, ঐ পৈশাদো ফংদ্রিনে।"

মী অদু খুদক্তা লেপখ্রে অমসুং মহাক্না শ্বর মপী হোনবদু মাগী মপুদুনা তারম্মী। অদুদগী মরাম্বোতনা মখা চংথরকই: "ঐ করিমতা ফংদ্রিনে, মালোইসনা মাগী ৱা হন্দোকখ্রে, কেস চংথনবা তারে, মদুগীনি নঙনা চিথি থাফমদা চে থিল্লুরিবদু। ঐগী তেবল মথক্তা লৈবনি, পারুচো।"

কন্না হোৎনরবা মতুংদা মৈখেৎ থেংনরদুনা কেন্দল চুখৎলে। মহাক ঈনা লুপ্লে। মাগী ফৈজুপ, মায়খনসিং ফক্লাংসিং ঈ চোংলি। দেনিসনা কাগী ময়াইদা লেপ্লি, মখোঙদগী মকোক ফাওবা ঈ তৈরি।

মরাম্বোতনা ঈদু উবা মতমদা মহাক মশামক শিরবোই খনখ্রে, গ্যান মাঙদুনা তাখ্রে। অয়ুক অঙনবদা মহাক হিংগৎলক্লে। অদুমওইনমক, ঙহাক্তি গ্যান তারুদ্রে, করিমতা খঙবা নত্রগা নিংশিংবা ঙমদে। অদুবু, খঙহৌদনা, মঙোন্দা খুৎ থাখিবা অমসুং অশোকপশিংদু নিংশিংলক্লে অমসুং মহাক অকিবনা পীক থনখ্রে মদুদি করিগুম্বা অমত্তা উদনবা মাগী মমিৎদু উইশিনলে।

মিকুপ খরগী মতুংদা মহাক ঈংথরে অদুগা খনবা হৌরকই। মহাক খুদক্তা শিবমক্তী নত্তে, মরম অদুনা মহাক হিংলক্লিবনি। মহাক শোন্থরে, য়ান্না শোন্থরে, অদুবু মহাক তশেংনা অনাবদি ফাওদ্রে অদুমওইনমক মহাক্না মাগী হকচাংগী মফম কয়াদা নুংঙাইতবা ফাওরিবদু খঙলক্লে। মহাক য়ান্না ইংবা, পুমচোৎ চোৎলবগুম অমসুং বেন্দেজনা য়োমশিল্লবগুম ফাওরকই। মহাক্না মশিগী চোৎ চোৎ লাওগুম ফাওরিবশি মঙোন্দগী থোকখিবা ঈ অদুদগীনি হায়না খল্লুরে অমসুং মাগী শিংলিদগী থোরকখিবনি অমসুং ফমুং চোৎলিবনি হায়বা অকিবা ৱাখলদু খল্লুবদা কিবনা থক থক নিক্লে। উরিবা শক্তম অদু অমুক উগনি হায়বগী অকিবা ৱাখল অমদগী মহাকপু অশুক্কী মতিক নীংবা কায়হনখ্রে মদুদি মহাক্না অরৈবা পাঙ্গল পূন্বা শিজিন্নদুনা মমিৎ

উইশিল্লে- পাঙথোকলুবদা মশামক লোইশিনখিদ্র কীরে।

দেনিসতী কমদৌরমগনি? মহাক নাম্থোক্তুনা চৎখিরম্বা য়াই। অদুদি, হৌজিক মরাম্বোত করি তৌগনি? হৌগৎকদ্রা? মতেং পাংবীরনবা মী কৌগদ্রা? তৌইগুম্বসুং করিগুম্বা মহাক্না খজিক্তং লেংলুবদা মাগী অশোকপশিং অদু অমুক হন্না চেখায়রক্কনি অমসুং ঈ হেন্না মাঙদুনা মহাক শিবা য়াই।

খঙহৌদনা মাগী থোঙ অদু হাংদোরকপগী খোঞ্জেল তারে। মহাক্কী মিহুল চপ লেপখ্রে। লাক্লিবসি দেনিসনা মহাকপু লোইশিন্নবা ওইবসু য়াই। মহাক্না শ্বর থিংলে মদুনা মীহাৎপা অদুদা হান্ননা থবক অদু মায় পাকখ্রে হায়না খলহন্নবা।

মহাক্না মাগী ফৈজুপ অদু লৌথোকখিবা অমসুং কনাগুম্বা অমনা মাগী পুক্তা শোকলকপদু ফাওরকই। মাগী খ্বাং মনাক্তা য়ান্না কন্না অনাবা অমা ফাওরকই। মহাকপু অইংবা ঈশিংনা চামথোকপিরি। মসিদগী ফত্রবা থৌদোক অসি কনাগুম্বনা খঙলে অমসুং য়েংশিনবীবা লাক্লমাল্লে খল্লকই। হায়ফম খঙদবা নুংঙাইবা অমা ফাওরকই অদুবু করি থোক্লদগে খন্দুনা মহাক গ্যান তারে হায়বসি উৎকে খন্দ্রি। মহাক্না চেকশিন্না মমিৎ নাম্মা খজিক্তং পাঙথোকই। মহাক্না উরে দেনিস মাগী নাকন্দা লেপ্লি। দেনিস মশামক! হে ঈশ্বর! মহাক থুনা মমিৎ অমুক উইশিল্লে।

দেনীসতি! মাদি করি তৌরিবা? মানা করি পাল্লিবা? মহাক্না হৌজিক করম্বা কিনিংঙাই ওইবা থৌরম পাঙথোক্লিবা?

মহাক করি তৌরি? মহাক্না মাবু মশানা তৌখিবা মরাল অদুগী খোঙ্গুল মুথৎনবা চামথোক্লি। অমসুং হৌজিক মহাক্না মাবু লৈকোন্দা ফুমজিল্লবা য়াই, ফুত তরা হেন্না লুনা মদুনা মাবু থিবা ফংদনবা। নত্রগা লৈনুংগী য়ু থমফম কৈদা ওইবসু য়াই। অদুদগীদি মরামবোত কিখিবনা উনাগুম নীক্লে। মথন্তা শোঞ্জে: “লোইরেদকো ঐ!” মহাক্না মমিৎ অমদু উইশিল্লে অরোইবা ওইনবা থিল্লক্কদৌরিবা থাঙ অদু উদনবা। অদুবু থিল্লক্তে। দেনীসনা মাবু থাঙ্গৎলি অমসুং বেন্দেজ য়েৎপিরি। অদুদগী মহাক্না মাগী মপুনা তম্বীবগুম

মাগী মখোঙগী অশোকপা অদু চেকশিন্না হিদাক হাপ্তুনা ফি য়েৎশিল্লি।

মখা তানা চিংননিংঙাই লৈত্রে। মাগী থবক শুবা মী অদুনা মাবু হাৎকে হায়না খল্লুরবা মতুংদা মাবু কল্লগে হায়না হোৎনরি।

অদুদগী মরাম্বোতনা শোন্থাংননা পাঙথোক্লবা পাউতাক অমা পীরকই: “অশোকপশিংদু কারবোলিক এসিদ১কী লাংথোকহল্লবা মহী অদুনা চান্মূ।”
দেনীসনা পাউখুম পীরকই: “মদুমক্লি ঐনা তৌজরিবসি, মোনসিয়র।”

মরাম্বোতনা মমিৎ অনীমক পাঙথোক্লে। ফমুংদা, ফক্লাংদা নল্রগা মীহাৎপা অদুগী মশাদা ঈ তৈরম্বগী খুদম অমত্তা উদ্রে। অশোকপা মহাক অঙৌবা নাল্লবা মোমপাক ফিদক অমদা হিপ্লি।

মখোয় অমনা অমদা য়েংনৈ।

মমৈদা মরাম্বোতনা ইঙনা হায়রকই: “নঙ অচৌবা মরাল লংজবা অশোয়বা অমা তৌখ্রে।”

দেনীসনা পাউখুম পীরকই: “ঐ চুমথোক্লবা হেৎনজরবনি মোনসিয়র। করিগুম্বা নহাক্লা ঐঙোন্দা ইরাল শিদ্রবদি ঐ মহৌশাগুন্না হায়বা ইন্না অদোমগী থবক তৌজখিনি।”

হৌজিক থবক শুবদুবু শাউহন্নবগী মতম নত্তে। মরাম্বোতনা মুরুম মুরুম শোল্লি: “ঐ হায়ররোই হায়না ৰাশক্লি।”

দেনীসনা মাগী মপুবু কল্লে। মহাক্লা অহিং নুংথিল খাক্তনা, তুমদনা লেল্লি, অনাবগী কা কৈদৌঙৈদা থাদোক্তে, হিদাক শেম শাই, অফুৎপা মহী শেম শাই, হিদাক পীজৈ, মীহুন য়েংই, হুনবা মশিং খঙনিংনা থী, নীংথিনা তল্লুরবা শেবারী অমগী হৈশিংবা অমদি মচা অমগী কথোকপগা লোয়ননা শেবা তৌজে।

মহাক্লা লেপ্পা লৈতনা তৎতনা হংজৈ: “করন্না ফাওবগে মোনসিয়র।”

মরাম্বোতনা শোন্না খুন্নকই: “খরা নুংঙাইরে, নুপামচা, ঐনা নঙবু থাগৎলি।”

অদুদগী অনাবা অদুনা অহিংদা মীকপ থোরকপা মতমদা মাগী থবক শুবা মীদু আর্ম চিয়ার অমদা ফম্বা অমসুং তুমিন্না কপ্পা তন্তনা উরন্মী। অহল ওইরবা হীদাক য়োনবা অদুবু য়ান্না চেকশিনবীবা, লুনা তৌবীবা নত্তনা কৈদৌঙৈদসু য়ান্না অমাং অতা থোকহনবা লৈখিদ্রে। অহানবদদি মহাক্না মতোমতা হায়জখি: ‘ঐনা হেক ফরকপগা, মসিগী মীফম্তসি লৈহন্দবা তাই।’

হৌজিক্তি অনাবা অশুম ফগৎলকপগা লোয়ননা মীহাৎপা অদুবু থবক লৌথোক্কে হায়বগী ৱাখল অদু নোংমা নোংমগী অশুম থাদোকখরে। মহাক্না থবক শুবা নূপা অদুদগী অকিবা মায়োক্নজরবসু, কনা অমত্তনা মঙোন্দা মহাক্না তৌরিবা অশুন্না চেকশিন্না অমসুং লুনা তৌবীবা লৈখিদ্রি হায়না খল্লি অদুনা মহাক্না করিগুম্বা অনৌবা থৌদোক হেক থোরকপগা মহাক্না উকিল অমগা তানদুনা মহাকপু আইনগী চৈরাক ফংনবা চে থল্লমগনি হায়না কিহল্লন্মী। মসিগী চেকশিন-ৱা অসিনা মখা তাবা এতেক তৌরক্তনবগী শোয়দ-ৱা পীরবগুম খল্লন্মী অমসুং মহাক অসিনা করি তৌরিবগে হায়বা নক্না থল্লগা কুপ্না য়েংশিনবনা অশিংবা ওইরনি হায়না মথন্তা খঞ্জরন্মী।

কারবারগী হেন্না ফবা মফম অমদা হোংনবগী মতাংদা তৌখিবা অদুগুন্না নীংজিং মাঙজিংননা মপুক্লিংদা ৱারেপ অমত্তা লৌবা ঙল্লমদে। মথন্তা শোঞ্জে: “মতম লৈরিদা।”

দেনীস মহাকসি শিংথানিংঙাই ওইবা থবক-শুবা অমা ওইহন্দুনা লৈথরে। মরাম্বোতসু ফরে। মহাক্না মাবু অশুম লৈহল্লে।

অয়ুক অমদা, মহাক্না চরা ৱানবা হেক লোইরকপগা খঙহৌদনা চাকখূমদা য়ান্না লাংবা অমা তারকই। মহাক থুনা চঙশীল্লি। দেনীসনা পুলিস অনীগা লাক্লরম্বদু উরে। ওফিসার অমনা মাগী পেদতা ইশিন খোৎশিন তৌরি।

থবক শুবদুনা মাগী মপুবু হেক উবগা হিক হিক কপ্লক্লে অদুগা হায়রকই: “মোনসিয়র, নহাক্না ঐঙোন্দা ৱাশকখ্রবা মতুংদা ঐঙোন্দা ইরাল

শিরিবসি লাল্লি। নহাক্না ঙাঙথোকখিবা ৱাগী ইকাইখুন্নবা ঙাকত্রে মোনসিয়র মরাম্বোত, মদু অফবা  নত্তে।”

চীংনরিবা অদুদা ঙকচান্নরদুনা অমসুং থৱাই ৱারদুনা ৱাশক্তুনা হায়রকই: “নুপামচা, ঐনা ঈশ্বর পন্দুনা নমাঙদা ৱাশকলি, ঐ নঙোন্দা মরাল শিখিবা লৈতে। পুলিসনা করন্না নঙনা ঐঙোন্দা খূৎ থাখি হায়বসি খঙলিবনো হায়বসিগী মতাংদা করিমতা খঙবা লৈতে।”

ওফিসার অদুনা হায়রকই: “মহাক্না নঙোন্দা খূৎ থাখি হায়বা নৎত্রা? মরাম্বোত?”

হীদাক য়োনবদুনা চঙক্লরদুনা হায়রকই: “হোয় --- অদুবু ঐ মঙোন্দা মরাল শিবদি লৈতে, ৱাহৈ অমা ফাওবা হায়খিবা লৈতে--- ঐ ৱাশক্লিবসিনি- মতম অদুদগী মানা ঐবু নিংথীনা শেবা তৌরক্লি।”

ওফিসার অদুনা চেৎশিনবা মওংদা লাউথোরকই: “ঐ নঙগী জবান লৌখিগনি। মোনসিয়ার মরাম্বোত থওই-ৱাৱোইরুদ্রবা অনৌবা থৌদোক অসি আইনগী থোঙদা পুখৎকনি। ঐসি নঙগী থবক শুবা মী অসিনা এম দুহামেলগী ঙানু অনী লোন্না হুরানখিবা মদুসু শাক্ষি লৈরবা অসিগীদমক মাবু ফানবা থারকপনি। ঐনা নঙগী ৱারী অদুগী নোত অমা শেল্লগনি।” অদুদগী মাগী মীশিংদা ওনশিন্দুবা য়াথং তৌরকই: “লাকও, মাবু পুরকও।” পুলিস অনীনা দেনীসপু চিংদুনা পুথোকখ্রে।

উকিল অদুনা দিফেন্দেন্তগী জবান অদু ঙাও-ফৈদুনা তৌখিবনি হায়না শেল্লে, মাগী আর্গুমেন্তদু মমাঙদা তৌখিবা থৌদোক অনীদু চাংদন্নরদুনা চেৎশিনহল্লে। মহাক্না ঙানু অনী হুরানবগী থবক্তু মরাম্বোতকী হকচাংদা থাঙনা মফম নিপান শোকহনবদা ওইখিবা মেন্তেল কন্দিসন অদুমক্তদা পাঙথোকখিবনি হায়না প্রমান তৌরে। মহাক্না মরৌ লৈনা মসিগী বুধি চোইরকপগী থেংখাং পূম্বা শুগায়না উৎলে, মদু মমিং লৈরবা সেনাতোরিয়ম অমদা থা খরদং লায়েংলবদি ফগনি হায়রে। মহাক্না থাজরবা থবক শুবদুনা মথৌদা পূক্লিং চঙবগী, থবক অহাংবা মীকুপশিংদা মহাক্না শোকহনখ্রবা

মাগী মপুবু কয়াদা চেকশিন্না য়েংশিনখিবা পূন্নমক অদুগী মরমদা ইচং থৌনা ঙাঙলন্মী।

পূন্নমক্তু নীংশিংলুবদা মরাম্বোত মমিৎতা ঈরা চেল্লকই। মদু উকিল অদুনা খঙখ্রে। মখুৎ অনীনা মাগী অমুবা অচোনবা উকিলগী ফিজোন্দু শেকপিগী মশাগুম লাউনা হায়দোক্লদুনা হায়রকই: "য়েংউ য়েংউ ইকাইখুন্নজরবা ৰায়েন মপু, পিগী ঈরাশি য়েংবীয়ু। ঐনা ঐগী ক্লাইন অসিগী মখা করি হায়বা ঙমখিনি। মাগী মপুগী পি অসিনা ফোঙদোক্লিবা অসিদগী হেনবা করি ৰাহৈ, করি মরৈ লৈরিবা। মসিনা ঐনা ঙাঙলিবশিদগী হেন্না হৌনা ঙাঙলি, মসিনা হায়রি 'ঙাকপিরে, হৌখিবা মতম খরদা ঙাওরুরবা তোল্লবা পূক্লিং অসিবু ঙাকপিরে।' মখোয়না থৱায় য়াওনা হায়জরি, মখোয়না ঙাকপীরে, মখোয়না শেংদোকপীরে।"

মহাক তুমিন লৈখ্রে অমসুং ফমথখ্রে। অদুদগী ৰায়েল মপু অদুনা মরাম্বোততা ওনশিল্লি, মাগী ৰারোলনা মাগী থবক শুবা মী অদুগীদি খ্বায়দগী চুম্বা ওইগদৌরিবনি, অদুনা হংলকই:

"অদুবু মোনসিয়র নহাক্না মী অসি ৰাখল চোইরে হায়বসিদা অয়াবা পীরে অদুগা করিগী মাবু অশুম থল্লিবনো হায়বদুদি পনখিদ্রি। মহাক অসি খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রবা অমদি নৎত্রি।"

মরাম্বোতনা মমিৎ অদু নাম্বোক্লদুনা পাউখুম পীরকই: "ইয়োর ওনর করি অমুক পাম্বীরিবগে? হৌজিক্কী মতম অসিদি অফবা থবক শুবা মী থিবা অশুক্কী মতিক লুখ্রে- ঐ কৈদৌঙৈদা হেন্না ফবা অমা ফংবা ঙমখিদে।"

দেনীসপু থাদোকপীরে অমসুং মাগী মপুনা অচংবা শেনফম পুথোক্তুনা সেনাতোরিয়ম অমদা থমখ্রে।

# ৯- বীদায়

মরূপ অনীদু মখোয়গী নুমিদাংগী চাকলেন অদু লোইশিল্লক্কদৌরে। চাক চাফম অদুগী থোংনাউদা বৌলভার্দ অদুদা মীয়াম পূনবা উবা ফংলম্মী। ওলাংলবা নুমিদাংৱাই অদুদা পেরিস ফাওনা লিরি শিৎলক্লিবা অইংবা নুংশিৎনা মখোয়দা য়ৈররি, মদুনা কদায়দনো- উখাদরা অমদি মহাক্না পামজবা থাবলগী ইপোমদরা, তন্দন অমসুং লার্ককী মরক্তরা- অমদা চথোকপগুন্না ফাওরম্মী।

মখোয় অনীগী মরক্তগী হেনরী সাইমোন্না শ্বর মপী হোল্লদুনা হায়রকই: “ওহ! হৌজিক ঐ অহল হায়বদু ওইরে। অৱাবনি। হান্নদি অসিগুম্বা নুমিদাংৱাই অসি কয়াদা নুংঙাইরমখ্রবা। হৌজিক্তি অৱাবত ঙায়রে। পুন্সি অসি তেল্লমখরে।”

মহাক চহী নিফুমঙাত শুবা ওইরবসু মকোক য়ান্না তাংলে অমসুং মশা নোয়থোক্লে। অতোপ্পা খরদং অহল ওইবা হেল্লবা অদুবু মশা পাবা অমসুং হৈনীং শিংনীংলিবা অদুনা পাউখুম পীরকই: “চুম্মী নুপামচা, ঐসু করিগুম্বা খঙহৌবা অমত্তা য়াওদনা হৌজিক অহল ওইরে। মতম পূম্বদা

ঐদি নুংঙাইনা, হকচাং ফনা, থৌনা লৈনা অমসুং খুদিংমক ৰাম্তনা লৈরকই। মী অমনা মশাবু মিংশেন্দা নুমিৎ খুদিংগী উরবসু চহী য়ামশিল্লকপনা তপ্পা, চাং নাইনা পুরক্লিবা অমসুং খঙবা ঙমদবমখৈ লেপ্তনা হোংহন্দুনা ওইহল্লক্লিবা মশক অদু খঙবা ঙমদে। মরম অসিদগীনি ঐখোয়না চহী অনী অহুম হরাও নুংঙাইনা লৈরবা মতুংদা থৱায় ৰাদুনা শিখিবা লৈত্রিবা। ঐখোয়না মতমনা পুরক্লিবা মথং মথং হোংহনখিবা অদু খঙবা ঙমদে। মী অমনা মাগী মায়থোঙদা হোংখিবদু খঙগে হায়রবদি থা তরুক মিংশেন শুকয়েং য়েংদ্রবা মতুংদা য়েংবা, মদুদা উগনি কয়াদা থমোই শোক্লিংঙাইনো!

"অদুগা মরূপ, নুপীশিংশি অসি য়েংউ, তোল্লবা জিবশিং অসিগীদমক ঐদি মীনুংশি পোকই! মখোয়গী নুংঙাইবা, মখোয়গী তৌবা ঙম্বা মতিক, মখোয়গী পুন্সি পূন্নমক অসি মখোয়গী চহী তরারোমতা চৎপা ফজবা অদুদা লৈ।

"ঐনা হায়খিবদুনি ঐদি মসি খঙদনা অহল ওইরকখি, চহী য়াঙ্খ্রে শুরবা মতম অদু ফাওবা ঐদি তশেংনা নহা ওইরি খঞ্জখি। অহল ওইশিল্লকপগী শোন্থবা করিশু ফাওদনা ঐ চৎখি, নুংঙাইখি অমসুং শান্তি ওইনা হিংখি।

"ঐগী মরাই চাইবা ফোঙদোরকপসি ইচম চম্বা অদুগা য়ান্না শাথিবা মওংদা লাকখি মদুনা থা তরুক লাকসিন্দুনা লৈখি- অদুগী মতুংদগীদি ঐ অদুম য়াখিদ্রে।

"মী অতৈসু তৌনবগুন্না ঐসু নুংশিনবা লৈখি থোইদোক-হেন্দোকপা ওইনা অমুকখক্তং।

"ঐনা মাবু ইত্রেততা সমুদ্র মপান্দা চহী তরানিথোইগী মমাঙ লান মতুং খরা লৈরগা থেংনখি। অয়ুক্কী ঈরুজনবা মতমদা বিচ অদুগী ফজবা নীংথিবদি চাংদন্নিংঙাই অতৈ অমা লৈরম্লরোই। মসি পোরতেস হায়না খঙনবা অঙকপা মখুলশিং লৈবা অঙম্বা চীংদোংনা কোয়শিনবা অপীকপা শগোল লোংখুম মানবা মফম অমনি। চীংদোং অমনা হিংচাবগী মখোঙ নাম্মগুম সমুদ্রদা তিংথোকই, নাম্মনা তেল্লি অমসুং থেমব্রংনৈ। অৰাংবা রোকশিংনা কোয়শিল্লবা লৈঙোয়গী অপিকপা স্ত্রিপ অদুদা নুপীশিং পুল্লে, ফজরবা গাউনশিং অদুনা অঙকপা ফংনা ফজরবা লৈকোন অমা ওইহল্লি। নুমিৎনা সমুদ্র তোবার্ন্দা, মচু কয়াগী শাটিন মথক্তা, শংবান্নরবা সমুদ্রদা মঙাল হৈথরি অমসুং পুন্নমক

হরাও-মথোয় কারি, নোক-খেরি। ঐনা ঈশিংগী মপান্দা ফন্মি অদুগা ঈরুজবীশিং য়েংই। নুপীশিং অদুনা ঈরূজবগী অচোনবা ফিজোন শেৎলদুনা লাকই মদু কাখৎলক্লিবা ঈথক অদুগী কোঙ্গোলগা লোয়নরবা মচীন্দুনা য়ৌশিল্লকপদা নীংথিনা লৌথোকই অদুগা কুপথাং থাংবা অথুবা খোঙথাংদা ঈশিংদা চেন্থখি, ঈং ঈং লাওবা ঈশিংগী চৈথেং ফংবদা হরাউ মথোয় কারদুনা ঙহাক ঙহাকসু লেপ্পি।

"মখোয় খরতনা ঈরূজবগী চাংয়েংদু মায়োক্লবা ঙস্মী। মদুদা খুউদগী ঙকশম ফাওবদা ঈশিংনা য়ৈররি। ঈথক হন্থখিদুনা ঈশিংনা থাদোক্তুনা চৎখ্রবদা অশোয়বসিংদু খঙজরকই।

"অহানবা ওইনা লৈশাবী অদু ঐনা ঈশিং মনুংদা উবা মতমদা ঐ নুংঙাইবনা হায়নিংঙাই লৈখিদে। মহাক চাংয়েং অদু মায় পাকখি। অহানবা উবমক্তদা নঙবু শুমহৎপা অমসুং হরাও মথোয় কাহনবা মায়থোঙশিং উখিরমগনি। মদুদা নঙনা পুন্সিগী নুংশিজগদবী কনাগুম্বী অদু ফংজরে হায়না খনলমগনি। মদুগী ৱাখলদুমক্লি ঐঙোন্দা ফাওখিবা অমসুং থম্মোয়দা পানখিবা।

"ঐখোয় শক তাক্লরে অমসুং ঐসে হান্না অমুক্তা তৌখিদ্রিবা মওংদা ইশুম শুমহৎখি। ঐগী থম্মোয়না মাগীদমক খোইরাংদুনা লৈ। অশুন্না নহা ওইরিবী অমগী ৱাখলনা লাঙ্গোয় চল্লকপা হায়বশি কিনিংঙাইনি লোয়ননা নুংঙাইনিংঙাইনি। মসি মৈচাকনি অদুবু লোইনাইদনা মথোয় কাবনি। মাগী শকফম, মহাক্লা নোকপা, মহাক্কী মশন্না নুংশিত্তা পাইবা, মাগী মায়থোংদা লৈরিবা অপিকপা ময়ি, মাগী শাথেক পূন্নমক্লা ঐবু ময়াই কাহনখি, চরাংনহনখি, ঐবু পূমশুম শুমহৎখি। মহাক্লা ঐবু থৱায় হকচাং অনীমক ফাখ্রে, মাগী মওং মতৌনা, ৱাঙাঙ শঙাঙনা, মহাক্কী ফিজোন ফাওবনা, মদু মহাক্লা শেৎ চাবদগী তোপ তোপ্পা মতৌ অমা থোকপগুম খনখ্রে। মাগী কোকখুমফিনা তেবলদা চৌকীদা তাদুনা লৈবা, মাগী খুৎ-মোজানা চৌকীদা থম্বা উবদা থমোই অসি ইনৌ নৌথোকই। মাগী গাউন ঐঙোন্দদি লম্বা লৈতনা ফজৈ। মাগী টুপী অসিগুম্বা অতোপ্পা অমা লৈরম্লরোই খনখি।

"মহাক লুহোংখ্রে, অদুবু মাগী মপুরোইবা অদু থাংজখক্তদা লাকই অমসুং নিংথৌকাবদা চৎখি। ঐ ইশামক মাগী মরমদা থোইনা খল্লুদে। ঐঙোন্দা

মাবু কল্লকপগী মওং করিসু লৈতে। করিগীনো খঙদে মহাক অসি ঐগী ইফমদা পুন্সিদা করিশু কান্নদ্রবা জিবা অমগা করিশু খেন্নবা লৈতে।

"অদুবু মাদুদি, ঐনা মাবু কয়াম নুংশি। মহাক কয়াম ফজরিবা, নীংথিজরিবা অমসুং নহা ওইরিবা! মহাক ইনখৎলকপা নহানি, লু হেল্লি, তনৌ তনৌরি। মমাঙদা হান্না অশুক নুংশিবা, থোইদোক হেন্দোকপা, থোৎ নৌবা, শুমহৎপা, নীংথিবা নুপী অমা ঐ থেংনখিদ্রি। লোইরোই তারকপা খজাই, লেং লেং চৎপা চিবান, ঙাংলৈনবা নাকোং, হোংগন্দবা কয়াৎ নাতোনগী মওং মতৌ পুন্নমক্কী শুমহৎনীংঙাই ওইনা ফজবা, অশুন্না ঐ মমাঙদা অমুক্তা শিংথাখিদ্রি।

"অশুন্না থা অহুম হৌখ্রবা মতুংদা খাংঙমদ্রবা অৰাবা পোৎলুম পুদুনা ঐ আমেরিকাদা চৎখি। অদুবু মাবু নীংশিংবগী ৰাখলদি মিকুপ অমতা ঐবু থাদোক্তে, নীংশিংলোই ঙমদে, হেক্তা নীংশিংলকই। মদুনা অরাপ্পা লমদম অদুদা ঐহাক মানা ইনাক্তা লৈবগুন্না খল্লম্মী। চহী কয়া হৌখরে অদুবু ঐনা মাবু কাউবদি লৈখিদে। মাগী শুমহৎপগী মশক ওইরবা শক্তম অদু ঐগী মিত্তা উদুনতা লৈ, ঐগী থমোইদা লেংদনা লৈ। অদুগা মাবু ঐনা নুংশিজবদু শেংনা লৈরি, হৌজিকসু লেংদনা লৈরি, ঐগী পুন্সিদা থেংনবা খ্বায়দগী ফজবা অমসুং থমোই হুবা পোৎশক অদু ওইনা নীংশিংদুনা লৈরি।

"মী অমগী পুন্সিদা চহী তরানিথোইগী মতম হায়বসি করিসু শাংবা নত্তে? খঙহৌদনা হৌখিবা মতমনি। চহীশিং লাকখি মথং মথং তুমিন্না, থুনা য়াংনা, অমুকসু তন্দে মান্দে, করিগুম্বদনা খোঙলৈ থুনা, করিগুম্বদনা ঙাইঙমদনা, অদুবু খঙহৌদে থুনা হেক্তা লোইশিনখি। চহীশিং থুনা য়াংনা য়ামখৎখি, মখোয়দি মতুংদা নিংশিং খোঙ্গুল খরদং থনল্লগা মাংখি, কনাগুম্বা অমনা হৌখ্রবা চহীশিংবু হঙ্গৎনা য়েংলুবা মতমদা করিসু উবা ঙমদে অদুবু কনাগুম্বা অদুনা খঙদে মতম অদুদা মহাক অসুক য়াম্না অহল ওইশিল্লমগনি। তশেংনমক ঐঙোন্দদি ইত্রেতকী লৈঙোয় মথক্কী পুক্লিং হুরবা মতম অদু থা খরতা হৌখ্রিবোই নিংলম্মী।

"হৌখিবা বসন্তদা ঐনা মরূপ খরগা মাইশোন-লাফিতেদা চাকলেন চাবা চৎলম্মী। ত্রেন অদুনা হেক থাদোকখিবগা নোয় চাউরবী নুপী অমা পীক্লিবী নুপীচা মচা মরীগা লোয়ননা ঐনা তোংলিবা কারদা কাখৎলকখি। চাউরবা,

মতুম তারবা মায়থোঙ অদুনা মকোক্তা উপলিবা চাউরবা টুপী অদুদা পুর্নিমাগী থাজবু থেৎপগুম উরিবা মমা অদুদা ঐ থোইনা য়েংলুদে।

“মহাক থুনা য়াংনা লাকপদগী নিংশা শ্বর মপী হোন্দুনা কামথোক্লি। অঙাংশিং অদু ৱারী শান্নবা হৌরকলন্মী। ঐনা ঐগী পাউ-চে দু হাংদোক্তুনা পারন্মী। ঐখোয়না অসনিয়রস লান্থোরকপা মতমদা গাড়ী তোংমিন্নরিবা অদুনা খঙহৌদনা ঐঙোন্দা লৈশিল্লকখি:

“‘ঙাকপীগনি, শোমবু মোনশিয়ার গরনিয়র নত্রা?’

“‘মান্নি, মেদাম।’

“অদুদগী নুপীদু পেঞ্জনা নোকপা হৌরক্লন্মী অদুবু মদু নুংঙাইবগী মীনোক ওইরমদে।

“‘নঙ ঐবু শক খঙদ্রবরা?’

“ঐ নীংজিং মাংজিংনরন্মী। ঐ মায়থোঙ অদু কদায়দনো উখ্রবরা হায়না খল্লন্মী, অদুবু মদু কদায়দনো? করম্বা মতমদনো? চমন্নখি। ঐনা খূমলন্মী:

“‘হোয় খঙই অদুবু-। ঐ নঙবু তশেংনদি খঙই অদুবু ঐ নঙগী মিং অদু নীংশিংবা ঙমদ্রে।’

“মহাক হাইফেৎ মায়থোঙ লাংশিল্লন্মী।

“‘মেদাম জুলি লিফেভ্রে।’

“ঐ অমুক্তসু অদুগুম্বা থমোই শোকপা থেংনখিদ্রি। মিকূপ অমগী মনুংদা ঐবু মদুনা কুপশিনখ্রবগুম তৌরন্মী। ঐগী মিৎমাঙদা খল্লম্বা ফিজং অমা লৌথোকখিবা অমসুং অকিবা ফংলবা অমসুং থমোই নীকহনবা করিগুম্বা অমা উবগুম ফাওরন্মী।

“উখিবদু মহাক্তনি। মসিগী নোয় চাওরবি, মীচম নুপী অসি মহাক্তনি। মহাক ঐনা অরোইবা উখিবা মতুংদগী অঙাং নুপীমচা মরীগী মমা ওইরে। অমসুং পীক্লিবা থৱাইশিং অদুনসু মমাগুন্না ঐবু ঙকহল্লন্মী। মখোয় মাগী মচানি, মখোয় চাউরবা নুপীমচাশিংনি অমসুং পুন্সিদা মফম অমা কল্লবনি। অদুমওইনমক, চীং লেন্না ফজবনা অঙকপা ফংনা নীংথিজরম্বা অমসুং শুমহৎলম্বা অদুদদি মাবু মশিং থানদ্রে। ঐনা মাবু উখিবদু ঙরাংতা ওইরিবোই নিংই অদুবু ঐনা মাবু থেংনরিবশি কমদৌননো? মসিবু ওইথোকপা য়াবরা?

থমোই শোক্লবা অৱাবা অমনা থমোইবু লাকশিনখি, মহৌশা লাইরেন্বীগী মায়োক্তা হৌরকখি লানহৌ অমা, মসিগী তমথীরবা মিনুংশি হৈত্রবা মাঙ তাকহনবা অসিগী মায়োক্তা মরম চাদনা অশাউবা অমা।

“ঐ মঙোন্দা অঙকপগা লোয়ননা য়েংলম্মী। ঐনা মাগী মখুৎ অদু পায়শিল্লম্মী অমসুং ঐগী মিত্তা পি ঈহৌরক্লম্মী। ঐনা মাঙখ্রবা মাগী নহা ওইবগী মতৌ অদুগীদমক কপচরম্মী। মদুনা নোয় চাওরবী নুপী অসিবু মশক খঙদবনি।

“মহাকসু খঙজরবা জাৎনি, হায়রকই: ‘ঐ য়াম্না হোংখ্রে, হোংদ্রনে? নঙনা অশা তৌরিবা খুদিংমক অদুগী মাগী মাগী ওইবা মতম লৈ। নঙনা উরেদনা ঐ মমা অমা ওইরে, অতৈ করিসু ওইদ্রে শুপ্নগী অফবী মমাতমক ওইরে। অতৈদি বিদায় পীখ্রে, লোইখ্রে। এ! করিগুম্বা ঐখোয় থেংনবদা নঙনা ঐবু শক খঙগনি হায়বসি শুকখন খনখিদে। নঙসু য়াম্না হোংলেদা। মদুনা ঐবুসু মসিবু চুমলিবরা হায়না খঞ্জান্নহন্দুনা মতম ঙহাক লৌখি। নঙগী শম পূম্বা ঙৌরে। খন্দুনা য়েংউ, চহী তরানিথোইগী মমাঙদনি। চহী তরানিথোই। ঐগী খ্বায়দগী ইচা অহন অসি চহী তরা মপূং ফাখ্রবনি।’

“ঐনা অঙাং অদুদা য়েংলম্মী। মঙোন্দা মমাগী শুমহৎপগী মতৌদু য়াওরি হায়বদু উরক্লম্মী অদুবু মদু মওং নাইদ্রিবা, তুংদা ফজরক্কদবা ওইনা লৈরি। ঐঙোন্দা পুন্সি অসি য়াংনা চেল্লিবা ত্রেনগী মতৌগুম উরম্মী।

“‘ঐখোয় মাইশোন য়ৌরে।’ ঐনা থাইনগী মরূপ অদুগী মখুৎতু চুপ্পীরম্মী। মদুদা মীচম অমা ওইবগী মতৌ নত্তনা করিসু থেংনদ্রে। ঐ মাগা ৱারী শাগদবা ফাওবা নীংবা কায়রম্মী।

“অহিংদা, ইতোমতা, য়ুমদা ঐ মিংশেনগী মমাঙদা কুইনা, ফনা কুইনা লেপলম্মী। অদুদগী মমৈথংদা ঐ উখিবশিংদো নীংশিংলক্লম্মী, অরোইবদা ঐগী পুক্নিংগী মিত্তা ঐগী ৱাউরুবা খদাং কোয়, ঐগী অমুবা শম অমসুং ঐগী নহা ওইবগী মতৌ উৎপা মায়থোঙ ঙন্নমক উরক্লম্মী। হৌজিক্তি ঐ অহল ওইরে। কাইনরসি।”

স্ত্র

# ১০- ৱাইটর বোক অমা

নুমিদাংৱাইরম অদুদা ঐনা বীয়র থকফম অদুদা করিগী চৎলুরিবনো? ঐ খঙদে। ইংলবা নুমিৎ অমনি, ফরবা নোং চিংগী ফিভমনি, লৈচীন্না কুংনা থারি, গ্যাসকী থাউমৈদা মনুং মপান ফাউনা উবা মরোল অমনা কুপ্লরি, দুকানগী থোঙনাওশিংদগী লাকপা মঙালবু নাকনগী চৎফমশিংনা থকতোরক্লি মদুনা লম্বী চৎপশিংগী শৌদোক্লবা উন অমদি লৈখোম পকপা মখোঙসিংদুবু ঙান্না উহল্লি।

ঐ কদায় কদায়দনো কোয়চৎ চৎলুরে চাকলেন চারবা মতুংদা। ক্রেদিত লিওনাইস রুই ভিভেনি অমদিং অতৈ স্ট্রিট কয়া ফাওদুনা চৎলুরে। খঙহৌদনা মী তংখায় ফানীংচিৎ ফল্লবা বীয়রগী হোল চাউরবা অমা লাপ্লপ্লা উরন্মী। ঐ থোইদোকপা পান্দম অমত্তা য়াওদনা মনুংদা চঙশিল্লন্মী। ঐ খৌরাংবমক্তি থোইনা পোক্লমদে।

ঐনা মী কুংনা ফমদ্রিবা মফম থিবা ওইনা কোয়না য়েংলন্মী অমসুং অহল ওইনা উরবা মীশক অমগী মনাক্তা ফমথরন্মী অদুবু মহাক্তু কয়লাগুন্না মুরবা লৈবাক্কী উতোং সৌ অনী পীবদু শিজিন্নদুনা চুরূট থকলন্মী। মাগী মমাঙদা অহাঙবা গ্লাস তরুক তরেৎ তেবীলদা লৈরি, মদুনা মহাক হান্ননা কয়াম থকখ্রবগে

হায়বদু উৎলি।

হেক য়েংবদা বিয়ার য়োনফম অদুদা তোয়না লাক্কনবশিংগী মরক্তা চাং নাইনা লাকপা, অয়ুক্তা থোঙ হেক হাংবগা লাকপা, অদুগা থোঙ লোল্লমদাইদা ফাওবা হন্দবা মীশক ওইনা উরম্মী। মহাক মফি মোৎলি, মকোক লৰায় ফাওবা তাংই, মতায়দা হৌবা অঙৌবা শম খরা মাগী অচোনবা কোটকী কোলারদা তারি। মাগী ফিজোনশিং অদু মঙোন্দা ইকোম কোন্না উরে, মদু মহাক্না তনোয় তনোয়রিঙৈদা শেম শাখিবা মাল্লি। মাগী খোঙগ্রাওদু চিংখৎত্রবদি মহাক খোঙথাং তরা ফানা থাংবা ঙমদবনা কনাগুম্বা অমনা মহাকশি ফিনূংগী খোঙ্গাও শেৎলমলোই হায়না ভাবনা শাবসু য়াই। মহাক মোজা ফুরিৎ লিৎপা জাৎলা? মাগী বুটশিং অমসুং মদুদা তৈরিবশিং অদুদি অকিবগী মশক্নি। ফুরিৎ খুদাংগী মতোন কুইরকপদগী পাশিল্লবা, শেগায়বা হৌরবা অদুসু মুশিন মুরে, মাগী খুজিনশিংগুম্না।

ঐনা মাগী নাকন্দা হেক ফমথবগা মীওই অদুনা ঐঙোন্দা নোল্লপ্লা হায়রকখি: "কমদৌ কমদৌবীরিগে?"

ঐ মঙোন্দা মায় লৈশিল্লম্মী অমসুং মাগী মওং মতৌ কূপ্না য়েংলম্মী, মদুদা মহাক্না মখা তারকখি: "অদোম ঐবু শক খঙদে হায়বসি ঐ খঙলে।"

"নত্তে, ঐ তশেংনা খঙদবনি।"

"দেস বারেৎ।"

ঐ পূংঙক ঙকখি। মহাক ঐগী কলেজ তল্লিঙৈগী চান্নরবা মরূপ কাউন্ত জিন দেস বারেৎনি।

ঐনা মাগী মখুৎ অদু পায়শিল্লম্মী অদুবু ঐ করি হায়শিগে ফুম্বংনরম্মী। অদুবু শেম শাদুনা য়ারক্তা ঙংদুনা হায়রম্মী:

"নহাকতি! ফিভম অসিবু কমদৌরীবনো?"

মহাক্না ঈংনা খুল্লকই: "ঐনা ঙমজবা মওংদা ঐ হিংলিবনি।"

"নহাকপু হৌজিক করি তৌরিবগে?" ঐনা হংলম্মী।

"ঐনা তৌরিবসি নঙনা উরিবসিনি।" মহাক্না মপূক্লিং ঈংনা খুল্লকই।

ঐ মায়শে ঙাঙশিল্লবগুম তৌরম্মী। ঐনা খঙনিংনা তকশিন্দুনা হংখি: "অদুবু নুমিৎ খুদিংগী-?"

"নুমিৎ খুদিংগীনি, খেন্নবা করিসু লৈতে।" পাউখুম অসিগা লোয়ননা চুরূটকী কুংলবা মৈখু কামথোরকখি।

মহাক্না মার্বলগী তেবল অদুদা সো (সেন্তিম ৫গী শেনয়েক) অমনা থিল্লদুনা ৱাইটরগী পূক্লিং চিংশিল্লদুনা লাডখি: "ৱাইটর বোক অনী।"

খরা লাপথোক্লবা খোঞ্জেল অমনা হায়খি: "মরীসুবা তেবলদা বোক অনী।"

অতোপ্পা খোঞ্জেল অমনা লাউরকখি: "পুজরক্লে।"

খুদক্তা অঙৌবা এপ্রোন লিৎপা নুপা অমা বোক অনী পুরদুনা থুংলরে, কোঙ্গোল কারিবা অনীদু তেবলদা থন্নরে, মহাক্না অফিং অফাই ওইনা থম্বদা হঙ্গামপাল মচুগী মহি অদু লৈমায়দা খরা তাখি।

দেস বারেৎনা অমুক্কী খুচিংদা মাগী গ্লাস অদু হাংহনখ্রে অমসুং তেবল থন্মী, মহাক্না কোঙ্গোল কারিঙৈদা থকখিবা অদুনা মাগী মচিন্দা কোঙ্গোল পকলম্মী। মহাক্না মখা তানা হংলকখি: "করি অনৌবা ৱা লৈরিবগে?"

ঐ তশেংনা মঙোন্দা হায়নবা অনৌবা ৱা লৈত্রে। ঐনা তপ্না শোল্লম্মী: "করিসু লৈত্রে, অহল। ঐদি কারবার তৌবা মীনি।"

মহাক্না হৈনীংদ্রবা খোঞ্জেলদা হায়রকখি: "মদুনা নঙবু তশেংনা নুংঙাইহনব্রা?"

"নুংঙাইহনবগী নত্তেদা, অদুবু ঐ কৈদৌনি? মী অমনা করিগুম্বা খরদি তৌবা তাইদনা।"

"করি তৌগদৌবা?"

"শিনফম অমা পায়গদবনি।"

"শিনফম অমা, মদু পায়বগী কান্নববু করিনো? ঐগী ওইনদি, ঐ করিসু

তৌদে, নঙনা উরিবদুনি, করিমতা তৌদে। কনাগুম্বা অমনা সৌ অমত্তা ফাওবা পায়দ্রবদি মহাক্তু থবক শুগনি হায়বা ঐ খঙই। অদুবু কনাগুম্বা হিংনবগী মতিক চানা লৈরবা অমদা মদুগী কান্নববু করিনো? থবক শুবগী অফববু করিনো? নঙনা শুরিবদু নশাগীরা নত্রগা অতোপ্পগীদমক্লা? করিগুম্বা নহাক্লা নহাক নশাগীদমক থবক শুজবা ওইরবদি নঙনা তৌরিবা অদু নশাগী নুংঙাইনবগীদমক্কি, অদু ফাওবদি ফরে, করিগুম্বা নঙনা অতোপ্পগী থবক শুবা ওইরবদি নহাক অপঙবনি।"

অদুদগী মাগী চুরূট অদু মার্বলগী তেবল মথক্তা থম্লগা নৌনা কৌখি: "ৰাইটর বোক অমা।" অদুগা চথরকখি: "মসিনা ঐবু খৌরাংহনবশিনা কৌহল্লিবনি। ঐ অদুগুম্বা মখলগী থবকশিংদু হৈনদে। হোয় ঐ করিসু তৌদে --- ঐ হৌজিক অহল ওইশিল্লক্লে। ঐ শিবদা করিসু পেন্দবা লৈররোই। ঐগী নীংশিংনিংঙাই হায়ববু বিয়র থকফম অসি মঙাইরে। নুপী লৈতে, অঙাং লৈতে, য়েংশিনগদবা লৈতে, অৱাবা লৈতে, করিসু লৈতে। মসিনা খ্বায়দগী ফরবনি।"

অদুদগী মাগীদমক পুরকপা গ্লাস অদু হাংহনখ্রে, মরৈনা মচিনবান লেকশিল্লি অদুগা চুরূট অমুক থক্কৎলকখি।

ঐনা মঙোন্দা অঙকপগা লোয়ননা য়েংলম্মী অমসুং হায়খি: "অদুবু নহাক মতম চূপ্পদা অসুম্নদুম লৈরক্লব্রা?"

"ঙাকপীগনি, মসি ঐনা কলেজ থাদোক্লবা মতুংদগীনি।"

"নুংশিরবা মরূপ মসি পুন্সিগী হিংগদবা লম্বী অদুদি নত্তে, মসিদি কিনীংঙাইনি। য়েংঙু, নঙ করিগুম্বা খরা তৌনবা লৈগদবনি, কনাগুম্বা খরা নুংশিগদবনি, নহাক মরূপ মপাং খরদি লৈগদবনি।"

"নত্তে। ঐ নুমিৎ য়ুংবদা হৌগৎলি, মফম অসিদা লাকই, ঐ চরা ৰাল্লি, ঐ বিয়ার থকই, ঐ নুমিদাংৱাই ফাওবা লৈ, ঐ চাকলেন চাই, ঐ বিয়ার থকই। অদুদগী অয়ুক পুং অমা মখায়দা ঐ যুমদা তুম্বা চৎলি, মরমদি মফমসি নকনৈ, মদুনা ঐঙোন্দা করিসু নুংঙাইতবা লৈহন্দে। হৌখিবা চহী তরা অসিগী মনুংদা পুরা তরুক্তী ফল্লিবা মফম অসিদা, ঐতগী ওইনা চিক্লা

লেনখ্রবনি, অতোপ্পা মরী অদুনা ঐগী ফমুংদা, মফম অতৈদা চৎখিদ্রে। করিগুম্বদা ঐ সিদা চাং নাইনা লাকপা মীশিংগা ৰারী ৰাতাই তৌই।"

"নহাক্না পেরিশতা লাকপা মতমদা ইহান হান্না করিদি তৌই?"

"কেফে দি মেদিসিসতা খঙহনবা চৎলুবা।"

"অদুগী মথংদদি?"

"মথংদা ঐনা ঈশিং লান্থোক্লকই অদুগা মফমশিদা লাকই।"

"নহাক্না খুদোংথিরবা লন্বী অসিবু পান্না লৌশিল্লিবা করিগীনো?"

"নঙনা হায়রিবদু করিনো? কনাগুম্বা অমত্তনা মাগী পুন্সি চুপ্পা লাটিনগী ক্বাটরদা লৈবা ঙমলোই। ছত্রাশিং য়ান্না লাংই। হৌজিক ঐ অমুক হন্না হোংলরোই। ৰাইটর বোক অমা।"

ঐনা মহাক্না ঐঙোন্দা ফাগি তৌরিবোই খল্লম্মী অমসুং ঐনা মখা চত্থরম্মী: "শেংনা হায়বীয়ু। নহাক য়ান্না ৰাবা চৈথেং অমা থেংনখ্রে, মদু নুংশিবদা নীংবা কায়বা ওইবসু য়াই, চিংননু। নহাক অৰাবদা তারবা মীশক অমনি হায়বসিদি লায়না খঙবা ঙম্মী। নহাকপু চহী কয়া শুরবগে?"

"চহী কুন্থা, অদুবু য়েংবদা য়াম্দ্রবদা নিফুমঙা শুরবা মাল্লবনি।"

ঐ মঙোন্দা মমায়দা মুন্না য়েংলম্মী। মহাক্কী খুইরবা অদুগা নীংথিনা কোয় ফানবীদ্রবা মায়থোঙ অদুনা মহাক অহল অমনি হায়বগী ইথিল পোকহল্লি। মাগী মকোক মতোন্দা অশাংবা শম খরা পাইরি, তরু তনাল্লি হায়বা য়াদ্রবা উনশা মথক্তা। মহাক পা শোংনা হৌই, নাতোন শুমাংগী অমদি কদাংগী কোই ফজনা থানা হৌরি। খঙহৌদনা কদোমদগীনো খঙদনা মাগী শম পুম্বা কেলহলখিবগী মরমদু অমোৎপা ঈশিংনা থল্লবা পাত্র অমগুল্লবা কোক্তগী ওইগনি হায়বগী মিৎয়েং অমা ৰাখন্দা ফাউজিল্লকখি।

"নহাক নহাক্কী চহীদগী হেঞ্জিন্না অহল ওইনা উরে হায়বা চুম্মী। নহাক হায়ফম খঙদবা অৰাব অমা শোয়দনা থেংনরম্লগনি।"

মহাক্না পাউখুম পীরকই: "ঐনা নঙোন্দা হায়রিবসিনি অদুগুম্বা

লৈখিদে। ঐনা অহল ওইশিল্লিবা অসিদি নুংশিৎ নুংশাদা চথোকতবগীনি। মী অমবু মাঙহনবা হায়বসি কেফ অমদা হিংবা পুন্সি অসিদগী হেনবা লৈত্রবনি।”

অদুবু ঐদি মাবু থাজবা ঙমখিদে।

“নহাক শোয়দনা লুহোংলমগনি। নুংশি নুংঙোন্দা তারুদবা কনা অমত্তনা নহাক্লা কোক তাংলিবা অশুন্না তাংবা ওইথোক্তবনি।”

মহাক মকোক হাইরম্মী, মদুদা মাগী কোক্তগী লুপৌ চাইথরকখি।

“নন্তে। ঐ নুপী মীহৌবা মীদি ওইরকখিদে।”

অদুগা মাগী মমিৎতু ঐখোয়গী কোকতা মৈশা লাংহল্লিবা মোমবর্ত্তিদা য়েংখৎলকই: “ঐগী কোক তাংহল্লিবসিদি গ্যেসননি। মসিনা শম মাঙহনবনি। ৱাইটর বোক অমা, নহাক্তি খৌরাংদব্রা?”

“য়াজরে, থাগৎচরি। তশেংনা নঙগী নতৌশিনা ঐঙোন্দা খঙনীংবা পোকহল্লে। করম্বা মতমদগী মসিগী নাতৈ চাদবশি লাকখিবগে? নহাক্কী পুন্সি অসি ময়ামগা মান্নদে, মসি ওইফম থোকপদু নন্তে। পুন্নমক অসিগী মরুমদা করিগুম্বা খরদি লোৎলি।”

“হোয়, মসি ঐগী অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌরকখ্রবনি। ঐনা নহা ওইরিঙৈদা য়ান্না থমোই শোকপা থৌদোক অমা থোকখ্রে, মদুনা ঐগী পুন্সিবু অমম্বা লম্বীদা পোলোই ফাওবা চিংদুনা পুখ্রে।”

“মদু করিনো হায়য়ুদনা।”

“মদু নহাক খঙনীংব্রা? ফরে, অদুদি তারো। নহাক ঐনা চাউরকখিবা লানবন অদু নহাক নীংশিংলিদনা, নহাকসু ছুটি মতমদা থা মঙা তরুক লেল্লবদো। নহাক নীংশিংলিদনা চাউরবা পার্ক অদুগী ময়াইদা লৈবা ৱাউরুনবা শঙ্গায় অদু, লমখৈ মরী য়ৌনা শন্দোক্লিবা ওক পাম্বী পরেং হৌবা শাংলবা লমজংদু। নঙ নীংশিংলিদনা ঐগী ইমা পাবুং, মখোয় অনীমক অচৌ অশাংনি, চীং-লেম্বনি, শাথীবনি।

“ঐদি ইমাবু য়ান্না নীংজৈ, পাবুংবুদি ঐ কী, অদুবু ঐ মখোয় অনীমকপু

ইকায়খুমনৈ, মখোয়গী মমাঙদা মীপূম খুদিংনা খুরুম্বদু উবদা ঐসু হৈনরকই। মখোয় মোন্সিয়ায় লে কোমতে অমসুং মেদাম লা কোমতেসে নি লৈবাক শীনবদা অমসুং ঐখোয়গী য়ুম্লোন্নবা তানোরেস, রাভেলেট, ব্রেনভিলেস ফাওবনা য়ান্না ইকাই খুন্নবীবদু।

"মতমদুদা ঐ চহী তরাহুমদোই শুরে। ঐ নুংঙাইবা, হরাও তয়াম্বতনা ঐগী শরুক ওইরম্মী চহী মতাং অসিদা পুন্সিগী মপূং ফাবা নুংঙাইবা ফংনবগুম।

"সেপ্তেম্বর লোইরমদাইদনি, কলেজ কাবা হৌগদবা নুমিৎ খরনিতা ঙায়রবা মতমনি। ঐ পার্ক অদুগী নাপী মচা মশু ময়াম হৌরিবা অদুদা উশা অমদি উনা মরক্তা শান্নরম্মী। ঐনা লম্বী অমা লাম্থোরকপা মতমদা বাবাগা ইমাগা খোঙনা হংচিৎ লাংবা অশুম চৎখিবদু উরম্মী।

"মসি পূন্নমক ঐনা ঙরাংতা থোকখিবগুম নীংশিংলি। নুংশিৎ য়ান্না শিৎপা নুমিৎ অমনি। উ পরেং হৌরিবশিং মালংগী শহুমদা হাইনা হুন্না খাংলম্মী, মখোলসু হৌনা থোক্লম্মী, মদু অকনবা নোংলৈ নুংশিৎকী মতমদা উমংদা নীনবা তানিংদ্রবা খোঞ্জেল অদুগুম্বনি।

"মঙ্গামপাল মচু চঙলবা উনাশিং কেল্লকখি, উচেক্লুম কোয়পাই পাইখি, পাইখৎখি অমুকসু তারকখি, অমুকসু লমজেল য়াংলবা শাশিংগুম লম্বীদা চেনখি।

"নুমিদাংৱাই ওইরকখি, অকুংবা মোশোংশিংদদি মমশিনখ্রে। নুংশিৎনা লিরি শিৎপা, উনাশিংনা লেংবা অদুনা ঐবু খোইরাংহল্লম্মী, ঐবু পূমঙাও ঙাওহল্লম্মী অমসুং লমহুয় খোংবগী মতৌ তমদুনা লাউরম্মী।

"ঐনা ইমা পাবুং নীংশিংলকপগা, মখোয়বু খংহনগে হায়বগী ৱাখলগা লোয়ননা মখোয়গী মায়কৈ তন্না শা অমা থিবগী মতৌগুন্না উশাশিংগী মরুমদা লোন্না চঙশিল্লম্মী। অদুবু য়ৌগদবা খরা রাৎলিঙৈদা কিবদগী লেপলম্মী। ঐগী পাবুংনা কীনীংঙাই ওইরবা মতৌদা লাউরকখি: 'নমাদু অপঙবীনি, অদুমওইনমক ৱাফম অসিদি নমাগী নত্তে। নঙগীনি, ঐনা হায়রিবসিনি ঐ শেন মথৌ তাই অদুনা নঙনা মসিদা নঙগী খুয়েক পীবদু ঐ পাম্মী।'

"ইমানা চেৎলবা ফিরেপ্ত হায়রকই: 'ঐ খুয়েক পীরোই। মসিদি জিনগী লায়বক্তা তমলবা ওইজরসনু। ঐনা মাগীদমক মসি ঙাক্তুনা থমগনি, নঙনা লুট

তৌবদু য়াহল্লোই। নহাক্না নহাক্কী ফংফম থোকপশিং লৈবগুন্না নুপী অমা ওইবগী শক্তীগা লোয়ননা মসি ঐনা ঙাক্তুনা থমগনি।’

“অদুদগী ববাদু শাউখিবনা থক থক নীক্লন্মী, লৈশিল্লকখি অদুগা মাগী নুপী অদুগী মখৌরি মেৎলন্মী, লেমহৌরিবা মখুৎ অমদুনা লৈজবী পাঙ্গল পুথোক্তুনা মায়দা খুপাক্না থাবা হৌরক্লন্মী।

“ইমাগী টুপি তাখরে, শম ইফা ফারে, মরেংজুমদা চোইনা তারে, মহাক্না ফুরক্লিবদু লৈথোকপা ঙাকথোকপা হোৎনৈ, অদুবু ঙল্লমদে। পাবুংনা অঙাওবা অমগুন্না ইমাবু ফুরন্মী। ইমা লৈমায়দা মমায় অদু মখুৎনা খুল্লদুনা উপ্তুনা খাংলন্মী। অদুদগী মহাক্না ইমাগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা মখা তানা ফুননবা লোংথোক্লন্মী, অদুগা ইমাগী মমায়দা খুল্লিবা মখুৎ অদু লৌথোক্লন্মী।

“মরূপ, ঐ চৎনরিবা তাইবঙপানগী পথাপ পূম্বা হোংখিদুনা মালেম অসি লোইশিনখ্রগদবগুম খল্লন্মী। কনাগুম্বা অমনা সুপরনেচরেল ওইবা পোৎশিং থেংনদুনা অমুক শেমগৎপা য়াররোইবা মওংদা অমাং অতা থোক্লবগুম ঐ পুবা থাংবা ঙল্লরোইবা অকিবা অমা মায়োক্লরন্মী। ঐগী অঙাং ওইরিঙৈ পূক্লিং অদু হায়ফম তৌফম খঙলমদে, গ্যান মাঙখিরন্মী। ঐনা ঙমজবী থাদুনা কপলন্মী করিগীনো খঙদনা, অকিবা ফংলবা অকি তুজুংবা, অৰাবা অমসুং অঙকপা মায়োক্লরবা অমা ওইনা। ঐনা কপ্পদু পাবুংনা তাখিরন্মী। লৈথোরকই অদুগা ঐঙোন্দা য়েংলকই। ঐবু উবদা মহাক ঐগী মায়কৈদা লাক্লন্মী। ঐনা খনখি মহাক ঐবু হাৎপা পাল্লমগনি অমসুং শাদানবনা তাল্লবা শা অমগুম অশোংবদা চুমদ্রিং চেনশিল্লন্মী।

“ঐ পুং অমা ওইবা য়াই অনী ওইবা য়াই, ঐ খঙদে, চেল্লন্মী। মমশিল্লকলবদা ঐ নাপী মথক্তা ফমথরন্মী, চোকথরদুনা অমসুং নীংবা কায়না মফমদুদা হিপথরন্মী, কিবনসু ঙাওরন্মী অমসুং তোল্লবা অঙাং অদুগী থমোই অদু মতম চুপ্পগী ওইনা কায়হনবা ঙল্লবা অৰাবা অদুনা চাথোকপীখ্রে। ঐ অইংবা অমসুং অরাম্বা খাংলন্মী। কাইনথংদা নোং ঙাল্লকখি। ঐ হৌগৎপা, চৎপা, য়ুমদা হনবা, মখা তানা চেনবা পুম্বা পাবুং থেংনরুগদ্রা খনবদা কিরন্মী, মহাক্না অমুক হন্না উনবা পামলমদে।

“ঐ খুদোংথিবা অমদি অরাম্বনা উখোঙ অদুদা শিরম্বা য়াই করিগুম্বা পার্ক পান্নবা

অদুনা ঐবু থেংনরমদ্রবা অমসুং মহাক্না নমদুনা য়ুমদা থিনবিরমদ্রবদি।

"ঐনা ইমা পাবুং মহৌশা মহৌশাগুম লৈমিন্নবদু উরম্মী। ইমা খত্তনা ঐঙোন্দা হায়রম্মী 'ঙাওশিন্নবা অঙাং, নঙনা ঐবু কয়াদা নুংশা থিহল্লবনো। ঐ অহিং চুপ্পা তুম্বা য়াখিদে।'

"ঐ পাউখুম পীরমদে, মদুগী মহুৎ কপলম্মী। পাবুংদি ৱাহৈ অমত্তা হায়রমদে।

"নুমিৎ নিপান্নিগী মতুংদা ঐ স্কুলদা লাকখি।"

"ফরে মরূপ, মসিনি ঐঙোন্দা থোকখ্রিবসি। ঐনা পোৎশিংগী অফবা-ফত্তবা নাকল অনীমক্তু থেংনরুরে। নুমিৎ অদুদগী অফবা নাকল অদু লৌশিনবা ঙমখিদ্রে। ঐগী পুক্নিংদা করি লৈরিবা, ঐগী ৱাখলবু ফাজিন্দুনা থল্লিবা অঙকপা ফিনোমেনোন অদু ঐ খঙদে। অদুবু ঐ করিসু পামদ্রে, করিমতা খল্লুদ্রে, কনা অমবু নুংশিবা, করিগুম্বা অমা পাম্মুবা, তৌনিংবা, আশা করিমতা লৈত্রে। অদুগা মতম চূপ্পদা ইমিৎশিদা উপায় লৈত্রবী ইমানা পার্কতা, লৈমায়দা ওনবা, পাবুংনা মাবু ফুবা অদু উদুনতা লৈ। ইমাদু চহী খরগী মতুংদা লৈখিদ্রে। পাবুংদি হৌজিকসু লৈরি। অদুগী মতুংদগী ঐ মাবু উনখিদ্রে। ৱাইটর বোক অমা।"

ৱাইটরনা মাগী বোক অমা পুরকই, মদু অমুক্কী খুৎচিংদা লোইশিনখি। অদুবু চুরূট অদু অমুক পায়খৎকে তৌবদা মখুৎ নীকপদগী মচৈ অদু কায়থোকখ্রে। "ইকাইখ্রেদ!" মহাক্না নুংঙাইতবা মওংদা হায়রকই। "তশেংনা অৱাবগী মশকনি। মসি মচু শঙনবা হোৎনবদা থা অমদি চঙগদৌরিবনি।"

অদুদগী মহাক্না মৈখু অমসুং য়ু থকপা ময়ামগী মীনিল অমদি মনন্না থল্লবা চাউরবা হোল অদু লান্না মাগী মতম চুপ্পদা খঙনদুনা লৈরবা খোঞ্জেলদুনা লাউনা কৌরকই: "গারকোন বোক অমা অদুগা অনৌবা পাইপ অমগা।"

# ১১-মশাবুং

মহাক ব্যুরো ওফ পব্লিক এদুকেসন্দা কেরানি ওইবনি অমসুং বাতিগনোলসতা লৈবনি। পেরিসতা অয়ুক খুদিংগী মহাক ওমনি বসতা ওফিস চৎলি মদুদা নুপীমচা মহাক্না নুংশিজবা অমগী মায়োক্নবদা অয়াম্বা মতমদা মহাক্না ফন্মী।

মহাক্তু দুকান অমদা থবক য়াওবিনি অমসুং পুংফম অমত্তদা নুমিৎ খুদিংগী হেক হেক  চৎলি। মহাক মশম মুবী পীক্তক তৌবী নুপীমচানি, মুনা মন্না উরিবা মমিৎ অনীদু শামু ময়াগুম ঙৌরবা কুচু অদুদা অমুবা দাগ অমা লৈবগুন্না উই। কেরানি অদুনা মাবু নুমিৎ খুদিংগী লম্বীগী থেকচিনবা মরুম অমদগী থোরকপা অমসুং মহাক্না অচৌবা গাড়ীদু ফানবা তান্নবা অমদি শগোলশিংদুনা লেপফাৎত্রিঙৈদা খোঙনেৎফমদা চোঙখৎপা অদু উরন্মী। অদুদগী মহাক মনুংদা শ্বর মপী হোন্দুনা চঙলকই অমসুং ফমথৈ অদুগা অকোয়বদা য়েংলকই।

মাবু অহানবা উবমক্তদা মাগী মায়থোঙ অদু ফ্রাঙ্কোইস তেসসিয়রনা পামজখি। কনাগুম্বা অমনা মহাকতু কনানো করিনো খঙদ্রিঙৈনা মাগী হেকতা ওইনিংবা নুপী করিগুম্বদা থেংনৈ। নুপী অদুনসু মহাক্না তৌরিবা ফিভম অদুদা

য়ানিংবা মাল্লি, থমোইগী থূপ্লবা কাচিন্দা করিনো খঙদনা নুংশিববু লাৎচবগুম তৌই।

মহাক মঙোন্দা য়েংনিংনা য়েংই, কল্লক মিহৌনা য়েংবদি নত্তে, অদুবু মদুনা মহাক্তুবু ঙাওহল্লন্মী অমসুং মমায় ঙাংশিলহল্লন্মী। মদু মহাকসু খঙই অদুনা মমিৎতো লৈথোক্লবা হোৎনৈ, অদুম ওইনমক মহাক্না অতোপ্পা নাকলদা য়েংগে হোৎনরবসু মিকুপ খুদিং অমুক হেক্তা খঙহৌদনা য়েংলুই, নুমিৎ খরনিগী তুংদদি মখোয় ৱা ঙাঙনখিদ্রবসু মশক খঙনরবগুম খন্নরে। করিগুম্বদা মী য়ামদুনা ফমফম ফংনদ্রবদা মহাক্না কৌশিন্দুনা নুপীদুদা ফমহল্লি অমসুং মদু তৌবদা নুংঙাইতবা তারবসু মহাক মপান্দা চৎখোকই। মতম অসিদা নুপী অদুনা মঙোন্দা খজিক্তং নোক্লগা থাগৎলক্কনি অদুবু অদুম্মক ওইরবসু নুপী অদুনা মাগী মিৎয়েং অদু মতম চুপ্পদা নুপাদুগী শকফমগী মখাদা থন্মী। অদুগুম্বা মওংদা য়েংবা অদুনা নুপাদুদা ইখৌ লাংবা অমা পোকহল্লবসু নুপী অদুবু মীঙোন্দা কায়হৌদবী অমা ওইনা উহল্লি।

মমৈথঙদা মখোয় ৱারি তৌনরক্লে। নোংমগী পুংখায় অমুক মরূপ মপাং ওইনা লোয়নবদুদগী য়াম্না থুনা মরূপ মপাং ওইবগী মরি অমা শাগৎখ্রে। পুংখায় অদুনা নুপা অদুগী পুন্সিদা খ্বায়দগী পূক্লিং হুরবা শরুক ওইররে। নোংমগী লেহৌরিবা মতম চুপ্পদু মহাক্না মহাক্তুগী ৱাখলদা লুপতুনা লৈ, ওফিসতা ফমলিঙৈদসু মাগী শক্তমদু মিৎমাঙদা উদুনা লৈ। কনাগুম্বা অমদা মহাক্না খ্বায়দগী নুংশিজবী নুপী অমনা থনম্বা নীংশিং-থৌদৌশিং অদুগুম ইতাউ তাউবা অদুবু কাউগে ঙমদ্রবা নীংশিং-ৱারী কয়ানা মঙোন্দা নৈশিন্দুনা লৈ অমসুং মাবু নুংঙাই ঈপাক্তা তাউহল্লি। অদুবু করিগুম্বা মহাক্না পীকতকপা মীশক অসিবু খুদুম চনবা ঙম্বা থোক্লবদি মীওইবনা পাঙথোকপা ঙম্বা থবক পুন্নমক্তগী হেনবা অমা ওইদুনা মদুনা মহাকপু নুংঙাইবনা ঙাওহনগদবা মাল্লন্মী।

অয়ুক খুদিং নুপী অদু মহাক্কা খুৎ শোক্লে অমসুং মহাক্না মহাক্তুগী পীক্লবা মখুৎ অদুনা শোক্লম্বগী ইহুল অমসুং খরা খজিক পায়শিল্লম্বগী নীংশিংবদু মথংগী নুমিৎ য়ৌদ্রিবা ফাওবা লেংদনা থন্মী অমসুং মাগী খুবাক্তা তাহৌবা মমি লেংদনা লৈরি হায়বগী ৱাখলদা নুংঙাইজে। মসিগী ওমনি বস তোংদুনা-চৎপগী খোঙচৎ অসিবু খোইরাংনা ঙাইজৈ, নোংমাইজিং অসি থমোই মচেৎ তানা কায়রবা নুমিৎ ওইরে। অদুম ওইনমক মহাক্না মাবু নুংশিবিরে হায়বসিদা করিসু চীংননীংঙাই

লৈত্রে মরমদি য়েন্নীংথাগী নোংমা থাংজা অমদা নুপী অদুনা মথংগী নুমিত্তা মাগা লোয়ননা মাইশোন-লাইফিতেদা চৎকনি অমসুং চাকলেন চামিন্নগনি হায়বগী থাজবা পীরে।

২

নুপী অদুনা মাবু ঙকহনবা মতৌদা রেল স্তেসন্দা হান্না লৈরম্লে অদুবু মহাক্না হায়রকই: “ঐখোয় চৎত্রিঙৈ মমাংদা ঐ নঙোন্দা ৱা খরা হায়বা পাম্মী। মিনিট কুনমুক্তী লৈরি, মসি ঐনা হায়নীংবসি হায়নবগী মতম মতিক চারী।” মহাক্না মাগী পান্থোমনা নুপীদুগী পান্থোমদা কোৎশিনবদা মশাদু নীকুন্মী অমসুং মখাদা য়েংথরন্মী, খজাই ঙাংশিল্লদুনা মখা তারকই: “ঐবু নহাক্না মীনম্বীবদু ঐ পামদে অদুনা হৌনদবা করিমতা তৌরোই হায়না নহাক্না ৱাশকত্রবা, থাজবা পীদ্রবা ঐ নঙগা চৎমিন্নবা ঙম্লোই।”

মহাক্তো মমায়দো লৈগুম ঙাংশিল্লদুনা মখা তারকখিদ্রে। নুপাদু করি পাউখুম পীগনি খঙদে, নুংঙাইরবা মিকুপশিদা নীংবা কায়বসু পুল্লরে। করিগুম্বা মহাক্না নুপীদুগী লিচৎ অদু থওই ৱাওইদবনি খল্লবদি মহাক্না মাবু নুংশিবদো শোয়দনা হন্থগনি, অদুবু খরা খজিক্তা নুংশিসন্নবা শাবসিসু কয়াদা শুমহৎনীংঙাই, নুংঙাইনীংঙাই ওইরিবা।

মহাক্না করিসু খুল্লকত্রবদা নুপীদুনা শাউনীংনা মমিত্তা ইরা চেল্লদুনা মখা তারকই: “করিগুম্বা ঐবু ইকাইখুন্নগনি হায়না ৱাশকত্রবদি ঐ য়ুমদা চৎলগনি।” অদুদগী মহাক্না নুপী অদুগী মখুৎতু তপ্না পায়রগা হায়রকই: “ঐ ৱাশক্লিবসিনি, নঙ নঙনা অপাম্বদুতা তৌহনগনি।”

নুপীদু পুক্নিং শান্তি ফংবগুম তৌরে অমসুং মীনোক অমগা লোয়ননা হংলকই: “নঙ শোয়দ্রেকো।”

অদুদগীদি নুপাদুনা নুপীদুগী মমিত্তা য়েংই অদুগা খুন্মকই: “ৱাশক্লিবসিনি।” “অদুদি টিকেট লৌরুরো।” নুপীদুনা হায়রকই।

গাড়ী অদু মী থনবা মরম্না মখোয় লম্বীদা ৱারী থোইনা শান্নরমদে অমসুং মখোয়না মাইশোন-লাফিতে য়ৌরবদা সেইন তুরেনগী মায়কৈদা চৎলম্মী। নুমিৎনা তুরেল মথক্তা, উনা অমসুং নাপী মথক্তা মপূং ফানা ঙাম্থরিবদু মখোয়গী থমোইদসু

মঙাল থকতোরকপগুম তৌরম্মী অমসুং মখোয়না তুরেল তোর্বান্দুদা ঈশিং মপান নক্না শান্নরিবা অপীকপা ঙা শঙ্গুদু য়েংলদুনা খুৎকা খুৎকা শন্নদুনা চৎলম্মী অমসুং মখোয় নুংঙাইবনা পাথোক্লে, হরাও মথোই কারদনা চৎলি।

কাইনথংদা নুপীদুনা হায়রকই: "নঙনা ঐসে কয়াদা পঙখ্রবনো হায়না খল্লমগনি?"

"করিগী?" মহাক্না হংলকই।

"অশুন্না নঙগা খক্তা লোয়নদুনা লাকপগী।"

"করিগী খল্লুনি, মসিদি হৌনশানি।"

"নত্তে, নত্তে, মসি ঐঙোন্দদি হৌনশা নত্তে। মরমদি ঐ অরানবা অমত্তা তৌনিংদে, অদুবু মসি নুপীমচাশিংদা তোয়না তারিবা অৰাবনি। তৌইগুম্বসুং চপ মান্নবা থৌদৌ অসি নুমিৎ খুদিংগী, থা অমদা নোংমতা কাংদনা, চহী অমদা থা অমত্তা লেপ্তুনা চথৈ হায়বসি খঙলবদি নঙনা মসি কয়াদা অৰাবগী মশক্নো হায়বা খঙগনি। ঐদি ইমগদা চিক্না লৈজবনি অদুগা মহাক্তি অৰাবা খুদোংথিবা কয়া মায়োক্নখ্রবনি, অদুনা অৰাবগী শক্লোন্দতা লৈ। ঐ ঐনা হেক ঙন্বা মখৈ অফবা তৌনবা হোৎনৈ অমসুং মতম পুম্বদা মাবু নোকহন্নবা হোৎনৈ অদুবু ঐ মতম চুপ্পদা মায় পাকপদি নত্তে। অদুবু মসি ঐঙোন্দা ফত্তবা অরানবা ওইনা থোক্লবসু মওং অমা হেক্তদা নঙোন্দদি অরানবা ফত্তবা ওইদবা য়াই।"

পাউখুম পীবা ওইনা মহাক্না নুপীদুগী মনা অদু খৌরাংনা চূপ্পুই মরমদি মদুনা মঙোন্দা খ্বায়দগী নকপা শরুক ওইরি। অদুবু নুপী অদুদি ইখং খংবা মতৌদা মঙোন্দগী চথোকখ্রে অদুগা খুদক্তা শাউগৎলদুনা হায়রকই: "হে! মোনসিয়ার, নঙনা ঐঙোন্দা ৰাশকখ্রবা মতুংদা কৈদৌরিনো!" অদুদগীদি মখোয় মাইশোন-লাফিতেদা হল্লক্লে।

মখোয় তুরেলগী নাকন্দা হৌবা চাউরবা পোপলার পাম্বী মরীগী মখাদা লৈবা অনেম্বা য়ুম অমদা চাকলেন চামিন্নরে। নুংশিৎ নুংশা অঙৌবা য়ুগী অশোনবা নিশা অমসুং লৈমিন্নরিবদুগী ইথিল ওন্থোক্না চুশিন্নখরে মদুনা মখোয় অনীবু মোন্থহন্দুনা তুমিন লৈহল্লে, মখোয়গী মায়থোঙশিং ঙাংলৈনরে, মখোয় ইনম নম্বগুম্বা ইহুল অমা ফাওরকই অদুবু কোফি থক্লবা মতুংদদি হান্নগুম অমুক হৈনীংলক্লে অমসুং সেইন তুরেন লাম্থোক্লে অদুগা তোর্বান্দা লা ফ্রেটে খুঙ্গং তন্না চৎখৎলে।

খঙহৌদনা মহাক্না হংলকই: "নঙগী মিংবু করি কৌবগে?"
"লৌইসি।"
"লৌইসি।" মহাক্না অমুক হন্না হায়রকই, মখাদি তারক্তে।

নুপীমচা অদুনা দাইশি হেক্লে অদুগা মদুনা নাচোম অচৌবা অমা শেন্মি, মতম অসিদা নুপা অদুনা থৱাই য়াওনা ঈশৈ শক্লি লৌবুক্তা শগোল মচানা মনীং তম্বগুন্না। মখোয়গী ওই থংবা নাকন্দা অঙ্গুরনা কূপশিল্লবা অঙন্বা লম অমনা তুরেলগী মতুং ইন্না শন্দোক্লি। ফ্রাঙ্কোইস ঙক্লদুনা লেংদনা লেপ্লী, অদুগা হায়রকই: "শিদা য়েংউ।"

অঙ্গুর হৌবা শরুক লোইখরে অমসুং অঙন্বা শরুক অদু শাৎলবা লাইলাক লৈগী মোংশোংনা কুপখরে। ঙাংলৈবা উমংনি। লৈগী পাক চাউরবা ফিরাংজি অমনা খুঙ্গং য়ৌবা ফাওবগী লৈমায়বু কূপলি, মদু মাইল অনী হেল্লি। নুপীদুসু লেপ্পি, ঙক্না অমসুং নুংঙাই মথোই কারদুনা শোল্লকই: "ও! কয়াদা ফজখ্রবা!" অদুদগী লৌবুক অদু লান্থোক্লগা মখোয়না নেমপক তৌবা হাংনা উবা চীংদু তন্না চেল্লকই। চীং অদুদি চহী খুদিংগী পেরিসকী লৈ য়োনফমশিংদা গাড়ীদা পুরক্লিবা লাইলাকশিংদু পুথোক্লিবা মফমনি। উখাদা অপীকপা লম্বী অমা লৈরি, মদুদা মখোয় চঙলক্লে অদুগা অপীকপা অনানবা মফম অমা লৈরিবদুদা ফমথরে।

হয়িংগী শঙ্গুনা মখোয়গী অকোয়বা ঙংলি অমসুং লেপ্তনা মেংলবা খোঞ্জেল থোকহল্লি অমসুং নুমীৎনা মপূং ফারবা অয়ুক নুংথিলগী অরংবা নুমিৎ ওইনা ঙাল্লদুনা অঙন্বা লৈমায়দা মঙাল হৈথরি অমসুং লৈরাং কয়ানা শাৎলিবা উমং অদুদগী ময়াক কল্লবা নুংশিরবা মনন্না মখোয় তন্না পায়রক্লি, নুংশিরবা মনমগী, লৈনমগী নীংশা শ্বর হোল্লি।

অরাপ্পদা চর্চকী পুংশিং তাকপা কাংশি খীংলকই, লোয়ননা মখোয় তপ্না তপ্না নকশিন্নরক্তুনা অমত্তা ওইখি, করিগুম্বা অমত্তা খন্থহৌদনা নাপী মথক্তা হিপথখি। তৌইগুম্বসুং, নুপীমচা অদুনা অচৌবা লায়বক থীবা অমা থোকখ্রে হায়বা থুনা খঙলক্লে অদুনা কপ্পা হৌরক্লে অমসুং মমায়দু মখুৎ অনীনা খুম্লদুনা থৱায় ৱানা শুৎ শুৎ কপলি।

মহাক্না নুপীদুবু থেমজিন্নবা হোৎনৈ অদুবু মহাক্তুদি ময়ুমদা খুদক্তা হনবা পাম্লে অদুনা 'হে ঈশ্বর" শোন্না শেন্না থুনা চৎখৎখরে।
মহাক্না মঙোন্দা হায়জৈ: "লৌইসি! ঙায়খো, শিদা লেপখিসি।" অদুবু হৌজিক্তি

মাগী খজাই অনীদু ঙাংলে অমসুং মমিৎ অদু কুৎলে অমসুং মখোয়না রেলদা পেরিসতা থুংবগা কায়নরসি ফাওবা হায়রমদনা নুপীদুনা মাবু থাদোক্লুল্লে।

৩

মথংগী নুমিত্তা ওমনি বসতা মহাক্না মাবু থেংনবা মতমদা মহাক্তো অহোংবা লৈবগুম অমসুং মশা পাশিনবগুম উরম্মী অমসুং মহাক্তুনা মঙোন্দা হায়রকই: "ঐ নঙগা ৱারী শান্ননীংই, বৌলবার্দতা কুমথখিসি।"

মখোয়না খোঙ লম্বী হেক য়ৌবগা মহাক্তুনা হায়রকই: "ঐখোয় অমনা অমনবু কাওনরসি, ঐ নঙগা অমুক হন্না উনবা ঙম্লরোই।"

"অদুদি করিগী?" মহাক্না হংই।

"মরম হায়ববু ঐ ঙম্লরোই, ঐ ইরাল লৈরবা মীশক অমা ওইরে, ঐ মদু অমুক হন্না তৌররোই।"

অদুদগী মহাক্না মাবু নুংশিজরুবা অদুনা লৈতাহন্দ্রদুনা মাবু থেম্বা য়াবা থেল্লে, অদুবু কানদ্রে, মাদি খোঙফম চেৎনা পাউখুম পীরকই: "নত্তে, ঐ ঙম্লরোই, শুকঙম ঙম্লরোই।"

মহাক্তি হেন্না খোইরাংলে অমসুং মাবু শোয়দনা লুহোংগনি হায়না ৱাশক্লে অদুবু মহাক্তুদি অমুক হন্না "য়াদ্রে" হায়রম্লগা মাবু থনম্লগা চৎখ্রে।

চয়োল অমা মহাক মাবু উদনা হৌখরে। মাবু উননবা মহাক হোৎনরুদ্রে অমসুং মাগী লৈফমসু মহাক্না খঙহৌদ্রে অদুনা মহাক্তু পুরা মাঙখরে হায়না খল্লে। মাপন্নি শুবা নুমিত্তা মাগী থোঙগী বেল খিংলকপদগী হাংদোকলুই, মদুদা মহাক্তু লেপতুনা লৈরম্লে। নুপী অদুনা চোংশিল্লকতুনা মথাদা কোল্লরে। মখা তানা অথিংবা অমত্তা লৈখিদ্রে, মখোয় থা অহুমদি নকশিন্নরবা মরূপ ওইদুনা লেল্লে। মহাক মাগ লোয়নবদু চোকথবা অমা ফাওরক্লে, নুপীদুনা নাশোন্ননা করিগুম্বা খরা হায়রকপদুদা মহাক ৱাখল অমা লাক্লে, মাবু করিনো অমা তৌদুনা থাদোকখ্রগে খল্লক্লে। অদুম ওইনমক মহাক মদু পাক হেক পাঙথোকপদি ঙমদ্রে, কমদৌনা হৌগদগে নত্রগা করি হায়গনি খঙদ্রে। মাগী হাথু হাথু চথখিবা চৎনবী থুগায়বা থৌওং অদুনা লাকহনগদবা ফল অদুগী অকিবনা লাংতক্লরদুনা মহাক্না অচৌবা খোঙথাং অমা লৌরে, অহিং অমদা মাগী লৈফম হোংদোকখ্রে অদুগা মশক অমুক হন্না উৎলখিদ্রে।

মদুগী চৈথেং অদু নুপী মচা অদুদা অশুক্কী মতিক কনখরে, মাবু থাদোক্লল্লগা চৎখ্রবা মহাক অদু থিরুগে হায়না ফাওবা খনখিদরে, মদুগী মহুত্তা মমাগী মফমদা চঙজদুনা মাগী লায়বক থীরবা থৌদোক অদু হায়দোক্লে অমসুং থা খরগী মতুংদা অঙাং নুপামচা অমা ফংজরে।

৪

চহী কয়া হৌখরে, ফ্রাঙ্কোইজ তেসিয়র মহাক্কী পুন্সিদা করিসু অহোংবা য়াওদনা অহল ওইশিনখরে। মহাক ওফিসকী কেরানী অমা ওইনা অশা অমসুং মঙলান করিমতা য়াওদবা তল্লবা, হঞ্জিল হঞ্জিল থেংনবদা চোকথরবা পুন্সি মহিং অমদা লেল্লি। নুমিৎ খুদিংগী চপ মান্নবা মতমদা হৌগৎলি, চপ মান্নবা লম্বীদা চৎলি, চপ মান্নবা থোঙ ফাওদুনা চৎলি, চপ মান্নবা পোৎথাংবা উন্নে, চপ মান্নবা ওফিসতা চৎলি, চপ মান্নবা চৌক্রিদা ফম্মী, চপ মান্নবা থবক তৌই। মাগী তাইবংপান ঈচিক চিক্লে, নাইতোম তারে, মখল মথেলগী থবক তৌমিন্নরিবা ময়াম অদুগী মরক্তা অয়ুক নুংথিলদা লৈরিঙৈদসু, পাখঙগী লৈফমদা অহিংদসু অদুবু মহাক অহল ওইশিল্লক্লবসু থা অমদা ফ্রাঙ্ক ১০০ চাদিং তৌথোকই।

নোংমাইজিং খুদিং লম য়েংবা চথোকই, লুনা নাল্লবা মীশিং, গাড়িশিং, মশজ ফজবীশিং য়েংই। মথংগী নুমিত্তা মাগা থবক পূনবা মীদা ৱারী লী। অদুম তৌবদুদা, নোংমা নোংমাইজিংগী নুংঙাইরবা অয়ুক অমদা মহাক মমা ওইবী অমসুং য়োকচবী কয়ানা লম্বীগী নকন্দা ফমদুনা মচাশিংনা শান্নবদু য়েংদুনা লৈবা পার্ক মোনকীউদা চৎলি মদুদা ফ্রাঙ্কোইজ তেসিয়র খঙপ্রেক খঙই। নুপী অমা চহী তরামুক শুরবা নুপামচা অমগা মরীমুক শুরবা নুপীমচা অমগা মখুৎ য়েৎ ওইদা শমদুনা লান্থোক্লুগা চৎখি। মদু মহাক্তুনি।

মহাক ওন্না তৈনবা নাকন্দা খুদূপ চান্মুক চথোক্লে অদুগা চৌক্রি অমদা থমোই ইহুলনা নমহত্তুনা ফমথরে। নুপীদুনদি মহাকপু খঙখিদে অদুনা অমুক হন্না য়েংনিংদুনা মহাক অমুক হল্লক্লে। মহাক্তু ফমথরম্মে, নুপামচাদু মাগী নাকন্দা তুমিন লৈরম্মী, নুপী মচাদুদি লৈঙোয়না লাবন শাবী শান্নরি। মসি মহাক্তুনি, শোয়দ্রে মহাক অদুনি, অদুবু মহাক ৱা ঙাঙগনদবী নুপী অমগী শক্তম লৌরে, অচম্বা ফিজোন শেৎলি অমসুং ইং-তপ্পা অমসুং চিং লেন্না উই। মহাক্না মহাক্তুবু

অরাপ্পদগী য়েংই, নক্লা চঙশিন্দুনা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থবক্তু তৌরুদ্রে অদুবু নুপা মচা অদু মমায় হাইগৎলকই অমসুং ফ্রাঙ্কোইজ তেসিয়রদু মশা তনীক তনীক্লে। মহাক অসি মহাকমক্কী মচানি, মসিদা চিংননিংঙাই লৈতে। অমসুং নুপামচাদুনা মঙোন্দা য়েংলকপদুদা চহী কয়াগী মমাঙদা লৌখিবা ফোটোক উরুবদগী মাবু মশক খঙখিবা য়াই হায়না খল্লদুনা মহাক উ মরুমদা লৈশিল্লি। অমসুং নুপীদু চৎখিবা ঙায়রে মরমদি মদুনা মহাক্লা মাগী মতুং ইন্নবা ঙমহনগনি।

মহাক অহিং তুম্বা য়াদ্রে। থোইদোক্লা অঙাং অদুগী ৱাখলনা মাবু ওৎলরি। মহাক্কী মচাদো! ওহ! করিগুম্বা মহাক্লা তশেংলে, শোয়দ্রে হায়বা খঙলবদি! অদুবু মহাক্লা কৈদৌরুবা ঙমগনি। অদুমওইনমক, মহাক নুপীদুনা লৈরিবা য়ুমদুদা চৎলে অমসুং মাগী মরমদা হংলুরে। মঙোন্দা য়ুমলোন্নবা, অদুবু লিচৎ শাজত্তা য়ান্না চেকশিনবা, ইকাই খুন্ননীংঙাই ওইবা নুপা অমনা নুপী অদুগী অৱাবদু খঙবীরদুনা মাবু লুহোংদুনা লৌখ্রে, মহাক্লা নুপীদু মরাল খরা লংজরুরে হায়বদু খঙনা খঙনা লুহোংখিবনি, ফ্রাঙ্কোইজ তেসিয়রগী মচাদু মহাক মশাগী মচানি হায়না য়াজখরে হায়না খঙহল্লক্লে।

নোংমাইজিং খুদিংগী মহাক পার্ক মোনকীউদা চৎলি, মদুদা মতম পুম্বদা মহাক্লা নুপী অদু থেংনৈ অমসুং থেংনবা খুদিংগী মচা অদুবু মথানুংদা চেৎনা কোন্নীংবা, পেন্না চুপ্পিংবা, হুদুনা পুনিংবগী থিংঙমদ্রবা অপাম্বা অমনা মাবু অশুম ঙাওহল্লি। পাখং শরি অমা ওইবগী নাইতোম তাবগী অৱাবা চৈথেং অকিবা ফংনা খাঙলি, মাগীদমক য়েংশিনবীনবা কনা লৈতে অমসুং হৌখিবা থৌদোক্কী নুংনাংবা, অপাম্বা অমসুং মীহৌবদগী হৌরকপা মপা ওইবগী নুংশিবা অদুনা নুংশি হৈতনা ৱাখল পুক্লিংদা ওৎলবগী চৈনা খাংলি অমসুং মী অমনা মাগী মচাবু নুংশিজবগী মহৌশা লাইরেম্বীনা পীরকপা মতৌ অদুনা থমোইবু মচেৎ তাহল্লি। মমৈথঙদা কয়াদি থাজফাত্তবা থৌরাং অমা তৌরগে লেপ্লে অমসুং নুপী অদুনা পার্কতা লাকপা মতমদা মহাক্তু তন্না চঙশিল্লে অদুগা লম্বী ময়াইদা মমাঙদা লেপ্লগা তাইফেৎ তাইরদুনা, মচিনবান নীক্লা হংই: "নঙ ঐবু খঙলিব্রা?"

মহাক মমিৎতু য়েংখৎলকই, মঙোন্দা য়েংলকই, কীবা অমদি থকৎপগী খোঞ্জেল থোকখি অমসুং মখুৎ অনীদা অঙাং অনীদু চীংদুনা থুনা য়াংনা চেনখ্রে, ময়ুম য়ৌরবদা থেম্বা য়াদবমখৈ কপলুরে।

মহাক্তু উদনা অমুক থা কয়া হৌখরে অদুবু মহাক্তী অয়ুক নুংথিল নুমিদাং

মপা অমা ওইবগী নুংশিবগী মৈচাক খাঙলি। করিগুম্বা মাগী মচাবু চূপচবা ফংলবদি মহাক হরাও নুংঙাইবনা শিরনি, মহাক মী হাৎপা ফাওবা ঙমগনি, থবক অমা হেক্তা পাঙথোকপা ঙমলগনি, খুদোংথিবা অমা হেক্তা মায়োক্নবা ঙমলনি। মহাক্না মঙোন্দা চিথি থাখি অদুবু মহাক্তুনদি পাউখুম অমত্তা হল্লকতে। চিথি কুনগী মথক্তা ইরবা মতুংদা মহাক্না নুপী অদুগী লেপখ্রিবা খোঙফম অদু হোংহনবা ঙমগনি হায়বগী অশা মাঙখ্রে অমসুং অদুদগীদি মহাক্কী মপুরোইবদা ইরগে হায়না অঙাওবা ৰারেপ অমা লৌরে মদুগীদমক মাগী নুপা অদুনা নোংমৈনা কাপকে কাপখ্রসনু খল্লে। মাগী চিথিদু ৰাহৈ পরেং খরতনি, মখাগী অশুন্না ইরি:
"মোনসিয়র ঐগী মিংশি তাবদা অকিবা চাওনা পোক্লমগনি অদুবু ঐ অসুক্কী মতিক নীংবা কায়রে, অৰাবা খুদোংচাদবনা লাকহৎলে, মসিদগী নাম্ত্থোক্নবগী লম্বী অমখক্তং নঙোন্দগী অশা তৌরি অমসুং ঐগা মিনিট মঙাখক্কী উনবগী মতম পীবিনবা নফমদা হায়জরী। অদোমবু ইকাইখুম্নজরী।"

মথংগী নুমিত্তা মহাক্না পাউখুম ফংলে।
"মোনসিয়র, ঐনা নহাকপু হয়েং লৈবাকপোকপগী পুং মঙাদা লাকপীনবা অশা তৌজরী।"

ফ্রাঙ্কোইস তেসিয়রনা সিরিদা কাখৎলকপদা মাগী মীহুন অশুক্কী মতিক কন্না চোংলকখ্রে, মহাক কায়রক লেপলম্মী। মহাক্কী থবাক মনুংদা তানিংদ্রবা অমসুং লাক্লবদা ৰারবা মখোল থোক্লি মদু শাশিংনা খুরূপ থাদুনা চেনবগা মান্নরে অমসুং মহাক য়াম্না ৰানা শ্বর হোল্লে অমসুং তাদনবা খুৎপায়ফমদা চেৎনা পায়রি।

মহাক্না অহুমশুবা ফ্লোরদা বেল খীংই অমসুং মীনাই নুপীদুনা থোঙ হাংদোরকপগা মহাক্না হংই: "মোনসিয়র ফ্লামেল মফমসিদা লৈবীব্রা?"
"লৈজে মোনসিয়র, চানবীদুনা চঙবীরকউ।"

মহাক মী ঙাইফম কাদা চঙলে, মহাক মতোমতনি অমসুং ঙায়রি, ৰারী পোলোইগী খল্লুবদা মিহুল থরক চেনখৎলি। থোঙ অমা হাঙদোরক্তুনা মী অমা চঙলক্লে। মহাক মরেপ ৰাংই, য়াম্না লুনা লৌগনবা মীতানি অমসুং মশা নোয় চাউই অদুগা অচোনবা কৌট অমনা লিৎলি অমসুং মখুৎনা চোক্রিদা থিল্লি। ফ্রাঙ্কোইস তেসিয়র ফমথরে, অদুগা শ্বর ফুনগৎলদুনা হায়রকই: "মোনসিয়র, মোনসিয়রনা ঐগী মিং খঙলিদ্রা ঐ খঙদ্রে, করিগুম্বা খঙবীরম্বা---"

মোনসিয়র ফ্লামেলনা মরক থৎলকই: “মদু নঙনা ঐঙোন্দা হায়বগী মথৌ তাদ্রে, ঐ খঙলে। ঐগী নুপীনা নঙগী মরমদা ঐঙোন্দা হায়খ্রে।”

মহাক্না অফবা মী অমগী পুকচেল চাউবগী খোন্থোক্তা অমসুং ইকাইখুন্নবগী মশক ওইরবা মী অমগী চৎনবা মওংদা চিংলেন্না শমজিনবা প্যামদুনা হায়রকই। অদুবু ফ্রাঙ্কোইস তেসিয়রনা মখা চত্থরকই।

“ফরে, মোনসিয়র, ঐনা হায়নীংবদি অসিনি ঐসি পূক্নিংদা অৱাবা, নিংঙমদবা, ইকায়বনা শিগদৌরে অদুনা ঐ অঙাংদু অমুক্তা য়েংজখিগে, পেন্না অমুক্তা চূপচখিগে।”

মোনসিয়ার ফ্লামেল হৌগৎখ্রে অমসুং বেলদু খিংই অমসুং মীনাইদু লাকপা মতমদা মহাক্না হায়খি: “লুইসপু নঙনা খরা মফমসিদা পুরকউ?” মহাক্না চৎখ্রবদা মখোয় মায় মায় ওনশিন্নদুনা ফমনৈ ৱা ঙাঙনদে, অমনা অমদা হায়নবা ৱাহৈ লৈনদ্রে অমসুং ঙাইনরি। অদুদগী খঙহৌদনা চহী তরামুক শুরবা নুপামচা অমা কাদা লাক্লে অমসুং মহাক্না মপাবুংনি হায়না খঞ্জরিবা অদুগী মনাক্তা চেনশিল্লি, অদুবু মীতোপ অমা উবদুদা লেপ্পী অমসুং মোনসিয়র ফ্লামেলনা মাবু চূপ্পী অদুগা হায়: “হৌজিক্তি চৎলো নুংশিবা, জেন্তলমেনসি চূপ্লুরো।” অদুদগী অঙাং অদু মীতোপ অদুগী মনাক্তা চঙশিল্লকই অদুগা য়েংই।

ফ্রাঙ্কোইজ তেসসিয়র হৌগৎলকই। মহাক্কী টুপিদু তাহনখ্রে অমসুং মহাক্না মচাদা য়েংনা য়েংনা খুনগে থৌরাং তৌরক্লে, মতম অসিদা মোনসিয়র ফ্লামেল হৌনা খঙবা উৎপা ওইনা মমায় লৈথোকখরে অমসুং থোঙনাউদা—য়েংদুনা লৈখ্রে।

অঙাং অদু ঙহাক চঙক্লে অদুবু মহাক্না তুপি অদু লৌখৎলে অদুগা মীতোপ অদুদা পীরে। অদুদগী ফ্রাঙ্কোইসনা অঙাং অদু পমখৎলে অদুগা মমায়দা, মমিৎতা, খজাইদা, মচিনদা, মশমদা মফম খঙদনা পঙচুপ্পা চুপখৎলক্লে, মতৌদুদা কীরবা অঙাং অদুনা মঙোন্দগী নম্থোক্লবা হোৎনরি, মমায় লৈথোক্লি অমসুং মাগী পীক্লবা মখুৎ অদুনা নুপা অদুগী মমায় ইন্থোরকই। অদুদগী খঙহৌদনা ফ্রাঙ্কোইস তেসিয়রনা মাবু থম্মে অদুগা লাউনা হায়রকই: ‘কায়নরসি, কায়নরসি।” অদুদগী মহাক হুরানবা অমগুম কা অদুদগী চেন্থোকখরে।

# ১২- ইমুং অমা

ঐনা চহী তরামঙা চূপ্পা উখিদ্রবা ঐগী অরিবা মরূপ সাইমন রাদেভিনবু উরম্মী। মতম অমদা ঐগী খ্বায়দগী চান্নবা মরূপ ওইখিবনি, থমোই মশক খঙনবা, অদুগা মতম কুইনা নুমিদাংৱাই কয়া চিক্না লেনমিন্নখিবা, অরোনবা নুংশি ৱারী লিনখিবা মরূপনি। মাগা ৱাহং-পাউহংনদুনা মমল য়াম্লবা, পূকচেল তিংবা, লৌথূপ লৌকোই লৈতবা, নুংশিরবা ৱারীশিং হৌদৌক্লরুবদগী মিনুংশি পোক্লরক্তুনা মাগীদা পোথানীংবগী ৱাখল অমা পোকহল্লে। চহী কয়া লৈমীন্নবদা মাগা ঐগা থাদোক্লবা হায়বসি তাংনা থোকখি, ঐখোয় লৈমিন্নখি, কোইমিন্নখি, ৱাখল পুনখি, মঙ মঙমিন্নখি, অপাম্বা অনীংবা মান্নখি, মা-ঐ পামজবা অইবসু মান্নখি, অৱা-নুংঙাইগী ইহুল পুনখি অমসুং মী অমবু হেক উবগা মাগী মরমদা খঙবগী মওংসু  মান্নখি।

অদুদগী মহাক লুহোংখরে। মহাক্না লুহোংলিবসি অরাপ্পা লমদমদগী পেরিসতা য়ুম্বান লম্বী থিবা লাকপী নুপীমচা অমগনি। পীশক পীকপা, ময়াং কংবী, মরেপ মঙাল য়াওদবী কুচু ঔৌবী নুপীমচাদুনা শোল্লবা মখুৎ, তরু তরু

তরাও তরাওবা অচন্বা মমিৎ অমসুং ময়েক শেংলবা চমজরবা ৰাঙাংদুগা চান্মরক হন্না লূহোংবা য়ারবী লাইথিগুম্বী অদুনা বুধি লৌশিং লৈরবা অমসুং হৈ শিংলবা নুপা মচা অমবু করন্না ফাখিবা? মদুবু কনানা খঙবা ঙম্লুনি? মহাক্না খল্লম্বা য়াই নুংঙাইনবা, চন্না, ইঙনা অমসুং তুং কোইনা শাংনা নুংঙাইনবা অফবা, মিনুংশি চাউবী অমসুং থাজরবী নুপী অমগা হিংমীন্নগে, মদু পূম্বদু মহাক্না মশম ঙৌবী স্কুল গার্ল অদুদা মনুং থিৎনা য়েংবদা উরম্বা য়াই। মহাক্না য়ান্না একতিপ ওইবা, চঙ চঙ লাউবা, ঙহাক্তা তুমিন লৈতবা মী ওইগে হায়না খল্লমদবা য়াই মরমদি মহাক অদুদি অশেংবা অচুম্বা অদু হেক খঙলকপগা খুদিংমকপু তুক্কচরকই, অদুগা করিগুম্বা মহাক্না তমথীবা মী ওইদ্রবদি তশেংনা করিশু খঙবসু ঙমদে।

ঐনা মাবু অমুক হন্না থেংনবসিদা মহাক করি ওইরম্মী? হৌজিকসু হৈনীংনা, ৰাঙাং শাঙাং হৈ-শিংনা, অৰাবা করিসু খল্লুদনা অমসুং থৰায় য়াওনা হিংলিব্রা নত্রগা খুঙ্গংগী পুন্সি মহিংনা নমদুনা য়াহন্দুনা পঙথখ্রবা পুক্নীংগী ফিভম অমদা হিংলিবরা? চহী তরামঙাগী মনূংদা মী অমসি য়ান্না হোংবদি য়াই।

ঐনা তোংলকপা ট্রেন অদুনা অপীকপা স্তেসন অমদা লেপখি মদুদগী ঐনা থোরকপগা য়ান্না নোয়রবা, মখজাই ঙাঙবা নুপা অমা চাউরবা মবুক অদু পুরদুনা "জোর্জ' হায়না লাউরগা মপাম্বোম থাঙ্গৎতুনা চেনশিল্লকখি। ঐনা মাবু কোনশিনখি অদুবু ঐদি মাবু মশক খঙবা ঙমখিদে অদুনা ঙক্লদুনা হায়খি: "হে ঈশ্বর, নঙশি করিমতা ময়েং তারমদ্রি!" মদুদা মহাক্না নোক্লদুনা খুন্নকখি: "করিনো নঙনা খল্লিবো? নুংঙাইনা লৈরবা, চাবা ফরবা অদুগা তুম্বা ফরবা অদুননি। চারা-তুম্মা লৈবা হায়বসিনা ঐগী পুন্সি খুহিংনি।"

ঐনা মাবু চেকশিন্না য়েংখি, পাক্লবা মায় অদুদগী অশুক নকশিন্নরবা মীশকশি কনানো পুথোক্লবা হোৎনখি। মাগী মমিৎতুখক্তং হোংলমদ্রি অদুবু মদুদা হান্নগী এক্সপ্রেসন অদুদি উবা ফংখিদ্রে অমসুং ঐনা ইথন্তা শোঞ্জখি: "করিগুম্বা এক্সপ্রেসন অসিনা পুক্লিংগী মমিনি হায়রবদি, মাগী কোক অসিদা খল্লিবসি ঐনা নীংথিনা খঙখ্রবা হান্না খল্লম্বা ৰাখল অদুদি নত্রে।" ,

অদুবু মাগী মমিৎতু লংই, নুংঙাইবা অমদি মরূপ মপাং ওইবগী মতৌনা থল্লি, অদুম ওইনমক মমিৎ অনীদুদা ময়েক শেংনা য়ান্না খঙহৈরবা অমগী

খঙগন উগনবগী মতৌ অদুদি ফোঙদোকত্রে। খঙহৌদনা মহাক্না হায়রকই: "সিদা ঐগী ইচা অচৌবী অনীসি লাক্লে।" চহী তরামরী শুরবা, হান্ননা ময়ুম পাল্লুরবা মাল্লবী নুপীমচা অমা অমসুং নুপামচা চহী তরাহুমদোই শুরবা অমা লিচি দগী লাকপা নুপাশিংনা শেৎপা ফিজোল শেৎলদুনা নীংজিং মাংজিংনা, লকক তৌনা চঙশিল্লকই অমসুং ঐনা তপ্না হায়: "মখোয়শি নঙগী ঙাক্তরা?" "মান্নি, ঐগী ঙাক্তনি।" মহাক্না নোক্লদুনা খুন্মকই।

"কয়ানো পুন্না?"

"মঙানি, য়ুমদা অহুম লৈহৌরি।"

ৰাহৈশিংশি মহাক্না চাউথোক্না, পেঞ্জনা, পুরা মায় পাক্লবা মী অমগুন্না হায় অদুবু মাগী চাদা নাওদা শন্দোকপগী অহাংবা নাপল অমসুং করিসু লৈতবা মতৌ অদুবু থওই-ৰাওইদবগী ময়েক শেংফাত্তবা, ময়ান তুয়ান ওইবা ইহুল অমদগী হায়ফম খঙদবা মিনুংশি অমা ঐঙোন্দা পোক্লকখি।

ঐনা গাড়ী অমদা তোংখৎলি অদুবু মদু মহাক মশানা থৌবা ওইরল্লে অমসুং ইতাক তাক্লবা, মমশিল্লক্লবা সহরগী লন্বী, হুয় খরা মীনাই অমা অনীদগী হেন্না চৎপা উদ্রবা অদু ফাওদুনা চৎলি। করি করিগুম্বদা দুকান্দারশিং মখোয়গী থোঙজিন্দা লেপ্পা য়াওরি, তুপি লৌথোক্তুনা ইকায় খুন্নবা উৎলকপদু সাইমন্না ওকই অমসুং মী অদুগী মমিং ঐঙোন্দা তাক্লি, মদুনা লৈমিন্নরিবা পূম্বদু মাগা শক খঙনৈ হায়বদু উৎলি, ৰাখল অদুনা ঐঙোন্দা মহাক অসিবু চেম্বর ওফ দিপুতিগী মীরেপক ওইগদৌরিব্রা হায়না খলহল্লকই, প্রোভিন্সতা লৈবশিংনা মঙজবা মঙ অদুগুন্না।

ঐখোয় থুনা সহর থাদোক্লল্লে অমসুং গাড়ী অদু পার্ক অমগী মতৌ মানবা লৈকোন অমদা লৈশিল্লকই অমসুং চোংঙাবন য়াওবা য়ুম, খুঙ্গংদা মতম লেন্নবা থম্বা য়ুম অদুগুম্বা অমগী মমাঙদা খাল্লন্মী।

"মসি ঐগী মকোন্নি।" সাইমন্না হায়রকপদুদা ঐনা মখা শমথরদুনা পাউখুম পী: "ফজৈনে।"

নুপী অমা মী ওক্লবগী ফিজোন শেৎলগা অমসুং মী ওক্লবগী হান্ননা শেম

শারবা ৰাহৈ ৰাতাগা লোয়ননা থোঙজিন্দা লেপ্লরে। মহাক মশম ঙৌবী মঙাল য়াওদবী নুপীমচা ওইনা চহী তরামঙাগী মমাঙদা চর্চতা উখিবা অদুদি ওইদ্রে, হৌজিকতি নোয়রে চহী লেপফম খঙদ্রবীশিংগুম থোক্নোই নাকোই হাথু হাথু চৎলে, অহৈ-অশিং ওইবগী মতৌ য়াওদ্রে, নুপী অমা ওইনা লৌনবগী মচাকশিং অমত্তা য়াওদ্রে। তেনশিন্না হায়রবদা মহাক মমা অমা ওইরে, নোয়রে, মীচম ময়ামগা মান্নরবা মমা ওইরে, চাদা নাওদা শন্দোক্লবা মেচিন ওইরে, মদুনা মচা অমসুং মশু শেন্নবা অমসুং চাক থোঙবা নত্তনা অতৈ শিনফম পূন্বা কাউহনখরে।

মহাক্না ঐবু ওকই অমসুং ঐ মনূংদা চঙলে, মদুদা অঙাং অহুম অৰাং-অনেমগী মতুং ইন্না মথং মনাও লেপ্তুনা মেয়োরগী মমাঙদা ফয়ারমেনশিংনা পরেং লেংবগুম লৈরি। ঐনা হায়: “ও! ও! মখোয়শিনা অতৈ নচাশিংদুনি হায়বা?”

সাইমন্না নুংঙাইবনা মায়থোঙদু ঙান্থোক্লদুনা মখোয়দু মশক তাকই: “জিন, সোফি অমসুং গোনত্রা।”

দ্রোইং-রুমগী থোঙ অদু হাঙদোক্লি। ঐ চঙশিল্লে অমসুং ইজিচিয়ার অমদা অহল ওইরবা, মশা পঙথরবা অমা থক থক নিকপা উরম্মী। মেদাম রাদেভীন চঙশিল্লকই অদুগা হায়রকই: “ঐখোয়গী ইপুবোক্নি, মোনসিয়ার, মহাক চহী মরীফু তরেৎ শুরবনি।” অদুদগী নীক্লিবা অহল অদুগী মনাকোংদা লাউশিল্লি: “পাপা মসি সাইমনগী মরূপনি।” অহল মতম ওইরবা জেন্তলমেন অদুনা ঐঙোন্দা ‘গুদ-দে’ হায়বা হোৎনদুনা শোল্লকই: “উৰা উৰা উৰা।” মখুৎ হাইরি অমসুং ঐনা ফমফম অমদা ফল্লদুনা হায়: “মোনসিয়র, নহাক্কী থৌজান্নি।”

সাইমন চঙলক্লগা নোক্লদুনা হায়রকই: “অদুদি, ইপুবোক্কা শক খঙনরেদনা। অহল অসি, মসি মমল য়াম্বা পোৎশক অমা ওইরবনি, অঙাংশিংগীদি নুংঙাইজবীনি। অদুবু মহাকসি অশুক্কী মতিক করাম চাউই, চাকলেন চাবা খুদিংগী মশাবু হাৎতোকচনবগী থবক তৌই। নঙনা মহাক করি চাগদগে হায়বসি মহাক্না অপাম্বদু তৌহনদ্রিবা মখৈ খঙলোই। অদুবুদি নঙ উরনিদা, থুনা উরনি। মহাক্না অচা অথকশিংদুদা মশক ফজবী নুপীমচা কয়া লৈরবগুম য়েংগনি। অশুক

য়াম্না নোক্লিংবা নহাক কৈদৌঙৈদা উখিরল্লোই, হৌজিক নশামক উরগনি।"

ঐঙোন্দা ঐনা লৈগদবা কা অদু তাক্লে অদুগা চাকলেনগীদমক ফি হোংনবসু খঙহল্লে। ঐগী তুংদা সিড়িদা চৎপগী অহৌবা মখোল অমা তাবদগী লৈদুনা য়েংলুই, অঙাং পূন্নমক অদু মপাগী মতুংদা ইন্নরকপা ওইরম্মী, ঐঙোন্দা ইকাই খুন্নবা উৎলিবনি হায়বসিদা চীংনীংঙাই লৈতে। থোঙনাওদা য়েংথোকখিবদা অকীবগী মশক ওইরবা, লোইবা খম্বা নাইদবা লমহাং অমা নাপী, গেহু অমসুং ওট পাম্বীনা থল্লদুনা শন্দোক্লুনা, উপাল ৱাপাল করিমতা হৌদনা নল্রগা তোংখৎপা শরুক য়াওদনা লৈরিবদু উই, মদুনা থূক লাউবা অমসুং অৱাবগী মশক ওইরবা পুন্সিগী মশক অমা উৎলি ইমুং অসিনা হিংলিবা মওং অসিগা মান্ননা।

কাংশি অমা খিংলক্লে, মদু চাকলেন শেম শারে হায়বগীনি অমসুং ঐ মখাদা কুমথরে। মেদাম রাদেভীন্না ঐবু চৎনবী ওইনা খুৎ শমদুনা চাকশঙদা পূরে। মীনাই অমনা অহল অদু মাগী আর্মচিয়ার অদুদা ইন্দুনা পুরক্লে। মহাক্না নিক্লুবা মকোক অদুনা পুখম অমদগী অমদা লৈদুনা মীহৌনা অমদি কল্লক্লা হৈরা অথুম অহাওশিংদা ৱানা হোৎনদুনা য়েংই।

শাইমন্না মখুৎতু শেংদোকপী: "নঙ হরাও নুংঙাইবা হৌরক্লনি।" মহাক্না হায়রকই অমসুং অঙাং পূম্বা অদুনা মখোয়গী কারাম চাউবা মপুবোক্তু উবদা তৌনিংবা তৌরক্লনি হায়বা খঙলদুনা নোকপা হৌরকই, মখোয়গী মমা অদুদি খজিক্তং নোকই অদুগা মরেংজুম শুপকৎলি অমসুং সাইমন্না মখূৎনা লারৈ শেল্লগা অহল অদুগী মনাকোংদা লাউশিল্লি: "ঙসিগী নুমিদাংৱাই অসিদি ক্ষীর ওইনা তৌরে।"

মপুবোক্কী খুইরবা মায়থোঙ অদু হরাওনা উরকই অমসুং মখোঙদগী মকোক ফাওবা কন্না নীকখৎলকই মদুনা মহাক খঙলে অমসুং নূংঙায়রে হায়বা উৎলি। চাকলেন হৌরক্লে। "মসি য়েংউ।" সাইমন্না নাশোন্ননা হায়। অহল অদুনা সুপ অদু পামলমদে অদুনা চাউ হায়বা য়াদ্রে, অদুবু মহাক্কী হকচাংগী খল্লগা পীজদবা য়ারোইদৌরি। অদুনা মীনাই অদুনা চমস অদু মাগী ময়াদা নমদুনা ইনশিল্লি, অহল অদুনা কন্না ইন্থোরকখ্রে, অদুনা সুপ অদু য়োৎপগী মহুত্তা তেবলদা চায়খায়রে, থংনবগীসু য়াওনা। কুমহৈগুম্বা থৌওং অদুদা অঙাংশিং

নোকপদা পুক্লি তিংনরে, মপা অদুসু নোক্লদুনা হায়রকই: “মসি অহলসি নোক্লিংদ্রা?”

চাকলেন মনুং অদুদা মখোয় পূম্বা অহল অদুদা মতম লেল্লে। মহাক্লা তেবীল মথক্তা লৈরিবা অচা-অথকশিং অদুদা চানীংনা য়েংই অমসুং মাগী নীক্লবা মখুৎ অদুনা পায়নবা অমসুং মনাক্তা চিংশিন্নবা হোৎনরি। মখোয়না পোৎশিংদু মহাক্লা লান্নবা হোৎনবদা অরেম্বা তাবা অমসুং মাগী নীক্লবা মখুৎ অদুনা পায়নবা হোৎনবা, মমিৎকী, মচিনগী, মনম নমলিবা মনাতোনগী মিনুংশি পোক্লীংঙাই ওইবা মতৌ অমসুং চানীংবনা হেন্দুনা তেবীল নেপকিন্দা মতিন চোবা, মতমদুদা খোন্থোক্তি শেংদনা পেন্দবা ফোঙদোকপা পূন্নকসি য়েংনবগীদমক মানা লাম্বা ফংবা মফমদা থম্মী।

অদুদগী মখোয়না মাগী প্লেট অদুদা অপীকপা চখোম অমা থম্মী অমসুং মহাক্লা মদু অরাম খৌরাংবনা খাংঙমদ্রবা অমগুম চাথোক্কনি, ঙল্লিবমখৈ থুনা মখা হাপথরক্লগী মতৌনি অমসুং চাক অঙৌবা পুরকপা মতমদা মহাক খঙবগুম তৌই অমসুং কল্লক-মীহৌনা শোল্লকই অমসুং গোনত্রান্না মঙোন্দা খঙহল্লি:

“নহাক হান্ননা মতিক চানা চাখ্রে, হেন্না চাবা য়াররোই।” অমসুং মখোয়না মঙোন্দা করিমতা পীররোই হায়না তৌশিন্নৈ। অদুদগীদি মহাক কপ্পা হৌরকই, লাউরকই অমসুং হান্নদগী হেন্না কন্না নীকখৎলকই, মদুদা অঙাং পুম্বা হৌনা নোক্লকই। অদুম ওইনমক, অরোইবদা মঙোন্দা মতেং পীদুনা য়ান্না পীকপা মচেৎ অমা পীবীরে অমসুং মহাকনা অহানবা চখোম অমা চাবা মতমদা মহাক্কী মখনাওদা নোক্লিংবা পোকপা খোঞ্জেল অমা থোক্লকই অমসুং ঙানুনা অচৌবা চখোম অমা য়োৎপদা তৌবগুম মঙকতু লেংলকই অমসুং মহাক্লা মদু য়োৎপা মতমদা মখা হেন্না ফংননবা মখোঙ থিনবা হৌরকই।

তান্তালুসকী ৰাহনবগুম তৌবা অমসুং নোক্লিংঙাই ওইবা মতৌ অদুদা মীনুংশি পোক্লকই অমসুং মাগীদমক্তা মরক থৎচিল্লম্মী: “লাকও, চাক খজিক্তংগা হেন্না পীয়ুদনা।” তৌইগুম্বসুং সাইমন্না পাউখুম পীরকই: “নত্তে মরূপ, করিগুম্বা মহাক্লা য়ান্না চাশিল্লবদি মহাক্কী চহী মতাং অসিদা অমাঙবা ওইগনি।”

ঐ তুমিন লৈরে অমসুং ৰাহৈশিং অদুগী মরমদা খল্লম্মী। হে ইথিক্স!, হে

লোজিক! হে ৰীজদম! মহাক্কী চহী মতাংসিদা! মরম অসিদগী মখোয়না মাগী হকচাংগী ফিভম অদু খনবীবগী মিংদা মাগী লেমহৌরিবা নুংঙাইবগী শরুক অদু মৎপিরে। মহাক্কী হকচাংগী ফিভম! হৌজিক মহাক্না মদুনা কৈদৌনখিদোইনো, লেং-ওৎপগী পাঙ্গল য়াওদ্রবা অমসুং থক থক নীল্লবা মঙোন্দা? মখোয়না হায়রি- মখোয়না মাগী পুন্সিগীদমক চেকশিনবীরি? মাগী পুন্সি! নুমিৎ কয়ানি হিংখিদৌবা? তরানি, কুন্নি, য়াঙ্খে নম্রগা চান্মা? করিগী? মহাক মশাগীদমক? নম্রগা ইমুং অদুদা লৈরিবা মপাঙ্গল থোকত্রবা মিহৌচাউবা নুপাদু খরা কুইনা শাংথনা য়েংনবগীরা? মাগী পুন্সি অসিদা তৌগদবা ৰাৎহৌবা করিসু লৈত্রে, করিসু লৈররোই। মহাক্কী অপান্বা অমখক্তি লৈরি, অমত্তা ঙায়রবা পেঞ্জবা, মহাক্না শিদ্রিঙৈদা অরোইবা ওইনা মথৰাই পেঞ্জখিনবা মখোয়না মাগীদমক হোৎনবীদ্রিবা করিগীনো?

মতম কুইনা কার্দ শান্নরবা মতুংদা ঐ ঐগী কাদা অদুদগী ফমুংদা চঙলে। হায়ফম খঙদনা থৰাই য়ান্না নুংঙাইখিদ্রে অমসুং ঙমখৈ লৈতবা অৰাব অমনা পূক্লিংদা য়াম্ববগুম তৌরি। থোঙনাও মপাদা চঙশিন্দুনা ফমলুই। মপান্দা খোঞ্জেল অমত্তা তাদ্রে অদুবু কদায়দনো অরাপ্পা মফম অমদগী উপালদা তোংলগা উচেক অমনা নুংশিনা ঈশৈ শকপগুম তৌরি। উচেক অসিনা মাগী মপাং অদুনা মরূম কোল্লগা তুল্লিবা অদুবু শুন্নবা থেংলবা অহিংগী মতম অসিদা অনেম্বা খোঞ্জেলদা নাওশুম ঈশৈ শক্লিবনি। অদুদগী ঐগী মরূপ অমদি মচা মঙা অদুগী ৰাখল ফাওজিল্লকই, মিত্তা শংশঙনা উরকই মাগী মশক থিরবী নুপী অদুগী নাকন্দা মহাক নীংথিনা য়াতারি।

# ১৩- য়ুঙাওবা

অৰাংলোমগী নুংশিৎনা নোংলৈ অমগা লোয়ননা হুল্লক্লি অতিয়াদা চাউরবা মুরবা লূন্নবা লৈচিলগী মপৈ পুদুনা, মদুনা মালেম লৈমায়থক্তা অকিবা ফংনা নোং হৈথরি।

সমুদ্রগী ঈশিংনা অশাউবা অমদি থৌনা ফবা মতৌদা চাউরবা, খোঙজেল তপ্পা, কোঙ্গোল থাংলবা ঈথক কয়া শেমদুনা তোর্বান্দা য়ৈররি নোং খোংবগী মতৌগুম ঙংলদুনা। ঈথকশিং অদু অমগী মথং অমা নক্কনা ইনরক্লি, চীংলোনগুম অশুম শন্নখ্রি, কোঙ্গোলশিংবু চাইখায়রি, থুগায়রি।

নোংলৈ-নুংশিৎ অসিনা পীক্লবা তমঙ্গাক য়পোর্তপুসু য়োৎশিনবীখ্রে, ঙংলদুনা য়ুমথক্তগী জলুরশিং ফকথোক্লি, থোঙ কয়া থুদেক্লি, য়ুমথক্তা থম্বা চিমনি কয়া লৈমায়দা থাদরি, খুরবা লৈরক খুল্লকশিং শহুম কন্না শিৎলি মীশিং ফক্লাংদা পায়রগা চৎনরি, অঙাংশিং উনাগুম পায়খৎলি, য়ুম কয়া লমহাঙদা থাংদোক্লি।

ঙা ফানবগী হিশিং তোর্বান্দা য়ুৰার ৰাংনা কারকপনা নমদুনা কংফালদা পৈদুনা লৈররে। হিরোই কয়া মখোয়গী হিগী ফম্বাক্তা চংজফম লৌরি, অতিয়া

অমদি সমুদ্রদা শোক্লরিবা লানফম অদু য়েংলি।

অদুদগী মখোয় অমমম শুম চৎনখরে, নোংলৈ-নুংশিৎ অদু অহিংনা কুপশিল্লকপগা, শাউরবা সমুদ্র অমসুং লান শোক্লরম্বা পূম্বা অমম্বনা য়োমসিনখ্রে। হৌজিক ফাওবা মী অনী মখোয়গী মখুৎশিংদু ফুরিৎখাওদা হুমজিল্লগা, মনঙ্গলশিং নোংলৈ নুংশিৎতু কোন্থদুনা খাংলগা, মখোয়গী শামতুগী তুপীশিং মনাকোং ফাওবা চিঙথরগা লৈরি। মখোয়সি মকোয় চোম্বা, উনশাদু নুংশাদা ফৌবদগী ঙাংলৈনরবা, মমিৎতি হোরাইজন্দা য়েংলগা মচিঞ্জাক থিরিবা উচেক্কী মতৌগুম মুনা থৌবা পানবা, মশা মউ চাউ-শাংলবা নোরমান্দি ঙা ফাবা অনীনি।

মখোয়গী মরক্তগী অমনা হায়রকই: "লাকও জেরেমি, ঐখোয় জুৰার শানখিসি, মদু ঐগী হৈনজবীনি।" অমদু ঙহাক নীংজিং মাঙজিংনৈ, অমরোমদা জুৰার শান্নবা অমসুং ব্রান্দি থকপা হায়বসিনা মিকাহল্লি মরমদি মহাক খঙই পাউমেল্লাগী য়ুমদগী হল্লকপা হায়বসি য়ু ঙাওরগনি, অমরোমদনা য়ুমদা মাগী নুপীদু মথন্তা লৈহৌরি।

মহাক্না হংলকই: "কনাগুম্বা অমনা খনবা য়াই নঙনা ঐবু অহিং খুদিং য়ু ঙাওহল্লগা পোন্থা অমা লৌরি। হায়য়ু, মতম চুপ্পদা মহাক্না লেন্না পীজ পীথক তৌরিবসি নঙোন্দা করি তোংজবগীনো?"

অদুমওইনমক, অতোপ্পনা চাদিং তৌরগা ব্রান্দি থকপা ফংগনি হায়বশিদা মহাক নোক্লি। মিহৌচাউবা নোরমানশিংগী তৌশিন্নবা অপেনবগী মীনোক্তু মহাক নোক্লি।

মাথুরিন্না মাবু ফুরিৎকী খুদাংগী শরুক্তা পায়দুনা চিংই।

"লাকও, জেরেমি। অসিগুম্বা অহিংসিদি হকচাং শাগৎহন্দনা য়ুমদা চঙগদবা নত্তে। কনাবু কীরিবনো? নঙগী নুপীনা নঙগী ফমুংদু শাগৎহল্লম্লোইদ্রো?"

জেরেমিনা পাউখুম পীরকই: "নহান অহিং অমা ঐ থোঙ থিবা ফংখিদে-য়ুমগী মমাঙদা লৈবা খোংবান্দা তাদুনা লৈখি।"

মহাক য়ু ঙাওবগী নীংশিং ৰারীদুদা নোক্লি অমসুং মশা খঙদনা থোঙনাওদা মৈ অমা ঙানবা উরিবা পাউমেল্লাগী কেফকী মায়কৈদা চৎলি, মদুদা মাথুরিন্না চিংবনে, নুংশিৎনা হুমজিল্লকপনে অনী পারকপদুদা মহাক খাঙদুনা লৈথবা ঙমদ্রে। হন্থবা থাক্কী কা অদু হিরোইশিং, মৈখু অমদি লাংবা নিনবনা পীক থনখ্রে। মীশিং অসি শামতুগী ফিজোল শেৎলি, মখোয়গী খুনিং অদু তেবলদা

শৌরি, মখোয় মশেল তাননবা খোঞ্জেল হৌনা ঙাঙনরি। মী হেন্না হেন্না লাক্লিবা মখৈ মীনিলগী অরাংবা অমদি মার্বলগী তেবীলদা দোমিনো শান্নবগী মখোনশিং নমহৎনবা হেন্না হেন্না হৌনা লাউখৎপা তারি। জেরেমী অমসুং মাথুরিন কাচিন অমদা ফমথরে অমসুং শান্নবা হৌরক্লে অদুগা মখোয়গী খৌরাংলবা খনাওদা থুনা য়াংনা গ্লাস মথং মথং হৈজিনখরে। মখোয় মখা তানা শান্নরিবা অদুক্কী মতিক হেন্না হেন্না থকচিনখরে। মাথুরিন্না য়ু হৈজিল্লি অমসুং মমায় পাকপা মমায় ঙাংবা য়ু য়োনফম পানবা, ফজরবা ফাগি অমা তৌরি হায়বগী ৰাখলদা মপুক্তা নোক্লিবা অদুদা মিৎচিনা খৎতুনা ইঙ্গিৎ তৌই অমসুং জেরেমিনা য়ু থকচিল্লি অদুগা মকোক অদু হাইগৎলগা মপূক্লিংগী ৰা ফোঙদোক্তুনা হৌনা নোক্লি অমসুং মাগী মরূপ্তা চল্লবা অমসুং পেল্লবা মিৎয়েংনা য়েংলি।

কষ্টমর পূম্বা চৎনখরে। কনাগুম্বা অমা হেক থোকখিবগা মখোয়না থোঙ হাংদোকপদা কেফ মনুংদা নুংশিৎকী কল্লবা শফু অমা হেক হেক হুমজিল্লকই মদুনা মৈখুগী ঈরৈ শেল্লি, থার্উমৈশিং য়াল্লিবা চেনগী অরোইবা পংখৈ ফাওবা হাইরি অমসুং মখোয়গী মৈরী অদু কুপফেৎ কাফেৎ তৌরি অমসুং মিকুপ্তুদা ঈথক্লা মাঙখিবা, নুংশিৎনা তেংথানা শিৎলকপগী খোঞ্জেল তাবা ফংলি।

জেরেমি মঙকশমগী ফুরিৎ কুদাম থাদোকই, য়ুঙাওবা অমগী পোজ তৌদুনা মখোঙ নাম্মা তিংথোরকই মখুৎ নাম্মা মখাদা য়াম্বরি অমসুং অতোপ্পা মখুৎনা দোমিনো পায়রি।

হৌজিক মখোয় অনীগী মনাক্তা থৰায় য়াওনা লাক্লিবা মপুদুগা মখোয়গতা ঙায়হৌরে। মপুদুনা হংলকই: “অদু জেরেমি, মসিনা পূকনুংদা কমদৌরকপগে? থকচিল্লবদি থকনীংবা হন্থরকত্রা?”

জেরেমিনা শোল্লকই: “অশুম থকলিমখৈ হেন্নদুম থক্লীংহল্লি।”

মপুদুনা লোঞ্জান্নরা মাথুরিন্দা য়েংলদুগা হায়রকই: “অদু মাথুরিন নঙগী মরূপশিবু কমদৌরিবা?”

হিরোই অদুনা খোঞ্জেল থোক্তনা নোক্লকই: “করিসু খনবীরুনু, মহাক হুমাং কারি, করিসু তৌরোই।” অদুদগী মখোয় অনীমক জেরেমিদা য়েংলকই, মহাক্তি তরুক অনী থাথরগা মায়পাক্লে হায়দুনা লাউরকই: “লোইরে।”

অদুদগী মপু অদুনা হায়রকই:” ‘ফরে, নহাশা ঐদি ফমুং পাম্মক্লে। ঐ থাউ অদুগা লিক্লি থম্বীরল্লগে, মসিগী মমল সো কুন্নি। মাথুরিন নখোয়না

চৎলগে হায়রবদি থোঙসি শো লোল্লন্মু অদুগা শোজৈদু মহৌশা নঙনা হেক হেক তৌবা অদুগুন্না শাইজিন্দা ফক মখাদা ইনশিল্লন্মু।

মাথুরিন্না পাউখুম পীরকই: "করিসু চিংনবীরুনু। লোইনমক ফনবা তৌরমগনি।" পাউমেল্লানা অতিথি অনীদুগা খুৎ শোক্লরল্লে অদুগা তপ্না উগী কৈরাক্তা কাখৎখরে। মাগী লূপ্পবা খোঙথাং অদুগী খোঞ্জেলনা পীকখ্রবা ইমুং অদুদা ফনা কুইনা নিন্দুনা লৈহৌরি। হৌরবা ত্রেক ত্রেক লাউবা মখোন অদুনা মহাক ফমুংদা চঙখ্রে হায়বা তাক্লি।

মখোয় অনী মখা শান্নরি। মরক মরক্তা শাফূ কল্লবা নুংশিৎনা য়ুম অদুবু নিকহল্লি অমসুং য়ু ঙাওবা অনীদু কনাগুম্বা চঙলকপোই খন্দুনা হেক হেক য়েংখৎলকই। মাথুরিন্না লিক্লিদু পায়খৎলি অদুগা জেরেমিগী গ্লাসতু থলহল্লি। তৌইগুম্বসুং খঙহৌদনা বার অদুগী ঘরিদু পুংশিং তরানিথোই য়ৈরক্লে। মসিগী অয়াকপা খোঞ্জেল অদু খাং থেংজিন্নবগী মখোলগুম তারি। অদুদগী শঙবগী মতম লোইরদুনা হিরোই অমা লেপখৎলকই।

"হৌগৎলো, ঐখোয় চৎলসি জেরেমি।"

অমদু য়ান্না ৱানা লেপখৎলকই, তেবীলদা পায়রগা ফিরেপ চুন্না লেপ্পবা হোৎনৈ, থোঙ য়ৌখি অমসুং মদুবু হাংদোকই- মাগী মরূপ্তুনা মৈ মুৎথৎলিঙৈদা। মহাক্না লম্বী য়ৌবগা মাথুরিন্না থোঙ শো লোল্লগা "ফরে, কায়নরসি। হয়েং নুমিদাং অমুক উনরসি" হায়রল্লগা মহাক অমম্বদা মাঙখরে।

জেরেমি খোঙথাং খরা থাংই, হাইরং তুরং তৌই, অদুদগী মখুৎ তিংথোরকই, ফক্লাং অমা থেংনদুনা মদুনা ঙাক্লৌ ওইদুনা খুদি থিনা থিনা চৎপা হৌরক্লে। মরক মরক্তা নুংশিৎনা লম্বী পরিংদা শাফূ কন্না হুমলকই, মহাকপু মাঙলোমদা হুমগৎলকই, মদুদা খোঙথাঙ খরা চেলহল্লি, অদুদগী নুংশিৎ লেপখ্রবদা অমুক লেপ্পী, চৎনবগী পাঙ্গল মাঙখরে অদুদগী অমুক মাগী ফৈরেং তুরেং থাংলবা য়ু ঙাওবগী মখোঙ অদুনা মাবু হাইরং তুরং পুরি। মহাক চৎকে খন্না ময়ুমলোমদা চৎলি, উচেক্লা মকোন তন্না  চৎপগুম। মমৈদা মাগী চঙফম থোঙদু থেংনরে অমসুং শো মখুল থিবা হৌরকই অমসুং মদুদা শো থিংজিন্নবা হোৎনৈ। মখুলদু ফংবা ঙমদ্রবদা মচিন থিরকই। অদুদগী থোঙদা খুতুন্না শুদুনা মাগী নুপীবু কৌরকই, মতেং পাংলনবা হায়রকই: "মেলিনা, হে মেলিনা।"

মহাক্না ঙাক্লৌ ওইগে হায়না থোঙদা ঙারুবদা মদু চৎখরে, মদু হাংদোকখরে

অমসুং জেরেমি চৈঙাক য়াওদ্রবদা কা মনুংদা হাইথুরে, চেনশিনবদা মমায় অদুনা কাগী ময়াই য়ৌরে অমসুং মহাক্না করিগুম্বা অরুম্বা পোৎশক অমা মথক্তা লান্দুনা চৎখিবগুম অমসুং অমম্বদুদা নাম্থোকখিবগুম ফাওরকই।

মহাক কিখিবনা লুতোন শাৎখ্রে, ঙকপনা খম থেংখ্রে, শরোই ঙারোই, ভুট প্রেট অমদি অমম্বদা হৈনবা জিবশিংবু কিবনা মচি লেংদনা লৈরে অমসুং মতম ফনা কুইনা লেংনবগী থৌনা য়াওদনা তুমিন লৈরে। অদুবু করিগুম্বা অমত্তা লেং ওৎলকপগী মওং লৈত্রবদা গ্যান খরা তারক্লে, য়ু ঙাওবগী গ্যান্নি।

মহাক তপ্না হৌগৎলে অদুগা অমুক তুমিন ফনা কুইনা ঙায়রে অদুদগী মমৈদা থৌনা লাক্নুনা কৌরকই: "মেলিনা।"

মাগী নুপী পাউখুম পীরক্তে। অদুদগী খঙহৌদনা মাগী চমন্নরবা পূক্নিং অদুদা ময়েক শেংদবা, ইওইদা ওইবা য়াবা চিংনবা অমা ফাওজিল্লক্লে। মহাক লেংদনা অমম্বদুদা ফমথরে, মাগী মাংউরবা বুধি লৌশিং অদু তাশিন্নবা হোৎনৈ, মাগী পূক্নিংদা মপূং ফাদ্রিবা ৱাখলশিংনা মাগী মখোঙনা হাইবগুম হাইরি।

মহাক্না অমুক্কা হংলকই: "মহাক কনানো মেলিনা? ঐঙোন্দা হায়য়ু মহাক কনানো? ঐ নঙোন্দা করিসু তৌরোই।"

মহাক ঙাইরে অদুবু অমম্বা মরক্তুদা খোঞ্জেল অমত্তা লাক্তে। হৌজিক মহাক্না মথন্তা ৱাখন্দা খনবদু মপান থোকলকই।

"ঐ য়ু থক্লে, ফরে। ঐ য়ু থক্লে। অদুগা মসি মহাক্না, হুয়দুনা ঐঙোন্দা পীথক্লম্বনি, মাননি, মাননি ঐনা য়ুমদা হনজগদবদু থিংখিবা। ঐ য়ু ঙাওরে।"

অদুদগী অমুক মখা চত্থরকই: "ঐঙেন্দা হায়য়ু মেলিনা মহাক কনানো নত্রগা নঙেন্দা করিগুম্বা খরা থোকখ্রবরা?"

অমুকসু ঙাইরবা মতুংদা য়ু ঙাওবা অমগী অতপ্পা অমসুং হোংগন্দবা লোজিক্কা লোয়ননা মহাক্না মখা তারকই: "মহাক্না অহিং খুদিং থৌনাইদনা পাউমেল্লাগী য়ুমদা ঐবু য়ুমদা চঙহন্দবমখৈ থমখি। মসি ত্রিক অমনি। হে চাউখৎবা, অপূম্বা শা নঙনসু।"

তপ্না মহাক ষন শারে। মফম মরাং খঙদবা অশাউবা অমনা য়ুগী নিশাগা পাদুনা ফুনগৎলক্লে।

"হায়য়ু, মহাকতু কনানো মেলিনা নত্রবদি নঙ চৈ চাগনি- ঐনা খঙহল্লিবসিনি।"

মহাক লেপখৎলকলে, হায়ফম খঙদ্রবা অশাউবনা থক থক নীক্লে- য়ুনা

মাগী ঈদা মৈ চুরবগুম তৌখ্রে। মহাক খোঙথাং অমা থাংই, চৌক্রি অমদা তুশিল্লি, মদু পায়রে, চঙশিল্লি, ফমুং য়ৌরে, মখুৎনা মাদুনা য়েংই, মাগী নুপীগী ফোঙ ফোঙ শারবা হকচাং অদু থেংনরে।

অদুদগী শাউবনা লুতোন কারদুনা লাউরকই: "লৈরে, নঙনা সিদা লৈরে, লমচৎ নাইদবী, অদুগা করিশু খুন্মক্তবা।"

অদুদগী চৌক্রী অদু মাগী হিরোই অমা ওইবগী কল্লবা খুৎপায়দা পায়দুনা থাঙ্গৎলক্লে অমসুং শাউখিবনা অঙাওবগী পাংখক ওইরদুনা মাগী মমাঙদা হাইথরক্লে। ফমুংদগী  চৈনাখোল খাঙবগী, খোনগায়দা কপ্পগী মীকপ খোঞ্জেল অমা থোরকখি। অদুদগী লৌবুক্তা ফৌ য়ৈবগুম ফুথরক্লে। অমসুং থুনা করিমতা লেংওৎখিদ্রে। চৌক্রি অদু তেক্লে অদুবু অতেকপা মখোঙ অমা পায়রি অদুগা মদুনা ফূথরি নিংশা থবেৎ থবেৎ হোল্লদুনা।

মমৈদা মহাক লেপ্লে অদুগা হংলকই: "ফররিনি, নহাক মহাক কনানো হায়নবা শেম শারব্রা?"

মেলিনাদি পাউখুম পীরক্তে।

মহাক্না তৌখিবা থবক অদুদা চোকথরদুনা অমসুং বুধি মাঙলদুনা মশাদু লৈমায় তিংথোরকই অদুদগী তুমথখরে।

নোং ঙাল্লবদা, য়ুমথংনবা অমনা থোঙ ইহাং হাংদোকপদু উরদুনা চঙলকই। মহাক্না জেরেমিনা লৈমায়দা চৌক্রিগী অতেক অকায় মরক্তা নাখোক্তুনা তুন্নিবা অমসুং ফমুংদনা শদোং অমদি ঈগী মপৈ অমা লৈরিবদু উরে।

# ১৪- অউনপোৎ

মাইত্রে সাইমোন লেক্রুমেন্তকা মেদেমোইসেল্লি জীন্নি কোদিয়রগা লুহোংবদু কনামত্তদা অঙকপা ওইখিদে। মাইত্রে লেক্রুমেন্তনা মাইত্রে পাপিলোনগী উকিলগী থবক অদু লৈরে, মদুগীদমক মহাক শেন পীবা তারি, অদুগা জীন্নিগী শেনগং ওইনা অমসুং পায়রিবা মীদুনা ফংবা য়াবা বোন্দ ওইনা ফ্রাঙ্ক লাখ অহুম লৈ।

মাইত্রে লেক্রুমেন্ত চুং ফিরান চাবা নহা অমনি। মহাকসি অরিবা চৎনবী মওংদা কে মৌবা পামজবা মীনি, অদুম ওইনমক বৌটিগনি-লে-রিবৌরস তদি মহাক মশা নানবা মীশক অমা  হায়বদু ওইরে।

জীন্নি নীংথিজবীনি অমসুং য়েংবদা ইংনা উই, খরা খজিক মীরক মীচনথী ওইনা উরবসু ঙারোই শবান তাবী, হেক উবদা অউবা খুদিং অপাম মীহৌ পোকহনবীনি।

মখোয় অনীগী লুহোংবগী থৌরম অদুনা বৌতিগনিদা পুংজাও থিনখ্রবনি। মীপূম খূদিংমক্না থাগৎনখ্রবা নৌনা য়ুম্বাল পুন্সিদা খোঙদারক্লিবা শাবী শানৌ অনীদু ইমুং মনুংগী ওইবা নুংঙাইবদা থুনা মায় ওনশিল্লবা মতুংদা নুমিৎ খরনি

পোথারগা পেরিসতা খরনি কোয়রুশি হায়না লেপ্পরম্মী। মাইত্রে লেক্রুমেন্টনা তেথ-নৌবগী তৌফম থোকপা চাং অদু য়ৌনা তৌবনা মখোয় অনীগী অচীকপা পুন্সি অদু নুংঙাইবনা থল্লম্মী। "ঙায়রিবা মঙোন্দা খুদিংমক লাক্কনি" হায়বসিনা মাগী হিংবগী পান্দম ওইরিবনি। মহাক্না করম্বা মতমদা অখাং কনগদগে অমসুং করম্বা তাঞ্জাদা থৌনা পাঙ্গল ফুদোক্কদগে হায়বা নীংথিনা খঙই। মাগী মায় পাকপসি থুনা ফংখ্রে, মদুসু মপূং ফাখ্রে।

নুমিৎ মরীনিগী মতুংদগীদি মেদাম লেক্রমেন্ততু মপুরোইববু থাগৎপা হৌরক্লে। মহাক মহাক্তু য়াওদনা লৈবা ঙমজদ্রে। মহাক্না মহাক্তুগী মখূউদা ফমগনি অদুগা মনাকোংদা নকশিন্দুনা হায় "চীন কাথোকউ অদুগা নমিত্তু উইশিল্লূ" অমদুনা মচিন লাউনা কাথোক্কনি অদুগা মমিৎ তংখায় উইশিনগনি অদুগা নুপীদুনা অথুম অহাও ইন্নবা তৌরকপদা মখুৎতু কক চিক্রবা হোৎনগনি। অদুদগী নুপী অদুনা মাগী নুপাদুদা ওইনজগনি, নুপাদুনা মাগী নুপীবু পেলহন্নবা হোৎনগনি।

মখোয় অনী অশুন্না লৈমিন্নরকপা চয়োল অমা হৌখ্রবদা মতৈনা মনাওদা হায়রকই: "করিগুম্বা নঙনবু পাল্লবদি মথংগী লৈবাকপোকপদা পেরিসতা চৎলুসি। ঐখোয় নুংশি চান্নরবা ইঁতৈ ইনাওনি, ঐখোয় রেষ্টুরেন্টতা, থিয়েটরদা, ঈশৈ-নোংমাইগী হোলদা, অতৈ অতৈ কয়াদা চৎলুসি।"

মহাক্তি হরাও নুংঙাইনা জগোয় শানীংবনা মথুম মরাং হৌরে।

"ও! য়ারে, য়ারে। য়ারিবমখৈ থুনা চৎনবা তৌসি।"

মহাক মখা চথরকই: "অদুদি করিমতা চিথা নান্থবা য়াদ্রে, পাবুংদা নহাক্কী অউনপোৎ শেম শারব্রা হংউদনা। মদু চৎখিবদা লম্বীদা মাইত্রে পাপিলোনদা পীরমগদবনি।"

"য়ান্না ফরে। ঐ হয়েং অয়ুক হায়খ্রগে।"

অদুদগীদি মহাক্না হৌখিবা চয়োল অমা অসিদা চথরক্লিবা মখোয় অনীগী নুংশিবগী কুমহৈদু মখা চথনবা হোৎনরক্লে।

মথংগী লৈবাকপোকপদা মকুবোক মনেম্বোক অনীদু মচা নুপী অমসুং মমাকপু কোনুংদা চৎখিনবা থিন্দোরক্লে।

মকুবোক্না হায়রকই: "ফুরিৎখাউদা হাপ্পা খাউ মচাশিদা শেন ময়াম অমা হাপ্পগা পুবা অসি অশিংবগী থবক ওইরোইদা।"

উকিল নহা নোক্লকই: "করিসু খনবীরুনু, মসি ঐনা তোয়না তৌবা

থবক্লি। অদোন্না ঐগী শিনফম অসি খঙবীরবনি। করিগীগুম্বদা ঐ মিলিয়ন অমা ফাওবা পুবা য়াওখ্রে। অশুন্না তৌবসিনা য়ামদ্রবদা আইন তুইনগী পীগদবা শেনফম অমদী, লাল্লি চুম্মী নৈনবদা মাঙগদবা মতম অদু কনবা ঙম্মী। নুংশা থীবিরুনুদা।”

কন্দক্তর অদুনা লাউরকই: “পেরিস চৎকদবা, পেরিস----।”

মখোয় ফংহৌরোইদবগী মতাগুম ত্রেনগী কা অমদা থুনা য়াংনা চঙশিল্লে, মদুদা হান্ননা নুপী অহল ওইরবী অনী ফমলম্মে।

লেক্রুমেন্তনা মাগী নুপীদা নাশোন পীক্না হায়রকই: “নুংঙাইতে ঐ চুরুট থকপা ফংদবসি।”

মহাক্না অনেম্বা খোঞ্জেলদা হায়রকই: “ঐসু নুংঙাইহন্দে। অদুবু নঙগী চুরূটকী ৱাফমদুনদি নত্তে।”

হুয়শেল খোংখ্রে অমসুং ত্রেন অদু থৌবা হৌরক্লে। খোঙচৎ অদু পুং অমরোম চৎলে, মরক্তুদা মখোয় ৱা ঙাঙনদে মরমদি অহল ওইরবী নুপী অনীদু তুমখিবা নৎত্রি। মখোয়না সেন্ত লাজারে স্তেসন য়ৌবগা মাইত্রে লেক্রুমেন্তনা মাগী নুপীদা হায়: “ঐখোয় অহানবদা বৌলবার্দতা চৎলুখিসি অদুগা করিগুম্বা খরা চারুখিসি। মদুদগী শৎ হল্লকুগা ঐখোয়গী ত্রঙ্ক লৌরবা অমসুং হোটেলদা পুবা য়াই।”

মহাক খুদক্তা অয়াবা পীরে: “য়ারে, ঐখোয় রেষ্টুরেন্টদা চারুরসি। মদুবু লাপ্পরা?”

নুপাদুনা খূন্মকই: “হোয়, খরা লাপ্পি, অদুবু ঐখোয়না ওমনি বস অমদা চৎকদবনি।

নুপীদু ঙকই: “করিগীনো, তেকসিদি কৈদৌগে?”

মহাক্না নোকশিন্নরগা চৈরকই: “অদুন্না তৌরবদি নঙনা করন্না শেন কনবা ঙমগনি। মিনিট অমদা সেন্ত তরুক, মিনিট মঙা তোংবা! করিসু নত্তবদা নথন্তা মাংহঞ্জবা তাগনি।”

“ফরেসে, ওইরসনু।” খরা খজিক নুংঙাইতনা হায়রকই।

চাউরবা ওমনি বস অমা অচৌবা শগোল অহুমনা চিংলদুনা চেল্লক্লে। লেক্রুমেন্না কৌরকই: “কন্দক্তর, কন্দক্তর।”

চাউরবা গাড়ী অদু লেপ্লরে। অদুদগী উকিল নহা অদুনা মাগী নুপীবু

ইনশিন্দুনা হায়রকই: "মনূংদা চঙশিল্লু। ঐ মথক্তা তোংলক্কে, চাকচা মাঙদা চুরূট অমতংদি থকহৌগে।"

নুপীদু পাউখুম পীনবগী মতম ফংখিদ্রে। কন্দক্তর অদুনা মাগী পান্থোমদা পায়দুনা থাংলক্লিবা খোঙথাংদুগা ইরোইননা মনুংদা ইনশিনখরে অমসুং মহাক ফমফম অমা ফংলবদা গাড়ী মথক্তা কাখৎলিবা মাগী নুপাগী মখোঙদু মনিংগী থোঙনাওদা ইঙাও ঙাওনা য়েংলুই।

চুরুট অহোঙবা অমা থক্কুনা ফল্লিবা নোয় চাউরবা নুপা অমসুং চনম মনম চেনবী অহল ওইরবী নুপী অমগা অনীগী কারক্তা মহাক তুমিন ফল্লি। তোংলিবশিং- পোৎচোয় য়োনবা অঙাং অমা, নুপীমচা অমা, লান্মী অমা, সনা মচুগী মচৈ পানবা অনোক অমসুং সিক্ষকী তুপি উপ্পা জেন্তলমেন অমা, "ঐখোয়না অশুন্না তোংদুনদি চৎলি, অদুবু ঐখোয়গী ওইনা লৈবদি ঙমদেদো" হায়রক্কদবা মানবী মশাগী ফিভমদুদা পেন্থোকচরবী অমসুং অৰাবা শক্তম পুবী নুপী অনী, চেরিতিগী নুপীমচা অনী অমসুং মঙ পান্নবা অমা মথং মথং তুমিন পরেং ওইনা লৈরি। মখোয়শিংদু পুন্না য়েংবদা মীতৌ তমদুনা য়েকপা নোক্লবগী  লাইদু মাল্লি। গাড়ী অদুনা খংচোং খংচোং চোংলকপদা মখোয়গী মকোকশিংদু নোল্লি অমসুং গাড়ী চাকানা থক থক নিকপা অদুদা গ্যান মাংলদুনা খুদিংমক অতুম্বগুম উরি।

নহা ওইরিবী নুপী অদু তুমিন ফল্লি। "করিগীনো মহাক্না ঐগা লোয়ননা মনূংদা চঙলকত্রিবা?" ৰাহংসি মথন্তা হংজৈ। হায়ফম খঙদবা অৰাবা অমনা মথক্তা য়ান্থদুনা লৈবগুম ফাওরকই। তশেংনদি মহাক্না অদুন্না তৌবা মথৌ তারল্লোই।

মচিন মনাও অনীদুনা কন্দক্তরগী মশাদা নোমদুনা গাড়ী খান্নবা খঙহল্লি অমসুং অমগী মথং অমা লৈহৌরে অদুবু মোরোক শাবগুম ফাওবা করপুরগী মনম অদুদি থনমলে। বস অদু অমুক থৌই, থুনা অমুক খান্মী। চাকথোংবী মমায় ঙাঙবী অমা নিংশা থবেৎ তবেৎ হোল্লদুনা চঙলক্লে। মহাক ফমথরে অদুগা মাগী খুঙ্গংগী বাস্কেৎ অদু খুউ মথক্তা থম্মী। গড়ী অদু কোল-লিক-ফেংবা ঈশিংগী মনম অমনা থল্লকই।

"চৎলিবসি ঐনা খনবদা য়ান্না লাপলমগদবা মাল্লি।" জীনিনা খল্লকই।

পোলোইফম পানবা মীদু থোকখরে অদুগা মাগী মহুক্তা গাড়ী থৌবা অমনমুক শিল্লরে, মহাক লাকপদগী ফিভমদু ফরগদবা মাল্লে। নহা ওইরিবী

নুপীদুনা মং পান্নবা অদুগী মহুত্তা কোয়না চৎপা অমা ফংলে অদুবু মদুসু মখোঙদগী নন্নকপা মনম অদুনা মহাক লেপ্তনা চৎপা মীনি হায়বদু তাক্লি।

উকিলগী নুপী অদু করিসু ইতৌ তৌদনা অনাবী ওল্লে, ওনিংবনা তিন চুল্লে, করিগীনো মরম খঙদনা কপনীংলকলে।

মী খরা থোকখি অদুগা খরনা চঙলকই। গাড়ী অদু লোইবা খন্বা নাইদবা ষ্ট্রিট ফাওদুনা চৎলি, ষ্টেসন্দা লেপ্পি, অমুক চৎপা হৌরকই।

"কয়াম লাপ্পবা জাৎনো।" জীনিনা খল্লি। "ঐনা খনবদদি মহাক তুমদি তুমলল্লোইদা। মহাক হৌখিবা নুমিৎ খরনিসি য়ান্নবুদি চোকথখ্রবনি।"

অমমম অনীনি কুমহৌবনা তোংলকপা মী পূন্বা লৈহৌরে। মহাক মথন্তা ঙায়হৌরে। কন্দক্তরনা লাউরকই: "ভৌগিরার্দ।" নুপীদু মচি লেংলকত্ররবদা অমুকসু লাউরকই: "ভৌগিরার্দ।" নুপীদু মফমদুদা অতোপ্পা কনাসু লৈত্ৰবনিনা ঙাঙলিবদু মঙোন্দনি খঙলদুনা য়েংলকই। অহুমলক শুবা ওইনা লাউরকই: "ভৌগিরার্দ।"

অদুদগী নুপীদুনা হংলকই: "হৌজিক ঐখোয় কদায় য়ৌরবগে?"

"ঐখোয় ভৌগিরার্দ য়ৌরে। মসি ঐনা পূংখায় অমসি লাউদুনা লাক্লি।"

"মসি বৌলবার্দতগী কয়াম লাপ্পগে?"

"করম্বা বৌলবার্দনো?"

"বৌলবার্দ দেস ইটালিয়ান।"

"অদুদি কুইরবগী মমাঙদা ঐখোয় লান্থোরকখ্রে।"

"মদু ঐগী নুপাদা নীংশিংবিখিব্রা?"

"নঙগী নুপা! কদায়দা লৈবা?"

"বসকী মথক্তা তোংবনি।"

"বস মথক্তা! অদুদি কুইরেনা কনাসু তোংদনা হাংনা লাকখিবা।"

নুপী অদু থক্কৎপা হৌরক্লে।

"করি হায়বা? মদুবু ওইথোক্তবনি! মহাক ঐগা লাকমিন্নবনি। নীংথিনা অমুক্তা য়েংউ। মহাক শোয়দনা মফমদুদা লৈরমগনি।"

বস কন্দক্তর অদু লৈবাক মচা তাদবা হৌরকই: "লাক ও, ঙাঙইবদু ওক্লে ইবেন্মা। নঙনা নুপা অমা মাঙখিবা খুদিংগী মহুৎ তরা তরা ফংনি। য়েংউরো চৎলো। কদায়দনো নুপা অমা লৈজরমগনি।"

মিৎলু অনীদা পী শিন্থরক্লে। মহাক্নদি শেংনা হায়জৈ: “মোনসিয়র নহাক্না লান্না লৌবীরে। মহাক অচৌবা বেগ অমা পায়বনি।”

নুপা অদু নোকপা হৌরকই: “অচৌবা বেগ পায়বা! মহাক অদুদি মাদেলেইন দা লৈহৌরে। মহাক নঙোন্দগী নাম্থোকখরেদনা। য়ারেকো। হা হা হা।”

গাড়ী অদু খাল্লে। নুপী অদু কুমথরক্লে অমসুং মশামকপু থাজদবনা মহাক বস মথক অদুদা য়েংগে খন্না য়েংই। মদুদি পুরা হাংলল্লে।

মহাক কপখৎলক্লে- কনাগুম্বনা উখিনি নত্রগা তাখিনি হায়বগী ৱাখল য়াওখিদ্রে, লাউনা হায়রকই: “ঐঙোন্দা থোক্লিবসিবু করি মতৌনো?”

ইন্সপেক্টর অমা চঙশিল্লকই: “করি তৌনরে?”

কন্দক্তর অদুনা ফাগিগী মওংদা খুন্মকই: “নুপী অসি লন্বীদা লাকপদা মহাক্কী মপুরোইবা শাবদুনা হুন্দোকপিরল্লে।”

“এ! অদুদি করিসু লৈবা নত্তে। নঙগী নথৌদু তৌরু চৎলো।”

অদুদগী মমায় লৈথোক্তুনা চৎখ্রে।

মহাক গ্যান তাদনা, ঙাওদুনা করি থোক্লগদগে খঙদনা মাঙলোম চুমদ্রিং চৎখৎলি। মহাক কদায়দা চৎলিবনো? মহাক করি তৌগনি? মাঙখ্রিবা মহাক অদুদা করি থোক্লিগনি? মহাক্না অসিগুম্বা শাজৎ অসি করন্না পাঙথোকপা ঙল্লিবা? মহাক্না করন্না কাউথোকপা ঙল্লিবা?

হৌজিক মাগী ফুরিৎখাওদা ফ্রাঙ্ক অনী য়াওরী। মহাক কনাগীদা চৎকনি। খঙহৌদনা মাগী কজিন বারাল, মিনিষ্ট্রি ওফ নেভীগী ওফিসতা এসিষ্টেন ওইনা লৈবদু খংনীং নীংশিংলকই।

মহাক তেকসি ভারা পীনবদি মতিক চানা য়াওরি। মহাক কজিনগী য়ুমদা লাক্লে। মহাক্না থুংবগা মাগী কজিনদুনা মাগী ওফিস কানবা থোরকপগা মপা চানা থেংনরে। মহাকতুসু অচৌবা বেগ অমা পুরি লেক্রুমেনগুন্না।

মহাক গাড়ীদগী চোংথরগা লাউরকই: “হেনরী।”

নুপাদু চপ লেপ্পী, ঙকই: “জীনী! মফমসিদা নথন্তা! নঙবু করি তৌরবগে? নঙ কদায়দগী লাকইনো?”

মমিৎতু পিনা থুমহৎখরে, য়ারক্তা ঙঙলকই: “ইপুরোইবগা হৌজিক্তা মাঙনখরে।”

“মাঙনখরে? কদায়দা?”

“গাড়ীদা লাকপদা।”

“গাড়ীদা লাকপদা?”

মহাক্না কপ্পদুনা মাগী খোঙচৎতুগী ৱারী পূম্বা লীরে।

মহাক্তুনা মুন্না তারে, ৱাখল খল্লি অদুগা হংলকই: “ঙসি অয়ুক মাগী ৱাখল ইংনা লৈখিবরা?”

“লৈখি, চরাংনবা করিসু লৈখিদে।”

“ফরে। অদুদি মঙোন্দা শেন য়ান্না য়াও-লাকখিবরা?”

“হোয়। মহাক্না ঐগী অউনপোৎকী শেনফমদু পুখিবনি।”

“নঙগী অউনপোৎকী শেনফম হায়বা! লোয়নমক্লা?”

“লোয়নমক্লি মাগী উকিল তম্বগী প্রাকতিসকী শেন পীনবা পুবনি।”

“ফরে, ঐগী নুংশিরবা কজিন, নঙগী নপুরোইবদু বেলজিয়মগী খোঙচত্তা চৎখ্রে।”

হায়রিবা ৱাদু ভাব তাবা ঙল্লমদে।

“নঙনা হায়রিসি ঐগী নুপাবু---।”

“ঐনা হায়রিবসিনি নঙগী নপুরোইবদু নহাক্কী শেনফম অদুগা লোয়ননা চেনখ্রে।”

থমোই ইহুল কয়ানা য়োমখিবনা মহাক মফমদুদা লেপলি হায়বতা মঙায়রে, হিক্লা হিক্লা কপ্তুনা হায়রকই: “অদুদি মহাক থাজবা হাৎপা হুরানবা মীফত্তা অমা ওইরবা।” অদুদগী ফাজিনবা ঙমদ্রবা ইথিলদগী মহাক গ্যান মাঙখরে, মকোক অদু কজিনগী লেংজুমদা ঙাথরদুনা কপ্পি।

মীশিং মখোয়গী মতৌদু য়েংদুনা লেপ্পরে, কজিনদুনা মাবু নীংথিনা মাঙ্গালদা পুশিল্লে অমসুং মখুৎনা মাগী মখ্বাংদা কোন্দুনা মতেং পাংলগা সিড়ি কাখৎলে অমসুং মীনাইদুনা ঙক্লা থোঙ হাংদোকই।

মহাক্লা য়াথং তাওথরকই: “সোফি, রেষ্টুরেন্তা চৎলু, মী অনীগী চানবা পুরকউ। ঙসি ঐ ওফিস চৎলরোই।”

# ১৫- মরাল য়াজবা

নুমিৎ য়ুংবগী মৈশানা লৌবুক্তা হৈথরি। মখোয়না  ফার্মহাউস খুদিংগী শক্তাক ওইনা হৌরিবা উপাল চবুনশিংগী মরক্তা, তোঙান তোঙানবা মহয় মরোংশিং- মুনশিল্লকুবা রাই অমসুং হঙ্গামপাল চঙলবা গেহু, ৰাওনা শংবা ওট, য়ুংনা য়ুংনা লাংব ফিগুম পাকচাওনা শন্দোক্তুনা লৈরিবা মুনা শঙবা, থোৎ থোৎ লাওবা অমসুং ঈপোম নাইবগুম তৌরিবা, ফিথোংদ্রবা মালেমগী হকচাংবু কুপলিবা নাপীশিং ঙন্নমক্কী মরক্তা ঈথক হৌবমখৈ শন্দোক্লি।

অরাপ্পদা অঙন্বা লৈমায়দুগী মতোন্দা লান্মিনা পরেং লেপ্পগুম ষনবীগী পরেংনা লোইনাইদনা লৈরি। খরনা কূল্লি, খরনা লেপ্লি, চাকথেল্লকুবা মঙালদুদা অচৌবা মমিৎশিংদু থাল্লদুনা শগুপ শারি, পাৎকুম শন্দোক্লা হৌরিবা নাপি মরক্তা শজিক চারী।

নুপী অনী, মমা মচানি, তুংথ মাংথ খুরৌ থাংদবা খোঙথাংদা ষনবী ময়ামগী মায়কৈ তন্না লাক্লি। মখোয় মনা পানবা পাত্র অনী অনী অচৌবা

পাত্র অমদা রিং অমনা মপানলোমদা য়াম্থদুনা পুরগা লাক্লি। মখোয়গী খোঙথাং খুদিংগী অরংবা পাত্রশিংদগী ফুথরক্লিবা নুংশাগী মঙালদু ইরং লংনা থকতোরক্লি।

মখোয় ৱা ঙাঙনদে। মখোয় ষনবীশিং শঙ্গোম শুন্বা লাক্লিবনি। মখোয়না থুংলরবদা পাত্রশিং অদুদগী অমা থন্মী অদুগা অহানবগী ষনবী অনীগী মনাক্তা চঙশিল্লি অদুগা লেপখৎনবা মবুক্তা উগী ফিনাৎ তোংবা মখোঙনা কাউই। শাশিং অদুনা তপ্না হৌগৎলকই অহানবদা মমাঙগী মখোঙনা, অদুদগী ৱানা মনিংগী মখোং হৌগৎলকই য়াম্থরিবা শদোং মুনা শংলবা চাউরবা মখোম অদুনা লুমথবগুম তৌরি।

মমা মচাদু শাশিং অদুগী মবুক মখাদা নিংগাংনা ফমথদুনা খুইজিল্লবা খোমজিনশিং অদু কন্না কন্না থুনা য়াংনা চিংই, মদুদা পাত্রশিংদা শঙ্গোম কাপথরক্লি। পাত্রগী মপান অকোয়বদা হঙ্গামপাল মচুগী কোঙ্গোল কারি, অদুদগী মখোয়না ষনবী অমদগী অমদা পরেং অদু লোইদ্রিফাওবা চথে।

মখোয়না শঙ্গোম শুন্বা হেক লোইবগা শজিক অনৌবা চাজনবা মফম হোংদোকপী।

অদুদগী য়ুমলোমদা হনবা হৌই, হন্দক্তি তপ্না চৎলে শঙ্গোম পুবদুনা লুমথরদুনা। মমানা মাঙ থাই মচানুপীনা তুংদা চৎলি।

খঙহৌদনা তুংদা চৎলিবী মচানুপী চপ লেপ্পি, পোৎলুমদু থন্মী অদুগা ফমথরগা কপ্পা হৌরকই।

মেদাম মোইভোরিদু তুংদা লাকপগী খোঙথাং মখোল তারকত্রবদা তুং হন্না য়েংলকই অমসুং অঙকপনা থেংই।

"নঙবু কৈদৌরগে?" মহাক্না হংই।

মচানুপী কেলেসতি কৌবী মরেপ ৱাংবী, মশম ঙাংবী, মখজাই ঙাংবীদু নুংশাদা থবক শুবদা নুংশাগী মৈশানা মমায়দু কাহৎখ্রবগুম মকশিল্লদুনা ফুদেকখ্রবা অঙাংগী মতৌদা মুরুম মুরুম শোল্লকই:

"ঐ মখা তানা শঙ্গোমশি পুবা ঙল্লরোই।"

মমানা মঙোন্দা চিংননা য়েংই। অমুক্না হংই: "নঙবু কৈদৌরগে?"

"লুম্মনখরে, ঐ পুবা ঙল্লরোই।" কেলেসতিনা মাগী পাত্র অনীগী কারক্তা প্রদাক তারদুনা মাগী এপ্রোন্না মমিৎ খুমজিল্লদুনা খুন্মকই।
"অদুবু নঙবু কৈদৌরগে?" অহুমলক শুবা ওইনা মমানা হংলকই।
"ঐনা খনবদা অঙাং অমা ওইরক্কদবা মাল্লে।" অদুদগীদি মহাক হিক হিক কপখৎলক্লে।

অহল ওইরবী নুপী অদু মাগী পোৎলুম অদু থল্লে। ঙকপনা খম থেংলদুনা করি হায়সিগে হায়ফম খঙখিদ্রে। মমৈদা শাওনা হংলকই: "নঙবু অঙাং লৈরক্কদৌরে হায়বা, হৌনা খঙদবী অপঙবী! মদুবু কমদৌননো?"

মালিভোর হায়বা মখোয়গী শাগৈ অসি য়াইফরবা লৌমীশিংনি, ইনাক কৈরাক খুল্লে অমসুং পাক শন্না ইকাই খুন্নবিরে, মায় পাক্লা ললোন ইতিক তৌরে অদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা মখোয়গী ফিদা অমা লৈজরিবনি।
"ঐনা খনবদদি শোররোইদ্রা খল্লি।" কেলেসতিনা নীংজিং মাংজিংননা হায়রকই।

অকি-তুজুংলবা মমাদু মাগী মখোঙদা কোল্লদুনা কপ্লিবা নুপীমচাদুদা য়েংই। ঙহাক্কী তুংদা শাওনা হংলকই: "নঙ অঙাং লৈগদৌরে! অঙাং অমা! নঙ মদু কদাইদৈ লৌরুই, লমচৎ নাইদবী।"

কেলেসতিনা হিক হিক তৌনা খূন্মকই: "পোলাইতেগী গাড়িদগী ওইগনি খল্লি।"

অহল ওইরবী নুপীদুনা খঙনবা হোৎনৈ, ভাবনা শাদুনা হোৎনৈ মাগী মচানুপীদা লাইবক থিবা ফিভম অসি কনানা তাহল্লিবা। করিগুম্বা মহাক অদুনা ইনাক কৈরাক খুনবা নুংঙাই য়াইফবা ইমুং ওইরম্লবদি করিনো ফিভম অমা শিন্দোকপা য়াই। মাঙ তাক্লিবশি হৌজিকসু শেমজিন শাজিন্নবগী মতম লৈরি। অসিগুম্বা  ফিভম মায়োক্লবশি কেলেসতিনা অহানবা নত্তে অদুবু মখোয়গী ফিভম য়েংলুরগা অমদি মীয়াম্না করি ঙাঙনবা খল্লুরগা নুংনাংবনি।
"নুপাদু কনানো, চমোৎনবী?" মহাক্না হঞ্জিন্না হংলকই।

কেলেসতিনা তশেং তশেংনা হায়দোক্লুগে খল্লদুনা য়ারক্তা ঙংলদুনা

হায়রকই: “ঐনা খনবদা পোলিতেনি।”

মদু তাবদা মেদাম মালিভোইর শাওবদা ঙমখৈ লৈখিদ্রে, মচা নুপীগী মথক্তা চোংশিন্দুনা ঙমজবী থাদুনা ফুথরক্লে, মদুদা মাগী টুপিকা পাইথোকখরে।

মখুৎনা মকোক্তা, মনঙ্গলদা, মশা শিনবা থুংবদা ফুরে, মখোঙ মখুৎ তিংথোক্তুনা পত্রা অনীগী কারক্তা হিপ্লিবী কেলেসতিনা খরা মখৈ ঙাকপা হোৎনৈ, মাগী মমায়দো মখুৎ অনীনা লোৎপা হোৎনৈ।

অয়েৎ অপন পীরবা ষনশিংদো শজিক চাবা লেপখ্রে, মখোয়গী অচৌবা মমিৎশিংদো য়েংলক্লে। অকোনবগী অমদি মচিন্দু নুপী অহল অদুদা ওনশিন্দুনা ৰাংনা থাঙ্গৎলদুনা মো মো খোংলক্লে।

নিংশা থবেৎ থবেৎ হোনবা মখৈ মচানুপীদু ফুরগা মেদাম মালিভোইর চোকথরদুনা লেপ্লে। খজিক্তং ৰাখল হন্থরকপগা ফিভমদু খঙননবা হোৎনরকই: “--- পোলিতেনি হায়বা! ঈশ্বরনা ঐখোয়বু চানবীসনু। মসিবু ওইথোকপরা! গাড়ি থৌবা অমগা কমদৌনা তৌরুরিবা? নঙবু নবুধিবু ফকচিল্লব্রা? মহাক্না নঙোন্দা লৌনম তৌরিবা ওইরিনি করিসু কানদ্রবা অদুনা।”

হৌজিক ফাওবা হিপ্লিবা কেলেসতিনা মুরুম মুরুম শোল্লকই: “ঐনা গড়ি তোংলিবদো ভরা পীদে।”

অদুদগীদি নুপী অহলদো ভাব তারে।

চয়োল খুদিংগী য়ুমশকৈশা অমসুং থাংজদা কেলেসতিনা সহরদা মখোয়গী ফার্মগী পোথোকশিং, ঙানু-য়েন, ক্রিম অমসুং য়েরুম পুদুনা য়োনবা চৎলি।

মহাক অয়ুক্কী পুং তরেৎতা মখুৎনা অচৌবা পোলাং অনী অমনা শঙ্গোমগী পোৎথোকশিং অমনা ঙানু-য়েন মচাশিং পুদুনা থোরকই অদুগা লম্বী লমজাওদা থোরক্তুনা সহর চৎনবা গড়ি ঙাই।

মহাক্না মাগী পোৎসিংদু থন্মী অদুগা লম্বী নাকন্দা ফন্মী, মতমদুদা য়েন্নাওশিংনা মখোয়গী মতুঙ্বা মচিন মচা অদুগা ঙানু মচাশিংনা মখোয়গী অপাকপা মচিন অদু পোলাংগী অশোনবা মপাদা থিন্দোরকই অমসুং কোইরপ তৌবা, চমজরবা অমসুং তথক তথকপা মমিৎশিংদুনা য়েংই।

বস অদু মথক্তা অমুবা শউন্না কুপ্লদুনা হঙ্গামপাল মচুগী উপু মাল্লদুনা লন্থীদুদা অঙৌবা শগোলনা চিংবগী চোং ফল্লদুনা অমদি হাই হুমদুনা কুইহৌদনা হেক্তা লাকই। গাড়ি থৌবা পোলিতে মশা নোয়বা, ফাগি পুবা নহানি। নুংশিৎ-নুংশানা চারবা, নোংনা চামথোক্লবা মীনি, মমায় অমসুং মখৌরিদু ব্রান্দিনা মচু শংদুনা চেক মচু ওল্লে। মদুনা মাগী শাজৈ থাঙ্গৎলদুনা লাপ্পিঙৈদগী লাউরকই: “খুরুমজরি, কেলেসতি। হকচাং নুংঙাইরিকো।”

মহাক্না মঙোন্দা মাগী পোলাংশিং মথং মথং পীখৎলি, মহাক্তুনা পোৎ হাপফমদা হাপচিনখি। অদুদগী মহাক ৰাংলবা খোঙনেৎফম অদু লাম্বা ফংনবা মখোঙদু ৰাংনা থাঙ্গৎলদুনা অমসুং শংবান্নবা মচুগী মোজা উপ্পা মখোং অদু উৎলদুনা কাখৎলকই।

পোলিতেনা চপ মান্নবা ফাগি মতম খুদিংদা তৌই: “ফরে, ময়েংদি তারমদ্রিদনা।”

মহাক নোকই, ফাগিনি খন্দোকই।

অদুদগীদি “চেল্লোহে হনুবী’ হায়বদা ময়াং কংলবা শগোল অদু চেনবা হৌরকই। অদুদগী কেলেসতিনা মাগী ফিখাওদা হাপখিবা শেনগাও পুথোরকই অদুগা তপ্পা পেনি মঙা, পেনি অহুন্না মা মশা তোংবগী, পেনি অনিনা পোৎ হাপ্লকী ওইনা পুথোক্তুনা পোলিতেদা তুংদগী মরেংজুম মপাদা পী। মদু লৌরগা মহাক্না হায়রকই: “ঙসি ঐখোয় কুমহৈ শান্নশিদনা?” অদুগা মহাক থৰায় তানা নোক্লদুনা নুপী অদুদা অয়েৎপা লৈতনা য়েংননবা লৈশিল্লকই।

নুপীদুনা খল্লি মাইল অনীগী খোঙচৎ অসিদা ফ্রাঙ্ক তংখায় অমা লৌবসি য়ামল্লি। মসি করিগুম্বদা কোরিগী শেনয়েক য়াওদবা, লুপাগী শেনয়েক পীবা তারবা নুমিত্তনা হেন্না খল্লকই।

নোংমদি শেন পীনা পীনা হায়: “ঐগুম্বা চাং নাইনা চৎলিবা অমদগী নঙ পেনি অহুমদগী হেন্না লৌরোইদবনি।”

মহাক্না খঙলাউ লাউরকই: “করিগী পেনি অহুম, ইবেন্মা ফজবী, নঙদি মদুদগী হেন্নদুম লৌবা য়ারিবনি।”

মহাক্না ৱাফম অদু তকশিল্লদুনা হায়: "অদুবু থা অমদা নঙনা ঐঙোন্দগী ফ্রাঙ্ক অনিদি তাল্লে।"

মহাক্না মাগী শগোল অদু শাজৈনা অমুক্তং কল্লি অদুগা হায়রকই: "য়েংউ ঐদি চাদিং য়ান্না চাওবা মীনি। কুমহৈ শান্নবদসু লোইশিনগদৌবা লৈ?"

"নঙনা কুমহৈ হায়রিদুবু করিনো?" মহাক্না ইচম চন্না হংই।

মহাক নোক্লিংনা নোকই লোক খুরকত্রিফাওবা অদুগা হায়রকই: "কুমহৈ হায়বসি কুমহৈনি। চৎথোকওদা খঙদবা শারিবা, নুপা অমগা নুপী অমগা শানবনি, মখোয় অনীত ঈশৈ নোংমাই য়াওদনা জগোয় শাবনি।"

মহাক ভাব তারে, মায় ঙাঙশিল্লি অমসুং হায়রকই: "মোনসিয়র পোলিতে, অদুগুম্বদি ঐদি খন্দেদা।"

"নঙসু নোংমদি লম্বীসিদা লাকখিনিদা ফজবী, নুপা অমগা নুপী অমগা শান্নবশিদা।"

মতাং অসিদা মহাকসু ফাগি তৌদুনা হায়: "ঙসিদি য়াদ্রে মোনসিয়র পোলিতে, নোংমা থাংজদরা কৈনো।"

মীনোক কয়াগী মরক্তা খুন্মকই: "থাংজদা শোয়দ্রেকো ফজবী।"

অদুবু মহাকসু নুংদা হিশাব তৌই অসুন্না চথরক্লিবা চহী অনীগী মতমসিদা মহাক্না পোলিতেদা ফ্রাঙ্ক নিফুনিপানদি তশেংনা পীখ্রে। ফ্রাঙ্ক নিফু নিপান হায়বসি খুঙ্গংদদি ইরায় লায়না হেক্তা ফংবা য়াবা শেনফমদি নত্তে। চহী অনীমগা চথরবদি ফ্রাঙ্ক চাম্মাগী ময়াদি পীগদৌরি।

অসিগুম্বা ফিভম অসিদগী মপুক্লিংদা তৌরগে লেপ্পদুনা নোংমা য়েংন্নিংথাগী নুমিৎ অমদা মখোয় অনীতা তোংদুনা লাকপা নুমিৎ অমদা গাড়ি থৌবদুনা মাগী মহৌশাগী হৈনবী মওংদা "ঐখোয় কুমহৈ শান্নখিসিদনা" হংলকপদা মহাক্না খুন্মী: "হোয়, মোনসিয়র পোলিতে, নহাক্নবু পান্নবদি কাইদে।"

মহাক ঙকতে অমসুং মাগী ফমফম অদুদগী ষন শাবগুম তৌনা থোরক থোরক্লা নুঙায়রবা মওংদা হায়রকই: "অদুদি লাকওদনা। ঐনা

খঙখ্রবনি নোংমদি নঙ লন্বী অসিদা লাক্কনি।”

অহল ওইরবী অঙৌবা শগোলদু য়ান্না তপ্পা তপ্পা চৎলি, মদুনা গাড়িগী মখাদগী মরক্তা তারক্লিবা খোঞ্জেল অদু তারুদ্রগদি মফম হোংদনা নোমদুনা শানবা ওইরবোই নিংহল্লি।

“চেনখৎলু হনুবী লৈশাবী, চেনখৎলু।”

থা অহুমগী মতুংদা কেলেসতি খঙজরে মহাক অঙাং য়াওরক্কদৌরে। পূন্নমক অসি মহাক্না মমাদা কপ্তুনা তন্লে। শাওখিবনা তাইফেৎ তাইরবী অহলদুনা হংলকই: “ফরে, মমলদি?”

“থা মরি, অদুনা ফ্রাঙ্ক নিপানদি ফংলে, নত্রনে?” কেলেসতিনা খুম্মকই।

মদু তাবদা লৌমী নুপী অদু অশাওবনা লুতোন শাৎখ্রে অমসুং মচানুপীদা অমুক্কা পাকথদুনা নিংশা মপী হোন্দ্রিবফাও ফুরে। অদুদগী হৌগৎলকই অদুগা হায়রকই: “নঙ মঙোন্দা মসি খঙহনখ্রবরা?”

“খঙহন্দ্রি।”

“করিগীনো নঙনা মঙোন্দা হায়দ্রিবদি?”

“মরমদি মহাক্না ঐবু গাড়িদা লেন্না পুবিবদুনা মসিগী মমল পীরে হায়না খল্লুরে।”

অহল ওইরবীদু ঙহাক ৱাখল তৌই, অদুদগী মাগী শঙ্গোমগী পাত্রশিংদু পায়খৎখ্রে।

“লাকও লাকও, হৌগৎলো, য়ুমদা চৎনবা হোৎনরসি।” মহাক্না হায়রকই অদুগা লেপকক তৌরুরগা মখা তারকই: “অদুগা মসি মশানা খঙজরকত্রিফাওবা মঙোন্দা হায়রুগনু, ঐখোয় মঙোন্দগী থা তরুক্তা নিপাল্লাগী ভরাদু ফংহৌখিসি।”

অদুদগী কেলেসতি হৌগৎলক্লে, হৌজিকসু কপলি, মশম মনা ফারি অমসুং মিৎপান পোমখৎলে। চিংদুনা থাংবা খোঙথাংদা মুরুম মুরুম শোন্দুনা চৎপা হৌরকই।

“হায়দোক্তবা তারেদা।”

লোইরবা

# অইবা অসিগী ফোঙলবা লাইরিকশিং

## ১। থামম্বা অহিংগী লৈহাউ

(শৈরেং-ৱারী/খণ্ড কাব্য, অহানবা ফোঙবা: ২০১২, লা: ৬৪, মমল: লুপা ৬০, ফোঙবা: লমজিং পব্লিকেসন্স)

চীংমী নিঙোন লৈহাওগী অৱা-নুংঙাইগী পুন্সি ৱারীদা যুমফম ওইবা শৈরেং-অশাংবা নত্রগা খণ্ড কাব্য অমনি। চাওখৎপগী মঙাল ফংবা ৱাৎলিবা মফমদা পোক্লুবনা ৱানা হিংলি হায়বতা ঙায়না লেল্লিবী লৈহাউগী পুন্সিবু নাগা কুকি ফুরুপ অনীগী মশেল মুক্লবগী থৌদোক অদুনা অমুক হেন্না কাংখো চাইহনখিবগী অৱাবনা পোলোই ওইবা, অনীংবা অপাম্বা খরগীদমক পুন্সি কয়াবু মমল লৈতনা মাংহনখিবা অদুগী ৱারীনি। লাইরিক অসিগী মতাংদা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংলবা ওইনাম নিলকন্থ হায়- "মতমগী মৈখুনা কুপশিল্লুরবা কব্যরসকী মহাও অমসুং মাগী ইতোপ তোপ্পা শক্তমগী লৈতেং অমদি তান্থখোল, লেপ্লুরবা মাগী শৈশক তাবুনুংদগী শিৎনান্না পুথোরক্লগা তাহল্লিবসি ৱার্থস ৱার্দকী "স্তোপ হিয়ার---পারহেপ দ্য প্লেন্টিফ নম্বোরস ফ্রো' কাব্যরস খুনবা হৈবা কনাগীদি মীকুপ অমতংগী ওইরবসু পামজবা উরুমদা পোথা হৈচিক লাংজফন্নি।"

## ২। লৈ অমসুং তিংখং

(ৱারীমচা, অহানবা ফোঙবা: ২০১২, লা: ১৭৮, মমল: লুপা ১৮০, ফোঙবা: লমজিং পব্লিকেসন্স)

ৱারীমচা ১২- মদুদি *ৱাশক অমদৈ অমা, দীমান্ট লেতর, নোংঙাল্লমদাইদা নুংশি পস্থুং, মীথুং, দেত লাইন, সোত কত, নুংশিবীগী চেংলৌ, লংলা তৎলুরবা তেলঙ্গা, ঐ মমানি, লৈ অমসুং তিংখং, থাজমল* অমসুং *সোসিএল ৱাকর* অসি য়াওই।

অইবা অসিনা রিএলিষ্ট অমা ওইনা ঙসি ঙসিগী পুন্সিদা মায়োক্লরিবা থৌদোক ৱাথোকশিংবু চুন্না য়েক্লবা হোৎনরি, মসিদা নত্তনা ৱাথোকশিং অসিগী মৰূ হৌরকফম অমসুং লোইশিনবগী লম্বী পুথোক্লবা, খঙহন্নবা হোৎনবগী মমি তাবা ৱারীমচাশিং অসিদা য়াওই। মণিপুরী ৱারীমচাদা ওইরিবা রিএল্লিজমগী মশক খঙগে হায়রবদি লাইরিক অসি পাবা য়াই।

## ৩। মনিং মমাঙ হোংথোং হো

(ৰারীমচা, অহানবা ফোঙবা: ২০১৩, লা: ১৮৪, মমল: লুপা ১৮০, অফোঙবি: এস উনিতা )

অইবা অসিগী ৰারীমচাগী অনীশুবা লাইরিক অসিদা ৰারীমচা ১৫ য়াওরি। মখোয় অদুদি *মাঙ্গোলঙানবী অমসুং পাখঙজাওগী ৰারী, পুন্সিগী মমল, শীংনবা, শানবুং ভর্সেস ষনজাবুং, লমখায়শিদা ঙাইহাক্তং, খম্বতোনগী মরাইবক, মোহোনগী তুপী, মীতোপ মীরানচা, হূরানবা মচা, লাল্লিবসি কনানো, মনীং মমাং হোত্রোং হো, অমম্বদা মঙাল, লীহৌদ্রবা ৰারী মতেক, বিদায়গী হিদেন্দা,* অমসুং *কোতাদা গোলদ মেদল* অসিনি।

ঙসিগী খুন্নাইদা থোকহৈদবা ওইহৈদবা কয়া থোক্লিবা ওইরিবা, মরম চাদবা মীফা মীপুন, মরাল লৈতনা নংলিবা মীশি মীনা, মওং তদ্রবা মোব জটিষ্ট, রাজনিতিগী তাৎ পাৎ, লুচিংবশিং তৌশিন্নবা মচৎ, চৎনহৈদ্রবা চৎনবী অসিনচিংবা কয়াবু য়েক্লি অমসুং হেন্না ফবা লন্বী অমগী পাউজেল পীনবা ৰারীমচাশিং অসিদা হোৎনরি।

## ৪। লৈ অমসুং নোংমৈ

(ৰারীমচা, অহানবা ফোঙবা: ২০১৪, লা: ১৬২, মমল: লুপা ১৭০, অফোঙবা: লমজিং পব্লিকেসন্স)

অইবগী ৰারীমচাগী অহুমশুবা লাইরিক অসিদা ৰারীমচা ২০ য়াওরি। *মুখরক্লিবা থাউমৈ, খুঙ্গংদো তান্না লৈহৌরে, ওজা প্রিন্সিপাল য়াইমা, লীপুন, প্রধান অঙৌ, য়েন্নীং হুনখিদ্রবা য়েন্নীংথা, ইমাগী ইবুংঙো নংবু কৈদৌঙৈ আমিন কাদৌরিগে, মৈদিংঙু কালেঞ্জাও, মংদুনা তাইবং ওইরম্লবদি,থৌরী কোঙ্গোয়, লৈ অমসুং নোংমৈ, পোলোইদা, মীহাৎপূং, নুংশিবগীদমক নুংশিবা, অঙকপা লুহোংবা, খুদি অমদা, লম্যাংনখ্রবী সুনিতি* অমসুং *সাহেবকী চৈরাক* অসিনি।

ৰারীমচাশিং অসিদা তোঙান তোঙানবা থিম কয়া লৌখৎতুনা বরাক তম্নাক্তা মৈতৈ ফুরুপ মুখরকপা, সহরগা খুঙ্গংগা চাউখৎপা থোং মান্নদবা, মীহুৎ কারিবশিংগী অরোনবা শাজৎ, শেনঞ্জা থুমজা, লানহৌবগী মিংদা চত্থরিবা মীহাৎ মীপুন অসিনচিংবা কয়া শৈথারি। লোয়ননা ঙল্লিঙৈ মতম নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমগী ওইনা শাগৎপা ৰারী মচা খরসু য়াওরি।

## ৫। দ্রৌপতি ফিমুর্নৈঙে

(শৈরেং, অহানবা ফোঙবা: ২০১৪, লা: ১২৬, মমল: লুপা ১৭০, অফোঙবা: লমজিং পব্লিকেসন্স)

মতমশিংগী পুন্সিনা মায়োক্লরিবা থৌদোক ৱাথোক কয়াগী মমি তাবা, ব্লেং ভর্সতা ইবা শৈরেং ৩৭ খক য়াওরি। বাঙ্গলা অমসুং মৈতৈ ময়েক অনীমক্তা পুন্না পুথোকপা লাইরিক অমনি।

## ৬। লৈ অমসুং নোংমৈ

(ৱারী মচা, অপুনবা ভোল্যুম, অহানবা ফোঙবা: ২০১৪, লা: ৪৮২, মমল: লুপা ৪৫০, অফোঙবা: লমজিং পব্লিকেসন্স)

ৱারী মচা ৪৭ য়াওই। মমাঙদা ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিকশিং- 'লৈ অমসুং তিংখং', 'মনিং মমাঙ হোত্রোং হো' অমসুং 'লৈ অমসুং নোংমৈ' অহুমদা য়াওখিবা ৱারীশিং পুনশিল্লগা লাইরিক অমখক্তা ওইনা অমুক হন্না পুথোকপা ৱারীমচাগী লাইরিক্নি। লাইরিক অসিনা ফোঙখ্রবা মনিপুরী ৱারীমচাগী লাইরিকশিংগী মনুংদা খ্বায়দগী চাউবনি হায়না লৌনৈ।

## ৭। সাহিত্য নৈনরোল অহৌবা

(থিওরিতিকেল কৃতিসিজম, অহানবা ফোঙবা: ২০১৪, লা: ১১৪, মমল: লুপা ১৪৫, অফোঙবা: লমজিং পব্লিকেসন্স)

লাইরিক মচা অসি 'ইলিমেন্তরি গাইদ তু লিতরেরি কৃতিসিজম' কৌবা এফ ভি এন পেইন্তরনা ইবা লাইরিক অদুদগী মচাকশিং লৌরগা মনিপুরীদা ইথোকপনি। খোরিরোলদা নৌনা খোঙদারক্লিবা অইবা অইবী নত্রগ কলেজদা, য়ুনিভর্সিতিদা খোরিরোলবু সবজেক্ট অমা ওইবা তম্লিবশিংদা য়ান্না মতেং ওইগদবা লাইরিক অমনি।

## ৮। তৌরৈদগী তরং

(অইব মরিগী অপুনব শৈরেং লাইরিক, অহানবা ফোঙবা: ২০১৪, লা: ১৪০, মমল: লুপা ১৯০, অফোঙবা: লমজিং পব্লিকেসন্স)

অইবা অসিগী শৈরেং ১৯ য়াওনা অইবা সুরচন্দ্র য়ুমনাম, তোঞ্জাও মৈদিংঙু, ওক্রম মনিগী শৈরেংশিংগা পুল্লগা পুন্না শৈরেং ৬০ য়াওরি। বাঙ্গলা অমদি মৈতৈ ময়েক অনিমক্তা পুন্না ফোঙবনি।

## ৯। থামম্বা অহিংগী লৈহাউ

(শৈরেং অশাংবা, অহানবা ফোঙবা: ২০১৫, লা: ১৩২, মমল: লুপা ১৮০, অফোঙবা: লমজিং পব্লিকেসন্স)

মমাঙদা ২০১২ তা বাঙ্গলা ময়েক্তা ফোঙখ্রবা অদু মৈতৈ ময়েক হাপচিল্লগা পুন্না অমুক হন্না ফোঙবনি।

## ১০। অরোইবা পাওমেন

(ৰারীমচা, অহানবা ফোঙবা: ২০১৫, লা: ১০৮, মমল: লুপা ১৬৫, অফোঙবা: লমজিং পব্লিকেসন্স)

লাইরিক অসিদা ৰারীমচা পুন্না ১২ য়াওরি মদুদি *মৈরানবি, মীচিহানগী চফু, হল্লকপা, পাউখুম অমা, শেগায়রবা চরুগী মী, দিশেম্বর ১২, য়েমৌনবা, মীনাসু য়ানাবা লাইনাসু য়ানাবা, হল্লকখিদ্রবি, লমন, কেনখ্রবদা, অমসুং অরোইবা পাওমেন* অসিনি। ঙসিগী খুন্নাইবু রিএলিষ্টিক ওইনা য়েংদুনা য়েক্লবা হোৎনবা ৰারীমচা পাগে হায়রবদি লাইরিক অসি পায়বা য়াই।

## ১১। ঈৰাই-ঈনিল

(শৈরেং, অহানবা ফোঙবা: ২০১৬, লা: ৬৪, মমল: লুপা ৯০, অফোঙবা: লমজিং পব্লিকেসন্স)

লাইরিক অসি শরুক অনী থোকই। ঈৰাই হায়বা শরুক অসিদা মতমগী শৈরেং, ব্লেং ভর্সতা ইবা ১১ য়াওই। অদুগা ঈনিল হায়বা শরুক অসিদা তাংকক ২১ য়াওবা শৈরেং অমা য়াওরি। তাংকক নাইবা শৈরেং অসি শোনেতকী মওংদা ইবনি, তাংকক অমদা পরেং মরি মরিগী স্তেঞ্জা অহুম, পুন্না পরেং তরানিথোইনা শাই।

## ১২। দাইলেক্তিকেল এন্দ হিস্তোরিকেল মেটেরিএল্লিজম

(হন্দোকপা ৰারেং, অহানবা ফোঙবা: ২০১৬, লা: ৪৮, মমল: লুপা ৬০, অফোঙবা: লমজিং পব্লিকেসন্স)

মতম অমগী য়ু এস এস আরবু চহী কয়া লৈঙাকলম্বা জোসেপ স্তেলিন্না ইরম্বা ৰারেং অদু হন্দোকপনি। মাক্সিজম-লেনিনিজমগী য়ুমফম ওইরিবা দাইলেক্তিকেল এন্দ হিস্তোরিকেল মেটেরিএল্লিজম মতম চঙদনা লাইনা খঙগে হায়রবদি লাইরিক অসি পাবা য়াই।

## ১৩। চুমথাঙ মখোঙ থিবদা

(শৈরেং, অহানবা ফোঙবা: ২০১৬, লা: ১০৪, মমল: লুপা ১৭০, অফোঙবা: মণিপুর সাহিত্য পরিষদ, থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট মশা)

শৈরেং ৫৩ য়াওবা লাইরিক অসিগী মতংদা মোইরাংথেম রাজেন্দ্র সিংহ, সাহিত্য ভুষননা ইরি, শৈরেংশি অসিদা "অইবগী থম্মোয়গী ওইবা হিংমিন্নবা পাম্বা, অকনবনা অচুম্বা শকপগী মায়োক্তা লৈনীংবা, অচুম্বগীদমক লেপ্লিংবা অমসুং থেংননীংবা, খুন্নাইগী অমোৎপা পামদবা, তাৎ-পাৎ তৌবা, তৌশিন্নবা কয়াবু পামদবা, মশাগী ওইজবা খরগীদমক মীয়াম্বু ৱাহনববু য়ানিংদবা, তংদু লৈতাবা পুন্সি মরেনবু পামজবা অসিনচিংবা কয়া মমি তারি। --- ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা ঙসি ওইরিবা শকতম (মহৈ) কয়া অসি করি মরমদগী ওইরকলিবা, কনা কনানা থোকহনবনো (ওইহনবনো) হায়বা শৈরেংশিংসু য়াওরি। অকনবনা অচুম্বা শকপা, অকনবনা শোয়রগা অচুম্বা তৌজরিবা অশোনবদা তাইনবা, লাঞ্জ দবা মীচম কয়ানা অৱাবা তাবা (ফংবা) উবদা থম্মোয় ফাথবা ঙমদ্রবা কবি অসিনা মহাক্কী থম্মোয়গী ওইবা ৱা কয়া ফোঙদোকপসু য়াওরি।" (লাইরিক্কী ৱামাং য়ানবা)

## ১৪। মাউপাসাগী ৱারী মচা ১৫

(হন্দোকপা ৱারীমচা, অহানবা ফোঙবা: ২০১৭, লা: ১৪৬, মমল: লুপা ২০০, অফোঙবা: মণিপুর সাহিত্য পরিষদ, থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট মশা)

গাই দি মাউপসা (পো: অগষ্ট ৫, ১৮৫০ - শি: জুলাই ৬, ১৮৯৩) ফ্রান্সকী শক্লাইরবা, মুৎনাইদনা শক শোন্নরীবা ৱারীমচা অমসুং নোবেল ইবা অইবনি, থোইদোক্লা ফ্রেন্স লোনগী ৱারীমচা অইবশিংগী মরক্তা খ্বায়দগী অথোইবনি হায়না লৌনরিবনি। অইবা অসিনা ৱারীমচা চহুম হেন্না, নোবেল তরুক অমসুং লমকোই ৱারেং অহুম অমসুং শৈরেং লাইরিক অমা ইরন্মী।

গাই দি মাউপসা রিএলিষ্ট (তশেংনা ওইরিবা ফিভমবু শৈথাবা) অইবনি। মাগী ৱারীমচাশিংদগী ১৫ দং খনগৎলগা হন্দোকপনি। য়াওরিবশিংদি: *নোঙ্গাখ্রবী অমগী অরোন অথূপ, শরোই ঙারোই, লিকফাং, স্ত্রিং মতৎ অমা, চাক্কোই চাবা, লমন খুম্বা, খুৎ অদু, দেনিস, বিদায়, ৱাইটর বোক অমা, মপাবুং, ইমুং অমা, য়ুঙাওবা, অউনপোৎ* অসিনি।